আেইয়ো॥ হাইবমলাবাকা॥ য়াথাইচেনা আকপ মাসে কৌনা॥ নোংখাতা॥ লংযাবে॥ সলথোং লাইনিংথৌ সারে॥ আসিতাকি॥ আখেবা কৌনা॥ নোংসিং মাকোকতা॥ তোনা॥ নোংসিং লোইনাবে॥ মিংশীর্কাকি। মাক হুলশীকবে॥ মাপতাক॥ সলথোংপুংমায়ং ফমলে॥ নোংসিং মাপুনা॥ থৌগলনাবে॥ নোংচুপ আবিবা কৌনাবে॥ আসতাকি নুমিৎকি॥ সায়ল মাকমতা॥ আধবো কৌনা॥ ঙালনা লাসলে॥ মামংতা হংস কৌবে॥ নুমিংক মান মাহাকনা॥ নোংসিং ১০ মকাক খোলচেল তা নুমিৎকি থোংচি॥অকলা মাতোলতা॥ তোংঙে॥ মাখুংতা নোংসিং ১০মাপু॥ সুতুনা ॥ খালচেল পুম কৌনা॥ হাইথাংলেল কৌযে॥ লাই শিবীকনা কিনাবে॥ মাসইক॥ হুং কৌবা॥ আতৌযানা নুমিৎকি যাফম আেইনা॥ তাওবোইনাইবু॥ নায়াতা ব্রোমথাবকলে॥ পুঙঙোকি মামিংতী॥



য়ুথক ১না অোইনায়॥ নুমিৎ ৫ না পুঙ ১ ব্লোইনায়। মীৎকুপ ৫ গা॥ য়ুথক্ ৫ পুঙ ৫ কানা॥ মীৎকুপ ১ অোইনায়॥ পুঙ ৫ কা মীৎকুপ ৫ কানা॥ নিংসা ১ অোইনায়॥ মীৎকুপ্ ৫ কা॥ নিংসা ৫ কানা॥ নাহুম নীপালকি॥ নাহুম ১ অোইনায়॥ নিংসা ৫ কা॥ নাহুম্ ৫ না পুক্নিঙ ৬ কি॥ পুক্নাঙ ১তা অোইনায় ॥ ॥ আতিয়াসিতপানা`॥ আসাইকি লাংসঙ্কি॥ মাযাইতা হলথাবক্তানা॥ মাখোঙ্ কাবলনা ২ ফমলিঙইতা॥ নুঙমুমাতুম ২ তাওখৎলকয়॥ ১তী॥ খাওয়াইথম্নায়॥ ১তী খুৎসু খুৎলাই থম্নায়॥ আতুকা লইপাক্ সেম্কে হায়তুনা॥ মাহাক্কি পানকন্ অোইনাপা॥ পোক্কে হায়না॥ নীঙ্লে॥ হুম্লেল্ নোংসীৎকা॥ হাম্লেল লইচিলকা॥ ২ মানা মাতু মাব্রাঅোইনায়॥ অোঙনায়॥ য়ীসিঙ্ তুঙতাপোক্পাতী॥ কাবিনে॥ কাবানে॥ নোংতম্খুপানে॥ নোংযায় মাবী অোনপানে॥ চাওবা মাপান থিপানে॥ তুাঙ খোইনুচানে॥ পীসাতাওনে॥ ৭ মা পোক্য়॥ চাওবা মাপান থিপানা॥ য়ীসিংতা তাওবিপা॥ খৈপীক্পু॥ মানা খোমতুনা॥ নোংয়ায় মাবীঅোন্পানা॥ পাবিং ১॥ ১ বোল্হৌয়॥ আসীপানা॥ মামিং॥ য়ী কক্তাবং কৌনা॥ সীঙ্কাপ্কি মাথক্তা॥ সাবেং যাংপা পোক্য়ে॥ সাবেং যাংপা মামিংতী॥ নাকানিংথৌ মেহনত্রি তাবৈপা কৌয়॥ মেহনত্রি তাবৈপানা॥ সীঙ্কাপ অোইথেয়॥ আতুকা আতীয়াসিতাপানা॥ পাবিং মখোয়তা॥ ব্লয়ুং অোইনা ফম্লে॥ লইপাকতী কাবিতাকি॥ লওসীপারা॥ হায়তুনা॥ নুঙ্পঙ্না নীঙ্লিঙইতা॥ আত্যানা নুংপঙ্পা আতুপু॥ গ্রুনা ব্লতুনা॥ য়ীসিং তুাঙকি মাখাতা॥ লইথাখিবে॥ য়ীসিংকি মানুংতা॥ থিংকু পোক্লে॥ থিংকু মামিংতী॥ গুরুতীক্তা থিংকুবং কৌয়॥ থিংকু মথক্ত॥ গ্রুনা ফম্লে॥ আত্যাসিতাপানা॥ নুংপঙপাপু নিঙসিংলক্লে॥ য়ীসিংকি মাখাতা॥ কাবি লৈপা হায়তানা॥ নীঙসিংলে॥ য়ীসিংকি মাখাতা॥ লইথাখিবে॥ গুরুসিতাপানা॥ লৈঙামপাপু॥ অত্যাসিতাপানা॥ যীসিংকি মখাতাসুং

য়ুথক অমা ওইনৈয়ে। নুমিৎ মঙানিনা পুং অমা ওইনৈয়ে। মীৎকুপ মঙাগা য়ুথক মঙা পুঙ *চক ১গী লাইগী* ৫ কনা, মীৎকুপ ১ ওইনৈয়ে। পুঙ মঙাগা মীৎকুপ মঙাগনা, নিংশা *মাওম লেপ্পা* অমা ওইনৈয়ে। মীৎকুপ মঙাগা, নিংশা মঙাগা নাহুম নিপালগী মতমনা নাহুম অমা ওইনৈয়ে। নিংশা মঙাগা, নাহুম মঙা পুকনিং চককনা পুকনিং অমাথক ওইনৈয়ে।

অতিয়াশিদবনা ভসাইগুগী লাংশঙগী ময়াইদা হলথাবকতুনা, মখোঙ কাবক্ননা ফমলিঙৈদা নুঙমু মতুম অনি তাওখৎলকয়ে অমদি খাওয়াই থমনৈয়ে। অমদি খুৎসু খুৎলাই থমনৈয়ে। অদুগা লৈবাক শেমসে হায়না নিঙলে। মহাক্কী পান্ডকন ওইনবা পোকপু *হুমলেল* পোককেনিংলে হুমলেল নোংশিৎকা হামলেল লৈচিলগা অনিমকনা মতু *হামলেলগী চাদা* মরা ওইনৈয়ে। ওঙনৈ পানৈয়ে। ঈশিং তাবংদা পোকপদি কবিনে, কাবানে, নোংতমখুবনে, নোংয়াইমবীওনবনে, চাওবা মপানথিবনে, তবং খোইনুচানে, শীশাতাওনে, তবেৎমা অসি পোকয়ে। চাওবামপানথিবনা ঈশিংদা তাওবিবা খৈবীববু মানা খোমশিনলে। নোংয়াইমবীওনবনা, পবিং অমা লোলহৌয়ে। অশিবনা মমিং ইকক তবং *শাবেং য়াংবা পোকপা* কৌনা, শিঙকাপকি মথকতা শাবেং য়াংবা কৌববু পোকয়ে। শাবেং য়াংবা মহাক্কী মমিংদি নকানিংথৌ তবৈবা হায়না কৌয়ে, তাবৈবনা শিঙকাপ অদুদা লৈবে অদুগা অতিয়াশিদবানা, পবিং মখোয়-লেমফুদা উয়ুং ওইনা ফমলে অদুগা লৈবাকতী কবিদগী লৌকসিবা হায়না চমমনা নুঙপঙনা খলনা নিঙলিঙৈদা, অতিয়ানা অমমবা খঙদবা নুংপঙবা অদুবু গুরুনা উদুনা, ঈশিং তবংগী মখাদা লৈথখিয়ে অদুগা ঈশিংগী মনুংদা *থিংগু পোকপা* থিংগুবু পোকলে। থিংগু মহাক্কী মমিংতী গুরুতীকতা থিংগুবং হায়না কৌয়ে। থিংগু মথকতা গুরুনা ফমলে অতিয়াশিদবনা, চমমনবা নুংবঙবা অদুবু নিংশিংলকলে। ঈশিংগী মখাদা, কবি লৈবনো হায়দনা অমুক নিঙশিংলে ঈশিংগী মখাদা লৈথখিবা গুরুশিদবনা লৈবমবু, অতিয়াশিদবনা ঈশিংগী মখাদাসু

আতিয়াসিতপ : হে ইপু হজোইনিংথৌ আতিয়া সাম্রম হঙনবা কামবা সললাম্বা নমা তিংনা নিংথৌ সমবু সজাবাবা নমমনা য়াংবী ওই নপুরুনা নোংথৌ ওই তাইবং লোংসাপানবু সেমাবদা লাইয়াংথৌ অমমবা থৌদাবা অঙানবা যারা কোনখাংসাকি নমু পোংবু থেংতম্বা নমু পোংতি থা তবা, মামু থা তবা হামেং থা মঙা, ওক থা মঙ, হুই থা অহুম ঊানু থা অমা লেন থা অমা কুনু থ অমা মীতম লাংজম সজলম মাপু তৈনা সেমখিবা লাইখিংথৌ নথৌ নঙানপান মহৈ নবোং পানবু তৈনা সেমবীবক তো কুবিলজা থেংবীজো। অতিয়াসিতপগী খুৎসুদি সৈ ঈশিং লোংসিং সুরীবে।

মাইকৈ গ্রাকপা লাইরী, তেংলে হিজাংলোল লা ৫২

নেপতাবে, তাকুপলো কৌপ্ন॥ আসাইকি॥ খোংচ অকলা মাঙোলতা॥ লইবানু॥ আসিত যাবীঙমথো॥ হায়না হুং কৌবা॥ নুমিৎকি॥ যাফমতা লৈবানা॥ কিনা হায়দাবো॥ নামিং মাপনা॥ যাংকে হায়না খুমগ্ন॥ যাবে॥ যাখীথোক কৌয়ে॥ হুং কৌবা॥ আতুনা॥ কোইনা তাকাপ॥ নোংসিং মাপনা॥ নোংসিং পুতুনা॥ কোইনা কোইহলতো॥ আসিবাকি লায়েল মাঙোলতাকি॥ নোংসিং মাপুনা॥ মমিং হুং হাইনা॥ কালেল॥ বাইবংকোল॥ পাই ৫মানা কোলকে॥ লৈমাকোল কৌয়ে॥ আসিতাকি॥ ১বক কোললে॥ চিতোলতা কোলকে॥ নোংসিং মাপুনা লৈপাব নোংদু সিং তৈবা কৌয়॥ নোংলুম

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

গ্রু মাপু মাবৈঙাম্‌য়ে।। হায়তনা।। খুম্‌লে।। গ্রুসিতাপানা ।। কাতৌপা কুমলক্‌পানো।। হায়না হংঙাময।। আতীয়াসিতাপানা।। খুমনা হায।। লইপাক্‌কি মাপুঙ্‌ নঙনে।। হায়তুনা।। লইপাক নীকে লাক্‌লে।। লইপাক পীঅো।। খুম্‌অো।। গ্রুসিতাপানা হায।। নঙ্‌না লইপাক পীঅোনা হায়বাপাতী।। নাখুৎপুল্‌না তুংলম অোন্‌থোক অো নাযানা চাক্‌না।। যীখোযতাকি।। পুনুং ঙাইখোংলংলুক মাদমখৈখিঅো।। হাযঙময্‌।। আতীযাসিতাপানা।। গ্রাক মাখোযতাকি।। খোৎথোক্‌তুনা।। পুনুং ঙাইখোং লংলুক মাবম লওথোক্‌লে।। লইপাক্‌ লওঙতাকি মামিংতী।। খোয়বও লওখেৎ কৌয়।। আত্যাসিতাপানা।। মাখুৎ মানম্‌ লম অোনথোক্‌তুনা।। ময়ানা চাক্‌না।। পুখৎলক্‌লে।। পুখৎলক্‌ঙইকি মামিংতী।। লইবংলেন্‌ লইপুপা কৌয়।। গুরুসিতাপানা হায্‌য়্‌।। অত্যাসিতাপা অো।। লইপাকতা কাবিতা সেম্‌নাকাপানো।। হায়্‌তুনা।। থিংকু মাথক্‌তা।। সেম্‌নাকুঅো।। হায়না থিংকু পীবক্‌য়্‌।। অত্যাসিতাপানা।। থিংকুপু তোংলে।। থিংকু মামিংতী।। তীকতা লইতোংলেন্‌।। লইখৎপা কৌপা থিংকু তোংতুনা।। পাবিংকি মাখোযতা।। আত্যাসিতাপানা।। থুংলাপাকা।। থিংকুকি মাথক্‌তা।। আসীপাপু।। লইপাক্‌তা থোক্‌হাললে।। আসীপানা।। লইপাক্‌ সেম্‌ঙইকি।। মামিংতী।। লইবংলেন। লইতাপা কৌয়।। লইপাক্‌ মাহাক্‌তী।। হাম্‌ই মাপক্‌মাবম পাক্‌লে।। চিথেক ৪ মাতা।। লইপাক ঙাক্‌পাতী।। পীসা তাওনা নোংচুপ ঙাক্‌য়্‌।। কাবিনা খা ঙাকয়।। কাবানা নোংপোক ঙাক্‌য।। নোংতম খুপানা আবাং ঙাক্‌য়।। আত্যাসীতাপানা মায়ায়তা।। ব্রুয়ুং অোইনা ফম্‌লে ।। ।। আসীপাকা তানাতানা।। য়ুহানে।। য়ুচেংনে।। থাবানে।। চেংঙানে ৪মা মাতং পোক্‌য ।। ।। তাইপঙ পাল্‌পা মানুং অোইনাপা।। আত্যাসিতাপানা হাইয়্‌।। কোচিল তিংথোক্‌পানা।। বাতানাতুনা।। নোংসীং হাবাপা খোবক্‌লে।। লইপাক আতু

নোংসিং অোইন ।। লৈবা আতুব্‌ নোংসিং মাপুনা ফাংতোকলে।। ফাংলৌ কৌয়ে।। আসিবা তাওবোইনাইবু।। নঙতী চিতোলতা।। কোইনা ঙাকঅো।। পাখংবাবু কোইনা খলচাও।। পুখকনা কীবে।। আসতাকি।। হুংনা তলতুমনা।। পাখংবাক তামক মাখৌসাবে।। লৈখাতা কুমখিয়ে।। থাবাবেল সাবে।। থাবাবেলনা।। মাহাক্‌কি।। লাইবেমমা।। ২ তোলঅো।। আসিবাক তামক লাইখুবানবীক ।। লৈনৌতানীকা।। থানাবেলতা।। আসিবানা।। যীলচিলখাবে।। সলথোং ফমপনা।। থাবাবেলতা।। চাগুখয়ে।। থাবাবেলনা হায়য়ে।। মুকতাসিতাকি।। খোলচেল অো নঙতী।। থাবাইপান্অো।। নোংসিং মাপুনা।।

গুরু মহাকতি হেক্তা মবৈবোইবে হায়দনা গুরুবু খুকমলে। গুরুশিদবনা নহাকতি কবি তৌবা কুমলকপনো হায়না বাহংয়ে। আতিয়াশিদবনা খুকমজদুনা হায়জৈযে। গুরু লৈবাক্কী মপু ওইবসু নঙনে হায়বগীদমক লৈবাক নীজগে হায়না লাকচবনে।

আহানবা লৈবাক শেম্বা

লৈবাক খবা পীনবী ও হায়না খুকমমে। গুরুশিদবনা হাযবকয়ে নঙনা লৈবাক পী- ও হায়ববদি নহাক্কী নয়ানা চীকতুনা ইখোইদগী পুনুং ঙাই খোঙ লংলুক অমাখকতংমুক পুখিবো। হায়না হাযবীবকলবদা, অতিয়াশিদবনা গুরুগী মখোইদগী খোং খোৎথোকতুনা পুনুং ঙাইখোং লংলুক মবম খক কৌথোকলে লৈবাক কৌঙৈগী মমিংদি খোইবৌ লৌখেৎ হায়না কৌয়ে। অতিয়াশিদবনা মখুৎন নঙলোম ওনথোকতুনা ময়ানা চীকনা লৈবাকপু পুখৎলকলে লৈবাক পুখৎলকঙৈগী মমিংদি, লৈবংলেন লৈপুবা হায়না কৌয়ে। গুরুশিদবনা হায়বকয়ে [illegible] ও লৈবাক [illegible], থিংগু মথকতা থমনা লৈবাক অহাবা ওইনা শেমনক-ও হায়দনা থিংগুবুসু পীবকয়ে। অতিয়াশিদবনা পীবকপা থিংগুগী মথকতা তোংদুনা লাকলে থিংগু মহাক্কী মমিংদি তীকতা লৈতোংলেন লৈখৎপা হায়না কৌবা থিংগুবু তোংদুনা পবিংগী মখোইদা অতিয়াশিদবনা থুংলবগা থিংগুগী মথকতা অশিববু লৈবাক পাকথোকনবা শনদোক পাকথোক তাথোকহনলে। অশিবনা লৈবাক শেমঙৈগী মমিংদি লৈবংলেন লৈতাবা হায়না কৌয়ে। লৈবাক মহাকতি হাযৈ মপাক অমুকতং পাকলে। চিথেক মবিমকতা লৈবাক ঙাকপদি- পীশাতাওনা নোংচুপ লম ঙাকয়ে। কবিনা খা মাইকৈ ঙাকয়ে। কবানা নোংপোক মাইকৈ লম ঙাকয়ে। নোংতম খুবনা অবাং মাইকৈ লম ঙাকয়ে। অতিয়াশিদবনা মযাইদা উয়ুং ওইনা ফমলে।

অশিবা লোললোবা

অশিবা কৌবগা মখোয় অনি তানা তানাদুনা য়ুহানে, য়ুচেংনে, থাবানে, চেংঙানে মখোয় মবিখক অমুক পোকয়ে।

হাবাবা পুংশিং

তাইবঙপালবা অসিবু লৈশা মনুং ওইনবা, আতিয়াশিদবনা হায়যে, কোনচিলতিংথোকপগা বা তানদুনা নোংশিং হাবাবা খোনবলে। লৈবাক অদুবু

১। গুরুসিতাপা তাইবং পালকি মপু মহাক্কী তাকচংগী মাতুলমকো গুরুবু মসক ওযএ, তুংলমতা লৈমাবেলকি মসক ওযএ। অতুকী মসক ২ মা অমংতা তাচিলকলে। মচাতে মা ফুংতাপাক মচুনে হিকোক অথকপা, উপোঙতাক মচুনে। তিংথৌ মাংগোনথোক কীকলাপু থাক মাঙানবা যৈবাপাকি মচু, নুমিৎকি মঙানবা যৈবপাকি মচুনে পুমামক তিনবগী মচুনে। লৈনেম লান মা ৪/৬

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

পু হাবাপানা চাইখাযবকয়॥ লৈপাক্ মাহাকর্ত্তা॥ লইচাঁন' আইবে॥ আসীপার্তী॥ মুংসোল কুম্না খাঙলে॥ আত্তীয়াসীতাপানা॥ আসীপাকা ২ মা তানাতুনা॥ যাঁসিং ত্রুঙতা তাওবিপা খৈপীক্পু॥ খুলচিলতুনা ১ বক সেমহৌবাতুনা॥ আসীপানা॥ মাকি খুযাতাকি॥ নুশাকা তাথোকতুনা॥ ঙাপ্রুম খোক্লে॥ মামিংত্তা হুঙাবেল কৌবে॥ আত্তীয়াসিতাপানা॥ ঙাপ্রুমাকি মাথকতা তোংদুনা॥ গুতালনা চঙ্খিবে॥ গুরুনা কাতৌপা লাক্পানো॥ হংগুময়॥ আত্তীগাসিতাপানা॥ খুময়॥ গুরুনা পীনাপা লইপাক্ আতুপু॥ অইনা লইপাক সেমলক্পাপু॥ হাবাপা ১ বক্ মাঙহাললে॥ ১বক লইপাক্ পীনাবৌঅো॥ হায়না নিয়॥ গুরুনা পুনুং ঙাইখোংমাবম পীহৌবে॥ আত্তীযা সিতাপানা॥ পুখৎলক্লে॥ মামিংত্তা॥ লইপুবেল কৌয়॥ পাবিং মাখোয়তা থুংলে॥ ॥ লইপাক্ ১ বক সেমহৌলে॥ মামিংত্তা চপকৌয॥ লইপাক মাহাকত্তী॥ হামৈ মাবম্ পাক্লে॥ যুহানা নোংসাংলমঙাকয়॥ যুচেংনা মইবমঙাকয॥ থাবানা লাইচি ঙাক্য॥ চেংঙানা লীক্লম ঙাক্য॥ লইপাক্কি মায়ায়তা॥ আত্তীয়াসিতাপানা॥ বুবোং অাইনা ফম্লে॥ আত্যাসিতাপানা আসীপা তানাতুনা॥ মাপাঙঙাকি॥ পাল্কন অাইনাপা লইখোমতাওনে॥ নোংখোমতাওনে॥ লইসাতাওনে॥ নোংসা তাওনে॥ ৪ মা পোক্লে॥ আত্তীযাসিতাপানা তাইপঙ্পালপা মানুং অাইনাপা॥ কোন্চিলতিংথোক্পাকা॥ ২ মানা তানাতুনা॥ লইপাক মাহাক্পু॥ হাবাপানা॥ চাইখাইবে॥ বুল অাইখিবে॥ আত্তীয়াসিতাপানা॥ লইপাক্ মানুং অাইহালকে॥ নীঙলাতুনা মাকি খুয়াতাকি তাথোক্তুনা॥ কপী কোক্লে। কপী মামিংত্তা॥ লীপীকপী কৌয়॥ আত্তীযা সীতাপানা॥ কাপীঅো॥ যীপ' গুরু যওকঅো॥ লইপাক্ সূঙ পুনুং ঙাইখোং মাবম পীনাবক্অো॥ লাইসোল ১ তাসুঙ॥ তাক্পীবকঅো॥ হাইবক্অো॥ কপীনা খুময়॥ চৎকে হায়বে॥ কপী সীথাখিবে॥

শেমলিবনি হায়দুনা হাবাবনা নুংশিৎ ওইবনিগীনা হুমবু হুমনা চাইখাইবে। লৈবাক মহাকতি লৈচিল ওইখিবে। অশিবদি মুংশোলগুমনা খাঙমদনা খাঙলে। অতিয়াশিদবনা অশিবগা অানমকনা অমুক তানাদুনা ঈশিং তবং মথকতা তাওবিবা লৈবা খিবীকপু অমুক শুলজিলদুনা অমুক হননা শেমবা হৌবদুনা, অশিবনা মহাক্কী খুয়াদগী নুবা তাথোকতুনা, ঙাপ্রুম পুথোকলে মমিংদি হুঙাবেল হায়না কৌয়ে। অতিয়াশিদবনা ঙাপ্রুমগী মথকতা তোংদুনা, গুরুগী মফম য়ৌনবা চৎখিয়ে। গুরুনা মহাকতি কবি তৌবা লাকপনো হায়না হংবদা অতিয়াশিদবনা খুরুমদুনা খুময়ে। গুরুনা পীনবীবা লৈবাক অদুনা, ঐনা লৈবাক ওইনবা শেমলকপরু হাবাবনা মফম খঙদনা অমুক মাঙহললে। অমুকতগা লৈবাক পীনবীয়ো হায়না লৈবাক নিজেয়ে। গুরুনা পুনুং ঙাইখোং মবমমা পীবীবকয়ে। অতিয়াশিদবনা পীবীবকপা লৈবাক অদু পুখৎলকলে। লৈবাক পুখৎপা মমিংদি লৈপুবেল হায়না কৌয়ে পবিং খাবিবা মখোইদা থুংলে।

লৈবাক অমুক লৈশেম্বা

লৈবাক অমুবক হননা শেমবা হৌবে অমুক শেমবা হৌঙেগী মমিংদি চপ হায়না কৌযে। লৈবাক মহাকতি হামৈ মুক্কী মবমদমক পাকলে, য়ুহানা অমুক নোংশিৎলম ঙাকয়ে, য়ুচেংনা মৈবম লমদম ঙাকয়ে। থাবানা লাইচি মাইকৈ লমদম ঙাকয়ে। চেংঙানা লিকলম লমদম ঙাকয়ে। লৈবাক্কী ময়ায় চবুকতা অতিয়াশিদবনা উবোং ওইনা ফমলে। অতিয়াশিদবনা অশিবগা অমুক তানাদুনা, মখোয় অানমক্কী পাঙকল ওইনবা হায়দুনা লৈখোমতাওনে, নোংখোমতাওনে, লৈশাতাওনে, নোংশাতাওনে লাই ৪ মা পোকলে। অতিয়াশিদাবনা তাইবঙ্পালবা অসিবু লৈতানা মনুং ওইনাবা, হাযদুনা কোনচিলতিংথোকপগা মখোয় অনি অমুকশু তানঙৈদা লৈবাক মহাকতি হবাবা নোংশিৎনা হুমনা চাইখাইবে। চখাইবা অদুনা উল ওইখিবে। অতিয়াশিদবনা লৈবাক লৈশা মনুং ওইহনগে নীঙলদুনা মাগী খুয়াদগী তাথোকতুনা কোবী পোকলে, কোবী মহাক্কী মমিংদি কীপীকপী কৌয়ে। অতিয়াশিদবনা কোপীও ইপা গুরু মনাক যৌক ও। লৈবাকসুঙ পুকনুং ঙাইখোং মবম অমা পীনবীবক ও হায়না নিক। লাইশোল অমত্তসু তাকপীবক-ও হায়রু-ও, কোবীনা পাওখুমযে, চৎলুগে হাযবে, কোবীনা শিথাখিদুনা চৎপ্রে।

লইচীন (লৈচিন) লৈচিনগী মমিংদি হায়লেল কৌঅ পিফা কৌঅ। খিবাল কৌঅ। নোংফু কৌঅ। লা' কৌঅ। লৈচিন কৌঅ। নোংফাই কৌঅ। — লৈংশেমলাল এ ২১

খাবা সানা সল খাং মাপুনা॥ অশিবাক লাইবমমা মাহুইপ॥ হুইনুংলমা সলথোং ফমবানা॥ মহাকতা পকনা পুবে॥ সলথোং মাপুনা॥ হুইমু লৈমাকা তানাতুনা॥ পাখংবাকি যাঁমিচং যামতে॥ সেমপাকে॥ হুইমু লৈমানা॥ নংফাম তোংশা অো কৌয়ে॥ কাংখল তাবিনা॥ নিংথী কাংবা পোকয়ে॥ কাংখল তাবিনা॥ লৈচিকলেল চানুকা॥ অানাতুনা॥ মবিয়াফমবালচা পোকয়॥ মাচলতা॥ সমতাংনু নোংমোইনু॥ মানাইতা॥ অাইথাঙ খাংচেল॥ লোইবেল॥ মাবোং॥ ৪ এক আসিতা॥ লৈনুংতাকি॥ হোইডোকলকয়ে॥ নিংথৌবাকি॥ মায়ীমত্তী যামতে॥ মাসামাবেং যামতাবাক॥ সাককপা কৌয়ে॥ মাতুত্তা॥ লৈমা বুংম খীচোনপানে॥ পাখংবাবু॥ লংচায॥ মাসাক থোকলে॥ সাককপা অ কৌয॥ বালনা॥ সিনাখঙলে॥ বালকাবা নিংথৌ ককসু॥ তোলকোলবানে॥ অাপোই সলথোং ফমপানা॥ থবকলাবাতা॥ খাংপাক খলনাবানে॥ খংঅা॥ তাবি কাংশনত্তা॥ সাবা লৈসাংথম অাইয॥ নিংথৌ কাংবাতা॥ কাঙপুচমনে॥ মবিয ফমবালচানা॥ মোইবা মোইশিয়ে॥ তাব কাংজনা॥ পালবা

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

কপীনা গ্রু যৌবপাতা ॥ গুকনা কপীআে কাতৌপা লাক্‌পানো ॥ হংঙাময ॥ কপী॥ খুময় ॥ নাচা আত্যাসিতাপানা ॥ লইপাকসুঙ পুনুং ঙইখোং মাবম পীনাবকআে ॥ লাইসোল ১ তাসুঙ তাক্‌পীবকআে ॥ হাযচাবকয ॥ খুমলাপাতা গ্রুনা লইপাক্‌সুঙ পীবক্‌লে ॥ লাইসোল ১ সুঙ তাক্‌পীবকয ॥ হাযপাকি তাক্‌পীবকতুনা ॥ কোপীপ্‌ সীথংলক্‌লে ॥ কপীনা আত্তু বৈপীক্‌পু ॥ লইপী তোমসোল মাসেল মাবিনাহানা ॥ কাখংলক্‌লে ॥ আতীয়াসিতাপাতা ॥ থুংলাপাতা ॥ কপীনা পাওতমলে ॥ আতীয়া সিতাপাআে ॥ নাপা গুরুসিতাপানা ॥ লইপাক্‌সুঙ ॥ লাইসোললুঙ পীবক্‌লে ॥ হাযনা তম্‌লে ॥ অত্যাসিতাপানা ॥ অরুপাতা লাইসোল আতুপু ॥ তাক্‌পীবাতুনা লইপাক্‌সুঙ পীবে ॥ আসীপানা ॥ লইপক মাহাকপু ॥ চাইথোক্‌তুনা ॥ লাইসোল আতুপু ॥ লইপী তোমসোল নপফা ॥ হায়না সোলদুনা ॥ নীঙাথনা সেমলিঙইতা হাবাপানা ॥ ১ বক থুখাইকে হায়না ॥ নীঙলিঙইতা ॥ গ্রুনা বুবাতুনা ॥ মখোয়তাকি খোইনৌ কৌনা ॥ মীৎ নাহাক মাসক্‌কুমনা গ্রুনা মামীৎ মামীংলুলমতা কৌথোক্‌লে ॥ মামিংতী ॥ তাবৈ তাবৈ মীয়েংসং ॥ মি মি মিয়েং সেল কৌনা ॥ আতুকা ॥ গুকনা খোযনৌ মিযেংসেলআে ॥ আত্যানা লইপাক সেমপাপু ॥ সেমপাপু ॥ সেমফাতানা ॥ হাবাপানা মাহৌ ২ যইখাইবে ॥ আত্তু যইখায়তানাপা ॥ হাবাপাপু নঙনা কাওহানলো ॥ হাযনা গ্রুকি খুৎনাওতা ॥ তোংহালতানা থাংখৎলে ॥ নোংথাঙ লইমা[১] কৌবে ॥ নোংথাঙ লইমাপু ॥ গুকনা হংলে ॥ খোযনৌ নোংথাঙ লইমাআে ॥ নঙনা য়েংপাতা নামীংনা কাবি বুবক্‌পা ॥ হংয় ॥ খোযনৌ নোংথাঙ লইমানা খুময় ॥ অইনা মাযকই ৮ মাপু লাক্‌না য়েংপাতী ॥ কাবিসুঙ বুতে ॥ মাপূক কনচাওপাকি মাসককুমপা আ কাবিনো ॥ আত্তুম বুয খুমলাপাতা ॥ গুকনা হাযবে ॥ হে খোয়নৌআে ॥ আত্যাসিতাপানা ॥ লইপাক্‌ সেমপাপু ॥ হাবাপা নঙনা বুপা আতুনা ॥ লইপাক মাহৌ মাহৌ চাযখায়বে ॥ নঙপু খামহালকে হায়না ॥ মইবাকি মাসক্‌কুম ॥ নঙপু থাংথোক্‌পানে ॥ হায়বাপা

কোবীনা গুরুগী মনাক যৌবৎদা, গুকনা উবদুনা কোবী ও কাদীবা মফমসদা লাকপনো হায়না হংঙময়ে। কোবীনা খুকমদুনা হমজিংয নচা নিপা আতিয়াশিদবনা, লৈবাকস্‌ পুনুং ঙাইখোং মবমমাতা পানবাবক-ও। লৈবাক লৈশেম ঙম্লবা লাইশোল ১ হুন নাকপাবকও, ওমনা হাযজবকয়ে হায়না খুমজববদা গুরুনা নুংশিবাদুনা লৈবাকসু পানবাবক-ও, লাইশোল অমসু তাকপীবকলে। লৈবাক লাইশোল তাকপীবকপা পুদুনা কোবী অমুক কাখৎলকলে। কোবীনা পুবকপা পুমনমকপু লৈবী তোমশোল মশেল মবিনাইনা কাখৎলকলে। অতিয়াশিদবগী মনাকতা থংলবগা কোবীনা পাওদমলে অতিয়াশিদব-ও। নপাগুরু শিদবনা লৈবাকসু, লাইশোলসু অনিমক পিবিবকলে হায়না তমলবে। অতিয়াশিদবগী মফমদা অরুবা লাইশোল লৈবাক শিনবে। অদুগা অতিয়াশিদবনা অশিবদা তাকপীবদুনা লৈবাকসু পীবে। অশিবনা লৈবাক মহাকপু চাইথোকতুনা লাইশোল অদুনা, লৈবাক লৈপী তোমশোল নপফা হায়না শোলতুনা, লৈবাক নিঙথিজনা শেমলিংঙেদা হাবাবা নোংশিংনা শিংনদুনা অমুবক থুগাইকে হায়না নিঙলিংঙেদা গুরুনা উবদুনা মহাক্কী মখোইদৌদগী খোইনৌ কৌনা, মিং নাহাগী মশকগুমনা। গুরুনা মমিং মাগী মিংমাং লমদা কৌথোকতুনা থমলে। মমিংদি তাবে তাবে মিংযেং শং, মি মি মিংযেং শেল কৌনা লৈবে। অদুগা গুরুনা হাযবকয়ে। খোয়নৌ মিংয়েংশেল ও। অতিয়াশিদবনা লৈবাক শেমবাগু শেমলম শমফাংতনা লৈশেম্না যাওবিবনি হায়দুনা নুংশিং হাবাবনা হমদুনা লৈবাক লৈশেম্বাগু হননা হননা যৈথাই থুগায়রে। মহাক্কা যৈথাই থুগায়দনাবা হাবানবু নঙনা অমুক্তা কাওহনলু-ও। হায়না গুরুগী খুৎনাওবীদা তোংহনদুনা থাংখৎলকলে নোংথাঙ লৈমা হায়না মিংকৌবে। নোংথাঙ লৈমা ও নঙনা য়েংবদা নামিংনা কবি উববগে হায়না হংযে। খোযনৌ নোংথাঙ লৈমনা খুমজিংযে, ঐনা নাইকৈ ৮ মকপু লাকশিনদুনা য়েংবদদি কবিসু উবাঙমদে। মপূক কনজাওবগী মশককুমপা অ কবিনো অমদুম উইয়ে হায়না খুমজববদা গুরুনা অমুক হায়বে, হে খোযনৌ-ও, অতিয়াশিদবা কৌবনা মালেম লৈবাকশেমববু হবাবা কৌবা নঙনা উবিবা অদুনা লৈবাক লৈশেমববু শিংনদুনা হননা হননা মহৌ মহৌ থুগাই চাইখাইবে মহাকপু, নহাক্কা অমুক্তা খামহনগে হায়বগীদমক মৈবাগী মশকগুম্বা নঙবু থাংথোকপগে হায়না

কোবীনা লৈশেম লাইশোল পিবা

খোয়নৌ নোংথাঙ লৈমা

১। নোংথাঙ লইমা : নোংথাঙ লৈমগী লাযচং খোঙলুপাতে লাংথোকইবী, তামথোং লৈমা, লেমংখাং লৈমা, লমদেং লৈমা, হৈনৌপোক লৈমা, চংনিং লৈমা, নুংগোইবী লৈমা কোনোই শন যুমলৈমা, লাংলৈমা, খৌওইবী, মাঙা লৈমা সিলহৈবী, কোইলেম, যাইবা নিংথৌ চনু মোইনু চনু, পংথেং লৈমা, লাইলান লৈমা, লাইসনথবী, খাবী নুংকোক চনু, মিক্লা লিচা যাইবী লৈমা, ও লাং লৈমা, সিংনুপী, চবা লৈমা পংযাবাইবী কোংওনাইবী খাংক লৈমা, নকাস লৈমা লোংখং নুংনাওবী, থামী যাংমে লাইবেম্বী ৩৪ নি।

নঙইং কাঁউয়াং

লাংথ্রোলতী ॥ মাওই পাক লাংথ্রোল কৌয় ॥ কুমসি ১০০মা পানয় ॥ নিংথৌ কাবানা ॥ মাওইপাক লাংথ্রোল কৌয় ॥ কুমসি ১০০ মা পানয়ে ॥ মানিয় ফমবানচানা পাংব চব কৌয় ॥ কুমসি ১০০মা পানয়ে ॥ লা পাল কোসতোং অোল কৌনা ॥ কুমাসং ১০০মা পানয়ে ॥ পানলাবাতা ॥ পাংথানা তাইবংপানতা ॥ থাকনকায়ে ॥ পোইবৈতোলবু ॥ লৈথাতাক ॥ কাং কন ২। নিংথৌক পোংলোই চওখোলনা ॥ পুনকায় ॥ নোংসিংকি ফাল ॥ ফমবানাক পোংলোই ॥ মাহাপাসু ॥ নুমিৎতা ॥ পাংখানা নিংথৌ অাইলে ॥ মাতা সাচিফু থা ॥ নিংথৌকানানে ॥ নোংসিং মপানা ॥ লৈখাং তলথাখিনয লাইখবেলপান ॥ লাইমাবা কৌনা ॥ পথোকলকালে ॥ নোংসিং মাপনা ॥ খমচিঙকাপনা লাইসাবাপু ॥ পাখংবাকি তমক ॥ সেমবাকে ॥ হং থারাবেলনা ॥ অসিবাপু ॥ হং পাকলাবাক ॥

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

তা॥ খোযনৌ নোংথাঙ লইমানা মইবিকি[১] মাসককুমপাপু॥ ফিসেৎ আইনাতুনা॥ গ্রুন্তাকি চোংথোক্খিয॥ আতিংঙা তাবঙকি মাথক্তা॥ তাকুপ্ ২॥ তাবেং ২॥ ঙাক্সনা সানা লৈবে॥ লইপাক আত্রপু॥ হাবাপানা চাইখাযকে॥ নীঙ্পাপু ব্লুবাপাকি হি কাবিনো॥ তাবঙ্কি মাথক্তা॥ তাকুপ তাবেং ঙালনা সানা লৈপা আসীপু॥ কাতাযতাকি থবক্পানো॥ ঙালনা সানা নীঙথিয॥ হ্যুযতুনা॥ হাবাপানা॥ হংকে॥ চঙ্খিবে॥ স্যনা ত্রুঙকি মাথক্তা॥ মইবাকি মাসককুমনা॥ লৈপী নঙপু পায়মা অইনা নুংচঙয॥ তিললা খোযতাপু॥ থোক্লাবে॥ পেমমা নঙপু কনানো॥ হংলাপাতা॥ লাইবেমমানা হোযতা॥ হে নাহাপা আপীসা॥ লইপু মাকম খোইচোপ্পা॥ লইবাই মাকম খোয্হায়পা॥ লইতুম হুলনা পাওসাপা॥ যীপল পুল্লাং কায্কানে॥ তা॥ পুললাং লুবোয কায়পাপু॥ সিংপীবোইপু হায়পাবা॥ যীপলনা পু হাযকানে॥ সিংলমসে হাযনা খুম্লে॥ হাবাপানা পাওবওবে॥ পেম্মা নঙপু হুলতে॥ লইপাক সঙতা লৈপী কবৌ ফালাতা ফম্পীত॥ মানম নোংসা যাইপীতা চোম্কায তোর্যাসপু হুলপানে॥ আসুম খুমলাপাতা॥ হাবাপানা ১ বক্ হায়॥ হে পেম্মা নীঙথিপীআে॥ খিং খিং লওচাসে॥ পানা লওচাসে খোযনৌ নোংথাঙলইমানা খুম্য়ে॥ হে যীপুংঙু নাহাপা॥ যাওবওতাকি সাঙাইনা॥ মচী কেকুক থোক্তাবি॥ ললহামপুঙকি কাক্ফেনা॥ মানা হুম্মাই সাতাবি॥ তোক্ফমতাকি ঙামুনা॥ খোযচু তোল্লোঙ চীলতাবি। কোংপাতাকি ঙাখানা॥ পোন্লাং কানাক্ নাক্তাবি॥ সুকনা মাহই যালতাবি॥ যাংকোক্না মাপাল সাতাবি॥ নোংমৈ লৌচাখিব॥ অসুম পাওবওনাবিঙইতা॥ অত্যাসিতাপাসৃঙ॥ লইপাক সেমপা লোইবে॥ কালচা ৪ তা॥ চুপসেং থাবে॥ চুপকি মামিংতী॥ লীক্লমতা॥ ব্লুবৈপালনে॥ মীংলমতা॥ ব্লুবেংপানে॥ মইবমতা ব্লুসিংপানে॥ লাইচীবমতা ব্লাবৈপালনে॥ কাবল মযায়তা আসীপানা॥ ঙান্তুবেঙ কৌনা॥ সেং আইনা যুংলে॥ আত্যাসিতাপানা॥ ব্লুযুং মাথক্তা॥ কাপতু আইনা॥ লেংপাকি মামিংতী॥ লইতুবেঙ্ নোংতাবেংপা কৌয॥ তুনালেংলে॥ অতুকা ১ বক্ হাযবীববদা খোযনৌ নোংথাঙ লৈমা কৌবী মৈবি মৈবাগী মশক শকতমগুমনা ফিশেৎ ওইনাদুনা গুরু ঙগী চোংথোকখিয়ে। অতিংঙা অহাংবা তবংগী মথকতা তাকুপ তাকুপ তবেং তবেং ঙালনা শজনা লৈবে। মঙাল নাইনা লৈবা অদুবু হাবাবনা চাইখাইগে নিঙনা লৈবিঙেদা তেক উবাবগী মপুকতা হিঃ সিদি কবিনো। তবঙ্গী মথকতা তাকুপ তবেং তবেং ঙালনা লংনা শানা লৈবা অসিবু কদাইদগী থোবকপনো ঙালনা লংনা শলনা হেননা নিঙথিযে হাযদুনা হাবাবনা অমুকতা হংগে হাযদুনা চঙখিযে।

হাবাবা : অহাংবা তবঙগী মথকতা মৈবাগী মশককুমনা লৈবাবিবী নঙবু
পাইমা ঐগী পুক্লিংদা মিৎচুয়ে থম্মোই পুক্লিং খোইদবা ওইবেদা।
পেম্মা চনুবা নিংঙোল ওইবী নহাকপু কনানো "

নোংথাংলৈমা : হোইদা, হে নহাবা অপিশা লৈকু মকম খোইচোপপা।
লৈবাই মকম খোইহাযবা, লৈতুম হুজনা পাউশাবা।
ইপল পুললাং কাইগনে-দা, পুলশাং লুবোই কাযববু।
শিংবীবোইবু হায়না হাযববা ? ইপলনাবু কবি হাযগনে।

হাবাবা : শিলমগে শিলমগে শিলমগে পেমমা নঙবু হুললানদে।
লৈবাক শঙদা লৈবী কোবৌ ফালদা ফমবী-দা,
মনম নোংশা যাইবী-দা চোমলাং লৈবাং তোর্ইশাবদা হুলপনে।

অমুকসু হে পেম মা নিঙথীবী ও, খিং খিং লৌজসে,
পানা লৌজা-সে, হে পেম্মা-ও।

নোংথাংলৈমা : হে ইপুংঙু নহা, অপিশা ওইব ও।
য়াওবৌদগী শাঙাইনা, মচি কেকুক থোকহাবি।
ললহাম পুঙগী কাকফেনা মনা হুমাই শাদাবি।
তোকফমদগী ঙামুনা, খোইচু তোললোঙ চীলদাবি।
কোংবদগী ঙাখানা, পোন্লাং কানাক নাকতাবি,
সুকনা মহৈ যানদাবি, যাংকোক্না মাপাল শাদবি.
নোংমৈ চতি মথংদা লৌজখি-ও।

হায়না পাউবৌনানা ঙাংনবিঙেদা। অতিযাশিদবনাসু লৈবাক শেম্বা লোইহৌবে। কাচিজ চিথেক মথিমকতা চুকশেং লেংদনবা থাবে চুপকি মমিংদি লিকলম মাইকৈদা উবৈপালনে, মিংলম মাইকৈদা উবেংবানে, মৈবম মাইকৈদা উশিংবানে, লাইচী অরাং চিথেক মাইকৈ লমদা য্রাবৈপালনে। কাবল ময়াইদা অশিবনা ঙানতুবেঙ হাযনা কৌনা লেং চুপলেল ওইনা য়ুংলে, অতিয়াশিদবনা উয়ুং মথকতা কাপত্তু হুই ওইনা লেংদুনা থমহৌগী মমিংদি - লৈতুবেঙ নোং তবেংবা হাযনা কৌযে। তুনা ফাওনা লেংলে অদুগা অমুবক

[১] মৈতৈবকী (মাবগী) : মৈবু অসুমাসু শৈথাই মৈগী মমিংদি যাই কৌএ। মৈ কৌএ। যাউবৌ কৌএ। তাঙচা কৌএ। চকমোং কৌএ। বামবী কৌএ। তাং কৌএ। লৈশমলোন লা ২০

পাখংবাকা॥ পকনাবে॥ সজথোং মাপনা॥ নোংসিং ১০০মা॥ মকপু॥ খোমচিলতুনা॥ কাখিযে॥ মেজখোমবা কৌনা॥ সাবাবেল সাবে॥ আহোং আচাও॥ চাওনা ঊবে॥ চকপ মেলখোম কৌযো॥ চকপা মেলখোমনা॥ মাহাকতা॥ লাইবেমমা॥ লমমাপী ২মা চিংথোকলে॥ নোইনানিকনা॥ সকনাবে॥ সাব্রাংমিংতা॥ মেজনোংমিংনা ব্লুবে॥ লাইবেমমা ৭ মকপুনা॥ কুমলমলে॥ চকপা অজসবকি কোংপাল যুপালফমগ॥ থাক্লকলে॥ নিংথৌ মাপুথানা সাবে॥ লাইবেমমা ৭ মকনা॥ সৌবোল মাইবেল চানুসানা॥ লৌতাবে॥ নোংসিং মাপুনা॥ খমচিঙকোল সানা॥ লাই বমমা ৭ মককি মাইকাই চঙলে॥ নিংথৌ কাংবাবু কৌতুনা থমলে॥ পোইবেতানা॥ খমচিঙকোলপু থাযে॥ খমচিঙকোলতী॥ তাজথোকলে॥ লাইবেমমা ২ মানা॥ ১তী॥ লাইবেং মেলপী কৌয॥ ১তী॥ সেকমচেংপী

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

নোংয়ায় মাবীআেন্পা চাওবা মাপান্থিবা ২ মানা॥ পাবিং ১ বক থাঙ্গৌবে॥ লইসাতাওনা নোংচুপ ঙাকয॥ নোংসা তাওনা খা ঙাকয॥ লইখোম তাওনা নোংপোক্ ঙাকয॥ আখোন্তাওনা॥ আবাং ঙাকয॥ মখোয ১২ মানা॥ ঙমথে॥ আসুম ঙম্লাপাতা॥ আত্যাসিতাপানা॥ হে হবাপা আে॥ হৌচাক ১ বক নঙনাপাকি মাখৈ তৌআে॥ হাযবাপাতা॥ হাবাপানা খুমযে॥ হৌচাকতী অইনা তৌপা ঙম্লাবোয়॥ খুম্লে॥ ॥ পাওবওনাপা আসৈতী॥ ব্রাথুকপী মইকামআে॥ য়ীচীন তুম্য় কাম্ফাতে॥ আসুম্ পাওবওথে। আত্যাসিতাপানা॥ থিকু আ লইপাক্ আসীপু॥ মায়ুং মাঙাল চাওনাপ॥ লইপাক্ হানাপাপু॥ লইবোল ১ সেমকে॥ নঙপু লাওআে॥ হায়থায়॥ থিংকুনা হোয়॥ অইনা পুপাতী॥ মানুং আেইঙমলোই॥ য়ীখোয তানাতুনা॥ পাফন তোক্লেল্ লীসিঙ পালপাপু থোক্লে॥ হায়না পাওবওনপা আসৈতী থিংকুআে নাহাপোঅ॥ য়ীনম্ পোলয় পোফাতে॥ সকথেয॥ আত্যাসিতাপানা॥ আসীপা·অ॥ লইপাক মানুং আেইনাপা॥ থিংকু নাপীঙ্ঙা ব্রাতানাতুনা॥ পাফন পোক্অ॥ হাযবাপাতা॥ আসীপাকা॥ থিংকুকা তান্নাতুনা॥ পাফন তোকলেল লীসিঙপালপা পোক্লে॥ ॥ পাফন পোক্লাপাতা॥ পাওবওনাপা সৈতী॥ আথিঙকবে থিঙকবে॥ থিঙকবাংমই থিঙ্কবে॥ লাইবেল কোক্পা থিঙকবে॥ থিঙকোবাংমই থিঙকবে॥ আসুম সকনায় ॥ ॥ লইবোল ১ তী॥ লইপাক্ পুখৎনাপা গ্রুকি ফমপীনে॥ থিংকুনা লইবোল ১ পুয্॥ লইপাক্পুপা থিংকুকি মামিংতী॥ গ্রু তীক্তা থিংকুরং লইপুপা কৌয॥ থিংকুকি মানাক্তা লৈপাতী॥ লইনুং খোমসী সীবোন্পানে॥ লাইবেল পাবোঙ থোকপানে॥ থাব্রানে॥ নোংয়ায় মবীআেনপানে॥ ৪ মা লৈয॥ আত্যাসিতাপানা॥ মাপুক মানুংতা নীঙসিংলকতুনা॥ গ্রুনা লাইপাক্ সেমআে॥ হায়পা আতুপু॥ লইবোল ১ তী সেমলে॥ লইপাক মানুং আেইঙমতাপাকি। গ্রুতালনা কাবকল্গে॥ খুকমলাপাকা॥ গ্রুনা হায॥ আতীয়াসিতাপাঅ॥ নোং

লৈশোন্না লোইস্না নোংয়াই মবীওনবা চাওব মপানথিবা অনিমকনা পবিং অমুবক থাঙ্গৌবে। ৈলশাতাওনা নোংচুপ লম ঙাকযে। নোংশাতাওনা খা লম ঙাকয়ে। লৈখোমতাওনা নোংপোক লম ঙাকয়ে। অখোমতাওনা অব্রাং লম ঙাকয়ে। মখোয তর্মানিথোইমকনা ঙাকয়ে অসুম পুননা ঙাক্রা থমলবদা অতিয়াশিদবনা হায়যে হে হাবাবা-ও হৌজিকর্তা অমুক নহাক্রা অঙম্বা তৌবা ঙম্বা মখৈ তৌ ও। হায়রবদা হবাব ও শিংনা খুমযে-হৌজিকর্তা ঐনা কবি তৌনা ঙমলবোয়ে হায়না খুমলে। মদুদা পাওবৌনবা ঊশৈগি :-

ব্রাথুকপী মৈকাম-ও,
ঈচীন তুময়ে কামফাদে।

অসুম হায়না পাওবৌনৈয়ে, অতিয়াশিদবনা, থিংকু-ও লৈবাক অসিবু মায়ুং মঙাল চাওনবা, লৈবাক লৈশি হাননববু লৈবাক লৈবোল অমগা শেমশে।

থিংগুগা লৈবোল ১ শেম্না

নহাকপু লাওনে হায়না কৌবে। থিংগুনা- হোই ঐনা পুবা লৈবোলদি মনুং লৈশা ওইগুমলোই. ঐখোয় পুম্নমকনা তানদুনা পাফন মতোক তোকলেন লিশিঙ পালব অমা পুথোকনবা হায়ৈঙেদা পাওবৌনবা ঊশৈদি :

থিংগু -ও নহাক পো-ও।
ঈনম পোঙ্গলে পোফা-দে।

হায়না শৈশকয়ে অতিয়াশিদবনা, অশিবা-ও লৈবাক লৈশা মনুং ওইনবা থিংগুগা ব্রা তানদুনা

পালপ পুথোকপা

পাফন পোক-ও। হায়না হায়ববদা অশিবগা, থিংগুগা তাননাদুনা পাফন মতোক তোকলেল লিশিং পালবা পোকলে। পাফন পোকললকঙৈদা পাওবৌনবা শৈশকনবা ঊশৈদি :-

''অথিঙ্ কোবে থিঙ্ কোবে। থিঙকো লাংমৈ থিঙকোবে।
লাইবেল কোকপা থিঙকোবে। থিঙকো লাংমৈ থিঙকোবে।'' আসুম

শকনৈয়ে। লৈবোল অমদি লৈবাকপু খঙনবা গুরুগী ময়োল ফমবীনে। থিংগুনা লৈবাক লৈবোল অমা পুইয়ে। লৈবাকপুবা থিংগুগী মমিংদি গুরু তীকতা থিংগুবং লৈপুবা হায়না কৌয়ে।

থিংগুগী লৈরোল

থিংগুগী মনাকতা লৈবদি লৈনুং খোমশী শিবোন্বনে, লাইবেল পাবোঙ থোকপনে, থাব্রানে, নোংয়াই মাবিওনবনে, মখিমকনা পুনা লৈয়ে। অতিয়াশিদবনা মপুক মনুংদা নিঙশিংলকতুনা গুরুনা লৈবাক শেম-ও হায়বা অদুবু লৈবোল অমদি শেমলে লৈবাক লৈশা মনুং ওইঙমদবগী। গুরুগী ননাক তালনা লাকচবনে হায়না চঙজানা খুকমলবদা, গুরুনা হায়বকয়ে, অতিয়াশিদবা-ও

১। আসীপা : - অসিথগী লাইচংতা অসিবা, সামাতোল, থাকপা, পুবাং, পুবৈবোমথা, নোংপোক সোবাবেল পুথিবা, লোয়াবাকপা, মযাং মহাবাবা লৈথেমবা, য়োইমোংবা, প্রামহি, খোংনাংনিংথৌ, তাওবোইনাই কপতাবেং, খুনপু তুংইনথা রাঙথংমাইবোইনাবা, রাইকোকসাবিবা লাইয়িংথৌহনবা কৌবরু কৌবাবেল, অবোঙ নিংথৌ, লমপু খোথিফাবা, ঈনাপুং, কোবৌহনবা, যেমপাই পাংকনবা হংকৌই নিংথৌ, তেপাল, রাথাবাকপা, কৈরঙবাকপা, খোংচিবাকপা ৩৫ অমিনে।

লাইচং লোল

কৌয়ে॥ লাইসা যার্তাখিবে॥ থর্মচিংকোলতী॥ পাওনম য়ীবেলতা॥ লুর্পাচিলখিবে॥ ঙালবা থোংতা ফাওবে॥ পোইবৈতোলনা থীবকলে॥ নোংসিং মাপু॥ থমচিঙকোলতী॥ চিঙখৈ লমলোলতা॥ হলচিখিবে॥ মামিংতী॥ মিং হিং চি হুং কৌয়ে॥ আয়ুক চিঙখৈ গুলবাতা॥ নোংতম নোংখাইনা লৈয়ে॥ আসিতাকি॥ কৌবারেলকি॥ লমলোলতা॥ চঙনা লৈবে॥ নোংসিং ১০মাপু॥ খোমচিলনা ফমলে॥ মামিং লৈশোংলেল কৌয়ে॥ আতুকা কৌবাককি নমলোলতা ফমলে॥ মামিংতী॥ অং অং কৌবে॥ আতুকা মোইবাংকি॥ লৈমায়াইতা॥ লৈমা য়ুচমতোংনা পার্থাখিবে॥ নিংথৌ মুংয়াংচাও আেইনা পোকয়ে॥ আতুকা নোংচুপ আবিপাকি॥ নমলোলতা ফমলে॥ মামিংতী॥ তোং কৌয়ে॥ নোংসিং ১০ মকপু॥ খুমচিলনা ফমলে॥ মমিংতী॥ মিংকেংতোং কৌয়ে॥ নোংসিং মাপুন॥ খাতা ঙাকপা॥

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

থৌ মাবোল ৯ সুনাপা লইপাক মাবোলসুঙ ৯ সুনাপা।। সেমলুআে।। হায়তুনা।। তীন্সোল লাইসোল্সুঙ।। সুনা তাক্পীবকলে।। ।। আত্যাসিতাপানা।। মাকুপু তোংলাপাকা।। নোংথৌকি মাবোল সুঙ ১ সেমলে।। নোংথৌকি মাবোল আসীতা লৈপাতী।। সণাবেলনে।। মামিংতী ভুহিংঙাঙ তাবংপা কৌয।। ।। পাহিঙাঙ্ তাবংপা ।। ।। ভূহিংচা তাবংপা ।। ।। তুকুপ লীক্ তবীক্ ।। ।। ভূখিং তবীক্ ঙাঙতুপা ।। ।। ভূখিংলীক্ কুংকুংচি।। ।। ভূখিং তাবংপুম তাবং।। মাকি মানাকতা।। পক্না লৈপাতী।। খিং খিং কুপ তাবং কুপ তাবেঙ চুঙঙবেঙ।। ।। মাথক্তা তোংলাপাকি মামিংতী।। বখিং হ সুম্লেঙ ঙাও নোংলৈ ঙাঙহিং কৌনা সেমলিঙইকি মামিংতী চুপতী।। ।। চাহই[১] লাখা ১ লীসীঙ ৮ না।। চাহই ১ আেনায্।। চাহই ১৫ না থা ১ আেইনায্।। থা ৬ না নুমীৎ ১ আেইনায।। নুমিৎ ১৭ নিনা কা।। যুথক্ ৪ কা না।। যুথক ১ আেইনায্।। নুমীৎ ২ যুথক ৬।। পুঙ ৬ কানা পুঙ্ ১ আেনায্।। য়ুথক্ ২ পুঙ ৬।। কোঙ্কায্কানা।। মীৎকুপ ১ আেইনায্।। পুঙ ২ কোঙ্কায।। মীৎকূপ ১ কানা।। নিংসা ১ আেইনায।। মীৎকুপ ১ কোঙ্কায্।। নিংসা ২ কোঙ্কায় নাহুম ৪ কানা।। নাহুম ১ আেইনায।। নিংসা ২ কোঙ্কায্।। নাহুম ২ কোঙকায।। পূঙনীঙ ৪ কানা পূঙনীঙ ১ তা আেইনায্ ।। ।। সেমল্মলাপাকা আত্যাসিতাপাতী।। আসাইকি মাফম পাবিং মায়ায্তা।। হলথাবক্তুনা।। মাখোঙ্ কাবলনা ২ ।। ফমলিঙইতা।। তীনপোককে নীঙ্তুনা।। পাফন তোকলেল লীসীঙ পালপাপু।। কৌথাবে।। পাফনআে।। য়ীখোয পাঙ্গকন্ আেইনাপা তীন্পোক্অ হায়বে।। পাফননা তীন্পোকপাতী।। ১ তী তীন্লীবেলনে।। ১ তী লাযয়ীবেলনে।। ১ তী খায়ীবেলনে।। ১ তী যুবেতাওবেলনে।। ১ তী তাওবোইনাইনে।। ৫ মা পোক্লে ।।ঃ।। ১ বক পোক্পাতী।। তীলমুবেলনে।। ১তী লাইমুবেলনে ।। ১ তী তীন্ঙৌবেলনে।। ১ তী তীন্ঙাঙলেলনে।। ৪ মা পোক্য় ।। ।। আত্যাসিতাপানা।। পাফন মথক্তা।। লইপাক সেমকে।। হাযকে হায়তুনা।। পাফ

নোংথৌ মবোল মাপল শুনবা লৈবাক মবোলসুঙ মাপল শুনবা শেমল্-ও হাযদুনা তীনশোল লাইশোল পুম্নমকসুনা তাকপীবকলে।

অতিয়াশিদবনা মকুবু তোংলবগী নোংথৌগী মবোলবু অমা শেম্লে, নোংথৌগী মাবোল অসিদা লৈবদি সোবাবেলনে মমিংদি ভুহিংঙাঙ তবংবা এগনা কৌযে।

নোংথৌ লৈবোল অমা শেম্না

ভুহিংঙাঙ তবংবা, পাহিঙাঙ তাবংবা।
তুহিংচী তাবংবা, তুকুপলীক তাবীক।
তুখিং তবীক ঙাঙতুপা, তুখিং লীক কুং কুংচি।
তুখিং তাবংপুম তাবং।

তবেংমকী মনাকতা নকনা পকনা লৈবগী মমিংদি খিং খিং কুপ তাবং কুপ তাবেঙ চুমমবেং কৌযে। মথকতা তোংলিবগী মমিংদি ব খিং হ সুমলেঙ ঙাঙনোংলৈ ঙাঙহিং কৌনা শেমলিঙৈগী মমিংদি অসুম্না কৌযে। চহি চুকতী ঃ

চহু অমগী লাইগী চহী

চহী লাখা ১ লিশিঙ নিপালনা চহী অমা ওইনৈযে। চহী ১৫ না থা ১ ওইনৈয়ে। থা ৬ না নুমিৎ অমা ওইনৈযে। নুমিৎ ১৭ নিকা, যুথক মবিগনা য়ুথক ১ ওইনৈয়ে। নুমিৎ ২ য়ুথক ৬, পুং তরুককানা পুং অমা ওইনৈযে। য়ুথক ২ পুঙ্ তরুক কোঙকাইগানা- মীৎকুপ ১ ওইনৈয়ে। পুং অনি কোঙগায মীৎকুপ অমগানা নিংশা ১ ওইনৈযে। মীকুপ অনি কোঙগায, নিংশা অনি কোঙগায নাহুম মবিগানা - নাহুম অমা ওইনৈয়ে। নিংশা অনি কোঙগায, নাহুম অনি কোঙকায্, পুকনীঙ মবিগনা পুকনীঙ অমা ওইনৈয়ে।

তীন পোকপা

অসুম শেমলমলবগা অতিয়াশিদবদি অশাইগী মফম পাবিং মযাইদা হথবকতুনা মখোঙ কাবলননা ফমলিঙৈদা তীন পোককে হায়না নিঙদুনা, পাফন মতোক তোকলেন লিশিং পালববু কৌথাবে। পাফন-ও, এখোয়গী পাংগল ওইনবা তীন পোক-ও, হাযবে। পাফননা তীন পোকপদি অমদি তীনলিবেল, অমদি লাইয়াবেলনে, অমদি খায়ীবেলনে। অমদি যুবেতাওবেলনে, অমদি তাওবোইনাইনে মঙামক অসি পোকলে। অমুবক পোকপদি তীলমুবেলনে, অমদি লৈমুবেলনে, অমদি তীনঙৌবেলনে অমদি তীনঙাঙলেলনে মখোয মরিমা অমুক পোকয়ে।

১। চাহই (চহি)। লাইকি পুকানডুনাসু নিংশা মীৎকুপ পুঙ যুথক নুমীৎ থা চাহই কুমসীঙ ঃ লাইগী চাহই কুমসীঙ ওইনাপতী ঃ- চহী লাখা ৩ না থা অমা (নুমিৎ লিশিং ৩০০০০ নিনা থা অমাদা লৈবগী মওংনে) লাইগী থা অমা হায়বাস মীগী নুমিৎ লিশিং ৩০০০০ নি। মীগা চহী ১০০০ না - লাইগী নোংমা ওই। হাযবগী মওংদা তাকপনি। লাখ ১ হাযবসি ১০০০০ না লাখা অমা ওইবগী মওংদা শীবনি। মসিগু লাখা মচা হায়না কৌবগী মওং সংই, লাখা মচা হাযদ্রবসু লিশিং ১০০০০ লাখা ওইবগী মওং শীব। মওং অসিনা উৎলিবসি লাইগী নোংমা অমা হায়বদ মাওঙবগী ওইনদি চহী ১০০০ অমাগা মান্নৌ হাযবা উৎপনি। মসি চুক অসিগু অহৌবা চক হায়চক হাযনা খঙনৈ। হাযবা পেংনৈ।

ইপন্সেমলোন

কোল্আও আসিপুং কৌযে।। নওতী যাহক থংনা লৈআে।। মামিংতী তাং কৌযে।। যীতাকপু থংনা ফমআে।। হায়পাবে।। আতুকি থংচিঙ কৌয়ে।। সলথোং ফমবানা।। খোলচেল ১০ মকপ মাহাকতাকি আেইনা।। লংমাউচিঙকি।। নমপোলতা লৈবে।। মামংশা।। হা গা কৌযে।। আতুকা।। চেংকোই মাকতা ফমলে।। মামিংতী।। হকাপ কেনিংথংকুপ কৌয়ে।। আতুকা।। নোংচুপ মাবদা।। চিঙখোক।।

[illegible]

ন্ মাহাক্পু লাই আযাম্পানা॥ লীবোন্ লোন্লো॥ লীবোন্ লোন্ঙইকি॥ পাওখুমনাপা আসৈতী॥ ব্রুম হঁ ১॥ লীখাও ২॥ খৎ ২ চিংতনা॥ নাতৈপক্॥ মাবকতা তইনপানাবে॥ হালতক ঙাক পুল খুচান চু চু॥ আসুম সকতুনা॥ ॥ পঙ ফকসা॥ খাঙ্চেৎ ফক্সা হইকোই ফকসা॥ লাইযেং ফকসা॥ চকফি ফকসা নীংথাং মাথাং॥ ফৈবোয যুংখৎ॥ লীবোন্ খোইবোন॥ লীসি খোইসি লীথু খোইথু॥ লীফা খোইফা॥ লীসম খোইসম॥ লীতিল খোইতীল॥ সুনা পাবই॥ লাংখুবৌ॥ লোইনা তিল্চিললাপাত্তা॥ আত্যাসিতাপানা॥ পাফন্ মথাকতা॥ লইপাক্[১] সেম্কে নীঙ তুনা॥ চাঙাল চানীঙ সাপাকুম॥ সাবাপাতা॥ পাফন্সুঙ মাপুঙ্ ফাবে॥ পাফন্ মামিংতী॥ তীনসংতীনপুক খৈতোক্ তাবংপা॥ চীকিং সনা॥ যেৎতাবৈপা কৌয॥ আত্যাসিতাপানা থিংকুপু কৌবে॥ থেংকুন্া যেৎলমতা॥ পাফন্না রোযবমতা॥ আসীপানা মাযাযতা॥ আত্যাসীতাপানা॥ ৩ মাকি মথকতা তোংখৎতুনা॥ ॥ পাওবওনাপাসৈতী॥ থিংকু নম্পোল নোম্ নোই। হারাই থাঙপক থাঙপক্ চেকপী লোইযা মাবোইযা॥ লমলোই খাবোই খাচীকনা॥ খচীক খাপাংনা॥ আসুম সকতুনা॥ থিংকুনা পুপা॥ লইবোল্ মাথক্তা॥ পাফন্ মাথাবে॥ পাফন্কি মাথক্তা॥ অত্যাসিতাপানা॥ থিংকুকি নাওফম আতুপু॥ পুখৎহালতুনা॥ আসিপাপু॥ পাফন্কি মাথকতা॥ লইবোল ১ সেমহাললে॥ পাফন্না পুপা লইবোল আসিকি॥ মানাক্তা॥ ঙাক্পাতী চক মাবিংপানা॥ নোংচুপ ঙাক্য॥ তাং মাবিংপানা খা ঙাকয॥ মুং মাবিংপানা নোংপোক ঙাক্য॥ পামাবিংপানা আব্রাং ঙাক্য়॥ তুমাহাপানা॥ লিক লম ঙাক্য॥ তুমাবিংপানা নোংসীংলম ঙাক্য॥ মালচিপানা মইবম ঙাক্য॥ হাইসপানা লাইচীবম ঙাকয ॥ ॥ আত্যাসিতাপানা॥ লইপাক মাযযায্তা॥ মাখোঙ কাবলনানা ফমতুনা॥ পীসাতাও অো॥ লইপাক মানুং অোইনাপা॥ যীসিং অো॥ হাযবাপাতা॥ লইনুং পিসানুনা ব্রাতান্তুনা॥ অোকক্া॥ সামুকা পোক্য॥ আতুকা আত্যাসিতাপানা॥ আসীপাঅ লাওঅ॥ তা

অতিয়া সিতাপনা পাফন মথকতা লৈবাক শেমগে শাগে হায়তুনা। পাফন মহাকপু লাই পুম্নমক্সা লীবোল লোনলে লীবোল লোনঙৈগী পাওখুমদুনা শৈশকনাবা ঈশৈদি ঃ-

প্রুম হঁ প্রুম হং প্রু হঁ, লীখাও লীখাও লীখাও খৎ খৎ খৎ।
চিংতনা নাতৈপক মাবকতা তৈনা পানবে।
হানতক ঙাকপুল খুচান চু চু।

অসুম শৈশকনদুনা শৈথাইয়ে। অদুগা

পঙ ফকশা, খাঙচেৎ ফকশা, হৈকোই ফকশা
লাইয়েং ফকশা চকফি ফকশা নিংথাং মথাং
ফৈবোই য়ুংখৎ লীবোন খোইবোন
লীসি খোইসি লীথু খোইথু।
লীফা খোইফা, লীসম খোইশম,
লীতিল খোইতীল সুনা পাবে লাংখুবৌ।

পুম্নমকা লোইননা তিলচিললাবদা অতিয়াশিদবনা পাফন মথকতা লৈবাক শেমগে নীঙদুনা চঙাল চানিঙ শাবাগুম, শাববদা, পাফনসু মপুঙ ফাবে, পাফম মহাক্কী মমিংদি- তীনশং তীনপুক খৈতোক তবংপা চীকিং মা য়েৎতবৈবা হায়না কৌয়ে। অতিয়াশিদবনা, থিংগুবু কৌবে। থিংগুনা য়েৎলমদা, পাফননা ওইবমদা, অশিবনা ময়াইদা, অতিয়াশিদবনা, মখোয় অহুমক্কী মথকতা তোংখৎতুনা লৈঙৈদা পাউবৌনবা ঈশৈদি

থিংগু নমবোল নোই নোই, হরাই থাঙপাক মা-থাঙপাক্।
থিংত চেকপী লোইয়া মাবোইয়া, লমলোই খাবোই খাচীকনা
পাওরৌশি খাচীক খা-পাংনা।

অসুম হায়না শৈশকতুনা থিংগুনা পুবা লৈবাক লৈবোল মথকতা পাফন অমা মাথাবে। পাফনগী মথকতা অতিয়াশিদবনা থিংগুগী নাওফম অদুবু পুখৎহলদুনা অশিববু পাফনগী মথকতা
পানশনা পুতা লৈবাক লৈবোল অমামুক শেমহনলে। পাফলনা পুবা লৈবাক লৈবোল
লৈতোল অসিগী মনাকতা ঙাকপদি - চক মবিংবনা নোংচুপ মাযকৈ লম ঙাকয়ে, তাং মবিংবনা খা লম ঙাকয়ে, মুংমবিংবনা নোংপোক লম ঙাকয়ে। পামাবিংবনা অব্রাং লম ঙাকয়ে, তুমহাবনা লিকলম লম্ ঙাকয়ে, তুমাবিংবনা নোংশিং লম ঙাকয়ে, মাল্চিবনা মৈবম লম ঙাকয়ে, হাইশবানা লাইজি লম ঙাকয়ে।

১। লৈপাক (লৈবাক) লৈবাকাক মমিংদি যা কৌএ। লৈহাৎবোন কৌএ। লৈমুবোল কৌএ। লৈফু কৌএ। ফুম কৌএ। মালেম কৌএ, লৈবাক কৌএ। *লৈসেমলোল লা ২১*

নমলোলতা লৈবে॥ মামংতী॥ তোংক কৌয়ে॥ আতুকা॥ সলথোং পুংমাইগা যময়ে॥ নোংসিং ১০ মককি॥ মাকোকতা তোংনা॥ মিকি মাক অোইনা লৈবে॥ মাহাকতী॥ চুপলেল সিতাবাকি॥ খোলচেললে॥ খোলচেল ১০ মকপ॥ ১ তা অোইনা খুমচিললাবাকি॥ মামং ১ খোইনা॥ খোংলাবতা॥ খোলচেল ১না॥ খোলচেল ৫ অোইবানে॥ ৫মাকি মামিংতী॥ বুং হুই বুং তাবং॥ হুইতৌ হুই তে তে বা॥ অোইতা বুই তে তে নু॥ খোলচেল ১০ মকনা॥ ১০০ মা অোইখিয়ে॥ ১০০ মানা॥ লিসিং আমা অোইখিয়ে॥ লিসিং আমানা॥ লাখা অোইখিয়ে॥ লাখানা॥ কুতী থীঙম হাইঙমতাবা॥ লৌবিবা

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

উপও পালপা অসি খৈপীক্‌পু নংকিনে।। লইপাক্ আসীতী নঙ সেমঅো।। যীফম আসীপু।। ফমলাবাঅো।। হায়না সিলনাবে।। আত্যাসিতাপার্তী।। আসাইকি।। মফমতা।। কাখিবে ।। ।। লইবোল ১ তী অোক্‌না পুযয।। অোর্ক্‌কি মাথক্‌তা।। পাফন্‌কি নাওফম থাবে।। অোককি মামিংতী।। থুকহিং খিংকসাও কৌয্।। মানাকতা লৈপাতী।। সুবাই নীঙতোংপানে।। চাওবা ও মাপান থাপানে।। লইনুং পীসিল্লুনে।। ও মা লৈয়।। অোক্‌কা সামুকা পোকঙইকি।। পাওব ওনাপা আসৈতী।। পীৎ তাবেঙ।। কবসং ২।। সলচঙ লইচঙ সমপীৎ ২।। আসুম সকনায ।। ।। আসীপানা।। মাকুতোংনা কাখিবে।। নোংথৌ মাবোল ১ সেমথেয।। মাবোল আসীতা লৈপা।। সাবাবেল মামিংতী।। মিং মিং কুক হিং হিং তুহিং কৌয।। মানাক্‌তা।। চাখা খোংচোলনুপী ৬ মানা।। কোযনা লৈবে।। ।। আসাইকি মাফমতা।। আসীপানা।। হলথাবকলে।। আসীপানা সামুপু কৌবে।। নঙনা লইবোল ১ পুঅো।। হাযবে।। সামুকি মাথক্‌তা।। অোর্ককি নাওফম মাখাথানা।। লইবোল ১ সেম্‌লে।। সামু মামিংতী পীসানু কে যেক্‌তিং কৌয্।। লাতোংকেং মসেৎসুং কৌয্।। মানাক্‌তা লৈপাতী।। যুচেংনে।। থওপী লইফানপীনে।। পীসাতাওনে।। ওমা লৈয্।। আসীপানা।। মাকু তোংতুনা।। কাখিবে।। নোংলোল ১ তী।। থাব্রালপীচাক আপক্ মানে।। আতুতা লৈপা।। সবাবেল মামিংতী।। সংতাবেঙ তাকুপ্ তাবেংপা কৌয্ ।। ।। আসীপানা আসাইকি মাফমতা হলথাবক্‌লে।। লইবোল ১ তী।। তীনমুবোলপু।। লাই আযামপানা।। লীবোন্ খোইবোন।। লীসি খোইসি।। সুনাপাবই।। লংখুবৌ।। সেমলিঙইতা।। পাওবওনাপা আসৈতী।। তল ২ ফাইপোক সেবি সেনচাও।। খীযাও ২।। অসুম সকনায্।। মানাক্‌তা লৈপাতী।। লইফুবেল কিংনাইবানে।। যুহানে ঙাংঙোই লইবামপিনে।। ও মা লৈয ।। ।। আসীপানা।। মাকু তোংতুনা।। কাখিবে।। নোংলোল্ ১ তী।। থানে থাঅ লৈপা সাবাবেল্ মামিংঅী।। কবে লইবংসনা।। ঙাঙক্রুপা কৌয্।। মামাঙমতঅ থাপানা লৈয্।। থাপু যীকপীপাতী।। চাবোৎ ব্রাইকবেল কৌয্।। সেংপীকপীপাতী মানে।। আসীপানা।। আসাইকি মাফমতা হলথাবক্

শামু, ওক পোকপা

অতিয়াশিদবনা লৈবাক মযাইদা মখোঙ কাবলননা ফমদুনা পীশাতাও-ও, লৈবাক লৈশা মানু" ওইনবা, শেমশে হায়ববদা, লৈনুং পিশানগা ব্রাতানদুনা ওককা শামুগা 'অনিমা অমুক পোকযে। অদুগা অতিয়াশিদবনা - অশিব-ও নহাক লাও-আনে, তাইবঙ্ পালবা অসি খিবীক পুম্নমক এসি নওগীনে, লৈবাক অসিদি নঙ শেম ও। ইফম অসিবুসু নঙনা ফমলায। ও। হায়না শিলনবে। অতিযাশিদবদি অশাইগী মফমদা অমুক কাখিবে।

ওকনা পুবা লৈবোল

লৈবাক লৈবোল অমদি অমুক ওকনা পুববে। ওকিকি মথকতা অমুক পাফনগী নাওফম থাবে, ওককি মমিংদি - থুকহিং খিংক শাও হায়না কৌয়ে। মহাক্কী মনাকতা লৈবদি- সুবাই নিঙ্‌তোংবনে, চাওবা মপাল থাবনে, লৈনুং পীশিল্লুনে, অহুমকনা মনাকতা লৈযে। ওককা শামুকা পোকলকঙগী পাওযৌননা ঈশৈ শৈশকনবদি,

''পীৎ তবেঙ কবসং কবসং, সলচঙ, লৈচঙ সমপীৎ সমপীৎ''।

অশিবনা অমুক মকু তোংদুনা কাখিবে। নোংথৌ মবোল অমা শেময়ে মবোল অসিদা লৈবা সোবাবেলগী মমিংদি ''মিং মিং কুক হিং হিং তুহিং'' হাযনা কৌয়ে। মনাকতা চাখা খোংজোলনুবী ওককমনচিংনা কোইনা লৈবে।

শামুনা পুবা লৈবোল

অসাইগী মফমদা অশিবনা হলথবকলে অশিবনা শামুপু কৌবে। নহাকনা লৈবাক লৈবোল অমা পুও হাযবে। শামুগী মথকতা ওককি নাওফম মথা থানা লৈবাক লৈবোল অমা শেমলে। শামু মহাক্কী মমিংদি - পীশানুকে যেকতিং হায়না কৌযে। লতোং কেং মশেৎসুং কৌয়ে। মাগী মনাকতা লৈবদি যুচেংনে, থৌবী লৈফানবীনে, পীশাতাওনে মখোয অহুমমকনা লৈয়ে। অশিবনা অমুক মাকু তোংদুনা কাখিবে, নোংলোন অমদি থাব্রালবীচাক অপকমানে। অদুদা লৈবা সোবাবেলগী মামিংদি সং তাবেঙ তাকুপ তবেংবা হাযনা কৌযে।

অশিবনা অশাইঙেগী মফমদা হলথবক্‌লে লাইবোল অমদি তীনমুবোলবু লাই অয়াম্বনা লীবোন খোইবোন, -লীশি-খোইশি, সুনা পাবে, লং-খুবৌনচিংবা শেমলিঙেদা পাওযৌনবা ঈশৈদি ঃ- ''তম্দন ফাইপোক, শেবি শেনজাও, খীয়াও খীয়াও''। অসুম হায়না শকনৈয়ে। মনাকতা লৈবদি লৈফুবেল, কিংনাইবনে, যুহানে ঙাংঙোই লৈবামবীনে মখোয অহুমমকনা লৈয়ে।

তম্পল ফাইপোক

অশিবনা অমুক মাকু তোংদুনা কাখিবে, নোংলেন অমদি থানে থাদা লৈবা সোবাবেলগী মমিংদি কাবে লৈবং স্ম ঙাঙক্রুপা হাযনা কৌয়ে। মহাক্কী মনাকতঅ থাবানা লৈযে।

১। আতাসিতাপা (অতিয়াসিদবা) ঃ আতিয়াসিদবগী খোংলুক লাইচংতে নোংসাবা। চাখাবা। মার্জিং লুরাং নিংথৌ লাংপম নিংথৌ। সমপুম নিংথৌ। ব্রাংপুবেল খানা চাওবা। থাম্রাবেল। পোলবী লুরাওবা। সিংতাপুঙ। পাইতৈ-তাবা। খুলথিব। পুতোংকাই। নুঙপোক। নুঙকাংমাহাবাবা। ঈখেবেল। মাবব্রাওনিংথৌ। চিঙাইবেল। মাকুখোক অসিনে। লাইচংশোল

খৈবীকপু।। অোইখযে।। পীবা ওমলাবোই।। আসুমনা থোকখিযে।। মামিংতী।। পী পীঅো আইফম কৌয়ে।। সনাতাকি।। থোর্কখিবা।। খোলচেলনে।। আতীযা আসিপাঅো।। মফতী।। আমোমনে।। সনাতী লেংতাবা মাচুকনে।। মাক খোলচেলনা।। লাবামাপু অোইনানে।। নিংথৌ অোইপা।। কুর্মখিয়ে।।

[illegible]

লে।। লাইমুবোল্পু।। লাই আয়ামপানা।। কৌয।। লীবোন খোইবোল।। লীসি খোইসি।। সেমপাতা।। পাওবওনাপাতী।। কওথেমপী ২ কওনা মাতেল্ রাযনাসে কও ২ ।। লাইমুবেলনা।। লইবোল ১ পুবে।। মানাকতা লৈপাতী।। তাবঙ খোনুচানে।। লইনুং হীপোক্পীনে লইহক লইযাবেলনে।। হীবইমানে।। ৪ মা লৈয ।। ।। আসীপানা।। মাকু তোংনা।। কাখিবে।। নোংলোল ১ তী।। নুমীৎনা আেইয।। মানাকতা লৈপাতী।। নোংলাংলেল্ অপোকপা কৌয্।। ত্ত্বাঙ ঙাঙ ঙানতু ঙাঙ্ মিৎ তাবংসুঙ কৌয।। মামাঙতা।। সাচীক্না লৈয।। নুমীৎপু যীকপতী।। সিলসুঙাঙসু কৌয।। সেংপীকপীপাতী মানে।। + ।। আসীপানা।। আসাইকি মাফমতা হলথাবকলে।। লইবোল ১ তী।। তীনরাওবেলপু।। লাই আযামপানা চাঙাল চানীঙ্ সাপাকুম সাবে।। লীবোন্ খোইবোন।। লীথু খোইথু।। সুনাপাবই।। লংখুবৌ।। পঙফকসা।। খাংচেল ফক্সা।। সাবিঙইতা।। পাওবওনাপাতী।। হোযবও হায়া।। হোয্বও হায়া।। হাযা সোই হাযা সোই।। যীঙ সোই ২।। হে হুপ হে আে।। মানাকতা লৈপাতী।। লইহকলেল্ লইসৌপানে।। থীনপীনে।। কামাবিনে।। য়াইবইমানে।। খাপী লুকোক চানে ।। ।। নোংলোল ১ তী।। লইচীলনা পুয়।। লাইচীলাকি।। মাথকতা ফমপা সাবাবেল মামিং তী।। খোংঙাইবেল কৌয।। যীঙা যিঙেল।। কুমসা থাসাপা।। নোংচু নাহালপা সুঙ।। লেল্ তাপা।। নোংমই সীঙচঙসুপা।। রুলতাহালপা।। রু রা নাপী সীঙপী হইবা মাতোন চোংপা চুমমিতাং খলপা, নোংথাঙ কুপপাসুঙ মানে।। মনাকতা চীঙচাবোইপী লৈবে।। ।। অসিপানা গুরুতালনা কাখিবে।। লইপাক মাবোলসুঙ ৮ সেমলে।। নোংথৌ মাবোল ৭ সেমলে।। নঙনা আতুম সেমলাপাতী।। লইপাক চেৎনাপা নাহাক্পু অুং হাযনা।। অুং সেৎ হাযনা।। চাইখাযব।। হায়তানা সীথাবক্য়।। আসীপানা।। আসাইকি মাফম পাবিংকি মাযাযতা থাংলে।। গুরুনা[1] পীরক্পা য়াথংপু নীঙসিংতনা।। মাহাকপু অুংসেৎ সহা।। হাযনা চইখাইবে ।। ।। মাপুক্না নোংথৌ আেইয।। মানমনা লইপাক আেইয।। মামীৎ ২ মানা।। নুমীৎ থা আেইয।। মাতুঙাকি ফুখৎথাপানা।। থারালপীচাক

থাবু ঈকবীবাদ চাবোৎ রাইকবেল হাযনা মিংকৌয়ে। শেংবীকপীবাতী মানে। অশিবনা ঙসাইঙৈগী মফমদা অমুক হলথবকলে। লাইমুবোলবু লাই অযামবনা কৌবে - লীবোন খোইবোন, লীশি - খোইশি শেমবদা পাওবৌনবা ঈশৈদি ঃ

''কৌথেমবী কৌথেমবী, কৌনা মতোল রাযনসে, কৌ কৌ কৌ''। অদুগা লৈমুবোলনা লৈবোল অমা পুবে মনাকতা লৈবদি তাবঙ খোইনুচানে লৈনুং হীপোকপীনে, লৈহক লৈযাবেলনে, হীবৈমানে, মখোয় মবিমা পুলনা লৈয়ে।

নুমিৎকী লৈবোল অশিবনা মাকু তোংনা অমুক কাখিযে। নোংলোল, নুমিৎকী মবোল অমদি নুমিৎনা লৈবা মফম ওইয়ে। মনাকতা লৈবদি - নোংলাংলেল অপোক্পা কৌযে। মমিংদি তবাঙ্ ঙাঙ ঙানতু ঙাঙ্ মিৎ তবাং হায়নসু কৌয়ে। মহাক্কী মমাঙদা শাজিকনা লৈয়ে। নুমিৎ ইকবীবাদি শিলসু ঙাঙসু হায়না কৌযে। শেংবীকবা নাঙহন লুহনবদি মহাকনে।

অশিবনা ঙশাইঙৈগী মফমদা অমুক হলথবকলে। লৈবোল অমদি - তীনরাওবেলবু লাই অয়ামবানা চাঙাল চানীঙ শাবগুম শাবে - লীবোল খোইবোল, লীথু-খোইথু, শুনা পাবৈ, লংখুবৌ, পঙফক ফকশা, খাংজেল ফকশানচিংবা শাবিঙৈদা পাওবৌনবা ঈশৈদি -

''হোইবৌ হা-য়া, হোইবৌ হা-যা, হা-য়া, শোই হায়া শোই,
ঈঙ শোই ঈঙ শোই, হে হুপ হে-আে''।

মাগী মনাকতা লৈবদি - লৈহকলেল লৈশৌবানে, থীনবীনে, কামাবিনে, য়াইবৈমনে, খবীলুকোকচানে মখোয়শিংনা লৈযে।

লৈচিলগী মবোল নোংলোল অমদি লৈচিলনা পুইয়ে লৈচিলগী মথকতা ফমবদি সোবাবেলনে মমিংদি - খোংঙাইবেল হাইনা কৌয়ে। ঈঙা, ইঙেল কুমশা থা শাবা, নোংচুনাহালবসুঙ, লেল তাহনবাসু নোংমৈ শিঙজঙসুবসু উল তাহলবা রু রা নাপী শিঙবী, হৈ-বা মতোল চোংহনবা, চুমমিথাং খলবা, নোংথাং কুপপাসু মাননে, মহাক্কী মনাকতা চীঙচাবোয়বীনা লৈবে।

অশিবনা গুরুচাং চখাযবা অশিবনা গুরুগী মনাক তালনা অমুক কাখিযে অদুগা হায়কবে লৈবাক মাবোলসু নিপালসুনা শেমলে, নোংথৌ মবোলদি তবেৎ শেমলে হায়না পাওদমলবদা - গুরুনা নঙনা অদুমনা শেমলবদি লৈবাক চেৎনবা নহাকপু অুং হাযনা, অুং সেৎ হায়না অমুক চাইখায়বো হাযদুনা য়াথং শিথবকযে। অশিবনা ঙসাইঙৈগী মফম পবিংগীময়াইদা থুংলবে; গুরুনা পীবকপা য়াথং পুম্নমক নিঙশিংদনা মহাক মশাবু অুং শেৎ সহা হাযনা মহাক মশাবু চাইখাযে। মপুকনা নোংথৌ ওইয়ে। মনমনা লৈবাক ওইযে মমিৎ অনিমকনা নুমিৎ - থা

১। গুরু (কুরু, গুরুসিতাপা, কুরুসিতাপা) লাইপঙ পালনা গুরু মহাক্কী হকশাংতী মাঙলমতা গুরুকী মশক ওইযে। তুংলমদা লৈমারেলগী মশক ওইযে। অদুকা মাশক অনিক তাচিনজকপে খোনচেল ১ তা ওইনা ঙংলে। খোনাচেল মহাকতী। লে লে লে বে বে। অসিপু ঙংলে অতুকা গুরু মহাকপু মাচু চঙখোননা ঙানলে। অতুকা গুরু মহাকাক মপুক মনুংদা সানা ফুতোংপাকি মচুনে। তিংকোব অথকপা উসোঙতুকি মাচুনে। ভিংথৌ মতোন ঙাক লিকলাপু থাকি মাঙানা। যৈনপকি মাচু, নুমিৎকি মঙাননা যৈনপাকি মাচুনে। মাচু অহুমনা মবি ২৯ ওইনা কাবে মাবি মনি কাবা অতুনা পবো অহুম ফাংনা যানলে থবো অহুমমকন্ট্রা তাবং তাবং লৈলে। থবো মতোনদি পাম্বন, থবো যেৎঙমদি অতিয়াসদাবনে থবো ওইবমদি কোনাচিলতিংথোংকপানে। গুরুনা লৈবা মফম অতুতকি তায়পঙপানপাবু কাঙথোকএ হায়পাক্তমক। কঙলাংলৈ কৌএ। মফম অতুগা গুরু মহাককা লোইনপা পাফর্নসিতাপা ১ লৈএ। লাংযোন ৯ পানএ। গুরুনা তোংনাপতি মৈমুনে ১। তোমসোনবে ২। সুকুপীনে। মৈপীনে ৪। যাকাপীনে

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

খোংচোলনুপী আপক্মা আেইয।। লিলথুপ ৩ মানা যীবিল থৌপাল, তুবেল ৩ মা আেইয়।। যীনা য়ীসীং আেয়্।। মাখোয়না পীসুম আেয্।। মামিংতী চীপুঙ্লেল্ কৌয্।। খোময়েৎনা।। ললহামপুঙ আেইয্।। মামিং সানা হিং ব্রালসৌপুঙ কৌয্।। আেযরমকিনা।। কোংপা পুঙ আেইয্।। মামিংতী।। পুঙমীৎ লংব্রান পৃঙ কৌয্।। নিংসানা নোংসীৎ আেইয়।। মাসিংখানা মঈ আেয়্।। মায়ুংপঙনা।। মাপৈ ২ মানা।। চীঙ্ মাল্ল আপক্ঙা' আেয়্।। মাহোপনা লইপাক ফানায।। তীনুংনা সনাচীঙ আেইয়্।। হূংকংনা।। লৈ কেতু আেইয।। নাকন মায়ুংনা।। নুঙমু সিতাপা আেইয্।। থাপাক্না থৌ আেইয়ে।। থৌতী সিতাপাকি ফমপীনে।। খুংসাপীনা।। মিব্রু আেইয্।। মাতু লৈবওপানা।। ব্রুব্রা আপাক্মা আেইয্।। ম্যায়ানা য়োৎ আেইয্।। মাক্না নুঙ আেইয়্।। মাখুৎ য়েৎনা সিংখানে।। আেয়না সিংপোপ আেইয্।। মানাকোঙ ২ মনা।। ব্রুযেন ব্রাযেন্ আেইয়্।। মাথোফনা কোনঙৌ মিসি আেইয়্।। মাহীনা নোংমইকবী আেইয্।। মাবিল মানুংতাকি।। মাহাওনা কবী পীথাবই আেইয।। মাতীঙনা সেল আেইয্।। সিংলীনা হুপলা হাবা আেইয্।। মাহাওনা থাও মাবেক নাইপা আেইয্।। মাতিজনা যেননম চানম আেইয্।। মাবোকনা তীনহৌ আেইয্।। মানপনা সামু তীনহৌ আেইয়্।। খুচীননা চাক আেইনায।। সমনা গুককি সীঙ আেইয্।। মাপানা তিংথৌ আেইয্। নাকোঙ য়েংকিনা।। নাপুপা আেইয্।। ব্রোয়কিতুনা।। নাসেল আেইয়্।। মীৎ মাসেকনা।। মীচিং লৈ আেইয়্।। ব্রোয়কি মাসেক্না।। য়ায়িলনু আেইয়্।। নাতোল মানুং য়েৎলমকিনা।। সিতাপা।। আেইকি তুনা নাতাপা।। চীনপাল মাথককিতুনা লৌহিং।। খাতাঙ্কি কোই। নোংলৈসং।। থাপাকি তুনা।। লোযবং।। সেকাবাককি তুনা।। যীবিকসীপী।। ব্রোইকিনা।। আমুবৈ।। মুননা নাপী সিঙপী হোইবোংকি তুনা চাতবাই।। তুকমকিনা ব্রুসোঙ লোযনে।। খুক্লুতাকিতুনা।। লীকলুবৈ।। খুবাইতাকিতু।। লীক্লাবৈ।। খুনমাতাকি তুনা।। নু


ওইবে। মাতুদগী ফুখংথবনা থব্রালবীচাক খোঙজোমনুপী, অপকমা ওইবে, লিলথুপ অঙ্গমমকনা মালেমদা ইবিল থৌবাল তুবেল ৩ মক ওইখিযে। ঈনা ঈশিং ওইয়ে। মখোয়না পীশুম চীঙ ওইয়ে। মমিংদা চীংপুংলেল্ হায়না কৌয়ে। খোম য়েৎনা ললহামপুঙ্ ওইযে ওইঙৈগী মমিংদি স্না হিং ব্রালশৌপুঙ হায়না কৌয়ে। খোম ওই থংবনা কোংবা পুঙ ওইয়ে। ওইঙৈগী মমিংদি পুঙমিৎ লংব্রান পুঙ হায়না কৌযে। মনিংশানা নোংশিৎ ওইয়ে। মহাক্কী মশিংখানা মৈ ওইনৈযে।। ময়ুংপঙ মফৈ অনিমকনা চীঙ-মাল অপকঙা পুন্নমক ওইনখিয়ে। মহোপনা লৈবাক ফানৈয়ে। শিংঙ্গি তোলোম্বা খাগী হকচাং মনুংনা সনাচীঙ ওইনৈয়ে। হুংকংনা, লৈ কেতু ওইনৈযে। নাকন ময়ুংনা নুঙমুশিদবা ওইনৈয়ে। থবাকনা থৌ ওইনৈয়ে। থৌদি শিদবা মহাক্কী ফমবিনে, খোংজাবিনা মিব্রু ওইবে। মাতু লৈহৌবা অদুনা, ব্রু-ব্রা আয়ামবা, হৌবিবা খিবিক ওইখিয়ে। ময়া য়াবেলনা য়োৎ ওইখিয়ে। মরুনা নুঙ ওইখিয়ে মখুৎ য়েৎনা সিংখা ওইখি, ওইনা শিংপোপ ওইখিয়ে। মনাকোঙ অনিমকনা ব্রুয়েল ব্রায়েল ওইখিয়ে। মথোপনা কোনঙৌ মিশি ওইখিয়ে। মহিনা নোংমৈ কোবি ওইখিয়ে। মবিল মনুংদগী মহাওনা কোবি পিথ্রাই ওইখিযে। মাতীঙনা শেল ওইখিয়ে। শিংলিনা হুপলা হাবা ওইখিযে। মহাওনা থাও মবেক লৈবা নাইবা ওইখিয়ে। মতিলনা, য়েননম চানম ওইখিয়ে। মবোকনা তীনহৌ ওইখিয়ে। মনপনা শামু তীনহৌ ওইখিয়ে। খুজিননা চাক ওইনৈযে। শমনা - গুকগী শীঙ ওইনৈয়ে। মপানা তিংথৌ ওইখিয়ে। নাকোঙ য়েংকী তুনা নাপু ওইয়ে, নাকোঙ ওইগী তুনা নাশেল ওইখিয়ে, মিৎ মশেকনা, মীচিং লৈ ওইনাখিয়ে। ওইগী মাশেকনা য়ায়িল্নু ওইয়ে। নাতোন মনুং য়েৎলমগীনা, শিতাবা, ওইগী তুনা নাদাবা, চীনবান মথককী তুনা লৌহিং ওইখি। খদাংগী কোইনা নোংলৈশঙ ওইখি, থাবাককী তুনা লোইবং ওইখি শেগ্রাককী তুনা ঈবিকশিবী ওইখি। ওই থংবগী তুনা আমুলৈ। হকচাং মনুংগী খা থংবগী শমনা নাপী শিঙথী ওইখিয়ে। হোইবোংদগী তুনা চাতবৈ ওইখিয়ে, হকচাং লুমদা হৌবা তুনা ব্রুশোং লৈবাং লৈনে, খুকলুদগী হৌবা তুনা লিকলুলৈ ওইখিয়ে, খুবাইদগী তুনা, লিক্লা লৈ, খুনমদগী তুনা

তুবেল ওইরিবা *সনাচীঙ ওইবা* *শেনহোঙ্ব ওইবা* *লৈ ওইরিবশিং*

অপকঙা : *অপকঙ কৌবশিংদি থব্রা কৌএ ১। নুমিৎ কৌএ ২। থা কৌএ ৩। শাজক কৌএ ৪। থাপা কৌএ ৫। খোং কৌএ ৬। য়ায় কৌএ ৭। তু কৌএ ৮। ফা কৌএ ৯। কুং কৌএ ১০। হমলেন কৌএ ১১। হামলেন কৌএ ১২। অমমপা কৌএ ১৩। অঙানবা কৌএ ১৪। খুরাই মাহাকপু অপকমা কৌএ।*

লৈশেম লমায় ৮

৫। থাঙজানে ৬। সাঙাইসেলনে ৭। সাকুতোংনে ৮। তমলায়নে ৯। তবেংনে ১০ মক আসিনা থৌথী মারে তাপাকুম পাফন শাবাপাকা খাকোক ১৩ মা তিজনা ১তা ওইনাহনখংলকপা অতুতা গুকনা তোংএ। গুক মহাককি মসকতী লাইপকঙা সমচিলজাপাকা তাযপঙ পানপাকি মপু ওইবে। লুতুংতা সমাসি সিবাবাগা। খুবেনপা খৈপীককি মমা ওইবে। লাম্রাইতা হামুন নৈবাপাকা তায়পঙ পানপাকি-মী-লাই খুবেনপা খৈপাককি গুক ওইবে। মাচুতী থমলৌ মাখোইতাকি যীশিংকুমপানে মাচুতী থমপান মসেককুমএ। মনমতী অথুমপা খৈপীককি মানমপু হেনএ। মানম অতুপু মীওইপানা খিচিকতা ফংচাবাপতী তায়পঙপানবকি অথোমপা মাতোনচোংপা ওইনএ। গুরতী মবোল ৩ মা মহাকনা ফমপী অনিমক ওইয়ে।



মিংলৈ॥ খোঙপীয়িনা॥ অুহল॥ খোংতোন্পীকি তুনা আঙাই লই॥ খোঙযায়্কি তুনা কাঙহৈ॥ খোঙনিংথৌকিনা॥ পাখংপাবৈ॥ খোঙনাওতাকিনা॥ লসীঙ চাইপা বৈ॥ অোইকি খোঙপীতুনা॥ বুবেল লৈ॥ খোঙতোমপীনা॥ যীশিংলৈ॥ খোঙয়াযনা কোললৈ॥ খোঙনিংথৌনা॥ লুমথোন্পী খোঙ্নাওনা॥ লওপুঙলৈ॥ খোঙপী খোঙনাও ১০ মাকি লৈনা আসীনে ॥ ॥ খুনম্তাকি তুনা॥ রালতেং খোইপী॥ খুৎপীয়েৎকি তুনা॥ লাংথাবৈ॥ খুৎতোলপীনা॥ সনাবেমপী বৈ॥ খুৎযায়্না॥ লাইবেল লাপা থাঙযেৎ লৈ॥ খুনিংথৌতাকিনা॥ সেবেমপী॥ খুৎনাওকিনা॥ হাওবৈ॥ রোযকি খুৎপীতুনা॥ চুমলাংলৈ॥ খুৎতোলপীনা য়িংঙেললৈ॥ খুৎযায়না॥ মাইপাবৈ॥ খুৎনিংথৌনা॥ লিবিলৈ॥ খুৎনাওনা কাল্লেললৈ॥ খুৎপী খুৎনাওপী ১০ মাকি থোক্পা লৈনে॥ং॥ খুৎতাংকি তুনা॥ কক্লৈ॥ পামপোমকি তুনা॥ কৈবাংলৈ॥ লেংতোলকিতুনা॥ লৈসোক্॥ নমকনকি তুনা॥ তাইবেল॥ খোম ২ মাকিনা কুমলিক লৈ॥ মাচুমতী॥ হাযিংসংনা চুপচায়॥ থীক পোকয্॥ থীকনা হল পোকয়ে॥ হলনা তাও পোক্যে॥ তাওনা তীন কাঙ আযামপা পোকয্॥ আসীনে ॥ ॥ হৌচিক্তী॥ আসীপাকি মখোয়না॥ পীসুম অোইপাতাকি খাকলওপা॥ যীসিং মই॥ নোংসীৎ নুমীৎ থা॥ চীঙ মাল॥ লারাই লিলফুতাকি॥ লেমলওপানা পুমহিং পাৎতা পুম্নায॥ যীহিংসং সংনয॥ যীবীক্ যীকোংসেংতা সেংনায়॥ লায়য়িংথৌনা॥ হিংঙইকি মামিংতী॥ সং সংহ॥ মীহিংচী মীহিং সং কৌয়॥ হিংখিপা আতুতী॥ লইপাক্কি মখোয়॥ যীসিংকি॥ মথক্তা॥ মসম চয্থাপানা॥ লৈপাক্পু খোমসীপাকুমনা॥ সীনা ঙাক্লিয়॥ মামিংতী লইনুং খোমবীপা কৌপা লাইবেল পবোঙ থোকপা হাইনা কৌয়্॥ তাইপঙ পানপা মপু লায়য়িংথৌ গুরুসিতাপা॥ আতুনা যীসিং ত্রাঙকি মাথা লইপাক্কিসুং মথক্তা মাখোঙ কাবলনা ফমতুনা॥ লইপাক ঙাক্লিঙইকি॥ মামিংতী॥ বুঁম লইনিং ঙালপা॥ লইসঙ লইশীপা কৌয়্॥ লইবোন অসীতী॥ তীনলুপ্লেন্ নামুংপা কৌয্॥ নাপুয্ ॥ ॥ মানাক্তা তীন্লি

নুমিৎ লৈ খোঙপীতগী তুনা বুহল। খোংতোনবীগী তুনা অঙাই লৈ। খোঙয়াইগী তুনা কাঙহৈ লৈ। খোঙনিংথৌগী তুনা পাখঙবা লৈ, খোংনাওতকি তুনা লশিঙ্ চাইবা লৈ। ওইগী খোঙপীগী

খোংথী
খোংশাংগী লৈ

তুনা বুয়েল লৈ, খোঙতোমবীগী তুনা ঈশিং লৈ। খোঙয়াইতাগী তুনা কোলতোল লৈ। খোংনিংথৌগী তুনা, লুমথোনবী লৈ, খোঙনাওপীগী তুনা লৌপুঙলৈ। খোঙবী খোঙনাও তবামককি তুনা ওইবা লৈদি অসি খিদাকনে।

খুৎশাগী লৈ

খুৎনমদগী তুনা রালতেংখোইবী ওইখিয়ে। খুৎপী য়েৎকী তুনা লাংথ্রৈ ওইখিয়ে, খুতোনবীগী তুনা সনাবেমবী লৈ ওইখিয়ে। খুৎয়াইগী তুনা লাইবেল লাবা থাঙয়েৎলৈ ওইখিয়ে। খুনিংথৌদগী তুনা শেবেমবী ওইখিয়ে, খুৎনাওবী তুনা হাওবৈ ওইখিয়ে। ওইগী খুৎবীগী তুনা চোমলাং লৈ ওইখিয়ে। খুৎতোলবীগী তুনা ঈঙেল লৈ ওইখি। খুৎয়াইকী তুনা মাইপা লৈ ওইখিয়ে খুৎনিংথৌগী তুনা লিবি লৈ ওইখিয়ে। খুৎনাওবীগী তুনা কাললেল লৈ ওইখি। খুৎবী খুৎনাওবী তবামকতগী থোকপা লৈনে।

খুদাং লৈ
শংগল লৈ


খুৎদাংগী তুনা কাক্লৈ ওইখিয়ে। পামবোমগী তুনা কৈবাং লৈ ওইনৈয়ে। লেংদোলগী তুনা লৈশোক নমগনগী তুনা তাইবেল, খোম অনিমক্কী তুনা কুমলিক লৈ ওইখিয়ে। মাচুমদি হয়িং শংনা চুপচৈয়ে। অদুদগী থীক পোকয়ে। থীকনা হল পোকয়ে, হলনা তাও পোকয়ে - তাওনা তীন কাঙ অয়াম্বা পুম্বা পোকয়ে অসিনে॥

লাইরেন
পোরোং লোকপা

হৌজিকতি অশিবগী মখোয়না পীশুম ওইবদগী খাকহৌবা, ঈশিং-মৈ, নোংশিৎ নুমিৎ-থা, চীং-মাল লরাইলিলফু দগী লেমহৌবনা-পুমহিং পাৎতা পুমনয়ে। ঈহিং সং সংনৈয়ে। ঈবিক ঈকোংশেংতা শেংনৈয়ে। লাইয়িংথৌনা, হিংলিঙৈগী মমিংদি সং সং হিং, মীহিংচি মীহিং সং হায়না কৌয়ে। হিংখিবা অদুদি লৈবাক্কী মখোয় ঈশিংগী মথকতা মশম চাইথবনা লৈবাকপু খোমশিনবগুমনা শিনা ঙাকলিয়ে, মহাক্কী মমিংদি লৈনুং খোমবীবা কৌবা লাইবেল পোবোঙথোকপা হায়না কৌয়ে। তাইবঙ পানবা মপু লাইয়িংথৌ গুরুশিদবা, অদুনা ঈশিং তবংগী মথা ঈশিং মনুংগী লৈবাককিসু মথকতা মখোঙ কাবলনা ফমদুনা মহাকনা লৈবাক ঙাকলিঙৈগী মমিংদি বুঁম লৈনিংঙালবা, লৈশঙ লৈবাপা হায়না মমিং কৌয়ে। লৈবোন লৈবাক অসিদি - তীনলুপলেন নামুংবা হায়না কৌয়ে। মহাকনা পুনা লৈয়ে।

১। অসীপা :- অসীপা লায়যিংথৌনা লইপাক শেমকে হায়ঙইকি মমিংতী লৈতাবেং কৌয়ে। যীসিং যীপাক মথকতা ফমলে ফমঙৈগী। তবং তবং কৌয়ে। শকোক লমায় ৩/২

২। তাইপঙ পানবা মপু লায়যিংথৌ গুরুসিতাপা : লাই ১ দি নোংসিংনে। লাই অমদি ঈশিংনে। লাই ১তি মৈনে। লাই অমতি লৈবাকনে। লাই ১ তি নোংথৌনে। লাই অমদি নুমিৎনে। লাই ১ তি থানে। লাই ১ দি থারাপীচাক নোংথৌ সিদবনে। লাই ১ তি শুকনে। লাই ৯ মা অসিগী মপুদি লিক্লা সিদবনে লিক্লা সিদবা অসিগী মপুতি তাইবংপানবগী গুরুসিদবনে।



বেল॥ লাইযীবেল তীন্ভৌবেল॥ লইহক লইয়াবেল॥ লাইবেম্মা॥ লযনপফা লইহিংনু লইনপপী॥ থওপী লইফান্পী ঙাংঙোই লইবামপী ॥ লইনুং হীবীপী॥ কামমাবিং॥ সিলপীপ' আসী খৈপীক লইয়॥ লাই আয়ামপানা॥ তীল্নাবাপাকি॥ লাইতিল কোল কৌয॥ পাখংপাপ ॥ কোলঙইকি॥ লাইমাকোলসুঙ কৌয॥ লাইবোল ৯॥ মা আসীতী আসীনে॥ লায়বোল ৯ মাকি থোঙতী॥ ১ নে॥ মাপাল থংপাতা॥ চকমাবিংপানে॥ থোড়্মযায্ থংপাতা॥ পামাবিংপানে॥ হক থংপা থোঙতা॥ তুমাহাপা॥ ৩ মা থাপনাতাপানে॥ লায়যিংথৌ কোনচিল তিংথোক্পাতী॥ লইপাক্ নোংথৌতুপানে॥ মাপু থংপাতী॥ আঙাইবেলনে॥ মাথক মাথাসুঙ্ লাই ২ মানা থংপানে॥ মাবী ২ মাকি মাবকতা॥ লাযযিংথৌসুঙ॥ লইনীঙতোংপা লৈয়॥ লইপাককি কৌবোঙতী লইতংলেল্ কৌপানে॥ লইপাক্ থংপানে॥ নোংথৌ কৌবোঙতী॥ নোংতংলেল কৌয॥ নোংথৌ থংপানে॥ ॥ নোংলোন্ ১ তী॥ থাব্লালপীচাক নিংথৌ সিতাপাকি॥ মাপুক্মানুং তাকি॥ খাচিং মামুকুম থোর্কাখবে॥ নোংলাংলেল্ আখুপা কৌয॥ অহীক মাফম আসীতী॥ কানা যৌফাবোই হায়না॥ ঙাক্চাবে॥ আতুৗক কোনখৈ আতাম কৌয ॥ ॥ নোংলোল্ ১ তী॥ সবাবেল আমম্পা॥ আচিপা মমলেল্ মম্পা॥ লাইকি নিংথৌ আথোইপা॥ আখইপা॥ মাঙালনা মাহাকপু॥ খুচানা লৈয়॥ আথোইবা মাহাকতী॥ নোংকাচাও॥ নোংলাংলেল আচৌবা কৌয॥ নোংথৌ মাবোল ৯ মাতী আসীনে॥ ॥ হৈচীকতী॥ লইপাক মাথক্॥ নোংথৌকি মাখাতা॥ চুপ ওইনা ঙাক্পাকি॥ ব্রাহায়কে॥ ১ তী লাইসিতাপানে॥ ১ তী মালচীপানে॥ ১ তী হাইসপানে॥ ১ তী সেলখৈবেল্নে॥ ৪ মানা চুপ ওইনা ঙাকয়॥ থওপী লইফনপীনা॥ সেলপী কাপো পাংনা লইফানয়॥ ঙাংঙোই লইবামপীনা থোংনাং মায়াং পাংনা লইফানয॥ আসীপানা হায়॥ লইপাক আসীতী॥ আইনা সেমপা লইপাকনে॥ কানা মুলফাবোই॥ যীচী ৪ মাপু যীথানা ২ পুয॥ ব্রাহোং মতু চীলয়॥ পুকনা নোংথৌ ওইয॥ যীনমনা লইপাক ওইয়॥ যীকনা যোং ওইয॥ যীনিলনা॥ যীনিল থৌপাল তুবেল ওইয॥ যীকন্না সনাচীঙ ওইয॥ মীং ২ মানা॥ নুমীংথা

মনাকতা লৈবদি তীনালবেল, লাইযীবেল তীনভৌবেল, লৈহব লৈযাবেল, লাইবেম্মা লৈনপফা লৈহিংনু লৈনপপী, থৌবী লৈফানবী ঙাংঙাই লৈবাম্বী লৈনুং হীবীবী কামাবিং শিনবাবা অসি খবীক পুমনমক্তা পুনা লৈযে। লাই আযামবনা তীলনা লৈববগী লাইতিনকোল কৌযে। পাখংবনু কোলঙগী মমিংদ লাইমাকোলসু কৌয়ে, লৈবোল মাপলমা কৌবদি অসিনে, লৈবাল মাপলমগী থোঙদি অমানে মপাল থংবা থোংদা ঙাকপদি চকমাবিংবনা ঙাকযে, থোড় মযাই য় নদা ঙাকপদি পামবিংবনা ঙাকযে, হক মশাগা থংনবা থোঙদা ঙাকপদি তুমহাবনা ঙাকযে। অহুমকনা থাপনা তাবনে, লাইযিংথৌ কোনচিলতিংথোকপদি লৈবাক নোংথৌ তুবনে, মাপু থংবদি, অঙাইবেঙনে মথক মথাসু লাই অনিনা থংবনে মবী অনিমক্কী মবকতা লাইযিংথৌসু, লৈনিঙ্তোংবা লৈয়ে। লৈবাক্কী কৌবোঙদি লৈতংলেল কৌবনে। লৈবাক থংবনে। নোংথৌগী কৈবাক কৌবোঙদি নোংতংলেল কৌয়ে॥ নোংথৌ থংবনে।

লৈবোল মাপল

নোংলাংলেল কোনখৈ অতোমতা

নোংলোল অমদি থাব্লালবীচাক নিংথৌশিদবগী মপুক মানুংদগী খজিং মমুগুমনা থোকখিযে নোংলাংলেন অখুবা হায়না কৌযে। ঐগী মফম অসিদি কনা যৌফাবোই হায়না ঙাকচবে অদুগী কোনখৈ অতামবা হায়না কৌয়ে।

নোংথৌ মবোল মাপল

নোংলোল অমদি সোবাবেল আমমবা, অচিবা মমলেল মমবা, লাইগী নিংথৌ অথোইবা, অখৈবা মঙালনা মহাকপু উজানা লৈয়ে, অথোইবা মহাক্কী মফম অসিদি নোংগাচাও, নোংলাংলেল অচৌবা হায়না মমিং কৌয়ে, নোংথৌ মবোল মাপলমকতি অসিনে।

লৈবাক্কী চুকলেন

হৌজিকতি লৈবাক মথক, নোংথৌগী মখাদা চুপ ওইনা ঙাকপগী ব্রা হায়গে, অমদি লাইশিদবনে অমদি মালচীবনে। অমদি হাইশবনে, অমদি শেলখৈবেলনে মখোয় মবিমক অসিনা চুপ ওইনা ঙাকতুনা লৈযে। থৌবা লৈফনবীনা শেনবী কবো নোংপোক পাংনা লৈফাননা লৈয়ে, ঙাংঙোই লৈবামবীনা, থোংনাং মযাং নোংচুপ পাংনা লৈফননা লৈযে। অশিবনা হায়, লৈবাক অসিদি এনা শেমবা লৈবাকনে কনা মুলফাবোই, চিথেক মাইকৈ মবিমকপু ইদোম ইথনতনা পুনা লৈযে। ব্রাহোং মতু তুনিংথৌ চিললে। ঐগী ইপুক ওইবনা নোংথৌ নোংদোলথক ওইযে। ঐগী ইনম নংগল ওইবনা লৈবাক লৈশা ওইনৈয়ে, ঐগী ইক শকনা যোং ওইনৈযে। ইচকচাংগী ইনিলনা ইবিল থৌপাল তুবেল ওইযে। ঐগী ইনগল্না স্নচীঙ ওইনৈয়ে। ইমিং অনামনা নুমিং থা

১। থওপী লইফানপী ঙাংঙোই লইবামপী :- শাচিকনে। উবোং কৌবা। লাইলেম্মাসু মানে। থৌবী লৈফানপীনা শেনবী কবো মকে পাংনা লৈফাননৈযে। ঙাংঙোই লৈবামবী কৌবানা থোংনা মযা মাইকৈ পাংনা লৈফানযে।

লৈখারোল লামাই ৯

২। পাখঙবা (যোইবেঙ্গপা, পাখংপা) পাখংবা লাইনাং চায়পাতি থবাই খরপা মহার্কাকি চকসাংবু বুপা ঙমবা। অমমপাদা যীকাইপা খঙপা। চাকচা তৌশিপ যাহিপ মতাংখঙপা মাযাং পাংপা। মথনা ঙাকলিপা মানিল তাইতাবিপা অদুপু। মিংকুপ অমতাবু থাথোকতববা। থাব্লায় চকসাং আনমকপু পামুবা লৈতাবাপা মপা খঙপা। লাইগুক যাথংপু লৈতাঙলতবপা। লমচং খঙপা এন রীনা চংপা লিচংপু লিলচেলপু থাবাই ওইবিপা খৈপীকনা যাপীবপা অসিকুমপাবু নবুংথৌ পাখঙপানা হাবাওয়ে। লমচং অসিপু কনাকুমপা মীসিংনা চংপা ঙমলাপাতী মী মাক মী মহেন মী মাচং থাব্লাই চচুংলাপলাপা হায়না কৌয়ে।

চকপা অলুইংবাল মা ৫/২

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

অোইয়॥ যীতুনা ব্লুপী ব্লুবেল ব্লোইয॥ যীতালনা॥ আহাও আথুম অোইয॥ যীকনা॥ থুম অোইয়॥ য়ীথীনা চাক অোইয॥ নোংখুমসঙয॥ লইপাক্ সেমঙইকি॥ মামিংতী॥ লইবংবেল তাখৎপা কৌয়ে॥ নোলাংলেল আপুমপা কৌয॥ সানাচীঙতা ফমলিঙইতা॥ নুঙকোলনাপা কৌয॥ অইকি যীমতী॥ চক মায়ুংনা কোনখানয॥ লাইবেল আঙৌপানা থোঙথিংয॥ যীমিংতী সনা কোলসৌবেল কৈবেলপা কৌয॥ চীবেল ঙাঙলেল্পা সুঙ কৌয॥ য়ীচুতী মইনে॥ যীযাতী সনা তাচঙ যইপানে॥ য়ীনম থমপাল নমপানে॥ খুৎ যেৎতা সনাসূয॥ ব্লোযতা লুবাসুয॥ থককি লাইসূঙ থাক্খল অোইনায়॥ থাকি লাইসুঙ সনা তাঙপল অোইনায॥ আমম্পা আসীতা যীতোমমানে॥ তীন নাম্লুংপাপু কোলখানা॥ তমপানা থোঙথিংনা॥ য়ীসিং খোইককুমপানে॥ কুনপানে॥ আসিকুমপানে॥ যুহানাপাসূ৬ অইনে॥ ব্লুসোই সঙতাপা অইনে॥ য়ীমিংতী সনা তীন্লেল কৌয ॥ ॥ ঠৈচীকতী॥ মীসাকে১ হাযনা॥ লইনুং চাখা খোংচোলনুপী নুপীনা॥ আব্লাং ঙাক্লিঙাইতা॥ আতীয়াসিতাপানা হায় আপালপাঅো॥ নঙ চঙখিঅো॥ লইপাকসুঙ নঙকি অোইঅো॥ পীথাখিয॥ আপালপানা লইপাক মুলখিবাপাতী॥ আসীপানা হায॥ অইতী থাতা লৈবাকে॥ হায়তুনা কন্চাওনা॥ থা মাচিতা কাখিবে॥ লইনুং চাখা খোংচোল নুপীকা॥ লাযযিংথৌ কোংলওতোল লওথীপাকা॥ ২ মানা তানাতুনা॥ পুনুং হাব্লাই থাঙ্পাক্ থায়॥ সাম্যাবিংপানা॥ আব্লাং ঙাকযে॥ চকমাবিংপানা॥ নোংপোক ঙাকয়॥ মুংমাবিংপানা খা ঙাকয়॥ লইসাতাওনা॥ নোংচুপ ঙাকয়॥ আসাইকি থা মাচীতা লৈপানা॥ কনচাওবাতুনা॥ খুয়াতাকি ব্লুফুল লওতানা॥ সাকোন সাপাপু॥ যুমীংকি মাসককুম সীথাবকয॥ সামাতোল আযাঙ্পানা॥ হাব্লাই মাবী নেংথংলে॥ পোংখু মীমাযোন্সুঙ॥ অংক্ কৌহৈতাবে॥ কোংলওতোল লৌথীপানা॥ কন্চাও॥ তামক॥ লইকাপ্পী লাং থাবে॥ সামাতোল আয়াংপাতী॥ লাংকাপপী লাংতা থুবিঙইতা॥ কোংলও

ওইনৈয়ে। ঈতুনা বুপী বুবেল ওইনৈযে ঈত্তিলনা অহাও অথুম ওইনৈয়ে। ঈকনা থুম ওইনৈযে। ঈথিনা চাক ওইয়ে। নোংখুম শঙতা, লৈবাক শেমঙৈগী মামংদি লৈবংলেল্ তাখৎপা হায়না কৌয়ে - নোংলাংলেল অপুমবা হায়না কৌযে। মচাঙতা ফমলিংঙৈদা নুঙকোলবা কৌয়ে। ঐগী যুমদি চকপা মায়ুংনা কোনখাইনয়ে। লাইবেল অঙৌবনা থোঙথিংযে। ঈমিংদি মা কোনাশৌবেল কৈবেলবা হায়না কৌযে। চীবেল ঙাংলেলবা হায়নসু কৌয়ে। ঈশাগী ঈচুদি মৈগী মচুনে। ঈযাদি মা হাজঙ যৈবনে ঈনমদি থমবালগী মনম নমথনে।

অশিবা নোংখুম সগে

ঈখুৎ যেৎতা মা সুয়ে, ঈখুৎ ওই থংবদা লুপা খুৎসুনৈয়ে। থকাক লাইসু থাকখল ওইনৈযে। থাগী লাইসুঙ মা তাঙবল ওইনৈযে। আমমবা অসিদা ইতোমনা ঙাকনৈযে। তীন নামুংবকুনা কোলখানা তমপনা থোঙাথংনা ঈশিং খোইকঙুমবানে, মদুগুম্বা অদুদা কুননা লৈবনে, যুহাবা হাবাসু ঐনে। বুশোই শঙতাবসু ঐনে। ঈমিংদি মাতীনলেল হায়না কৌয়ে।

ঙশোয় শাঙ তোঙা

হৌজিকতি মী শাগে হায়না লৈনুং চাখা খোংজোমনুপী কৌবীনা, অব্লাং ঙাকলিঙৈদা অতিযাশিদবনা হায় - অপালবা ও। নঙ চঙখিবো মী শেমলু ও। লৈবাকসু নঙগী ওই ও হায়না পীথাখিয়ে অপালবনা লৈবাক মুলশুবদি অশিবনা হায় ঐদি থাদা লৈবগে। হায়দুনা কনজাওনা থাগী মচিদা কাখিয়ে। লৈনুং চাখা খোংজোলনুবীগা লাইযিংথৌ কোংলৌতোল লৌথিবগা অনিমানা তানদুনা পুনুং হাব্লাই থাঙপাক থাইযে। শামবিংবনা অব্লাংলম ঙাকয়ে। চক মরিংবনা নোংপোক লম ঙাকয়ে। মুংমবিংবনা খা লম ঙাকয়ে। লৈশাতাওনা নোংচুপ লম ঙাকয়ে। ঙসাইগী থা মচিদা লৈবনা কনজাওবতুনা যাম্না শাওনা খুয়াদগী উফুল লৌদুনা। শাগোল মশাপানবু যুমিংকি মশককুম শিথবকয়ে। শামদোল অয়াঙবা কৌবনা হাব্লাই মবী নেংথংলে পোংখু মীমযোনসু আংগো কৌহৈদবে। কোংলৌতোল লৌথীবনা কনচাও কপ্পি থোক্লা শাওবগীদমক লৈকাপপী লাং থাকলে শামদোল অযাঙবদি লাংকাপপী লাংদা থুবিঙৈদা

মী শাগা

মালেমগী ঙাকপা

১। মী - অতিয়াসিতপনা হাযযে অসিপা নঙ মী সম্লাংখো। হায়বথাকা অসিপা লাইনংথৌনা খুমযে কুকনা মী সাঅো ও। হায়বপতি মশক কাবম সাঅো হাযপানো হায়না হংযে। অওবা সিতাপানা খুমযে নহাক্কী থাচনতাগী লৌতনা ঐগী যাসক অসী হুমনা সাঅো। হায়থাপাক মতাক্কা থাচনতকি লৌতানা শাবিঙৈপু শামুতোল অয়াঙপনা উতুনা তমথানকলে হুইনা বুতুনা কৌয। অতিয়াসিতপোনা সাকোন ফাকে হাযতনা লৈপাক সেমঙইকি পাবং হুলঙইকি পাবং অতুপু মহাকতাকি চিংথোকতুনা মমিংতী মাৰচাও কৌএ। মামিং মিংজোলতী কোংচিং কৌএ। কোংলৌতোল লৌথিপা কৌনা সাকোন ফাবে সাকোন ফাঙৈকি মমিংতি রোং চিং নপ মাতেপ কৌএ। সাকোন অং ফাঙৈকি পালং অতুতী মিসেকমোম কাইমোমকি মাপুক মানুংতা থমলিপানে। অতুক পোংখু সুঙ থোকখল নিংসা হোলংয়ে মীৎ কুপতে হায়তানা অতিয়াসিতাপানা পোংখুকি লাব্লাইকিলফুতা বুটীলনা যাংশাযতুনা লাই ৫পু বুথানংথৌকি তাং ৩ মানা নমনা পুচিলখিয়ে। নিংসা হোলতানা পুচিলখিযে যেৎকি খোঙপী খুসিংখাতা থুম্পুবে মামিংতী শাবাবেল কৌযে। মিংলেলতী- ম ফোং লিং কৌযে লাই ২ মাসুঙ ফিলচিলাখযে। কুককি যমপী সেমপিতো যৌমবে। লাই ৫ মাপু অসিপাকি মাখুংতা সিলনাবে। অসিপানা থোঙঙাবেল কৌবে।

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

তোল লওথীপানা॥ হওমৃকনা লেংফাইচল॥ মোংপা তাচল খুবৌ যেৎনাবে॥ ২ মা ঙমনাতাবে॥ লাইবেমমা চাখাখোংনুপীনা॥ রাকনলে॥ সামাতোল আয়াঙপাকি॥ লাচেং কোকথেৎসুঙ॥ সংথোকলে॥ লাংসঙ সঙলাংমই কৌয॥ মাকোই মাবাং ফোযথোক্লে॥ মাবাং কোযফোয়চীঙ কৌয্॥ মাঙ্গ মামাল যোযনা থৌখামলে॥ সান্না তুকেনপা চীঙ্পঅ কৌয॥ সামাতোল আযাঙপানা॥ নেৎথৎপাতী॥ লইচল আইখিবে॥ ॥ ১ বাকি হৌয লাই তান্থোইপা লমপুনে॥ নোংপোক্তা তুপুনে॥ খাতা লইখোমতাওনে॥ নোংচুপ্তা॥ মালখোমতাওনে॥ ৪ মানা ঙাক্পাতী॥ ঙম্তাবে॥ সামাতোল আয়াঙপানা॥ নেৎথৎপাতী খুল ওইবে ॥ ॥ ১ বক হৌয়॥ লাইথংপাতা॥ কোংনিংথৌনে॥ নোংপোক্তা থৌঙাইপানে॥ খাতা য়ৌঙাইপানে॥ নোংচুপ্তা কোংতিংলেললনে॥ ৪ মানা ঙাকপা ঙমতাবে ॥ ॥ আত্যাসিতাপানা॥ হায আপানপাঅ॥ নাতোম্ মাসেম্পাৰ্তী॥ ঙমলাবোই॥ আসীপা থা মাচিতা লৈপা আসীনা তৌয॥ অই কৌথাকে॥ হাযতুনা॥ ঙানোয সেবলপানা॥ য়ুকৌয়॥ আসীপাঅ কুমলক্অো॥ হাযবাপাতা॥ থা মাচিতাকি কুমলক্লে॥ আত্যাসিতাপানা হায॥ আসীপাঅ নঙকা॥ আপানপাকা॥ নাপীঙ্ঙা মীসাঅো॥ থান্নাযসুতে॥ থান্নায হাপসে হায॥ আসীপানা॥ কাবম সাঅো হাযপানো॥ হংয॥ আত্যানা হায়॥ অইকি সক্ তমঅ॥ মী আতুপু সাবিঙইতা॥ অত্যানা সাকোন্ ফানাপা॥ খোই মাবী চিংথোক্লে॥ মামিংতী মাবাচীঙ কৌয॥ সাকোন ফাবে॥ আত্যানা আসাই সেমপা॥ পোংখু অতুপু মামিং কোংলওতোন কৌয॥ পোং আসীপু॥ নিংসা হাপসী হায়না॥ হায়না আত্যানা॥ কাবি কাবা॥ অবংপাকা॥ বুকোঙলেল্কা॥ নোংতম্পাকা॥ মাতাক কি লাই ৫ না পোকলে॥ থান্নায় হাপলে নিংসা হোললে॥ থৱাই আয়নে খঙলে॥ লীসীঙ চাইপানা॥ লাইখাপীক্পু॥ কাবক্ কাবক্কানে॥ হাযনা॥ মাখোঙ ২ সেংসৌনা ২ ॥ মাসম্ মানা ঙাক্অইকি॥ মামিংতী॥ চী চি খিং খিং মীহিং সং কৌয॥ হুমলেলপানা॥ চুপাকি মানাক্তা লৈপাতী॥ কোনখৈবেলনে॥ কাঙ্পী লীক্মাকনে॥ পাখংপানে॥ তমা সঙ্থাপাতে॥ থান্নাযপু সলসেলপাকুমনা॥ সেলালি পানে॥ হাং

কোংলৌতোল লৌথিবনা, হৌ মুকনা লেংফাই চল, মোংবা তাচল খুবৌ যেৎনবে,

লাংগল শংলোইম অনিমকনা অমত্তা ঙমনদবে, লাইবেম্মা চাখাখোংজোমনুপানা হৌবরা মতৌ অদু য়ানিংদবে। শামদোল আযাংবগী লাংজেং মাংপু শংথোকলে। লৈবাক মফমপু লাংশং শঙ লাংমৈ হায়না কৌযে। শগোল মকোই মবাং ... অদু নোংগীবু মবাং কোইফোই চীঙ হায়না কৌযে। মঙ মমাল পুম্মা ফোইনা ..., শান্না তুকেনবা চীঙ- ও হায়না কৌবে। শামদোল অযাঙবনা নেৎথংপদি অমদি লৈচিল ...।

হুল ওইবা অমুবক মপাঙ্গল ফুদোক্লা হৌযে, অদুগ্ লাই অরাং মাইথিবদা লেনা লমহুনে, নোংপোকতা লৈবা তুবুনে। খা থংবদা লৈবা লৈখোম তাওনে, নোংচুপ লমদা লৈবা মালখোমতাওনে। মখোয মানমক ঙাকপ ঙমদবে। শামাদোল অযাঙবনা নেৎথংপদি উল ওইব্রে।

মাইকৈ মতি ওকপা অমুবক মপাঙ্গল ফুদোক্লা হৌবদি লাই অরাং লম মাইকৈ থংবদা লৈবনা কোংনিংথৌনে, নোংপোকলম মাইকৈদা থৌঙাইবনে। খা থংবা মাইকৈদা য়ৌঙাবনে। নোংচুপ থংবদা কোংতিংলেললনচিংবনা মখোয মরি চানা ঙাকপনা শেনপা ঙমদবে।

অশিত্তা কৌথত্তা অতিয়াশিদবনা হায অপানবা ও। নতোমদনা শেমবর্মদ নহাক ঙমলবোই। অশিবা থা-মচিদা লৈবা অসিনা হৌবনে। ঐ কৌথাগে হাযদুনা ঙানোয শেবলবী থাদুনা, য়ুকৌয়ে, অশিব ও কুমলক ও হায়না কৌববদা থাগী মচিদগী অশিবা কুমলককে। অতিয়াশিদবনা হায়বকয়ে, অশিবা- ও নঙ্গা, অপানবগা নখোয় অন মী শা ও। থৱাইসুদে থান্নাই হাপসে হায়য়ে। অশিবনা কবম্মা শাও হাযবনো হাযনা হংয়ে অতিয়াশিদবনা হায - ঐগী ঈশক শকতম অসি তমনা শাও ও। মী অদুবু শাবিঙেদা অতিয়াশিদবনা শগোল ফাগে হায়দুনা মখোয় খোইবি চিংথোকলে চিংথোকলিঙৈগী মমিংদ মাবচীঙ হাযনা কৌযে। শগোল ফাবে অতিয়াশিদবনা ঙশাই শেমখিবা পোংখু অদুবু মমিং কোংলৌতোন হায়না কৌয়ে। পোং অসিবু নিংশা হাপশি হায়না হাযদুনা অতিয়াশিদবনা কবি, কবানে, অবংবনে, বুকোঙলেলগা, নোংতমবাগা, মহাক্কী লাই মঙামা পোকলে। থৱায হাপলে মানংশা ... থৱাইদ ঐনে খঙলে, থৱাই মপুনে খঙখবে। ঈশং চাইবনা লাই খৈবাকপু কাবক, কাবকক ... হাযদুনা মখোঙ অনি শেংশৌননা, মশম মনা ফানা ঙাকলিঙৈগী মামংদি চী চি খিং খিং মীহিং শং হায়না কৌয়ে। হুমলেলবা নুংশিংনা চুপগী মনাকতা লৈবদি, কোনখৈবেলনে, কাঙ্গী লিক মাকনে পাখঙবনে অহুম অসিদি বক থাপনতে। থৱাইবু শলশেলবঙমনা, শেলালিবনে।

যীনখায়বে মমিংতী পোংথাঙ কৌযে। অত্তাযাসিতাপানা খুং সাপাবু মাসুং ৩ মোইনা সেমতানা লাই ০ মানা ফমনাবে খোনচেল ৫ খোকনা সালনাবে কা ১৩ মাসুঙ তামলে। লাই ৫ ... পানাযনা কা ১৩ মাতা ফমথাললে। থান্নায় ৫ মাপু মিংথোনলপানে। থৱায ১কি মামিংতী লোললোই কৌযে মফমতা থমপাল লোংনা পালপা মচীনতা সিংলী ১৮ তিলপা তুংলৈ তুমুপ ... থান্নায অমকি মামিংতী। নলসোল কৌযে। মফমতী সিংখাক থোঙ ৩মা তীলনাপা মচীনতা ফমহাললে। থান্নায ১কি মমিংতী বুতীয়াল কৌয়ে মফমতা মোইপুং মথেকুমপা ... কাচলপাতা ফমহাললে॥ থৱায ১কি মমিংতী পিযা কৌবে। মফমতী হাকমানকতা সিংলী ১০০০ অমাত্ত চাইচিপনা ফমহাললে। থৱায ১কি মমিংতী ... কৌয়ে ... ৩ মানা তিলনাপা মাচীনতা ফমহাললে থান্নায ৫ মাইী অসিনে। মাচি ৩ মাতা অসিপনা খোযতা তলখানা থমপাল মানা ১০ পালপাকি মানুংতা ফমলে। মামি ... কোনচিল তিংথোকপনা থমপাল মাতা ১০ যুপা মানা ১০০০ পাম্পপাক মানুংতা কুললে। মামিংতী থোকলবেল শা কৌযে। প্রাতিযাসিতাপনা খুংসাপীতা লেঙতানা ফমলে। মামিংতী ... কৌবে। মি ৫

[illegible]

কেমানে।। হিংহালকে হায়পাসুঙ মানে।। থোঙঙাবেলকা মাপীঙাতী।। লাপনাতে।। মাপুসিলপাতী।। থোইচেংলেল কৌয।। মাযাযতানে মাপালথংপাতী।। মীৎ তাবেংঙ কৌয।। মাকতী।। মানা লওতুনা।। কৌপাকতা পীকয।। পাখংপাসুঙ।। লীসিঙচইপা ।। থোঙঙাবেলসুঙ থাপনতে।। মাক সেমপতা কৌপাকনে।। সিল্কি মাপুনে।। ককচেং পোক্‌পাতী।। থোইচেংলেল্‌নে।। নাপোক্‌নায।। মীনাচিংনা সাঙা নিংসা হোল্‌লিপা খৈপীক্‌না।। থৌখলপা মাফমনে।। কোনচিলতিংথোক্‌পা।। তা।। মাহই খঙচাপানে।। সিললাপাকি মামিংতী।। তাইপঙ্‌পালপা খৈপীকপু সিতাপাতা চঙখিপানে ।। ।। সিবাপাতা থোঙতা।। খলঙামপাতী।। কাঙপীবেল লীক মাক কৌয।। লীসাঙচাইপাতী।। থোঙঙাবেলকি মাপাতাওনে।। তাইপঙ পালপা মাপু।। কোনচালতীংথোক্‌পাতা।। পাল্‌লীঙইকি মামিং।। রোং লবেল কৌয।। মাপাল্ ফাওবাপাতী।। লায়যীংথৌ লইযোন্‌লাং তানৌপা কৌয।। নীপাকি সীনুংতা লৈপানে।। লাইবেম্‌মা তানৌনুংতাবেঙপীতী নুপীকি সীনুংতা লৈপানে।। ।। লাই ২ মানা চালনাপাতী।। নুমীৎ ৫ নি চালনাপানে।। হালনাকিতী।। যীমানে।।৮।। নীনি যীচেমনে।। ৩ নি যীনেমনে।। ৪ নিতী যীনতোননে।। ৫ নি যীচননে।। ৬ নি যীচানে।। ৭ নি যীমৌনে।। ৮ নি যীতৈমানে।। ৯ নি যীনাওনে।। ১০ নি যীতুনে।। ১৪ যীহাক নামুংয়।। ১৫ নি নামুংতাবাপানে।। নামুংনাপাতী খঙঅো।। কাসা নিংগৌকি তমচাপানে।। মানা মীকি মাপাল সাহালপানে।। রা আসী খঙপাতী।। হকচাং মায়েং তাতাপা।। পুলসীপা রানে খঙঅো।। যাইখাযপাতী।। থারালপীচাক নিংথৌ সিতাপানে।। মাহৌ ২ নীঙখাযথাপাতা।। কাসা নোংথৌ মাখুৎ ৫ পালপানা।। মাচা লাইবেম্‌মা।। লইহিংনু পোকয।। নোংচুপকি পনতা থম্‌য।। থারালপীচাক নিংথৌ সিতাপানা।। লাইবেন্‌মমাপু।। রুতুনা।। মাপুক্ হাবাওবে।। লায়যিংথৌনা।। লাইবেম্‌মাপু।। ঙমকে তাললে।। লাইবেমমানা ঙমহলতে।। মাপীঙঙা লাক্‌না • ফানাবিঙইতা।। লায়যিংথৌনা।। লাইপাক সেমপা লোইবে।। ১বক মানা লেঙপা হুমপা ঙমতাবে।। লাযযিংথৌনা।। মাচা লাইবেম্‌মাপু।। মামিং থোল্

হাংকে হাযবকসু মানে হিংহলগে হাযবকসু মহাকনে থোঙগাবেলগা মখোয় আনমাদ মতম

থরাই মশিংগী নাইপুংগী

পুমবদা থক লাপনদে। মহাক পুশিনবাদি থোইচেংলেল হায়না কৌয়ে।। মযাইদনে, মপাল [illegible] [illegible] হায়না কৌয়ে। মরুদি মানা লৌদুনা কৌবকদা পিকয়ে। পাখংসুং, লীসাংচাইবসু [illegible] মতম পুম্বদা থাপনদে। মক শেমবদি কৌব্রনে, শ্রাব লোমাললা শিলগা মপুনে। ককচেং পোকপদি থোইচেংলেলনা পোকয়ে। মীনচিংবা শা [illegible] [illegible] হোললিবনচিংবা খৈবীকনা থৌগল চংলিবা মফমনে। কোনচিলতিংথোকপদা মদুগী মতৈ পুম্নমক থুংচৎপা মফমনে। লিবন হায়নগী মমিংদি, তাইবঙপানবা খৈবিকপু শিদনগা মফমদা চঙথিবা কৌবনে।

লাপোই মপু

শিববগী থোঙদা খলঙম [illegible]কলমবদি, কাঙপীবেল লীক মক কৌয়ে, ঈশিং চাইবদি, থোঙঙাবেলগী মপাল [illegible] মকপনে। তাইবঙপানবা মপু কোনচিলতিংথোকপনা পাললিঙগী মমিংদি রোং লৈবেল কৌয়ে। মপাল ফাওনবাদি-লাইমিংথৌ লৈয়োনলাং তানৌবা হায়না কৌয়ে, নিপাগী শিনথদা লৈবনে। লাইবেমমা তানৌনুং তাবেংবীদ নুপীগী শিঙনুংদা লৈবনে।

হক নমুংবা

লাই অনিমকনা চালনা চিলনবদি নুমিৎ মঙানি চালনখ্রে, হালনবাদি ইমানে, নিনি শুবা ইচেমনে, অহুমনি শুবা ইনেমনে, মরিনি শুবাদ ইনদোননে, মঙানি শুবদি ইচননে, তরুকনি শুবদি ইচানে, তরেৎনি শুবা ইমৌনে, নিপানি শুবা ইতৈমানে, মাপলনি শুবা ইনাওনে। তরানি শুবা ইতুনে। তারামারিনি ইহাক নামুংয়ে। তরামঙানি নামুংদববনে।। নামুংনপগী মথৌদি খঙগদবনে। কসা নিংথৌ অপোকপদগী হমজবনে মহাক্না মীগী মপাল শাহলবনে। রাবম আস পুন্না খঙলবদি হকচাং ময়েং তাদবনে পুনশি নুংশাংবা রানে খঙ-ও। মৈবাইবদি থরালবীচাক নিংথৌশিদবনে, মহৌ মহৌ নীঙখাইবকপাদ, কশা নোংথৌ মখুৎ মঙা পালবনা মচা লাইবেমমা লৈহংনু পোকয়ে, নোংচুপ লমগী মাইকৈ পনদা থমনময়ে। থারালবীচাক নিংথৌশিদবনা লাইবেমমাবু [illegible] [illegible] হবাওবে। লাইমিংথৌনা লাইবেমমাবু ঙমগে হায়না তাললে, লাইবেম্মনা থক ঙমহলদে, মখোয় অনিনা লাকনা ফানবিঙেদা লাইমিংথৌনা। লৈনাক শেমবা লোইহনবে। অমুবক হুমনা মহাক্না লেঙবা হুমবা ঙমহনদবে। লাইমিংথৌনা মচানুপী লাইবেমমাবু মমিং থোন

লীসিঙ লইবা কৌপাক [illegible] ; [illegible] ।। [illegible] ।। [illegible] ।। [illegible] মাথাক মাতুচ হাপঅো।। টৌরাং পল ।।। কোনযোওপুমা কোনযাই পুমা।। যোংফবাক।। সেন ২।। ফেঙ।। যেকম।। হই লৈ।। পানা ক্না।। লাফোই লাযাং ১।। যমযেলাপ।। [illegible] কাও।। [illegible] ।। চঙ।। থাঙ।।

মাকি রা তায়াক। মি ১কি মামিংতা কুলঙ কৌয়ে। মফমতা সিনুংকি যীসিং সুরুংকি মবিলতা ফমহনলে মমিংতী কুকম মিহিং কৌয়ে। মাফমতা নমকন [illegible] মি ১কি মামিংতা [illegible] কৌয়ে। মাফমতী সিংলী ১০০০মাতা চাইচালনা পমহালদে। মি ১কি মামিংপী মি মি তানং তাবং কৌয়ে। মফমতী থোযতা ফমহালদে মমিংলী মিকপলেল কৌয়। মকমই মীৎও [illegible] অসাপানে। আতিযাসিতাপনে। কোনচিলতিংথোকপনে। মাখোয ওমানা ১হা রোইনা তিলনবে। থমপাল লোংনা পালপা মনুংতা লৈবে। মাখোয অহুমনা তিলনা [illegible] মামিংনা হব [illegible] থমপাল লোংনা পালপা মানা ১ মাতা থোকললকয়ে ১ মানা ফমলে মাপালতা থোকলে লোকচৈক মামিংতী তক হুক পিংঙা তে হে কৌয়ে। মীৎচিবেও কৌয়ে। [illegible] লেঙইকি

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

না কৌপীবে।। লইহিংনু লইনপ ফা কৌয।। মহাকতী নোংথাং লইমানে।। লার্যয়িংথৌকা কোংনিংথৌকা।। লাইবেম্মা লইপাক্ লইতমপীকাপু।। লায়য়িংথৌ ফাফাতাপানা।। কোংপা খাখোংতা।। কোইচাবিঅো হাযবময়।। +।। পীসুম খোংফেঅোঙপাতা।। আৱাংঙাকপা।। যৌঙাইপা।। নোংপোক ঙাকপা।। খার্পী লুকোক চানুনে।। খাঙাক্পা যৌঙাইপানে।। নোংচুপ ঙাকপা।। কোংতিংহলপানে।। নোংসীৎসুঙ।।৵।। যীসিংসুঙ ।।৵।। লীকলা বুলকোযসুঙ।। নুঙপী নুঙলাইসৃঙ।। তীন্লাই।। আপক্মাপু।। চঙহালতানা।। ৪ মানা ঙাকলাপাক।। সামাতোল আয়াঙপাপু।। আত্যাসিতাপানা।। হুলনা বাং হুললে।। লাঙচল ৱাযবে।। চাৱায়পী লীতোল্ ৱাযবে।। মাসেক্ তাবে সেক্তাঅো।। মাখোঙ মাসা কক্লে।। হইকক্ য়াচল চলপাতা।। কোপলা ওনা চললে।। য়ীকোপঅো কৌয।। লইনুং পীসিলনুনা।। নুঙপাক থায।। লইনুং চাখাখোংচোমপীনা।। লাযযিংথৌ কোংলওতোলকা।। তানাতুনা।। পুনুং হাৱাই থাঙপক্ থাপাতী।। মাহই অংক অংকা পাললে।। যুথকনাপা আতুঙই তমলকয ঔকাবি' সকপাসুঙ আতুঙই তমলকয়।। লইপাক্ লইতাবিঙইতা লাযয়িংথৌ কৌপাবেলতা।। নুমীৎ থা মই মীসিং থাৱাযপালপা খৈপীক্পু।। মাঙোন্ লৈয়।। তীন্লুপনা তীনপোকয।। লাইকুপনা লাই পোক্য়।। তীনলুপনা।। লইপাক সেমকে হায়পানে।। লার্য্যিংথৌনা লইপাক্ সেমপাতা।। লোইবাপাতা।। লার্য্যিংথৌনা।। ৱাবাপাতা।। লাইবেমমানা হায।। লায়যিংথৌঅো।। হকনা ৱাবাপার্তী।। আসুম লৈঙামঅো।। অইতী - আৱাংলমকাককে।। নঙকি চেনথাবক্পাপু।। খুচোক্ থক্অো।। হায়রম্য়।। মাতী আৱাংলম কাখিবে।। মামিংতী।। লইনুং চিবীপী কৌয়।। লইযু সৌথোকলাপাতা।। চেনথাবকলে।। লায়য়িংথৌনা।। ক ।। লাযযিংথৌ খুচোকনা।। থকপাপু।। পেন্তাবে।। মাচীন্না ফংনা থকলে।। লায়্যিংথৌতী।। খোং মাপালতা সিঙমলে।। লাইবেমমানা হায়।। নঙনা তৌপা আসীতী।। নৎতে।। হাযনা অোইনায্।। আসুম তৌপাতী ফৎতে।। হাযতৃনা।। য়াংলীতা।। বুবী মাযাইকাবিপা খৈপীক্ত।। বুযুঙতা হীতাক্তা।। লাফোয্তা।। কাতা।। হইঅোইবিপা

থোলনা কৌবীবে। মমিংদি লৈহিংনু লৈনপ ফা কৌযে। মহাকতি নোংথাং লৈমনে। লাইয়িংথৌগা কোংনিংথৌগা লাইবেমমা লৈবাক লৈতমবীগা অনিবু লাইযিংথৌ ফাফাতবনা কোংবা খাখোংদা কোইচাক ও হাযবমযে।

পীশুম খোংফৈ ওইর্বদি অৱাংঙাকপনা যৌঙাইবনে, নোংপোক লম ঙাকপনা থার্বীলুকোক চানুনে, মথা লম ঙাকপনা য়ৌঙাইবনে। নোংচুপ লম ঙাকপনা কোংতিংহল্লবনে, নোংশিৎসু ঈশিংসু লিক্লা বুলকোয়সু নুঙবী নুঙলাইসু তীন লাই অপকনাসু চঙহলদনা মখোয মবিমকনা ঙাকলবগা। শামদোল অয়াঙববু অতিয়াশিদবনা, হুলনা লাংনা হুললে লাঙচল কোংগোই থুনা ৱাইবে চৱাইবী লীতোল ৱাইবে। মশেক তাবে শেকতা-ও কৌয়ে। মখোঙ মশা কক্লে হৈকক্ যাচল চলবদা, কোপ লাওনা চললে, য়ীকোপ-ও হায়না মমিং কৌয়ে। লৈনুং পীশিলনুনা নুঙপাক থাইযে লৈনুং চখাখোংজোমবীনা লাইয়িংথৌ কোংলৌতোলগা তানদুনা পুকনুং হৱাই থঙপাক থার্বদি মহৈ অংগো অংগো পাললে, অদুদা য়ুথকনবসু অদুঙৈদগী তমলকয়ে। ঔকাবি শকনবসু অদুঙৈদগী তমলক হৌবকয়ে।। লৈপাক লৈতবিঙৈদা লাইয়িংথৌ কৌশাবেলদা নুমিৎ-থা মৈ ঈশিং থাৱায পালবা অসি খ্বৈবীকপু মঙোনদা লৈয়ে। তীনলুপনা তীনপোকযে। লাইকুপনা লাই খৈবীক পোকয়ে। তীলুপনা লৈবাক শেমগে হাযবনে, লাইয়িংথৌনা লৈবাক শেম্বা লোইববদা - লাইয়িংথৌনা ৱাববদা লাইবেমমনা হায় লাইযিংথৌ-ও নহাক্লা হকনা ৱাববদি মফম অসিদা অসুম লৈবম-ও। ঐদি অৱাং লমদমলোমদা কাকখিগে, নঙগীদি চেনথাবকপা অদুবু খুজোক্না য়ানা থক-ও হায়না হায়বময়ে। লাইবেমমাদি অৱাং লমদমদা কাখিবে- কাখিঙৈগী মমিংদি লৈনুচিবীবী হায়না কৌয়ে। লৈয়ু শৌথোকললকতুনা মফমদুদা চেনথবকলে, লাইয়িংথৌনা লৈয়ু অদুসু লাইয়িংথৌনা খুজোকনা কননা থকপাবু পেনদবে মচিননা ফংনা চুপনা থকপদগী লাইয়িংথৌদি খোং মপালদা অশিবগুম্মা ওইনা তাবে - লাইবেম্মনা হায়- নঙনা তৌবিবা অসিদি ওননা তৈনৈয়ে হায়না ওইনৈয়ে। অসুম তৌর্বাদি ফৎতে হাযদুনা, ময়াই কাধিবা খিবিকতা য়েনথোক চাইথোবকলে খবনা য়াংলি বুবিদা ময়াই

শামদোল অয়াংবা ক্ষা

তেজ য়ালঅো।। ফালচাঙ থাঅো।। ফাল মথকতা।। লা থাঅো।। লা মা মথকতা ফি থাঅো।। কোন্যাইথাঅো।। য়োংফিবাক।। সেলথাত্র।। লায়য়িংথৌ।। লাইবেমমাকিতামক।। নুপী নিপা।। যীবোয থাঅো।। লৈ হুলঅো।। পানা কা থাঅো।। সামুক মাঙঙ। ধঅো।। ২ থাঅো।। লাসেং লাবোল ।।৭।।৭ থাঅো।। বুপনা থাঅো।। চাক হাপঅো।। চাকলুকতা।। চেঙ যেকম হাপঅো।। হইফক সুঙ মাবোইসুনা হাপঅো।। মাবোই সুনা হাপঅো।। কাংসুপীসুঙ হাপঅো।। হইফকনা যীমাঙ থংঅো।। চাকলুকনা।। যীমাঙ থংঅো।। যীসিংতা লাইকৌখৎনাপা।। খায়োমতা।। লাতোলাওনা কাবলনাঅো।। যেকম মাচীন

মমিংতী হুক হুক পিংঙা হে হে কৌয়ে। মপালতা থোকললকলে। মমিংতী পিংঙা হে হে সুক সুক কৌয়ে। লাযযিংথৌনা সাপাতী মী সায়ে। খোনচেল হাননা থোকপাতী থাকোকলে। তাঙলী যাঙলীবে। হাকামচললে। হর্কথি খললে। অতুতাকি সিংলী তেঙখল খৈপীক লেঙলে। মীংকুপলে। মামিংতী অপালপানা ১ খাইপীবে। মামিং তাবং কৌয়ে। নোংপোকনা ১ খাইপীবে। মমিংতা মী কৌয়ে। কৌপাবেললা ১ খাইপীয়ে। পোং কৌয়ে। মী মাবেপতী খুদুপ ৫ নে। অতুকা লাযয়িংথৌ ৩ মাসুং লাই ৫ মাসুং থোকললকলে।

[illegible]

খৈপীকতা লোৎলে॥ ॥ হৌচাকতী লাই আয়ামপানা॥হাওবাও তাযমনা॥ আসৈ লংমাইসকপা॥ লইতেমঙইকী য়াপু হাযকে॥ আসিপা ১॥ কৌপাতা॥ গুরুনা লইপাক সেমলুঅো আসাথবকয়॥ সীথাবকঙইকি॥ আসী কৌয॥ পাবিং আসীপু॥ আসী হুললে॥ হায়পাকি॥ আসি কৌয॥ লইপাক সেমপা আসি সেম লোইবে হায্পাকী আসি কৌয়॥ লইপাক আসীপু॥ ফৎতাপা কাতাবম লৈবিকাপাবা হায়না কোয়না যেংনা॥ আতুকি হযেং কৌয॥ হাযেংসীৎ কৌপাতি॥ নঙনা নীঙপাকি মখৈ॥ সিৎঅো॥ হায়েং নোংসীৎ সীৎপাসুঙ॥ লইপাক লেঙতাবে॥ আতুকি হাযেং সীৎ কৌয়॥ লইপাক মচা ১ তা॥ ফৎতাপা লৈঙমযয॥ আতুকিপু॥ সেম্ হৌয়॥ মাসেম্ কৌয়॥ ১ বক ফানাতুনা॥ মাপু লওবায॥ হায্পাকি॥ মারৌকৌয়॥ ১বক চুপসেং কাপতু॥ লইখৈ থাহৌয॥ মাকাপ কৌয॥ ॥ লাযচাবমতা॥ চক মাবিংপানা॥ লেংনা ঙাকথেয॥ মইবমতা তাংমাবিংপানা॥ লেংনা ঙাকয়॥ নোংসীৎ লমতা॥ মুংমাবিংপান্য॥ লেংনা ঙাকয॥ লীকলমতা॥ খোম মাবিংপানা লেংনা ঙাক্য়॥ আরাং ঙাকপা॥ কনবোমনা ঙাকয়॥ খাঙাকপাতী॥ তুপুনা ঙাকয়॥ নোংপোকতা॥ কালতাওনা ঙাকয়॥ মাখোয় আসী খৈপীকনা॥ ঙাকপাতা॥ সীৎপা ঙমতাবে॥ আতুকি মাসীৎ কৌয়॥ পাওবওনপাতী থিংকুঅ নহাকপো॥ যীনম্পোলয॥ পূফাতে॥ রাকথুকপী মইকামঅো॥ যীচীন তুময কাম্ফাতে॥ ॥ হৌচীকতী॥ লাইপাখং॥ লাইকব॥ খাযখৎলককে॥ তাওপীবোযনায্নে॥ লাইখুবোমপীনে॥ লৈনাওতাপীনে॥ যাপীবোক্নে॥ লইনুং ঙাংসাপীনে॥ মালেম লৈপুরুমপীনে॥ পীয়াইনুনে॥ হিপোক্পী॥ য়াইপোকপী॥ হিবৈমা॥ যাইবইমা॥ হীকুপী॥ য়াইকুপী॥ যাইসানা॥ সাচীপী॥ লাংকপপী॥ মাঙরাইনু॥ তুংরাইনু॥ লীবিপী॥ রাফোংপী॥ লাইসানা॥৭॥ চীনু থমনু॥ মাহুমনু॥ মাবৈনু॥ তলথাংনু॥ থেবে লোংপাচানু॥ লাইসাবা॥ যীবমমনাওসংখু॥ সীলনুবইমা॥ লইতংনিংথৌচানু॥ থওপী লইফানপী॥ ঙাংঙোই লইবামপী॥ চাখাখোংচোমপী॥ লৈনুংহেপী॥ লইনুংপীসীননু॥ তাওবিক কোনসাফাপী॥ ঙানুনৈ॥ লইমা ঙাননু॥ যাইফুবই

কাবা উ-যুঙদা, ইতাকতা লাফোযদা কাদা হৈ ওইরবরা খৈবীকতসু লোৎনা চোইথোকপ্রে।

মুখিংশিংগী মমিং লোনা হৌজিকতি লাই অযাম্বনা হাওনা ও তয়ামনা অশৈ লংমাই শকনা লৈতেমঙৈগী য়াবু হায়গে। আশিবা। কৌবদা গুরুনা লৈবাক শেমলু ও হায়না শিথবকয়ে- শিথাবকঙৈগী ঙসি কৌয়ে। পাবিং অসিবু ঙসী হুললে হায়বগী ঙসি কৌবে। লৈবাক শেমবা ঙসি শেম লোইবে হায়বগী ঙসি কৌবে। লৈবাক অসিবু ফৎতবা কদাইদম লৈবিববা হায়না কোইনা কোইনা য়েংনা লৈযে। অদুগী হযেং কৌযে। হাযেংসিৎ কৌবদি নঙনা নিঙবগী মখৈ শিৎ-ও হয়েং নোংশিৎ শিৎপাসুঙ লৈবাক লেঙতবে অদুদগী হাযেংশিৎ হায়না কৌয়ে। লৈবাক মচি অমদা ফত্তবা লৈঙময়ে অদুগীবু শেম হৌয়ে মশেম হায়না হৌযে। অমুবক পানাদুনা মহাকপু লৌথয়ে হায়বগী মাথৌ হায়না কৌয়ে। অমুবক চুপশেং কাপতু লৈখৈ থাবা হৌয়ে মকাপ হায়না কৌবে। অমুক লাইজিলমদা চক মবিংবনা লেংনা ঙাকয়ে, মৈবমদা তাংমাবিংবনা লেংনা ঙাকয়ে, নোংশিৎ লমদা-মুং মাবিংবনা লেংনা তিললা ঙাকয়ে। লিকলম লমদা খোম মাবিংবনা লেংনা তিললা ঙাকযে। অরাং লম ঙাকপদি, কনবোমনা ঙাকযে। মখা লম ঙাকপদি তুবুনা ঙাকয়ে। নোংপোক লমদা ঙাকপদি কালতাওনা ঙাকয়ে। মখোয অসি খৈবীকনা ঙাকপাদগী হুমবা শিৎপা ঙমদবে, অদুগী মশিৎ হায়না কৌযে। মদুদা পাওরৌনবা ইশৈদি :-

"থিংগু ও নহাক পো-ও, ইনম পোলয়ে পুফা-দে।
রাকথুকবী মৈকাম ও, ইচীন তুময়ে কামফাদে"।

লাইয়েক্ষা লাইচংলোল হৌজিকতি লাইপাখং অমসুং লাই নুবা অনি থোক্লা খাইবককে, তাওপীবোইনাইনে-লাইখুবোমবীনে, লৈনাওতাবীনে, যাইবীবোকনে, লৈনুং ঙাংসাবীনে, মালেম লৈবুবমবীনে, লৈনুং পীযাইনুনে ৭, লৈনুং হিপোকপী, য়াইপোকপী, হিবৈমা, য়াইবৈমা, হীকুবী, যাইকুবী, য়াইসনা ৭, সাচাবী, লাংকপবী, মঙরাইনু, তুংরাইনু, লীবিবী, রাফোংবী, লাইস্না ৭, চীনু, থমনু, মাহুমনু, মাবৈনু তলথাংনু থেবে লোংপাচানু, লাইশ্রা ৭। ইবেম নাওশংখু, শিলনুলৈমা, লৈতংনিংথৌ চানু, থৌবীলৈফানবী, ঙাংঙোইলৈবামবী, চাখাখোংচোমপী লৈনুংহেবী লৈনুং পীশিনু, ৭। তাওবিককোনখাফাবী, ঙানুনে, লৈমাতোননু

১। আসিপা (অশিবা, সনামহি): অশিবনু অসুমনা শৈথায হে খোয্ম শিদবা লাযযিংথৌ নহাকনা হুমগী মনুংদা তিল সিদবা ওইনা কুননা লৈব ও। নচুবু সনা ফুদোংবগুমব ও। নহাকপু সনা অঙিংবগুমব ও। নচুবু থাংমৈ গুমব- ও। চাঙঙু য়াবা নখোনজনলেনা হাযিনিংনা খোনজেল নোং শাবককী খোনজেলগুমব-ও। লাযাংথৌ নহাককী মমিংদি হুম শিৎ শিৎ হু কৌয়ে। লাযযিংথৌ মৈ তবং পুকাযতুনা॥ কোন্যাই হাপঅো॥ লাংথাবৈ মাপোপ ৫ হাপঅো॥ নমথৌ ১ পুঅো॥ যীসং সোকঅো॥ লাইসোনতী॥ লাইনিংথৌ খোংনাং লীসংচাইপা॥ লীসিঙচা ১॥ চাইপা॥ মযালা সেঙরোনপা॥ নাপা মইতিংঙু লাইবেল সেজপী খাকেমপনা॥ পাকপাঅো॥ মমা মইতৈ লইমা॥ থিংপা মাবামঙমপীনা॥ কংলা থোন ৭ঙা॥ নাওপেংকাপাবা॥ নাওপেংতে॥ কাংসঙ সঙুল মইরা॥ নাওপেংকাপাবা॥ নাওপেংতে॥ থোইবেল সঙনামুংতা॥ নাওপেংকাপাবা॥ নাওপেংতে॥ সাচঙ মাখল ফাংনা নাওপেংখিয়ে॥ তোংচেং কুমাথনুংকি॥ চুঙকোয থাঙসুনা॥ তোংচেং কুমাথনুংকি। চুঙকোয থাঙসুনা॥ নাওপেংলকযে॥ লাইচা যীতা কুমললাপাতী॥ নামিংপু যাখাযচাইপা কৌযে॥০॥

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

মা॥ লইবোললইমা ক্যাংচাইপী॥ লইনুং ফাইপী তেবা॥ খোংচী নুঙলাই পম চানু॥ ৭ রাকচীঙ্ হাওকোলপম চানু॥ চীংনু লইমা॥ হাইনু লইমা॥ কোনখু লৈমা॥ কোললাং নিংথৌ চানু॥ য়াংমোম লৈমা থাংতেক্ আচাপা চানু॥ যাংমোম মাহুযবোযনায॥ হইরেম কাঙহৈনু॥ খিংখিং কাঙহৈনু॥ চীঙচাবোয্পী॥ চুঙসেলনুপী॥ লুরাং খুলথিপা চানু॥ ঙানুবোল লওসিযামবা চানু॥ থেমখোক মায়নৌপম চানু॥ য়িংঙেলনুবাপী॥৭॥ তোংচেংনুবাপী য়াংতাও আতাওপী॥ হুযমবইমা॥ য়াইফুবোন্ তীলসেলপা চানু॥ তেৎনৌ সংপম চানু॥ মানু তেক্রা॥ লীকলাপীচা॥ নোংতং নিংথৌ চানু॥৭॥ য়ুচীঙচানু॥ ঙামানুপী॥ খমতীঙনুপী॥ সলথোঙ পুনেমপম চানুনা॥ লুরাংসিমাবিং নোংকাপী॥ হাওসী যাঙপুঙপা চানু॥ খাপা রামৎ থিপাচানু॥৭॥ লালসু হাওকোলপম চানু॥ মুংতিংনু॥ মুমলাংনু॥ নোংমোইনু॥ কৌপাবেন নামোইনু॥ মেনু খাপী॥৭॥ রাঙনু বইমা॥ খোংচোমফাপা চানু॥ লাইতোংলেনচীনখুপী॥ তোযপীবাং॥ খুল থৌপা চানু॥ সেকমু নাওসংকাই॥ থৌতু চেঙচা নুঙনলপী॥ সৌপোল য়াইবেলচানু॥ পামামাচন থীঙ্গুাতাওপী॥৭॥ হুইথৌ নিংথৌ চানু॥ হাওসমনুবাপী॥ মিয়ানু॥ কুমমিনু॥ আখোং কইনমসু॥ রুকম থৌচোনপী॥৭॥ পীগ্রাইপী॥ খোংত্রাইপী॥ আসেম্পী॥ আসাপী লায়িপী॥ লাফোংপী॥ সিলপী॥৭॥ সানাখোমনুপী॥ নুঙচিবাংপী॥ নুঙনপপী॥ চীলফুবোন্ লইচীকঙালপী॥ লইথমলেল্চানু॥ লইকক্ লইয়াবেন চানু॥ লইতঙলেন চানু॥ লৈফুবেল চানু কোনফু লাইফু চানু॥ লাইয়েক লাইখোৎ চানু॥ লইনুং য়াখুচানু॥ খাকপা নিংথৌ চানু॥ লিবি লৈমা॥ খুম খুম লৈমা॥ সিলবী লইমা॥ লৈমা তাবি॥ লইচীক্লেল্ চানু॥ লইনুংযুপুবোয চানু॥ লইপীবেল চানু॥ লইনুং য়ুচাখা চানু॥ লৈখোমলেল লৈবাং নিংথৌ চানু॥৭॥ লৈমা কাঙখল॥ লাইযীপী॥ লাফুপী॥ লইনুং হীকাপপী॥ যাইকাপপী॥ পীথেৎ লইমা খোংঙানু॥ লাইবেমমা তনৌ তাবেঙপী॥ নে॥ ॥ তাই

য়াইফুলৈমা লৈবোল লৈমা কিযাংচাইপী, লৈনুং ফাইবী তেবা, খোংজিনুংলাইপম চানু।৭। রাকচীঙ হাওকোলপম চানু, চীংনুলৈমা, হাইনু লৈমা, কোনখুলৈমা, কোললাংনিংথৌচানু, য়াংমোলৈমাথাংতেক অচাবা চানু, য়াংমোম মাহুইবোইনাই, হৈবেমকাঙহৈনু, খিংখিং কাঙহৈনু, চীঙচাবোইবী, চুঙশেলনুবী, লুরাংখুলথিবা চানু, ঙানুবোল লৌশিয়াম্বা চানু। থেমখোক মাইনৌপম চানু, য়িংঙেল নুবাপী তোংজেং নুবাবী, য়াওতাও অতাওবী, হুইমুলৈমা, য়াইফুবোন তীলসেলবা চানু, তেৎনৌ সংপমচানু মানুতেকবা, লীকলাপীচা, নোংতংনিংথৌচানু ৭, য়ুচীঙচানু, ঙামানুপী, খমতীঙনুপী, সলথোঙপুনেমপম চনু। লুরাংশিমবিং নোংগাবী, হাওশিয়াঙপুঙবা চানু, খাবা রামৎথিবা চানু ৭ লালসু হাওকোলবম চানু, মুংতিংনু, নোংমোইনু, কৌপাবোন্ নামোইনু মেনু খাপী ৭। রাঙনু লৈমা, খোংচোমফাপা চানু, লাইতোংলেন চীনখুবী, তোইপীবাং, খুলথৌপা চানু, শেকমু নাওশংকাই, থৌতু চেঙচা নুঙনলবী ৭। শৌবোল য়াইবেল চানু, পমামাচন থীঙঙাতাওবী, হুইথৌ নিংথৌ চানু, হাওসমনুবাবী, মিয়ানু, কুমমিনু আখোং কৈনমসু, রুকম থৌচোনবী ৭। পীগ্রাইবী, খোংত্রাইবী, অশেমবী, আশাবী, লায়িবী, লাফোংবী, শিলবী ৭। সনাখোমনুপী, নুঙচিবাংবী, নুঙনপপী, চীলফুবোল লৈচীক ঙালবী, লৈথমলেল চানু, লৈকক্ লৈয়াবেল চানু, ৭। লৈতংলেন চানু, লৈফুরেল চানু, কোনফু লাইফুচানু, লাইয়েক লাইখোৎ চানু, লৈনুং য়াখুচানু, খাকপানিংথৌ চানু, লিবি লৈমা, ৭। খুমখুম লৈমা, শিনবী লৈমা, লৈমাতাবি, লৈচীকলেলচানু, লৈনুং য়ুপুবোই চানু, লৈপীরেল চানু, লৈনুং য়ুংচাখা চানু ৭। লৈখোমলেল লৈবাং নিংথৌ চানু, লৈমা কাঙখল, লাইয়ীবী, লাফুবী, লৈনুং হীকাপপী, য়াইকাপপী, পীথেৎলৈমা, খোংঙানু লাইবেম্মা তনৌ তাবেংবী মীৎচুবীনে।

ঈশিং তবং নুংসিৎ তবং। তবং তবং তবং অহুমকপু নঙগী মদুম চঙলে। নহাক সজোং কৌয়ে। নমিংদি হ স ব হীং হীং খিং খিং কৌয়ে। নমিংদি বে বিং সনামহি হৌবো হৌবো। নমিং মিংথৈ অমদি বে বে পিং কে কুং কৌয়ে। লায়যিংথৌ সিদব ও নমিং কুলতনা য়েংব-ও। নচুবু উমসেনগী থাউমৈগুমব-ও। নশকপু নোংথাঙ কুপগুমব-ও। চহি ১৫গী শকতমগুমব ও। চাকচাবু লিকলা চাব-ও। নহাক চীঙু পাঙকনবগা মীং তিননব ও। নমিংদি লিকলা ককয়েন য়েননৌহোন। য়েননৌ মতোন হ হ কৌয়ে। লায়য়িংথৌ নঙনা লৈপাককী মখোয়দা নোংথৌগী মতোনদা লৈথিঙৈকী নমিংতি পিং হুম পিং পিং কৌয়ে। নমিং অমাদ পিং পিং হুম তবং কৌয়ে। ফৎলৌলাইমাকোনদা মেনখোমবা হায়না কৌয়ে। সনা সেকপীন মতোনদা নানৌবদি তে হিং মনিক মনিক হা কৌয়ে। সনা ফমবালদা ফময়ে। লায়য়িংথৌ সিতাপা নঙনা লিকলা পুলগী মনুংদা হুনচিলখিয়ে। চাংকু পাঙকনপকা তিননবে অমতা ওইবে। অমনা ফি য়েললে। অমানা চাক য়েললে। লিকলা পুলকুমবা মনুংদা হুনচিলখিবে। কুললে। লিকলা পুল কৌবদি সজিকনে। সজিকতি লাইনে। যেনৌতি থাবানে। থাবাদি তিললে। আনমকনা লেগুল-পালালনা পোকএ। অমতা ওইনা তিননবে। নমিংতি তিনপুনলেন পিং তবং কৌয়ে। সনথোং থাকে সাযে। হি মক

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

পঙ পালপা মাপু ॥ আতিংকোক্ সিতাপানা ॥ আসীপা ॥ কোলচীল তিংথোক্পাকা ॥ ৫ ॥ অসংবা ॥ আঙাইবা ॥ আতোংপা ॥ আবেংপা ॥ আকুপপা ॥ আবংবা ॥ হুমলেল ॥ হমলেল। কাবি ॥ কাবা ॥ নোংতম খুপা ॥ নোংতমহলপা ॥ নোংয়ায মাবীয়োনপা ॥ চাওবা মাপানথিবা ॥ তুংখোইনুচা ॥ পাসাতাও ॥ হাবাপা ॥ য়ুহা ॥ য়ুচেং ॥ থাব্রা ॥ চেংঙা ॥ লৈখোমতাও ॥ নোংখোমতাও ॥ লইসাতাও ॥ নোংসা তাও ॥ চকমাবিংপা ॥ তাংমাবিংপা ॥ মুংমাবিংপা ॥ তুমাহাপা ॥ তুমাবিংবা ॥ পামাবিংপা ॥ মালচাপা ॥ হায়সাপা ॥ কনতৌ ॥ নুমু ॥ সুবইনীংতোংপা ॥ লৈফুবেলকিংনাইবা ॥ কুকম্লেল মৈনাইবা ॥ কুকমলেল মইনাতপা ॥ কোনেবোমনে ॥ লইহকলইযাবেল ॥ য়ুম্পীরেল ॥ লইহক লইযাসৌপা ॥ আঙাইবেল ॥ লতিংলেল ॥ নোংতংলেঙ্ ॥ সেনখৈবেঙ ॥ পোংলওতোল ॥ লম্পু ॥ তুপু ॥ ৭ লাইকম্ ॥ লাইমইকক ॥ লাইমইসাং ॥ নেমতাসোইতা ॥ আোংনিংথৌ ॥ থৌঙাইপা ॥ কোংতিংলেল ॥ কোনখৈবেল ॥ কামপীবেল ॥ কোনসৌবেল ॥ নোংকোযবেল ॥ য়ুকৌবেল ॥ লইলংলেল আতাপা ॥ পুবৈবোমপা ॥ যুপুবোয ॥ খোংঙাইবেল ॥ চুপমাবেঙ্ ॥ পাথুপ নোংলোল্ ॥ লেমপা থাযাল ॥ লৈসংলেল ॥ লইতোংলেল্ ॥ আতোংপা ॥ লইতংলিলতাংসাংপা ॥ সেলতাবেঙ ॥ খাক্পা ॥ পোংথাঙ ॥ হইবোঙলোল লোঙচুমপা ॥ হইবোঙ্ঙাঙ ॥ পাঙাঙ্লেলপা ॥ পোইবইতোল ॥ মীহিংলেল্ ॥ লইথমলেল ॥ খম্চীঙকোল্ ॥ থাবোং ॥ লোইবেল ॥ তীন্মইকক্ ॥ তীন্মইসাং খাপাযাংতং ॥ খাপালইবেল ॥ লংপা ॥ য়ুবেলখুপা ॥ য়ুবেলহলপা ॥ নোংথৌ সবাবেল ॥ পাখঙয়োয্বেলপা ॥ পুবাংনাকাপা ॥ কোকমাবোং হলয়াইবা ॥ খোম্মাবোংতওবওপা ॥ মাবীক্পা ॥ সমকোলপী ॥ য়ুতাবইসিলহৈবা ॥ সাচলপা ॥ লুমথোনপা ॥ যেৎথাঙ য়োযথাঙ্ ॥ লাফাং লাফোং ॥ সিলসুঙাঙসু ॥ সিলসুঙাঙসুবেল ॥ চাবোৎ য়াইকংবেল ॥ পোংলেল তুথাপা ॥ তুখিংলেল্ ॥ কংসুঙাঙ্ ॥ লুমলেল তুথাপানে ॥ ॥ হৌচীক্তী ॥ লাই অয়ামপানা ॥ চানা থকনাপাপু ॥ লাই কইকংপাকা[1] ॥ তানাবে ॥ কইকংপানা ॥ সনা চাঁঙতা কাখিবে ॥ লাই আযামপানা ॥ চানাপা ॥ খোইনীঙ আোইনা ॥ তুথাবকলে ॥ লাই আযামপানা ॥ হাযনায ॥ নঙকি

লাই শিপা লাইনিংথৌগী মমি-শিং

তাইবংপালপা মাপু, অতিংকোকশিদবনা, অশিবা কোনজিলতিংথোকপাগা ৫। অশংবা, অঙাইবা, অতোংবা অবেংবা, অকুপপা, আবংবা, হুমলেল, হামলেল, কবি, কাবা নোংতমখুবা, নোংতমহলবা, নোংয়াই মাবীওনবা, চাওবা মাপানথিবা, তবংখোইনুচা, পীশাতাও, হাবাবা, য়ুহা, য়ুচেং, থাব্রা, চেংঙা, লৈখোমতাও, নোংখোমতাও, লৈশাতাও, নোংশাতাও, চকমবিংবা, তাংমাবিংবা, মুংমবিংবা, তুমহাবা, তুমবিংবা, পামবিংবা, মালচাবা, হাইশাবা, কনতৌ, নুমু, শুবৈনিংতোংবা, লৈফুবেলকিংনাইবা। কুকমলেল মৈনাইবা, কুকমলেল মৈনাইদবা, কোনেবোমনে, লৈহক লৈয়াবেল, য়ুমপীবেল, লৈহক লৈয়াশৌবা, অঙাইবেল লৈতংলেল, নোংতংলেঙ, শেনখৈবেঙ্, পোংলৌতোল, লমবু, তুবু, তবেৎ লাইকম, লাইমৈকক্, লাইমইশাং, নেমতা শোইতা, আোংনিংথৌ, থৌঙাইবা, কোংতিংলেল, কোনখৈবেল, কামপীরেল কোনশৌবেল, নোংকোয়বেল, য়ুকৌবেল, লৈবংলেল অতাপা, পুবৈবোমবা, য়ুপুয়োয়, খোংঙাইবেল চুপমবেঙ, পাথুপ নোংলোল লেমবা থায়ল, লৈশংলেল্, লৈতোংলেল, অতোংবা, লৈতংলিলতাংশাংবা, শেলতাবেঙ, খাকপা, পোংথাঙ, হৈবোঙলোল লোঙচুমবা, হৈবোঙঙাঙ, থাঙাঙ্লেলবা, পোইবৈতোল, মীহিংলেল লৈথমলেল, খমচীঙ্কোল, থাবোং, লোইবেল, তীনমৈকক্, তীনমৈশাং, খাপায়াংতং, খাপালৈবেল, লংবা, য়ুবেলখুবা। য়ুবেলহলবা, নোংথৌ সোবাবেল, পাখংয়োইরেলবা, পুবাংনগাবা, কোকমাবোং হলবাইবা, খোমমাবোং তৌবৌবা, মবীকবা, শমকোনবী, য়ুতাবৈশিলহৈবা, শাচলবা, লুমথোনবা, য়েৎথাঙ, ওইথাঙ্, লাফাং লাফোং, শিলসু ঙাঙসু, শিলসুঙাঙ্ঙবেল, চাবোৎ য়াইকবেল, পোংলেল্তুথবা, তুখিংলেল, কংসুঙাঙ, লুমলেল তুথবা ॥ অসিনচিংবা লাই নিপাশিংনি।

হৌজিকতি লাই অয়ামবনা চানা থকনববু লাই কৈকংবগা তানবে। লাই কৈকংবনা, ময়াচীঙদা কাখিবে লাই অয়াম্বনা চানবা খোইনিঙ ওইনা তুথাবকলে, লাই

১। কইকংপা :- লাই কৈকংপাকি মাময়াতে- তেংপী সানোয় কৌযে। থাঙতা লৈখাপাকা মমিংতা হং সুঁ কৌয়ে। অতুকা নিংথৌ অকানপাকা য়ীমতিলনবে মমিংজী কংসুঁতাঙা ককপা চীং কৌয়ে। অপানপাক য়ীমাতেলনবে মামংতা কংসুচা ঙাঙলে কৌযে কৌপাক শাইরেগী মমিংদি য়োং সে কৌয়ে- অ য়োং চীথীক কৌয়ে। কৈকংপা ওইরে লোপেং সানোয় কৌযে পেংপী সানো কৌয়ে।

শকোক লমাই ১১/১২

ময়াইদা ফমলে। ননুঙসানা মৈ য়ীশিং নুংসিং অহুমক পোকএ। নহাক কললে। থরায় পালিবা শিবিকপু নংকী খুতুমতা চললে। থরায়কী মপু ওইবে। নমিংতি খোমলেল কৌয়ে। অমুবক তেসিনখিরে। চাংখৈদা লৈবে। নমলোল অথুপপদা হুনচিলখবে। অতিংকোকনা তৌবগ্রম কুললে। নচুদি চাংযাইদা থমলে। ফিচেৎতি চীংখোংদা থমলে। ননমনা চাকচা ওইবে। নমিবু মিংসেল ওইবে। নচুবু ফিসেৎ ওইবে।

অইকি নাকা য়ীকাতাতাকি।। মাচানাসে।। হায়নায়।। আসৈতী।। খোইনিঙ্ওঅো তুথাবো।। নাওৱা য়ীখোয় খুনচাকে।। যীপুবোয় চানীঙলোয়।। নাকাযিকা খোঙ্থীনলোয।। খোইনীঙঅো তুথাবো।। নাওৱা অই খুনচাকে।। আথুমপাতুপু।। চাবাকে।। থোয়্তিংঅো।। মাকেবে।। চাবে মাপুকথললে।। লে বে আতুকি।। থোয়তিং অো।। মাকেবে হায়য়ে।। কাপোকঅো।। মাকাবাম্।। কাপোককুম্ মাকাবামলে।। হায়পা মাকাবাম্ হাযযে।। হংকাম মুপা লীঅো ২।। চাপা মাখাক্ আতুপু।। লীঅো হায়পাকি।। লীঅ হায়য়ে।।   ।। হৈচীকতী।। লাইকবা।। লাই পাখং আযামপানা।। লইতেমপাকি ৱা হায়্কে।। লাই পাখং ১ কা।। লাইকবা ১ কা।। আয়াম্পা লেংনা সম্নাবে।। ফাকে ফুখিবে য়াও ২।। হোপাবাহো হোবীৎ বীৎ।। লোল্লুক।। খৌবূলু।। ফাথী ফোংচীল মাফোংচীল।। যেৎতুম হলচিল মাহলচিল আসুম সক্নায়।। হায়না হুমনা।। চোংতুনা কৌচিলয়।। মামইকা।। মাকোক্কা।। খুৎ থাথোক্লে।। আতৃকা লেংনা লেপলে।। সাকা কাঙখৎলে।। আসৈতী হোপারা হোয।। হোবীৎ বীৎ।। লোললুক।। খৌকক।। ফাথী ফোংচিল মাফোংচিল।। য়েৎতুম্ হলচীল মাহলচিল।। আসুম সকনায ফিসেংতী চিলফি লাইফিসেৎয় ।।   ।। হৈচীকতী।। লাই হিংচাপী সেমপাকি ৱা হায়কে।। নুংলাংলেল্ সিতাপানা।। আত্যাসিতাপাঅো।। হিংচাপীকি সাখৈ সেমঅো।। হাযবে।। আত্যানে।। আসীপানে।। কোনচীলতুথোক্পা ৩ মাকা।। লাই অযামপাকা।। তানাতুনা।। লাই হিংচাপীনে।। বুচেক গোকবনে।। সামুকনথানে।। নিংথৌ নোংসানে।। চীঙলাইবেলনে।। লাইবেল নাকালিলনিংথৌ।। কৈনিংথৌ।। ৱোক্লাপা নিংথৌ।। আসী থৈপীক্ পোক্য়।।   ।। হৈচীকতী।। লাইপাখং লাইকবা আয়ামপানা।। খুললঙলোয্।। সলপোৎলোয়।। অোইপাকি।। হায়কে।। কৈনা তিতি থংয়।। নোংসানা আনৎ ফায়।। খৌবৌনা।। পোৎপু অোইয।। লিলতুনা কাঙচই অোইয়।। নাবিলনা লুমলী অোইয়।। লিলখাক্না।। ৱায়খুমীৎ অোইয়।। তুংপুল নাওপুল্না।। য়োংথাংলী অোইয়।। খৌনাইপনা।। যেৎচৈ অোইয়।। ঙৌনাইপানা।। যোংথোল অোইয।। তাংলৈনা লাংকোল অোযয়।। লিলহানা চইপুন্ অোইয়।। লও[১] ।। ফমতী।। চাসৌপৃঙনে।। খুবাযলও

অয়ামবনা হায়নৈযে। ঐগী ঐগী ইনাক ইনাকতদগী অদু চানশে হায়না অশৈ শকনবদি -

খোইনিঙ-ও তুথবো, নাওৱা ঐখোয় খুনজগে।
ইপুবোই চানিঙ লোই, নকা ঈকা খোঙথীনগোই
খোইনিঙ্-ও তুথবো, নাওৱা ঐ খুনজগে।
অথুমববু চাবগে, থোইদিং-ও মাকেবে।
চাবে মপুক থললে, লে বে। (অদুগী)
থোইদিং-ও মকেবে বে। (হায়য়ে)
কাবোক-ও মকা লাম। কাবোককুমনা মকালামএ মকালাম হায়য়ে।
হংগাম মুবা লী-ও-লী-ও।

চাবিবা অয়েমবা মখাক, চাবা ওমদবা অদুশিংবু লী-ও, লী-ও হায়না হায়নবে খাকনবে লীনবে লী-ও হায়না লীবা কৌনবে।

হৌজিকতি, লাই নুরা, লাই পাখং অয়াম্বনা লৈতেমবগী ৱা হায়গে, লাইপাখং অমগা লাই নুবা অমাগা আয়ামবা লেংনা অমগা অমগা মখুৎ শমনবে পবেং শানা লেপলে শৈশকনবদিঃ - '' ফাকে ফুখিবে য়াও য়াও হোপাবা -হো।
হোয়ীৎ - লীৎ, লোললুক খৌকলু।
ফাদি ফোংচিল মফোংচিল, য়েৎতু হলজিল মহলাজিল''।

অসুম হায়না শৈশকনৈয়ে। হায়না হুমনা চোংদুনা কোইশিলনৈয়ে। মমৈগা মকোকগা খুৎ থাদোকলে অদুগা পবেং শানা লেংনা লেপলে। মশা কাবক কাংখৎলে মদুঙৈদা শকনবা ঈশৈদিঃ - হোবাবা হে, হো-য়ে, হোলিৎ হোলিৎ লিৎ, লোল লু লু খৌলু-লু।
ফদি ফোংজিল, মফোংচিল, য়েৎতুমহলজিল মাহলজিল।

অসুমনা ঈশৈসি শকনৈয়ে। মদুদা শেংপা ফিশেংতী চিলফি লাইফি ফিজেৎ শেৎনৈয়ে। হৌজিকতি লাই হিংচাবা হিংচাবী শেমবগী ৱা হায়গে নুংলাংলেল শিদবনা- অতিয়াশিদবা-ও হিংচাবা হিংচাবীগী শাগে শেম-ও হায়বে। অতিয়াশিদবনে, অশিবনে, কোনজিলতুথোকপা অহমক্রা লাই অয়ামবগা তানদুনা লাই হিংচাবা হিংচাবী, বুচেক গোকবনে, শামুগনথানে, নিংথৌ নোংশানে, চীঙ্ লাইরেলনে লাইবেলনাক লিল নিংথৌ, কৈ নিংথৌ, ওকলাবা নিংথৌ, অসিনচিংবা পুম্নমক পোকয়ে।

হৌজিকতি লাইপাখং লাইনুবা অয়ামবা পুম্নমক্রা খুৎলং লোই, শলপোৎলোই, ওইবিঙৈগী ৱা-হায়গে। কৈনা ওই থংয়ে, নোংশানা য়েৎ ফাইয়ে, খাবৌনা পোৎপু ওইয়ে, লিলদুনা কাঙচৈ ওইয়ে নাবিলনা লুমলি ওইয়ে, লিলখাকনা ৱাইখুমিৎ

লও (লৌ উবা) ঃ লাইশিংনা লৌ উবগী মতাংদা অসুম্না পনলি- শুকনা হাযবে তায়বঙপানবগী চিলচাক সেমসি হাযতনা শুকনা লায়খৈশীকপু কৌবে। অতুকা লায় অয়াম্বতা হায়বে। কৌপাকপু কুমথাই-ও। হায়বে। সবা'বনপু কুমতম-ও হায়বে। ৱাঙপবেলনসু কুমথায়-ও হায়বে। অতুক সবাবেল অপানপাবু। কুমতম-ও হায়বে। অতুকা থাংচিংপুসুঙ কুমথায় ও হায়বে। সবাবেল অতোনপাপু কুমতম ও হায়বে। নঙখোয় ৬ মানা। ৱোননা ৱোননা। কুমথাযা কুমতম-ও হায়বে। নোংপোকপু লৌফম সেম-ও হায়বে। নোংচুপ অবিপাপু। কৈবিং-ও হায়বে। ফৌওইশী ওয়-ও হায়বে। চিংখৈপু চাবি চাবোং সেম ও হায়বে। লায় কাখং ৭ মাপু। সনপোৎলোই ওয়-ও হায়বে। লায় নুবা ৭ মাসু লৌ বিং-ও হায়বে। নোংসিৎপু হুমমায় ওয় ও হায়বে। লৈপাক লৈমাপু ফক ওয়-ও হায়বে। চৈবোঙতী নুমিৎপু ওয়-ও হায়বে। অপানপাপু। ফৌ য়ৈ ও হায়বে। ফৌ কনপাতী। পানথোয়বী হেনজোয় ৭ মাপু ওয় ও হায়বে। সন খোমপাতী কংলৈ অসিলপু ওয় ও হায়বে। সনতী লৈসানে। সানোংনে সাঙাস সননে। সাঙাই

ফমলেললনে॥ কোল্নুং আচল্পানে॥ আসেত্তী॥ হা মাললেম সলপোৎলোয॥ মাললেম থীনখায্ হৌবে॥ তীংকোই পুম্থাঙ লোললে॥ তা॥ লওতাসে হৌনাবে॥ হে হে হোইবৌ হায়ানাসেতা॥ হোয়বৌ হযা ন্যকেতা॥ সলপোৎ লোয়না॥ হায্পাতী॥ হোয্ হোই হোই হোই॥ লৌতাপতা সক্নাপাতী॥ হে হে হে য়ী যৈ অ অ॥ যোযপু যোযহৈ আোকনাপা॥ কাওখা খুনচেমসে॥ যোইপু যোয্হৈ থুংনাপা কাওঞ্জম তালচেম্সে॥ খুৎলঙ লোয়না সকপাতী॥ হোয়তৌ হাযানাকেতা॥ হা খোয়নৌ য়ীতাসাঅ॥ চীঙখোঙ য়ীপুং রোকনাপা॥ ৱাহী ফাচেমসে॥ আসুমনা সকয়॥ লাংপল কাবাপাতা॥ সক্পাতী॥ চইপুন্ লেংতা থোংতুনা॥ হে হে হে য়ীয়ে য়ো য়াওবওকাবেতা॥ হে য়ীহৈ য়ো॥ লাংপল কাবে॥ হে য়ীয়েয়ে॥ হে য়ীহৈযো॥ হে খামচা খামলে॥ হে হে য়ীয়েযো॥ হে য়ী যৈ য়ো॥ য়ীঙখোঙ য়ীপুং আক্নাপা॥ কওচেঙ্গ য়াওবৌ ফাচেম্সে॥ হে য়ী যৈ য়ো॥ চীঙখোঙ য়ীপুং আোকনাপা॥ লীকল্প লাংচেমসে ॥ ॥ আসীপা পোকপাতী॥ তাকনা মালপী॥ খোইনীঙমালপী॥ আপক্ মাপু পোকথে॥ মাখোয় আসী খৈপীকপু॥ সিতাপা॥ নাতাপা॥ কুপীবে॥ আত্যাসিতাপানা হংয়॥ আসীপাআো কাবম হায়বাপা হংয়॥ আসীপানা খুম্য॥ সীতাপা॥ নাতাপা॥ কুপীবে॥ হায়॥ আত্যাসিতাপা হায়॥ নঙ্গনা হায়পা আসীতী নৎতারে॥ য়ীখোয়কাতী মালনাফারোই॥ হায়্বে॥ আসীপানা॥ মালনাফারোট খুমলে॥ আসীপানা॥ আসাইকি মাফমতা হলথারকলে॥ মাখোয় আয়ামপা॥ তিলনাবে॥ আতুকা॥ আসীপানা হায়॥ আইতী হায়েং কাখিরাকে॥ হায়॥ নঙখোয়তী হায়েং ঙলনা লাকআো॥ অইপু ফংলোলাঅ॥ মাখোয আযামপাসুঙ হাওখাবে॥ আসীপনা লইখাতাকি॥ লাই আচৌপাতা হায়॥ তাক্নামালপী॥ খোইনীঙ মালপীসিংতা॥ হায়অ॥ নঙখোযপু॥ ৱাক্যই হিনা হৈপাসুঙ্॥ কাবমনা হিথাংলাপানো॥ সামু খোঙনা হৈপাসুঙ॥ কাবম মম্না ৱাইথুং থেঙ্নাপানো॥

ওইযে। তিলপুল নাওপুলনা যোংথাংপী ওইনৈয়ে, খোইনাইবনা, য়োংচৈ ওইনৈয়ে, ঙৌনাইবনা, যোংথোল ওইনৈয়ে॥ তাংলৈনা লাংগোল ওইনৈয়ে, লিলহানা চৈপুন ওইনৈযে। লৌফম মফমদি চাকশৌপুঙনে, খুবাই লৌফমলেললনে। কোলনুং অচলবনে, মদুদা অশেনবা ঈশৌদ হা মাললেম শলপোৎ লোইনা, মালেম থিনখায হৌবে

তীংকোই পুমথাঙ লোললে দা

লৌতাসে হৌনাবে - হে হে তোইবৌ হায়না সেদা, হোয়বৌ হয়ানকে-তা।
শমংপোৎ লোইনা হায়বক খুমলকর্বদি - হোই, হোই, হোই হোই।
হে হে হে য়ী যৈ যৈ - অঃ - আঃ
য়োইবু য়োইহৈ ওকনবা, কৌখা খুনচেম সে।
য়োইবু য়োইহৈ থুংনবা কাওঞ্জম খুনচেম সে।
খুৎলঙ লোইনা শকপদি হোই-তৌ, হো-হায়ানগেদা, হা খোইনৌ ইতাশা-ও।
চীঙখোং ইপুং ওকনবা, ৱাহী ফাশে ফাচেম-সে।
অসুমনা শৈকলবগা লাংবল কাবকপদা চৈবু লেংদা থোংদুনা শৈকপদি :-
"হে হে, হে ঈ যৈ যো, য়াওবৌ কারে-তা, হে ঈ যৈ-য়ো।
লাংবল কাবে, হে ঈ যৈ য়ে, হে ঈ যৈ-য়ো, হে খামজা খমলে।
হে হে ঈয়ে-য়ো, হে ঈয়ে-য়ো, চীঙখোঙ ঈপুং ওকনবা।
কৌজেঙ্ হাওরৌ ফাচেম-সে, হে ঈয়ে য়ো, চীঙখোং ঈপুং ওকনবা লীকল্ লাংচেমসে"।

অশিবনা পোকপদি তাকনা মালবী খোইনিঙমালবী অপকমাপু পোকয়ে, মাখোয় অসি খৈবীকপু শিদবা নাদবা পীবী কুবীবে, অতিয়াশিদবনা হংয়ে। অশিবা-ও কাবম হায়রমবারা হায়না হংয়ে। অশিবনা খুময়ে শিদবা নাদবা অনি কুবীরে পীনয়ে হায়। অতিয়াশিদবনা হায়-নঙনা হায়বা অসিদি মদু নৎতরে, ঐখোয়গদি মালনাফরোট হায়রে। অশিবনসু উম মালনাফরোই হায়না খুমলে। অশিবনা ঙসাইঙেগী মফমদা অমুক হলথরকলে, অদুগা মখোয় অয়াম্বগা তিলনা উনরে অদুগা, মতমদুদা অশিবনা হায় ঐদি হয়েং কাখিরগে হায়বে, নখোয়দি হয়েং ঙলনা লাক ও। ঐবু ফংনা উনারো লাক-ও। মখোয় পুম্নমক চৎত্রবদা অশিবনা লৈখাদগী লাই অচৌবদা হায়, তাকনা মালবী খোইনিঙ মালবীশিংদা হায়না তম ও। নখোয়বু ৱাকয়ৈ হিনা হৈনাবসু কবম হায়না থেংনা হিথাংলবনো শামুখোঙনা কননা চৎপা হৈনবসু কবম হায়না থেংনা ৱাইথুং থুংলা য়ৌরকপা, মতম থেঙলকপনো,

অশিবগী পোকপা শিনা কুতিঃা

সনতী। পুঙসননে। সানোংতী কাঙসননে। লৈসাসুঙ পুঙসন কৌয় সনতী ৩ মানে। সনকোনতী। লাৱাং সনকোননে। নামপম সনকোননে। য়োয়ৱাং সনকোননে। সনকোন ৩ মানে। ফৌরুপ য়োনপাতী থোঙারেনপু ওয় ও হায়বে। কৌখাওপাতী সবাবেল অমমপাপু ওয়-ও হায়বে। লাংকোনতী য়ীলিংপু ওয় ও হায়বে। য়োৎচৈতী। মৈপু ওয়-ও হায়বে। লোঙখুমতী তীনসিদাপাপু ওয়-ও হায়রে। পোংপুতী য়াঙপীসিতাপাপু ওয়-ও হায়বে। ফৌকোংতী থা ১২ মাপু ওয়-ও হায়রে। চুমতী সোতী থরানপীচাক ২৭ মাপু ওয়-ও হায়রে। ফৌউমমিতী (ফৌচুমতী) লিকলা সিতাপাপু ওয়-ও হায়রে। অসি খৈপীকপু লোয়রপাকা চাহি কুমসিঙ নুমিৎ থা চিঙচিন কানপী চিঙথম নোংথম, উন, ৱাউ পুঙচা য়ুথক অতিং নোংথিন অসিংখেপীকপু ১ বক থাইহৌবে। অতুকা নোংখোঙ নোংকৌ তমলে।

লৈসেমলোল লা ৫৭-৫৯

[illegible]

পোকসুঙ পোকঅো।।'সিঁসুঙ সিঅো।। নঙসুঙ লাইবোল নোংলোল খংঅো।। নাশু নাচাসিংপু।। নোংসী নোংতমঅো।। য়াহৌ খমহৌঅো।। হীব্রোনফমতা।। হীঅোন্অো।। পাওতা যীবেল্তা।। পাওতাঅো।। হায়বপাতা।। তাইপঙপালপা মাপুতী।। কাখিবে।। তাকনা মালপী।। রাকয় হিনা হৈপাতী।। হিনা তালকয়।। লাংপল খোইনীঙ মালপীনা।। সামু খোঙনা হৈপাপসুঙ।। খোঙনা তাললকযে।। লাই আচৌপানা।। হায়ঙাময়্।। তাকনা মালপী।। খোনীঙ মালপীসিংঅো।। নঙখোয়তী।। মম্না কাতৌকানো।। হিথাং থেঙলাপানো।। সামু খোঙনা কাবমরাইথুং থেঙলাপানে।। নঙখোয়পু তাইপঙ পালপা মাপুনা।। আইব্রোনতা হাযবময়্।। পোক্সুঙ্ পোক্অ।। সীসুঙ সীঅো।। নাসুঙ নাঅো।। হীঅোন খামতা।। হিঅোন্অো।। পাওতা য়িবেলতা পাওতাঅো।। অইপুসুঙ নঙখোয়পু।। য়াহৌখমহৌঅো।। লইবোল নোংলোল খঙঅো।। নোংসী নোংতম্অো।। তাইপঙ পালপা মাপুতী।। ঙাইপা ঙমতাবাতুনা।। কাখিবে।। ।। হৌচিকতী।। মাবম ১ হায়্কে।। তাইপঙপালপা মাপুতী।। থোঙ্ঙাবেলতা[১] চঙখিবে। লইনুং খোংফাং আতোলপা কৌনা লৈবে।। তাকনা মালপীসুঙ।। খোয়নীঙ মালপীসুঙ।। সাতুক সাঙায় খৈপীকসুঙ।। ঙম্না চিলচিলখিবে।। ১ বক্সুঙ পোইবইতোলনা[২]।। থবকলে।। লোয়নাবকপাতী।। অনতওবীপা।। সাপাবীপা।। চিংনিং হেনপা।। মোইফেঙপা।। মবীল্লীসাপা।। মাবাংলাং সাপা।। তেক ২ থাঙসাপা।। তানমাবোংসিনাইপা।। তানখোঙতেক কোন্সাপা।। আমুপা।। আঙৌপা।। থৌঙালপা।। য়াওঙালপা।। হিচাপা।। লইফানপী।। লইবামপী।। হীকানপী।। য়াইকাপী।। মিয়ানু।। খোংঙানু।। লইনুংমাইপী।। লিবি লাফোংপী।। মাঙরাই তুংরায়পী।। লইনুং আসৈপী।। সচিলাংকাপপী।। নাতেনাসাপা।। তাবং লইমাচা।। য়াংলৈঙমপা।। খাপা লাংথংচা।। থীক্নম ফোইনমপা।। আসৈপা।। থৌতীপা।। সীঙ্খঙ্পা।। মাখোয় আসী খৈপীতী।। তাকনামালপী।। খোইনীঙমালপী।। মাসেললনে।। খঙঅো ।। ।।
মীসেমপাকি রাহায়কে।। আসাইকি হিংচাপীনা।। সেমফাতানা।। চা

পোকসু পোক-ও। শিসু সি-ও। নখোযসু লৈবোল নোংলোলসু খঙ ও। নশু নচাশিংবু নুংশি নোংদম-ও। য়াহৌ খমহৌনৌ-ও। হিওনফমদা হিনওন ও। পাওঙা ঈবেলদা পাওতা-ও। হায়না হায়ববদা, তাইবঙপালবা মপুদি কাখিবে হাযনা তমপে। তাকনা মালবী রাকয়ৈ হিনা হৈবদি হিদা হোলনা তানবকয়ে। লাংবল খোইনিঙ মালবীনা, শামু মখোঙ হৈনবাশিংসু খোঙনা চেলনা তালনবকযে। লাই অচৌবনা হায়বকয়ে, তাকনা মালবী, খোইনিঙ মালবীশিং ও। নখোয়দি মম্না কবিতৌবা থুংলবা হিথাং কবিগী থেঙলকপানো, সামু খোঙনা কাবম থেংনা রাইথুং থেঙনা লাকপানো। নখোয়গীদমক তাইবঙপালবা মপুনা ঐঙোন্দা হায়বময় নখোয় পুমনমক্তি পোকসু পোক-ও। শিসু সি-ও, নাসু না-ও। হি-ওনফমদা, হি-ওন-ও। পাওতাক ঈবেলদা পাকতা-ও। ঐবুসু নখোয়না য়াহৌ খমহৌ-ও। লৈবোল নোংলোল খঙ-ও। নুংশি নোংদম-ও। তাইবঙপালবা মপুদি ঙাইবা ঙমদবাদুনা চৎখি কাখিবে।

পোইবৈতোল খুৎলোয়কপা থোংলুপ হৌজিকতি রাবম অমা হায়গে তাইবঙপালবা মপুদি থোঙঙাবেলদা অমুক চংখিবে। লৈনুং খোংফাং অতোলবা কৌনা লৈবে। তাকনা মালবীসু, খোইনিং মালবীসু শাতুক শাঙাই পুনমকসু মফমদা অমুক চলাঙ্গিননখ্রে। অমুরক পোইবৈতোল কৌবাবু থাবকলে। মাগা লোইনবকপদি, অনতৌবীবা, শাপাবীব চিংনিংহেনবা, মোইফেঙ্বা, মবিল্লিশাবা, মবাংলাংশাবা, তেক তেক থাঙশাবা, তানমখোংশিনাইবা, তানখোঙতেক কোনশাবা, অমুবা, আঙৌবা - থৌঙালবা, যাওঙালবা, হিচাবা, লৈফানবী, লৈরামবী, হীকানবী, য়াইকানবী, মিনয়ানু, খোংঙাইনু, লৈনুংমাইবী, লিবিলাফোংবী, মঙরাই তুংরাইবী, লৈনুং অশৈবী, শাচী লাংকাপপী, নাতেনাশাবা, তবং লৈমচা। য়াংলৈঙমবা। খাবা লাংথংচা। থীকনম ফোইনমবা, অশৈবা, থৌতাবা (থৌতেবা), শিংখংবা মখোয় অসি পুম্নমকনতি তাকনামালবী খোইনিং মালবী মংশলনে খঙঅো।

১। থোঙাবেলঃ- থাঙলেন লোংলেন লোচুমশনা শীযাইন্ পাননদুনা। শীয়াইনুনা থোঙাবেল। শীয়াইনুনা পোইবৈতোন অনিমা পোকএ। থোঙাবেলতি লৈমা লাইখুৎলেমপী পাননদুনা লৈনুংকী নিংথৌ ওই। অমুক থোকললকতুনা কৌবা চাঁঙশাদা থোঙাঙাকএ। পোইবৈতোনদি লৈমা লৈনাওতাবী পাননদুনা শীংদাবুং সিংমিৎনবা পোকএ। পোইবৈতোননা লৈনুংদগী মাগী খোংলোয়সিংগা পুনথোকবকতুনা লুরাং অমসুং খুমনগী নিংথৌ ওই।
লুরাং লৈখাবোল লা ১ 'শমনু' থোংগ্রাক অশোনপা

২। পোইবৈতোল ঃ চুক ১তী লাইকি চুক ৩ তী মৈতা যীকএ। পোযবৈতোননা থোবকললকপা চুকতা, পোযবৈতোন মহাকনা, মংলেনতা সিতম নাতম লুময়ে। অতুংঙকি মাম সাংফুম ফুমএ। পোয়লৈতোননা, থোকললকাঙকি মাখে। পুযোয় লৈকোযপা, মাথৌ যাংকেমপা, মেবা সনতুপা হিয়াঙকৈ কুমৈপা, মিকোন হিকোনপা অয়াঙথোকপা ফায়বেন তেনকাপপা উকায় ফানতমপা নীঙকোনথেনকাপা

হৎলাপাকি॥ তাইপঙ পালপা মাপুনা হাযয়ে॥ হিংচাপা আসীখৈপীক্পু॥ সমুদ্রো ব্রাংমাতা॥ মই॥ মাথানা মইহৌপা॥ যীসিং মাথানা থীক্পা॥ নোংসীৎ মাথানা সুম সীৎ সীৎপা॥ মাফমতা পুথোকখিবে॥ আতুখৈপীক ঙাকপাতী॥ যীসিংসাগব আচৌবা॥ মইবিনা থওবী তাপাকুম চেনপা॥ মানিল আসাপানা॥ নোংথৌ ফংপা॥ ব্লুচেক কোকুবনাসুঙ॥ পাইপা ঙমতে॥ ব্লুললাবি কৌবা যীসিংনাসুঙ ঙাকয॥ যীসিং আতুন চাকপাতী॥ নুঙথৌ ব্লুপী ব্লুবেল খৈবীকসুঙ॥ থা থাবাপাতা॥ যীসিংকুম তুময॥ মাবোল্ ২ মা আসীনা ঙাকয॥ সোমমাবি সোম কৌপা আতুতী॥ পুখিপা ঙমতানা লৈবওলে॥ লাইবেম্মা পালথোইপীকা[১] লালসোকনায়॥ ২ মক সোকনাপাতী॥ ঙমনাতাবে॥ যীমা ২ লাওনা চেনলিঙইতা ॥ মা ২ নামুংপীনা॥ লাও লাও কৌঙময়॥ খুৎতোল খুৎনিংথৌপু ৭ লক॥ চুপপাহালাপাকা॥ মখোমসুঙ ৭ লক থকহাললাপাকা॥ চুঙ কোয্ থাঙসাংসুতুনা॥ মাবৈনা ফক আইনা॥ লইপাকতা তাহালতানা॥ যীচোং থোকখিপাপু॥ থকহাললাপাকা॥ হাৎলে॥ থাঙচীনা ক্লাক আইখিয়॥ অতুকা যীবেম নাওসঙকাইনা॥ মোইতাং সাৎয॥ মোইপাল ফুইয়॥ সিলনুবইমা লইতং নিংথৌ চানুনা॥ খুকখাক্ পোকয॥ হওতোঙপু মিয়াও॥ তোক্পাপু মোক্॥ কৈপু আসীসাবা॥ লীলপু লীকমাক॥ লাইবেলপু তোনতও॥ যীবেঙপা॥ চীঙলাইপু খিংখিং খামচা॥ নোংসাপু॥ থাবোং নোংতাবেঙ॥ লইনুংপীসানুনা॥ আক্কা যিবোইকা ২ মা পোকয়॥ থওপী লইফাপীনা॥ সামু পোকয॥ চক্মাবিং পাকা॥ লাইযীপীকা॥ তানতুনা সল পোক্য॥ কাবিনা লা পোকয়॥ কাবানা সাতুকা সাঙাই পোকযে॥ সা আইবিপা খৈপীক পোক্য়॥ যীসিং কোংপোলনা॥ য়েল পোকয়॥ যেলনা য়েল থীক কাবি পোকয়ে॥ থীককাবীপীনা॥ ঙানু আইবিবা খৈপীক পোকযে॥ খোংচি নুঙলাইপম চা

যীশেমবগী ব্রা হাযগে ঙসাইগী, হিংচাবী অনুনা শেমফাংঙনা, চাথোকপলবগী তাইবঙ পালবা মপুনা হায়বে। হিংচাবা অসিখৈবীকপু (সমুদ্রো) তমলেল চাওবাসিগী ব্রাংমদা, মৈ মথনদ মৈহৌবা ঈশিং মথনদা থাকপা, নোংশিং মথনদা সুমশিংপা মফমদা পুথোকখিবে, অদু খৈখীক ঈশিং চযাম্ব অচৌবা মৈবিনা থৌবী তাবগুম্মা চেনবা, মৈশা মনিল অশাবনা। নোংথৌ মবোল ফাওবা, ব্লুচেক ককবনসু পাইবা ঙমদবা, ব্লুল মপাক মপাক্লা, ঈশিং ইপাকপসু ঙাকপ, ঈশিং অদুনা ঈংবাদগী ঈংবদি নুঙথৌ ব্লুজাও ব্লুপী ব্লুরেলনাচিংবা থাদানবসু ব্লুল ঈশিং মপাক ওইনা অদুম ফমজিনবা মফমনে - অসুমনা মবোল মবোল অমা ওইনা ঙাকযে। শোমমাবি শোম কৌবা হিংচাবা অদুদি পুখিবা ঙমদনা লৈহৌবে। লাইবেম্মা পানথোইবীগা লালশোকনৈয়ে। অনিমকনা হাকথেংননা লালশোকনর্বাদ, ঙমনতবে, ইমা ইমা লাওনা চেনলিঙৈদা, মমা নামুংবীনা লাও লাও হায়না কৌশিলমযে, অদুগা খুৎতোল খুৎনিংথৌবু তবেৎলক চুপহলবগা মমাগী মখোম খোমলাংসু তবেৎলক থবহললবগা, চুঙকোয় থাঙশাংকা শুদুনা মবৈনা ফক ওইনা থানা থম। লৈবাকতা ঈ কাবি অমত্তা তাহলদা ঈবিক অমত্তা চোংথোকখিববু লৈতনদনা থকহল্লাবগা হাৎলে। মতুংদা মহাক্লী থাঙটা শাদুমনা ক্লাক উচেক ওইখিয়ে। অদুগা ঈবেম নাওশঙকাইনা- মোইতাং শাংযে। মোইপাল ফুইয়ে পোকয়ে। শিলনুবৈমা লৈতং নিংথৌ চানুনা, খুকখাক পোকয়ে। হাওতোঙপু মিযাও, তোকপাবু-মোক। কৈপু অসিশাবা। লিলবু লিকমাক, লাইবেলপু তোনতৌ ইবেঙবা। চীঙলাইবু-খিংখিং খামচা, নোংশাবু থাবোং নোংতাবেং। লৈনুংশীশানুনা- ওককা ইবোইগা আনিমা পোকয়ে। থৌবী লৈফাবীনা-শামু পোকযে। চক মাবিংবগা, লাইযাবাগা তানদুনা শল পোকয়ে। কাবিনা লা পোকয়ে কবানা শাতুক্, শাঙাই পোকযে। শা ওইবিবা খৈবীক পোকয়ে। ঈশিং কোংবোলনা য়েল পোকযে। য়েল কৌবানা থীক্কবি উচেক পোকযে, থীক্কবি কৌবানা ঙানু ওইনা চাদানাওদগী শাগে ওইবিবা পোকযে। খোংচি নুঙলাইবম্

পানথোইবীগী হিংচাবী শাংবা

পালথোইপা (পান্থোইবী) : থোঙজানেলনা লাইবেমা ১ পোকয়ে, লাইবেমমা পালথোইবীনে। ব্রাংকোল কৌবদি নোংপোক্লা পালথোইবীকা গুকনবা মফমনে পালথোইবীপু ...কৌযে। নোংপোকপু ব্রাংকোল লাইপাখং কৌয। পালথোইবীপু ব্রাংকোল লাইকবা কৌযে। ব্রাংকোল কৌবদি অতুঙৈকিনে। (সকোক লমাই ৮/২) লৈশেমলোল লমাই ৮।

পাল্থোইবীপু মসুম্মা শৈথাইঃ

হায়া হে তমপা কোল্লী আব্রাংপী। ব্রাংতম কোলখই আতামপী। সোংলেল অথাপপী। যেংহৌ খোইলা মাবাক। কোবৌ মী নোংথৌ। ব্রাঙপল মী কাসা আ। নোংথি কওয়াঙ মীচইসু, ...নমথাঙ আলুপীআ। থোংলেল গালা মী পালপৈ। অইল লুমচালা মীকথুপ। লাংচেং চালা মীকথেং। খোইনৌ মিলাং মইতাআ। তাইপঙ লীকলেং লংসুংমাই। লইদ্রুং নোং... । মাইথো মীথোমপী। যাইথী থাব্রাই মীপোকপী। তাইপঙ থাব্রাই পুমনামকাকি। ফুলেল চাংওও রোইলীপা। যোই নোইনু থুমলইমা। তমপা নোংতং হাললকপী। তাইপঙ থাব্রাই লীকলেং রোইলীপা। মাইং মপাক ... । আব্রাং কলৌ নোংহীপী। তমপা হাওরোঙ খোইকুমপী। হাওবোঙ কুম কামপা-খোই। লইতাঙ চাওখোং নায়েং খোইকুমপী। লাব্রাই লওসি খোইসং পওনাংকালি। ... নাংনাপা

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

লাইতোংলেলনা য়েলপা॥ কোনফু লাইফু চানুনা পোকপা॥ লইবে লিলতাংসাংপানা য়েলপা॥ লাইয়েক লাইখোৎ চানুনা পোকপা॥ কোনসৌবেলনা যেলপা॥ লইনুং য়াখুপী চানুনা পোকপা॥ সেলত্রেঙ চানুনা যেলপা॥ লাইশ্রানা পোক্পা॥ বাখংপানা পোকপা॥ খুই পোকপানে ॥ ॥ লাইযেক লাইখোৎ চানুনা পোক্পা॥ কোনসৌবেলনা য়েলপা॥ খাকপা নিংথৌ চানুনা পোকপা॥ কুপতাবেঙনা য়েলপা॥ পুয়ৈবোমপা পোকয় ॥১॥ তাওপীবোযনাইনা পোকপা॥ আতিংকোক্না য়েলপা॥ য়াইবইমানা পোকপা॥ আসঙপানা য়েলপা॥ লাংকপপীনা পোকপা॥ চাওবা মাপানথিপানা য়েলপা॥ থোইনু[1] পোক্পা॥ চক মাবিংপানা য়েলপা॥ লইথমলেল্না যেল্পা॥ তুমাবিংপানা য়েলপা॥ লিরি লৈমনা পোক্পা॥ মুংমাবিংপানা য়েলপা॥ খুম ২ নিংথৌন পোকএ ॥' ॥ তাওপীবোয়নাইনা পোকপা আতিংকোক্না য়েলপা॥ লইনুং হীপোকপীনা পোকপা॥ অবংপানা যেলপা॥ সাচিপীনা পোকপা॥ তুমাহাপানা য়েলপা॥ চীংনুবইমানা পোকপা॥ নুমোইনুনা যেলপা॥ লইফুবেল চানুনা পোক্পা॥ ক্রুমলেল্ মইনাইপানা য়েলপা॥ য়ুচেংনা পোকএ ॥ ॥ তাওপীবোয়্নাই পোকপা॥ আতিংকোক্না যেলপা॥ হীবইমানা পোকপা॥ আবেঙপানা য়েলপা॥ মাঙব্রায়পীনা পোক্পা॥ তাংমাবিংপা য়েলপা॥ মাহমনুনা পোক্পা॥ লইসাতাওনা য়েলপা॥ হাযনু বইমানা পোকপা। কলতওনা যেলপা॥ য়াইপীবেল চানুনা পোক্পা॥ তাবঙখোইচানা পোকপা॥ তওবিলখা পোক্য়ে॥ ॥ তাওপীবোয়নাই পোকপা॥ আতিংকোকনা য়েলপা॥ য়াইবইমানা পোকপা॥ আতোংপানা য়েলপা॥ তুংব্রায়পীনা পোকপা॥ বামাবিংপানা পোকনা য়েলপা॥ মাবৈনুনা পোকপা॥ লইখোমতাওন যেলপা॥ পীশিলনুনা পোকপা॥ তুমাঙালপানা য়েলপা॥ লইচীক নিংথৌ চানুনা॥ পোক্পা॥ ক্রুম্লেল্ মইনাইপানা য়েলপা॥ ঙালপা লইচীক ২ লিপানা পোকপা ॥ ॥ তাওপীবোয়নাইনা পোকপা॥ আতিংকোক্না য়েল্পা॥ য়াইকুপীনা পোক্পা॥ আসীপানা য়েল্পা॥ লৈফোল্

অহৈবোল হৌজিকতি অহইবোল হায়গে। তাওবোইনাইনা পোকপা আতিংকোকনা য়েলবা, লৈকক্ লৈয়াবেল চানুনা পোকপা। কোনজিলতুথোকপনা য়েনবা লৈতংলেল চানুনা পোকপা। লৈশংলেন চানুনা য়েলবা। কোনজিলতুথোকপনা য়েলবা - কোনফু লৈফু চানুনা পোকপা। লাইতোংলেলনা য়েলবা কোনফু লাইফু চানুনা পোকপা। লাইবেলালজতাংশাংবনা য়েনবা লাইয়েক লাইখোৎ চানুনা পোকপা। কোনশৌবেলনা যেলবা, লৈনুং যাখুপী চানুনা পোকপা। শেনত্রেঙ চানুনা য়েলবা লাইশ্রানা পোকপা পাখংবানা পোকপাদি খুই কৌনা পোকপানে।

পুরৈবোম্বা লাইয়েক লাইখোৎ চানুনা পোকপা, কোনশৌবেলনা য়েলবা। খাকপা নিংথৌ চানুনা পোকপা কুপতবেঙনা য়েলবদি পুবৈবোমবা কৌবা পোকযে।

চক্কপা মবোল তাওপিবোয়নাইনা পোকপা- অতিংকোকনা যেলবা। য়াইবৈমনা পোকপা অশঙবনা য়েলবা লাংকপপীনা পোকপা-চাওবা মপানথিবনা যেলবা। থোইনুনা পোকপা- চক মবিংবনা য়েলবা। লৈথমলেলনা পোকপা তুমবিংবনা য়েলবা। লিবি লৈমনা পোকপা - মুংমবিংবনা য়েলবানা খুম খুম নিংথৌ পোকয়ে।


য়ুচেং তাওবীবোইনাই পোকপা অতিংকোকনা য়েলবা লৈনুং হিপোকপীনা পোকপা অবংবনা য়েলবা। শাচিবীনা পোকপা- তুমহাবনা য়েলবা। চীংনুলৈমনা পোকপা নুমোইনুনা য়েলবা। লৈফুবেল চানুনা পোকপা, ক্রুমলেল মৈনাইবনা যেলবনা য়ুচেং পোকয়ে।

তৌবিলখা তাওবীবোইনাইনা পোকপা অতিংকোকনা যেলবা। হিবৈমনা পোকপা অবেঙবনা য়েলবা। মাঙব্রাইবীনা পোকপা তাংমবিংবনা যেলবা। মহমনুনা পোকপা- লৈশাতাওনা যেলবা। হায়নুলৈমনা পোকপা কলতৌনা য়েলবা। য়াইপীবেল চানুনা পোকপা - তারঙ খোইচানা য়েলবনা - তৌবিলখা পোকয়ে।

ঙালবা পোকপা তাওবীয়োইনাই পোকপা - অতিংকোকনা য়েলবা। যাইবৈমনা পোকপা অতোংপানা য়েলবা, তুংব্রাইবীনা পোকপা - পামাবিংবনা পোকনা য়েলবা। মবৈনুনা পোকপা লৈখোমতাওনা য়েলবা। পীশিলনুনা পোকপা তুমাঙালবনা য়েলবা। লৈচিক নিংথৌ চানুনা পোকপা - ক্রুকমলেল মৈনাইবনা য়েলবনা ঙালবা লৈচিক চীকলিবা পোকয়ে।

তাওপীবোইনাইনা পোকপা অতিংকোকনা যেলবা। যাইকুবীনা পোকপা অসীপানা

[1] থোইনু : তুরাইবীদি থোইনুনে থোইনুনা ইবোইশু কোলম্নো মহাক্না চাওবা মপানথিবা কানদুনা লুরাং চাদা সমথখি। (সনাই সাকোক শা ১১)
অতুকা হোংহনবা মাসক খংহনতাপে। থাব্রালেলনা নঙৌ কাননো হত্তাময। পোংহননা আইতৌ মীশাবা আতুনে হাযনা খুমলবগা পোংহনলা হায়যে। হে গুরু ওআ। ননাই ঐতৌ অংকোঙপাপু দিপাপু খত্তভো। কাদাইলম হৌখিনাবানো হাযনা হংপাপু কুকনা খুমযে।ঐকি লাইখুবোলপী অতুপু লৈনুংতা নুপী ১০০ মাক নিংথৌ ওইহনয়ে। চহি ১০০ সুনপকা থাব্রালেলতা সিলনাযে' শেম' ১০০ মাক নিংথৌ অতুনা। লৈনুংদা লংনা লৈলে। কুকনা হায়যে। নঙপু নুঙমু ওমাকি মনুংতা লোংখু-তো। হায়েং কুমসিং সুবাকা নঙ নিংথৌ ওই ও। নুঙমু ওমাতা লোংনা লৈবে। মামংদি নুঙসালেল কৌযে। অসাইকি থব্রালেলনা লৈমকি মনক তোইনা নুঙমুসিতবা তাপনাচংখিলে। লৈনুং লোলচানা মাতুসাবে। নুঙসিতাবতা যাহিপ চাকচা তমলে। লৈনুংলোলচা হাযনা লৈবে। আতোক লৈনুঙ লোলচা আজবা কৌয়। লৈনুঙ লোলচা অবিবনা মাকুহলে, লিলওইলে, থাব্রালেলনা মী ওইলে। লোচা আবিবানা লিল ওইবাকি। মপি-ওইলে। অদুকি লিলপী কৌয়ে। লৈনুঙলিলপী লিলপা ২মান। নুঙমুংমতা মাঙলপাক



ঙমপীনা পোকপা॥ আঙাই পানা য়েলপা॥ থেবেলোংপম্ চনুনা পোক্পা॥ আকুপনা য়েলপা॥ চিলফুবোন্ লইচীক ঙালপীনা পোকপা॥ নোংয়ায় মাবীওনপানা য়েলপা॥ পীযাইনুনা পোকপা॥ নোংতমখুপানা যেলপা॥ পীয়াইনুনা পোইবইতোল পোকয়॥৩॥ পীযাইনুনা পোক্পা॥ নোংতমখুপানা য়েলপা॥ লৈনাওতাপীনা পোকপা॥ পোইবইতোলনা যেলপা॥ সলথোঙ পুনেমপা চানুনা পোকপা॥ সীঙতাপুংনা য়েলপা॥ আবোংপাকা॥ বামিংপা ২ পোকয়॥ চীলফুবেন লাইতোংলেল চীন্খুপীনা পোকপা॥ আবোংপানা য়েলপা॥ লুংপাপোকয়॥ কৌপাবোল্ নামোইনুনা॥ পোকপা॥ পামিংনা য়েলপা॥ লুৱাংপুলসীপা পোকয়॥ ১॥ আপোক্লোল্ হায়কে॥ খাপাবোলতী॥ চীনফুরোন্ লইচীক্ ঙালপীনা॥ নোংতমলেল্ আখুপা॥ লইথম চানুনা॥ নোংতম্লেল্ আহলপা॥ চীৎনু লৈমানা॥ ক্রুমলে মইনাইপা॥ লইফুবেল চনুনা॥ পোংথাঙ॥ পীসিলনুনা॥ হইবোঙলেল লোঙচুমপা পীসিলখোমপীনা॥ নিংথৌ হইবোঙঙাঙ্ থাঙাঙ্লেলপা॥ পীয়াইনুনা পোইবইতোল॥৮॥ লইনুং ঙালপীনা পোংহল॥ পোংথাঙ॥ লাইথম ২ লি চানুনা॥ নোংতমহলপা॥ লইচীক ২ লিপা চানুনা॥ নোংতমখুপা॥ পিসিলনুনা॥ থৌয়াঙপা॥ হাইনুবইমানা॥ কুকমলেল মইনাইপা॥ হাইনু লইমানা ক্রুম্লেল মইনাইতাপা॥ হইবোঙ ২ লিপা চানুনা॥ পীথাঙ॥ হইবোঙলেল্ চানুনা পোইথাঙ॥ পিয়াইনুনা থাব্রাবেল॥ পীয়াইনুনা পোইবইতোল॥+॥ লইথম্লেল চানুনা পোংহল॥ পোংথাঙ॥ লইচীক্লেলচানুনা॥ পোংথাঙখু॥ চাঙ্ঙু বইমানা॥ কুকমলেল্ মইনাইতাপা॥ হাইনু লইমানা॥ কুকম লেল মইনাইপা॥ পীসিলনুনা॥ নিংথৌ হইবোঙ্ঙাঙ্॥ পীয়াইনুনা॥ থাব্রাবেল্ থাঙাঙলেলপা॥ মানাওতী পোইরইতোল॥ খোংফাং অতোলপা॥ মাচনতী লাইসাবা মইতৈ লইমা॥ ॥

লইকংলেল চানুনা নোংতম খুপা॥ লইথম নিংথৌ চানুনা॥ নোংতম্ হলপা॥ লইবাই নিংথৌ চানুনা॥ কুকমলেল মইনাইপা॥ লইথমলেন চানুনা॥ কুকমলেল্ মইনাইতাপা॥ লইফুবেলনা॥ পোংথাঙ॥ পোংহল॥ লইনুং পীসিলনুনা॥ পীসা

পোইবৈতোল মীরোল য়েলবা লৈফোল ঙমবীনা পোকপা-আঙাইবনা য়েলবা। থেবেলোংপম চানুনা পোকপা-অকুপনা য়েলবা। চিলফুবোন লৈচিক ঙালবীনা পোকপা-নোংয়ায় মবীওনবনা য়েলবা। পীয়াইনুনা - পোকপা। নোংতমখুবনা য়েলবা - পীয়াইনুনা - পোইবৈতোল পোকযে।

লুৱাং পুন্সিরগী মীরোল পীয়াইনুনা পোকপা নোংতমখুবনা য়েলবা। লৈনাওতাবীনা পোকপা-পোইবৈতোলনা য়েলবা। শলথোঙ পুনেমবা চানুনা পোকপা - শিঙতাপুংনা য়েলবানা অবোংবগা পামিংনবা অনিমা পোকয়ে। চীনফুবেন লাইতোংলেল চীনখুবীনা পোকপা- আবোংবনা য়েলবা- লুংবা পোকয়ে। কৌপাবোল নামোইনুনা পোকপা- পামিংনবনা য়েলবনা লুৱাং পুলসিবা পোকয়ে।

খাবাবোল অপোকলোল হায়গে- খাপাবোলতি- চীনফুবোন লৈচিকঙালবীনা-নোংতমলেল অখুবা লৈথম চানুনা নোংতমলেল অহলবা। চীৎনুলৈমনা কুকমলেজ মৈনাইবা। লৈফুরেল চনুনা পোংথাঙ। পীশিলনুনা হৈরোঙলেল লোঙচুমবা। পীশিলখোমবীনা- নিংথৌ হৈরোঙঙাঙ থাঙাঙলেলবা। পীয়াইনুনা পোইবৈতোল।

লুৱাং লৈখারোল লৈনুংঙালবীনা পোংহল, পোংথাঙ। লৈথমথমলিবা চানুনা নোংতমহলবা। লৈচিক চীকলিবা চানুনা নোংতমখুবা। পিশিলনুনা থৌয়াঙবা। হাইনুলৈমানা-কুরুমলেল মৈনাইবা। হাইনু লৈমানা- কুরুমলেল মৈনাইদবা। হৈরোঙ বোঙলিবা চানুনা পীথাঙ হৈবোঙলেল চানুনা পোইথাঙ। পিয়াইনুনা থাব্রাবেল। পীয়াইনুনা পোইবৈতোল।

লৈখারোল লৈথমলে চানুনা পোংহল, পোংথাঙ। লৈচীকলেল চানুনা পোংথাঙখু। চীঙচু লৈমনা- কুরুমলেল মৈনাইদবা। হাইনু লৈমনা - কুকমলেল মৈনাইবা। পীশিলনুনা- নিংথৌ হৈবোঙ্ঙাঙ্। পীয়াইনুনা- থাব্রাবেল থাঙাঙলেলপা। মনাওদি পোইবৈতোল, খোংফাং অতোলবা - মাচনতী লাইশ্রা মৈতৈ লৈমানে।


লৈকংলেলগী চাদা লৈকংলেল চানু নিংঙোলনা নোংতমখুবা। লৈথম নিংথৌ চনু নিংঙোলনা নোংতমহলবা। লৈবাইনিংথৌ চনু নিংঙোলনা - কুরুমলেল মৈনাইবা লৈথমলেন চানু নিংঙোলনা কুরুমলেল মৈনাইদবা। লৈফুবেলনা পোংথাঙ পোংহল

থেবেলোংপম :- থেবেলোংবম চানুনা কৈ কোল্লে খাবা ঙানবা খমচিককোলবু পোকয়ে। মপোক থাদি ইঙা থানি নুমিৎনা নোংমাইজিং নুমিৎ মচুদি অবংবা অশংবনি ঊকফমদি লৈতাং পাংনি। পুকোক মপাদি খাকপা কৌয়ে। পাইনবা থাংদি লাইথাংনে।

শলাই শকোক লামাই - ২১

মথাকতা যাবোই কোলওই তমলে। অদুগী লৈনুং অহুই অবাংবা কৌয়। লোলচা অবিবনা। নুমিৎ ওইলে। নুঙমুখকতা খোয়বেললে। অতুকি নুঙমুয়াচা অহুইবা কৌয়। নুঙলাং মকতা নাওপেংলে মহাক নুঙনাংবাপা অবাংপা কৌয়ে। অতুকা তাইপঙপালবদা ফাওলেকে হায়ডানা মাখুৎ লোঙলে খুলপী লোঙ কৌয়। অসাইকি লৈমা অতুপু। মাখুল মালনালে লোলচা অবিবনা থিপাপু খঙতালে মাহৌমহৌ লাকথিপাপু খঙতলে। অতুকি মহৌ কোই-ও কৌয়। লৈমালে সিতাবীবু। থানলে। অতুমি লাইথা কৌয়। লোলচা অরিপানা ফংনাবে লৈমা নঙতী। অইপু হেনা পুকনিং লোঙনা নীঙলে অইনা য়ানা থিয়ে হায়ববু অইসুও নঙপু য়ানা থিবকয়ে হাইনখে। যীপানে হায়পতী অসিতা খঙয়। অতুকি পাখংপা কৌয়।

লৈখাবোল লা ৪-৫, পাখংবা লমলেল লা ১৭-১৯



কাং ॥ লৈনুং ঙাংসাপীনা ॥ চাখাহলপা ॥ লইকক্ লৈযাবেল চানুনা ॥ কোলসৌবেল ॥ লৈফুবেলনা ॥ সনা লৈতাংসাংবা ॥ পীবীৎ পীখোমনুনা ॥ সানা সেলত্রেঙ ॥ পীসিলখোম্পীনা ॥ লইতংলে লিলতাংসাংপা ॥ য়ীবীক্ য়ীকোং সেংহৈতমহৈপীকা ॥ লইমা কাঙখলকা ২ মানা ॥ নোংথৌ মাথকতা লৈয ॥ পুবৈগোমবা পোকয ॥ পোইবইতোলসু থোবকয ॥ থাতী ॥ যিংঙেল থানে ॥ মামিং সেলখৈবেলনে ॥ পীৎবীৎপীখোমনুনা ॥ কুপতাবেংনে ॥ লাইসুমনুনা ॥ লাইবেল্ লিলতাংসাংপানে ॥ চিঙঙুবইমা আকাপআনা ॥ খুলথোলকয় ॥ লৈনাওতাপীকা থোক্মনায় ॥ সীঙমিংনাপা পোকয় ॥ বামিংনাপা পোকয ॥ বামিংনা পুলসীপাপোকয় ॥ ০॥ পোইবইতোল নীঙচীৎ হাযকে ॥ পীযাইনুনা পোইবইতোল ॥ পীযাইনুনা থোঙঙাবেল্ ॥ হইবোঙলেল্পা চানুনা ॥ পাথাঙ ॥ হইবোঙলোঙ্লিপা চানুনা ॥ পোইথাঙ ॥ হাইনু লইমানা ॥ কুকমলেল মাইনাইপা কুকমলেল মাইনাইতাপা ॥ পীসিললেলনা ॥ থৌযাঙপা ॥ লৈচীক্লেল্ চানুনা ॥ নোংতমখুপা ॥ লইথমলেল চানুনা ॥ নোংতমহলপা ॥ লইচীক্ঙালপীনা পোংথাঙ ॥ লইনুং ঙালপা চানুনা ॥ পোংহল কোন্ফু লাইফু চানুনা কোন্সৌবেল ॥ ॥ তাওপাবোলতী ॥ক ॥ নৃঙকা মাহাবাপা ॥ তাওপাবোয্নাইকা ॥ ২ মানা নুঙমু তুমতা মাঙতাপাতা ॥ মাথক্তা যাহীপ চাক্চা তমতুনা ॥ যীসিং রোংথী পোকয ॥ মই সানুপী পোকয ॥ পোকমা বক ২ পোক্য ॥ তাওপীবোইনাইনা ॥ যোযহৈ চেংনে ॥ আতোংপানা ॥ থাতা কাখিবে ॥ আবেংপানা নুমীৎতা কাখিবে ॥ আকুপ আবংপানা ॥ নোংখাতা লংচাবিয ॥ আসঙপানা ॥ লইপাক্তা সঙচাবিয় ॥ আবংপানা আপ্কমা পুম্নমকতা লংচাবিয় ॥ মোইবাং লাইসুঙ আইথায় ॥ সলথোঙ লায়য়িংথৌ সুঙ আইবিয্ ॥ আহুইপানা ॥ নোংসীৎ লোয়নাবিয় ॥ কোললাংপানা ॥ হুয্ আইখিয ॥ আঙাইপানা ॥ কাসা আইখিয ॥ রাযেল থৌতাচায ॥ ॥ তাওপা হুইবোলতী ॥ নুঙমুনা আকাইপা ॥ তাওপীবোয্নাইনা ॥ কোযমাযুং ॥ তাওপানা কাতালবা ॥ পীকাইনা ॥ হুইত্রচপুলনু ॥ হুয়মীৎতাঙ ॥ লইনুং চাওপীনা ॥ হুযবাংকোই ॥ লইনুং হেপীনা ॥ লাংচেং খাঙনৌপা ॥ পাখংপাকি হুযতী ॥ কংলইবেল্ লইচীক্পা কৌয ॥ লইপাক মখোয খঙপা হুযনে ॥ পোইবইতোলকি হুইতী ॥ ঙা

১। যাসিং (ঈশং):- ... কৌপাও ঈশংনে ॥ ঈশংগী মখুমাড অংঙাবনে ॥

পীশাকাং। লৈনুংপীশিলনুনা-পীশাকাং। লৈনুংঙাংসাবীনা - চাবাগৎলবা। লৈকক্ লৈয়াবেল চানুনা কোল্সৌবেল। লৈফুবেলনা- সানা লৈতাংশাংবা। পীবীৎখীখোমনুনা। সনাশেলত্রেঙ। পীশিলখোমবীনা- লৈতংলেল লিলতাংশাংবা। ঈবিক ঈকোং শেং হৈতমহৈবীগা, লৈমা কাংখল অনিমনা নোংথৌ মথকতা লৈযে- পুবৈবোমবা পোকয়ে, পোইবৈতোল কৌবসু থোবকয়ে, থোবকপা থাদি ইংঙেল থাদনে। মমিং শেলখৈবেলনে। পীবিৎপীখোমনুনা কুপতাবেংনে। লৈসুমনুনা-লাইবেল লিলতাংশাংবা পোকএ। চিঙঙুলৈমা অকাপআনা- খুলথোকলকয়ে। লৈনাওতাবীগা লোয়ননা থোকমানবকয়ে। - শিঙমিংনবা পোকয়ে, পামিংনবা পোকয়ে। পাংমিংনবনা পুন্সিবা পোকয়ে।০।

পোইবৈতোল নিঙচিং পোইবৈতোল নিঙচিং হায়গে। পীয়াইনুনা - পোইবৈতোল, পীয়াইনুনা- থোঙঙাবেল। হৈবোঙলেলবা চানুনা- পাথাঙ। হৈবোঙ লোঙলিবা চানুনা- পোইথাঙ। হাইনু লৈমনা কুকমলেল মৈনাইবা, কুকমলেল মৈনাইদবা। পীশিললেলনা থৌয়াঙবা। লৈচিকলেল চানুনা- নোংতমখুবা। লৈথমলেল চানুনা- নোংতমহলবা। লৈচিকঙালবীনা পোংথাঙ। লৈনুংঙালপা চানুনা পোংহন। কোনফুলাইফু চানুনা কোনশৌবেল পোকয়ে।


তাওবরোল তাওববোন্তী- নুংগা মহাবাবানে, তাওপাবোইনাইগা অনিমকনা নুঙমুতুমদা মাঙদবদা মথকতা য়াহিপ চাকচা তমদুনা- ঈশিং রোংথী পোকয়ে। মৈ শানুবী পোকয়ে। পোকপদি অমুকসু হন্না হন্না পোকনা শমথৈয়ে। তাওপাবোইনাইনা যোঙহৈচেংনে আতোংবাগা লোয়ননা থাদা কাখিয়ে। অবেংবনা নুমিৎতা কাখিয়ে। অকুপ অবংবনা নোংখাদা লৈনা লংজবিয়ে। অশংবনা লৈবাকপু শঙজবিয়ে। অবংবনা পুমনমকতা লাংনা লৈজবিয়ে। মোইবাং লাইসু ওইখিয়ে। শলথোঙ লাইয়িংথৌ ওইখিয়ে। অহুইবনা নুংশিৎ লোইনবিয়ে। কোললাংবনা, হুই ওইখিয়ে। অঙাইবনা কশা ওইখিয়ে। রায়েল থৌদা পাঙথোকয়ে।

তাওবা হুইরোল তাওবা হুইবোলদি নুঙমুনা - অকাইবা। তাওবীবোইনাইনা- কোইমায়ুং। তাওপানা- কতালবা। পীকাইনা হুইত্রচপুলনুনা- হুইমিৎ তাঙ। লৈনুংচাওবীনা হুইবাংকোই। লৈনুং হেপীনা- লাংচেং খাঙনৌবা পাখংব মহাক্কী হুইদি কংলৈবেল লৈচাকপা হায়না কৌয়ে। লৈবাক মখোয় খঙবা হুইনে। পোইবৈতোলগী হুইদি

লৈখাবোল লা ৬

২। মই (মৈ)। মৈগা মখুমদি অঙাওপানে ॥ মৈগু অসুম্না শৈথানংমা লৈনুং পায়ইনুনা রাবৌ মই ॥ যাইথোঙ পাখংপানা নাপথৌ মই ॥ লইপুঙ লমথং মৈ ॥ পুসেংকোকপা মৈ ॥ সাংচং খোঙন মৈ ॥ সীঙকন নোংফাই মই ॥ সাক্তেকচাক মই ॥ চাঙমাং নাকপাক মাবোলাংনা মই ॥ লমংলল কমচাক মই। পুংপাল খোকনা মই ॥ মানুং লালচেল মই ॥ থাংচি বুপী তাবা মই। লৈখা লা ৬, চেংলৈ লা ১৭

৩। সলথোং লাইয়িংথৌ : শ্রে ইপু শল্লোং নিংথৌ চাওবসু কাইবেল নিংথৌ ও কোইবেন অথম থোনকংপদা রাতেন্না পেথোপ পেংথাংনে শীংজং রাখাইনে রাখাই নিংথৌ মঙানবা শমক চাঙ্লোই ওইনর্মাচিং লৈমা যাই থম্লাল নোংশাথৌ কে দো শাংজনফাই থাংঙা তানবা নিংথী ঈ থম্লাল নমঙানবা লোঙা লোঙ্গা ওনবা নুংমু তুমদা মাংদবদা খুনোংনবা নুংথী শিদথু কুদানবা থাংজিং কোন মক যাই ওইনা লাইয়িংথৌ ও নথৌ নঙান পান মহৈ মবোং পানবু ঙৈনা লোম্লকও। লাইবেন নথো যাই নশু তেবুংথৌ তেকেম্যাশিংনা পুনেমজবিএ কুবিংমো যেংবিমো। মাইকৈ থাক লাইশী লাইশোল লা ৫



নতুকপা হ ॥ চাক্থাক্পা হুয়নে ॥ ॥ তাওপাবোল সললাই থাইখৎপা ব্রা হায়কে॥ লায়য়িংথৌ তাইপঙ পালপা মাপু ॥ নুঙকামাহাবাপা ॥ তাওপীবোইনাইকা ২ মা পোক্য় ॥ ২ মানা নুঙমু তুমতা মাঙ্তাপা ॥ মাথক্তা ॥ য়াহীপ তমতুনা ॥ য়ীসিং ব্রোংথী পোক্য মাবাহাবাপাকা ॥ তাওপীবোয়নাইকা ॥ নুঙ্মু তুমতাপাকা ৩ মানা ॥ য়ীসিং মাথকতা ॥ আসাংপম ॥ অনিমক আবামপম ॥ মানক্তা তাওখৎলক্য় ॥ মই সানুপী পোকয় ॥ তাওপীবোইনাইনা য়োয়হৈচেংসৃঙ ॥ আতোংপাসুঙ ॥ আবেংপাসুঙ ॥ আকুপসৃঙ ॥ আসংপাসৃঙ ॥ আবংপাসৃঙ ॥ পীকাইপাসুঙ ॥ আঙাইপাসৃঙ ॥ আকাইপা ॥ আহুইপাসৃঙ ॥ মোইবাংলাইসৃঙ্ পোকয় ॥ মোইবাংলাইনা সলথোঙ্ লাযযিংথৌসুঙ পোকয় ॥ সলথোঙ লায়য়িংথৌনা ॥ হুইমুবইমা পোকয় ॥ নিংথৌ তাবিনা ॥ হুয়মুবইমা থিচায় ॥ নুঙঙৌ য়ীমথংপা পোকয় ॥ পোক্লাপাকা ॥ নিংথৌ তাবিকা ॥ লইমা কাঙখললকা ॥ নোংথৌতা কামানাখিতুনা ॥ পুবৈরোমপা পোক্য় ॥ লইনুংহেপী কৌঙইতী ॥ হুয়্বোল ৫ পোকয় ॥ ক ॥ কৌঙইতী ॥ আকাইপা আসঙপা ॥ আরাংপা ॥ সাবাংথেম্ ॥ লইসাংথেম পোকয় ॥ পীথেৎ লইমা কৌঙইতী ॥ আঙোম পোকয় ॥ হুয়মুরইমা কৌঙইতী ॥ খুমল লুরাংপোকয় ॥ থাকপা চানু কৌঙইতী ॥ নোংসানাচিংনা ৭ পোক্য় ॥ মালখোম্তাও কৌঙইতী ॥ য়ীবাইনা চিংনা ৭ পোকয় ॥ ফাইপী তেবা কৌঙইতী ॥ কোক্খোম্ পোক্য় ॥ য়ুহা লোক্লেম ॥ লাললেম ॥ লোকতুনা খোমতু ॥ খোম্মা ॥ য়োংঙা ॥ কক্সা মালসা ॥ হেপুকংচীকপা ॥ ঙাংচেং লইতকপা ॥ নামোইনু[1] য়োইরেলপী কৌঙইতী ॥ নিংথৌ চাবলপা ॥ নিংথৌ খোয়রীফাপা[2] ॥ ২ মা পোক্য় ॥ নিংথৌ তাবিনা ॥ পোইবইতোলপু থেমথোক্লুয় ॥ পোইবইতোলকা ॥ লৈনাওতাপীকা থোক্মানায় ॥ তাপুং সীঙমিংনাপা পোকয় ॥ সীঙমিংনাপানা ॥বামিংনাপা পোক্য় ॥ পামিংনাপানা ॥ লুরাং খুলথিপা পোকয় ॥ খুলথীপানা ॥ পুলসীপা পোকয় ॥ পুলসীপানা ॥ য়ীবেম নাওসঙখু পোক্য় ॥ নাওসংখুনা ॥ য়ুখুলচেং পোক্য় ॥ য়ুখুলচেংনা ॥ আসাং আবামপম পোক্য় ॥ আসাং আবামপমনা ॥ তীলপীচম লৈবোংচম পোকয ॥ ॥ লাইবেম সানা পোন্লাংনুনা ॥ লায়।

- ঙানতুকবা হ কৌয়ে। চাক থাকনা পীজবা হুইনে।

তাওবাবোল সলাই থাইবা লৈমা হুইমুলৈমা চাদা

তাওবাবোল শললাই থাইখৎপা ব্রা হায়গে। লাইয়িংথৌ তাইবঙ পালবা মপুনা- নুঙকা মহাবাবা, তাওপীবোইনাইগা অনিমক পোকয়ে। মখোয় অনিমনা নুঙমু তুমদা মাঙদবা মথকতা য়াহিপ তমদুনা ঈশিং ওংথী পোকয়ে। মবাহারাবগা, তাওপীবোইনাইগা, নুঙমু তুমদাবগা অহুমকনা ঈশিং মথকতা- অশাংপম, অবামপম অনিমক মানকতা তাওখৎলকয়ে। মৈ শানুবী পোকয়ে। তাওবীবোইনানা য়োইহৈচেংসুঙ। অতোংবসুঙ, আবেংবাসুঙ, অকুপসুঙ, অশংবসু অরাংবসু, পীকাইবসু, অঙাইবসু অকাইবা অহুইবসু, মোইবাং লাইসু পোকয়ে। মোইবাংলাইনা শলথোঙ লাইয়িংথৌ পোকয়ে। শলথোঙ লাইয়িংথৌনা হুইমুলৈমা পোকয়ে। নিংথৌ তারিনা হুইমুলৈমাবু শানদুনা লৌজেয়ে। অদুগা নুঙঙৌ ইমথংবা পোকয়ে। নুঙৌ ইমথংবা পোকলবা মতুংদা নিংথৌ তাবিনা লৈমা কাঙখলগা লোয়ননা নোংথৌদা কামিনখিদুনা পুবৈরোমবা পোকয়ে। লৈনুং হেপী কৌঙেদি হুয়বোল ৫ পোকয়ে। ক কৌঙেদি অকাইবা অশঙবা অরংবা শাবাংথেম, লৈশাংথেম অনিমা পোকয়ে। পীথেৎ লৈমা কৌঙেদি অঙোম পোকয়ে। হুইমু লৈমা কৌঙেদি- খুমলগা, লুরাংগা অনিসু পোকয়ে। থাকপা চানু কৌঙেদি- নোংশানচিংনা ৭ তবেৎ পোকয়ে। মালখোমতাও কৌঙেদি ইবাইনাচিংনা তরেৎ পোকয়ে। ফাইবী তেরা কৌঙেদি- কোকখোম পোকয়ে। য়ুহা, লোকলেম লাললেম, লোকতু, খোমতু, য়োংঙা কক্শা, মালশা হেবুকংচীকবা। ঙাংজেং লৈতকবা। নচিংবা পোকয়ে। নামোইনু য়োইরেলবী হায়না কৌঙেদি নিংথৌ চারলবা নিংথৌ খোইরিফাবা মখোয় অনি মা পোকয়ে। নিংথৌ তাবিনা পোইবৈতোলবু কৌথোক থেমদোকলুইয়ে। পোইরৈতোলগা লৈনাও তাবীকা অনিমক থোকমীনবকয়ে। তাপুংশিংমিংনবা পোকয়ে। শিংমিংনবনা- পামিংনবা পোকয়ে। পামিংনবনা লুরাং খুলথিবা পোকয়ে। খুলথিবনা পুলশিবা পোকয়ে। পুলশিবনা- ইবেম নাওশঙখু পোকয়ে। নওশংখুন- য়ুখুলচেং পোকয়ে। য়ুখুলচেংনা অশাং আবামপম পোকয়ে। আশাং অবামপমনা তীলপীচম, লৈবোংচম পোকয়ে।

১। নামোইনু মোংবা সঙকাইতী নামোইনু আহোঙপীনা কোলৌ নোংতোলমর্কাকি লৈরেল লৈচাওকা ॥ লাংমই পুঙতোংবা ॥ সমচি হুকতুং থাংকা ॥ থাপাক লৈখোমকা ॥ খুৎতোল খুৎতাংকা ॥ মমমই তেলকা ॥ নোয়না ঙমতাকা রাইফমদে ॥ মফমতী ॥ কংলাকি নোংপোক থংপা ॥ সামুথোঙকি মানাক পকনা ॥ লাইচি থংপা আতুনে ॥ লৈখাবোল লা ১২

২। খোইবিফাব চিংঙু নোংথৌ সবালে অরাং পাখ' য়োইবেলবানা চিনফুবোল হাওবোক কোনথৌ চনু পান্দুনা খোইরিফাবা পোকয়ে ॥ খোইবি ফাবাবু অসুম্না শৈথাই ॥ হে খোইমোম লাইয়িংথৌ চীঙু হুইনা চাওপা ॥ হুইননা বুচাওপা পামেল বুচুতকপা ॥ খোইমোম কোবৌহলপা কোবৌ নোংতোল হলপা নিংথৌ খোয়লী হাইপা নাওরা খুতাংসিংপা চীঙু লৈসং থেকরাইপা ॥ লৈলাং থয়োম লৈনৌপা লাংকোই সকোন তুখাই তোংপা লাইয়িংথৌ ॥ খোবিফাবা নাওথেম/ অনোইবোল লা ১০

য়িংথৌসনা॥ লইকংলাংপা॥ রায়বংনুনা॥ লইচীক্লেল॥ পীবীংখীখোম্নুনা॥ লইথুমলেল পীসীলকাঙপী॥ কাঙপীবেল্না॥ লৈতাম্সল॥ লৈসংলেল্না॥ লইকংলেল॥ লাইতোংলেল্চানুনা॥ লইচিংনাপা॥ লাইতংলেল চানুনা॥ লইতংঙালপী॥ লাইকক্ লইঙাবেল চানু যোৎলইমানা॥ লইতংপা॥ লইচীক্লেলচানুনা॥ নোংতমখুপা॥ লইথমলেল্চানুনা॥ নোংতম্হলপা॥ লইফুবেল চানুনা॥ পোংহলনাও॥ লইলেলচানুনা॥ পোংখুনাও॥ হাইনুবইমানা॥ কুকম্লেল্ খিংখিংপা॥ চাঁঙুবইমানা॥ খোমলেল্ মইনাই মইনাইতাপা॥ পীসিলনুনা॥ থাঙাঙ্পা॥ পীসিলখোমপীনা॥ হইবোঙ্ঙাঙ্॥ পাযাইনুনা॥ থাঙাঙলেল খোঙ্চুমপা॥ নোংখলয়াঙপানে ॥ ॥ আতীললোলতী॥ লইয়াবেলনা॥ লইহোঙচায॥ লইকক্লেল্না॥ লইচীক্চায়॥ থৌপীবইমানা॥ লইচৌপীনা॥ লইপাক চাওচায়॥ পীসিলন্না লইফানপীনা॥ নোংপোক্পাংনা॥ লইফান্চাখিয়॥ ঙাংঙোই লইবাম্পীনা নোংচুপপাংনা॥ লইবামখিয॥ লইতীলপীনা॥ লইপাক্তিলসিলচায॥ লইচীক্পীনা॥ লইপাকচীক্ চায॥ লইথমপীনা লইপাক্থমচায়॥ লইখোমতাওনা॥ লইপাক্ তওচায়॥ মালখোমতাওনা॥ কক্লুমাল্লু॥ কক্সামালসাচায॥ মালসাবিকনা॥ য়ীমহৌ কইহৌতমচায়॥ সিলচাবোযনাইনা॥ সিলতমচায়॥ লাংতেম্নুনা লইতেমচায়॥ মুমসীন্লোংনা॥ রুযেন্ রাযেনসৌয়॥ চোৎনু চাংনুনা॥ ফুসা রালসা তময়¹॥ কমপোং ফুবই রাললইমানা॥ ফুথোং রালথোং তম্পা॥ সীঙযীক্ মইয়াঙ তমচায়॥ য়ুকোয় সংকোয়নুনা॥ হীঅোই যাইঅোইতমচায॥ লোক্নু খোম্নুনা॥ ফৌঅোইচায়॥ হাইনুলইমানা॥ লওরুপা তমচায়॥ আকুপীনা ফৌসঙচায়॥ পাওহৈনুনা॥ সলসেলচায়॥ বাহাযবেল্না॥ সলখোম্চায়॥ সুমতেনুনা ফৌহোলচায॥ চীন্খুপী লাইতোংলেলনা পীৎ ২ খোংনা যীমলক কইবকতা॥ থৌচেল লালখে তমচায়॥২।৪।৬।৮। আসী খোংপাতী॥ ফায॥ ১।৩।৫॥৭।৯। খোংপাতী ফৎতে ॥ ॥ লায়য়িংথৌ তানৌ তাবেংপানা॥ চাবলপানা॥ কুতা থেৎতুনা॥ যী পোকয়॥ যীনা তুপু লমপু॥ ৭ লাইকাম॥ লাইমইবোম্পা॥ হুযবিয়া লাই হিংচা॥ লাইমইথালপী॥ সাপাইযা॥ খোংপাললাইতীনখাক্॥ ৮ মা পোকয়॥ ॥ লাইবেমাসি

সনা পোললাংনুগী চাদা

লাইবেম সনাপোললাংনুনা - লাইয়িংথৌম্নানা লৈকংলাংবা। রাইবংনুনা- লৈচীকলেল। পীবিংখোমনুনা- লৈথুমলেল পীশিলকাঙবী কাঙবীবেলনা- লৈতামসল। লৈশংলেলনা লৈকংলেল। লাইতোংলেল চানুনা- লৈচিংনবা। লৈতংলেল চানুনা- লৈতংঙালবী। লৈকক লৈযাবেল চানু যোৎলৈমানা- লৈতংবা। লৈচীক্লেন চানুনা- নোংতমখুবা লৈথমলেল চানুনা নোংতমহলবা। লৈফুবেলচানুনা পোংহলনাও। লৈবেলচানুনা- পোংখুনাও। হাইনুলৈমানা- কুকমলেল খিংখিংবা। চাঙুলৈমনা খোমলেল মৈনাই মৈনাইতবা। পীশিলনুনা- থাঙাঙবা। পীশিলখোমবীনা হৈবোঙঙাঙ। পীয়াইনুনা- থাঙাঙলেল লোঙচুমবা। নোংখলযাঙবানে পোকয়ে।


অতিললোল

অতিললোলদি- লৈয়াবেলনা লৈহোঙচায়। লৈকক্লেলনা লৈচিকচাযে। থৌপীলৈমা লৈচৌবীনা- লৈবাক চাওচাযে। পীশিলন লৈফানবীনা- নোংপোক পাংনা চৎখিদুনা লৈফানচাখবে। ঙাংঙোই লৈবামবীনা নোংচুপ মাইকৈ পাংনা চৎখিদুনা লৈবামখিয়ে। লৈতীলপীনা লৈবাক তিলশিলজৈয়ে। লৈচীকপীনা লৈবাক চীকচায়ে। লৈথমবীনা লৈবাক থমজৈযে। লৈখোমতাওনা লৈবাক তাওথোকচবে। মালখোমতাওনা কক্লু মাললু কক্সা মালসাজৈয়ে। মালশাবিকনা- য়ুমহৌ কৈহৌ তমজৈযে। শিলচাবোইনাইনা শিলতমজৈযে। লাংতেমনুনা- লৈতেমজৈযে। মুমশিনলোংনা- রুযেল রায়েন শৌবে। চোৎনু, চাংনুনা- ফুশা রালশা চফু- উয়ান তমনা শায়ে। কমবোং ফুবে রাললৈমনা- ফুথোং রালথোং চফুদা থোংবা থাকপা তমদুনা শিঙজা মৈয়াঙ মৈথা তমজৈয়ে। য়ুকোই সংকোয়নুনা হীওই যাইওই তমজৈয়ে। লোক্নু খোমনুনা ফৌ ওইজৈয়ে। হাইনু লৈমনা লৌ উবা তমজৈয়ে। অকুবীনা- ফৌ শঙজৈয়ে। পাউহৈনুনা শল শেলজৈয়ে। পাহাইবেলনা- সল খোমজৈয়ে। সুমতেনুনা- ফৌ হোলজৈয়ে। চিনখুবী লাইতোংলেলনা পীৎ পীৎ খোংনা, য়ুমলক কৈবক খুললকতা থবক থৌবম থৌপু পাউজেল লালখে তমজৈযে। ২ লক, ৪ লক ৬ লক ৮লক অসি খোংবদি ফৈযে। ১ লক, ৩ লক, ৫ লক ৭ লক ৯ লক খোংবদি ফৎতবা অরা অনা পাওনে ফৎতে।

তনৌ তবেংবগী চাদা

লাইয়িংথৌ তনৌ তবেংবা চাবলবনা- কুদা থেৎতুনা ঈপোকয়ে। ঈনা তুবু লমবু, তবেৎ লাইকাম, লাই মৈবোমবা, হুইবিযা, লাইহিংচা, লাইমৈথালবী, শাপাইয়া, খোংপাললাই তীনখাকনচিংবা নিপালমা পোকয়ে।

ফুসা রালসা তময় (চফু শাবা হৌদোকয়ে):- চফু শাবা হৌবকপগী মতাংদা অসুম্না পাম্রি- কোনচিলতিংথোকপানা মানা নিংথৌ রোইকে॥ হাইতুনা পাখংপা কৌনা॥ নুমিৎকি মাখোইতা লইযে॥ মহাকতাকি॥ সনাবেল ওমা খোকলে॥ সাপী সাবে॥ তোকপা সাবে॥ ১মতী রাপা সাবে॥ আতুকা রাপা নঙতি॥ লইকু লইলাইতা॥ য়ুমসাঙমঅো॥ চেংলইফম অোইনা॥ ফুসা রালসা তমলৌবে॥ সাপী নঙতি॥ ঙাঙলপা যমচিংকোল সাঅো॥ তোকপা নঙতি পুরাং সাঅো॥ চাদাশিংদি সারাংনে অংপেঙনে সোবিংনে চিনাংনে রাঙপনলে পোল্লংনে ওইনমনে ৬অসিদি ফু শাবনে॥ ফু হানন শাবকপদি কৈশা ওনবমনা (ওইনম) শাযে॥ ফু (চফু) গী মওঙ লৌনা তমলকপদি নুবা খুতোং লৈগী মখৈ তমনা শাবে॥ চকপা শলাই আহনবদি থৌবানদোংনে॥ - চফু শাবগী লৈবাক পেকপনা কৌব অহানবগী লৈথোং ফাংপদি ফাইবেল থার্দনি॥ লৈফাংপগী পোৎচংদি যে, ১, য়ু থকঙ ১ হৈকল লাকল কোনয়াই গুলগনি। পাখংবা লমংল লা ৮ ৯, চকপালোল ৫,৯,২০



লপীবইমা॥ লইতং নিংথৌ চানু॥ খোমখক॥ লাইবেলতী॥ তোলতওয়ীবোঙপা॥ চাঁওলাইতী॥ খিং খিং খাম্‌সা॥ হাওতোঙপু মিয়াও॥ তোক্‌পাপু মোক॥ নোংসাপু থাবানোংতাবেং॥ কৈপু আসীসাবা॥ লিলত্‌পু॥ লীকমাক॥৮ মা পোক্‌য ॥ ॥ লাইবেমমা লিবিলইমানা॥ খুম ২ হা হা॥ খুম খুম লইমানা॥ খুম খুম নিংথৌ॥ পীথ্রাইপী খোংত্রাইপী॥ নুমীৎ লুতমহৈপী॥ থাপা লাল্‌তম্‌হৈপী॥ মীৎমাক মাই মাক॥ সচীপী॥ লুমখোনপা॥ মাবীক্‌পী॥ সম্‌খোমপী॥ ঝোযথাঙ য়েৎথাঙ॥ বুঙক হামসা॥ লিবিলৈফোং॥ লাফাং॥ ঝাতাবই সিলহৈপা॥ ব্লুতাবই সিলহৈপা॥ ২৫ মা পোকয॥-+-॥ নুঙমুবইমা॥ সনা নুঙফালতোংপীনা॥ নিংথৌ কাংপা কাঙখল॥ মানাওতী মবিযাফম্‌পাল্‌চানে॥ মাচন সমতাংলেলনে॥ ১ তী নোংমোইনুনে॥ মানাইতী ঝোয়থাঙ্‌নে॥ খাংসেলনে॥ চাঁওঙুবইমা॥ খাকপা নিংথৌ চানুনা॥ থাবোং লোইবেল্‌নে॥ লইমা তাবি॥ ৩ মা পোকয॥ তাবিনা পুবাং পুবৈবোমপা পোকয়॥ মাতু ১ হুইমুবইমানা॥ লমলেকসাংনা হাওবোইপা॥ নুঙঙৌযীমথংপা॥ মানাও তোলপা থেংকোইপা॥ ৩ মা পোক্‌য॥ ॥ লাইবেল লোলতী॥ তীন্‌লিবেলনে॥ লাযযিবেলনে॥ খযীবেলনে॥ লিলতাওবেলনে॥ তাওবোযনাইনে॥ লিল্‌তাওবেলতী॥ যিখৈনিংথৌ ওইয॥ তাওবোইনাইতী॥ নুমীৎপু নাওবোযপীপানে॥ ৫ মাতী পীনাইতে॥ পীনাইপাতী॥ লাইকক্ লইযাবেল্ চানুনা॥ লৈসংলে আসঙপানে॥ লইতংলেল চানুনা লাইতোংলেল আতোংপানে॥ লইফুবেল চানুনা॥ লইতাংসাংপা॥ কোনফুলাইফু চানুনা॥ কোনসৌবেল॥ লাইযেক লাইখোৎ চানুনা॥ মইনাইপীনা॥ কুপ্‌ত্রেঙকা॥ সেলত্রেবঙকা॥ ২ মা পোকয়॥ কুপত্রেঙনা আঙোম পোকয॥ সেলতাবেঙনা নিংথেম পোকয॥ পীবিৎনু॥ অহুমনু আবৈনু॥ মাযবেঙহওপা চানুনা॥ নোংতা নোংখল্‌লেল্॥ লইনুং যাপীবোক্॥ যাপী যাইখু চানুনা॥ চাখা নুবোলপীবোল যামপী॥ লইমা ৩ লকপু সালআোনপী॥ যীমচাওবইমানা॥ আকুপ আনংপা॥ পাখংপানে॥ তাওবোযনাইনা॥ তুপু ওাইনা॥ নুমীৎতা কাখিবে॥ আতীংঙানা॥ বাখংপাপু॥ নোংলম ওাইনা॥ তুপুতা পীঙাময॥

শিলবী লৈমা লৈতং নিংথৌ লৈগী চাদা লাইবেমমা শিলবী লৈমনা লৈতং নিংথৌচনু খোমখক, লাইবেলদি তোলতৌ যাবোখবা। চাঁওলাইদি খিং খিং খামশা। হৌতোঙপু মিযাও। তোকপাবু মোক কৌযে। নোংশাবু থাবানোংতাবেং কৌযে। কৈপু অসিশাবা। লিলতুপু লীকমাক। মখোয নিপালমা অসি পোকযে।

লিবি লৈমগী চাদা লাইবেমমা লিবি লৈমানা খুম খুম হা হা। খুম খুম লৈমানা খুম খুম নিংথৌ। পীথ্রাইপী খোংদ্রাইবী নুমিৎ লুতমহৈবা। থাবালালতমহৈবী, মিৎমক, মাইমক, শাচিবী, লুমখোলবা, মাবিকপী, সুমখোমপী, ওইথাং য়েৎথাং, বুঙাক, হমশা, লিবি লৈফোং, লাফাং, ঝাতাবলৈ সিলহৈবা, ব্লুদালৈশিল হৈনার্নচিংবা ২৫ খক্ পোকয়ে।

নুংমু লৈমগী চাদা নুঙমুলৈমা শ্না নুঙফালতোংবীনা- নিংথৌ কাংবা কাঙখল মনাওদি মবিয়া ফমপালচানে। মচনদি শমতাংলেলনে অমদি নোংমোইনুনে। মনাইদি ওইথাঙনে, খাংশেলনে। চাঁওঙুলৈমা খাকপা নিংথৌ চানুনা থাবোং লোইবেলনে, লৈমা তাবি অহুম পোকযে। তাবিনা পুবাং পুবৈবোমবা পোকযে। মাগী মাতু অমা হুইমুলৈমানা লমলেকশাং হাও ওইবা, নুঙঙৌযীমথংবা, মনাও অতোলবা খেংকোইবা অহুমক পোকয়ে।

লাইবেললোল লাইবেললোলদি- তিনলিবেলনে- লাইযিবেলনে খাযিবেলনে, লিলতাওবেলনে, তাওবোইনাইনে লিলতাওবেলদি যিখৈ নিংথৌ ওইযে। পীনাইদবা তাওবোইনাইদি- নুমিৎপু নাওবোইবীবনে। মখোয মঙামক আসদি মপা মমা নাইদে লৈতে।

পীনাইবদি-

লৈকক লৈয়াবেলগী চাদা লৈকক লৈয়াবেল চানুনা, লৈশংলে অশঙবনে লৈতংলেল চানুনা- লাইতোংলেল অতোংবনে। লৈফুবেলচনুনা লৈতাংশাংবা। কোনফুলাইফু চানুনা - কোনশৌবেল। লাইযেক লাইখোৎ চানু মৈনাইপীনা, কুপত্রেঙগা, শেলত্রেঙগা অনিমক পোকযে। কুপত্রেঙনা অঙোম পোকযে। শেলত্রেঙনা নিংথেম পোকযে। পিবিৎনু, অহুমনু, আবৈনু, মাইবেঙহৈবা চানুনা- নোংদা নোংখললেল। লৈনুং য়াপীবোক যাবী যাইখু চানু চাখা নুবোল পীবোল যামবা লৈমা অহুমলকপু শাইওনবী, যুমজাওলৈমনা- অকুপ অবংবা, পাখংবনে। তাওবোইনাইনা তুবু ওইনা নুমিৎতা কাখবে। অতিংঙানা পাখংববু নোংলুম ওইনা তুবুদা শীবমযে।

১। পাখংবা তাইপঙপালপকি থরায়না যানা লৈকনে॥ যাঁনে ৩ মাকি মাতোলতা খোকহালতা॥ মেলনা ফমঙে॥ মেল কৌযে॥ মমিংতী ঙাওত্রংপা ত্রবংঙাঙ হো শিকশিব কৌযে॥ তাইপঙ পালপাতা লেবিব॥ সা, ঙা, ভীন, লাই মী আসি খৈপাকনা॥ মপা খঙতাপাপু॥ মপা খঙহাললে॥ হাযপাকি পাখঙপা কৌযে॥ সিতাপা মাপুতী॥ চাওবকপাসুঙ লৈতে পাখংনিংথাপা ওাইন লৈযে হাযপাক॥ পাখং পাখংপা কৌএ॥ মানুং মপাল খঙনে হাযপাক॥ পাখঙপা কৌএ॥ মাপুসিতাপা লেঙতাপানা লৈপাপু থাবায পালপানা॥ খৈপীকনা॥ ব্লবে॥ মঙালনা মাপুকুম ঙালনে॥ মইতেংঙু কৌবে॥ তাইপঙ পালপাক॥ মাপ পুবৈবোমপাকা॥ সিতাপাকা ১ মাপু॥ পাংপাং কৌযে॥ নোংনিংথৌ কৌপাতী পুবৈবোম্বনে॥ লযনিং কৌপাতী সিতাপানে ২ মাপু॥ পুমা কৌযে॥ পুমাপ কৌগে॥ তাইপঙপালতা লৈবিপা॥ মী মলনাবে॥ তা ঙালনা মাচু মামেল, মঙাল মাসা॥ মাইক মাঙন তোপনা ১ বোইবে॥ হাযপাক॥ মইতৈ কৌযে॥ থরায পাললিপা খৈপীনা॥ সিতাপাতা॥ চঙাঁখতনা॥ যানপা পীকবে॥ পোইবই কৌবে॥ খোইপুংচাংকি চাঁওখোঙবা॥ যাবে চাঁঙখোঙ কৌযে॥ কালনা॥ অতানা॥ সিথোকলকায অসিপা কৌযে॥ খোয়পুঙ চাঙাক চাঁওখোঙতা॥ চঙলকতানা॥ সিতাপাতা নোলবে॥ পাখংবাবু চিঙখোঙ অতোললপ বাযে॥

[illegible]

তাওবোয়নাইনা তুপু সাওইকি মামিংতী॥ লিকলেং কৌয়॥ বাখংপানা॥ নুমিৎতা॥ নোংলুম আইনা লৈঙইতী॥ আংসলত্রং॥ নোংসলঙাও তাবং তাবংসল নোংসল কৌয়॥ আতিংঙা॥ লইমা ৩ আইপী॥ পানতুনা রায়চীক্সীতা॥ লৈঙময়॥ তুপুনা লইমা ৩ লক্ আইপাতা পীতায়॥ লইমা ৩ লক্ আইপীনা॥ নবোয থাপাকা॥ নোংতা তুকুপলীক কৌয॥ রাংকোলতা পুখিতুনা॥ কোলয॥ আকসঙতা থায নোংলৈসংনা কোলখায়্॥ কোকতাবে॥ মামিংতী লইযোন্লাং তানৌপা কৌয॥ লইমা ৩ মক আইপীতী॥ মামিং তানৌ নুঙতাবেঙপী॥ কৌয়॥ ২ মা রোকনাবে॥ পাখংপানা॥ নোংথিলতী লিলকি মাসক আইনা লৈরে॥ মামিং লইমা খমপা কৌয়॥ আহিংতী॥ মিকি মাসক্ আইনা ফমলে॥ মামিং মীহিং সং হিংসং ঙাঙ্ কৌয়॥ তুপুতী॥ নুমীৎতা কাখিবে॥ আতিংঙাতী লৈঙামতাবে॥ তুপুনা কারম হওখিপানো॥ হায়দুনা॥ লমপুসানা॥ নোংচুপ নোংপোক॥ খা আরাং॥ ৮ মাতা থিপাপু খঙতাবে॥ পুথিপা কৌয়॥ মামিংতী॥ চিপা কৌয়॥ লীশিং চাইপা সাবে॥ মামিং লইনুং খিংখিং য়ীথিবা॥ কাঙ্পী লীক মাক কৌয়॥ মাচন ২ নে॥ ১ তী থোঙ্ঙাক্ লইমা আইবিয়॥ মামিং নীঙয়ইনু॥ সীবাকোংতিংনু ফামলনু কৌয়॥ ১ তী আঙোম্কি যীমচাওবইমা ওইবিয়॥ ম্যামিং ঙাংঙোইনু॥ মইতাবেঙ ঙাঙতাবেঙ কৌয়॥ পালথোইবীনে[1]॥ মা ২ মামুল্ চোমপীনা পোকপানে॥>॥ লাইকি লাইহুইতী লইকক্লেল চানুনা॥ পলথৌ মাপাপোকপু॥ লাইহুইপাতী॥ লাংকপীনা॥ লাইহুইয়ে॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ চাতানা লাইহুইপাতী॥ হীকুপীনা চাতানা লাইহুইয়॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ সনা লীক্লাই য়েলপাতী॥ সচীপীনা॥ সনা লীকলাই য়েলয়॥ ॥ লইতংলেল চানুনা॥ পল্থৌ মাপাপোক্পু॥ লাইহুইপাতী॥ য়াইপোক্পীনা লাইহুইয়॥ পল্লেম মা ২ পোকপু॥ চাতানা লাইহুইপাতী॥ লাইসানা॥ চাতানা লাইহুইয়॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ সনা লীকলাই য়েলপীপাতী॥ য়াইবই মানা লীকলাই য়েলয় ॥ ॥ লইফুবেল চানুনা॥ পলথৌ মাপাপোক্পু॥ লাইহুইপাতী॥ মাঙরাযনুনা লাইহুইয॥ পললেম মা ২ পোক্পু। চাতানা লাইহুইপাতী॥ য়াইকুপীনা॥ চাতানা লাইহুইয়॥ পললেম্ মা ২ পোকপু॥ সনালীক্ লাই য়েল্বাতী॥ চিনু লৈমানা॥ সনা লীকলাইযেলয়॥ ৲ ॥ কোলফু লাইফু চানু॥

তাওবোইনাইনা তুবুশাঙৈগী মমিংদি লিকলেং কৌয়ে। পাখংবনা নুমিৎতা নোংলুম ওইনা লৈঙৈগী মমিংদি রোং সল তবং নোং, সল ঙাঙ তাবং তব° সল নোং সল কৌয়ে। অতিংঙানা লৈমা অহুমলক ওইবী পানদুনা রাইচীকশিদা লৈবময়ে। তুবুনা লৈমা অহুমলক ওইবিদা অমুক পিথমদুনা পাখংবাবু শিনইঙেদা লৈমা অহুমলক ওইবীনা নখোই লোযনবা থাবাক নোংদা তুকুপ লীক হায়না কৌবা রাংকোল যুমলেলদা পুখিদুনা কোলয়ে, ওকশঙদা লৈযে। নোংলৈশংনা কোলখাযে। কোকতাবে। মমিংদি লৈয়োনলাং তনৌবা হায়না কৌয়ে। লৈমা অহুমলক ওইবীদি মামিং তানৌ নুঙ তবেংবী হায়না কৌয়ে অনিমা ওকনবে। পাখংবনা- নোংথিলদি লিলগী মশক ওইনা লৈবে। মমিংদি লৈমা খমবা কৌয়ে। অহিংদি মীগী মশক ওইনা ফমলে। মমিংদি মীহিং শং হিং শং ঙাঙ কৌয়ে। তুবুদি নুমিৎতা কাখিরে। অতিংঙাদি লৈঙমদরে। তুবুনা কবম হৌখিবনো হায়দুনা লমপু শানা নোংচুপ, নোংপোক, খা অরাং মাইকৈ নিপালমকতা থিববু থিবা খঙদবে- থিবিঙৈগী মমিংদি পুথিবা কৌয়ে- মমিংদি চিবা হায়না কৌয়ে। লীশিং চাইবা শাবে। মমিং লৈনুং খিং খিং ঈথিবা কাঙবী লীক মক হায়না কৌয়ে। মাচন অনিনে- অমদি থোঙঙাক লৈমা ওইবিয়ে। মমিংদি নীঙয়েনু শিবাকোংতিংনু ফামলুনু হায়না কৌয়ে। অমদি আঙোমগী মৌ য়ুমচাও লৈমা ওইবিয়ে। মমিং ঙাংঙোইনু মৈতাবেঙ ঙাঙ তাবেঙ হায়না কৌয়ে। পালথোইবীবুনে। মখোয় অনিমদি মুলচোমপীনা পোকপানে।

লাইহুই হৌবা লাইগী লাইহুইদি লৈকক্লেল চানু পলথৌ মপাপোকপু লাইহুইবদি লাংকপীনা লাইহুইনা পোকয়ে। পললেম মমা পোকপু চাদানা লাইহুইবদি হিকুবীনা চাদানা লাইহুইয়ে। পললেম মমা পোকপু সনা লীকলাই য়েলবদি- শাচীবীনা সনা লীকলাই য়েলয়ে।

লৈতংলেল চানু লৈতংলেল চনুগী পলথৌ মপা পোক্পু লাইহুইবদি য়াইপোকপীনা স্না পিবিকনুংদগী লাইহুইনদুনা পোকয়ে। পলেম মমা পোকপু চাদানা লাইহুইনা পোকপদি লাইস্নানা চাদানা লাইহুইয়ে। পললেম মমা পোকপু স্না লীকলাই য়েলবদি য়াইবৈম লীকলাইনা য়েলযে।

লৈফুবেল চানু লৈফুবেল চানুগী পলথৌ মপা পোকপু লাইহুই থনা চাদানা পোকপদি মাঙরাইনুনা লাইহুইনা পোকয়ে। পালেম মমা পোকপু চাদা লাইহুইনা পোকপদি য়াইকুবীনা চাদনা লাইহুইয়ে। পললেম মমা পোকপু সনা লীকলাই য়েনবদি চিনু লৈমানা স্না লীকলাই যেলয়ে।

১। পালথোইবী (পাম্থোইবী): রাংকোল কৌবদি নোংপাক্কা পালথোইবীকা ওকননা মফমনে, পালথোইবীদু রাংঙমলোল কৌয়ে॥ নোংপোকপু রাংকোল লাইপাখং কৌযে। পালথোইবীপু রাংকোল লাইকম্বা কৌয়ে॥ রাংকোল কৌপাতী অনুঙৈাকনে॥ - পালথোইবীবু অসুমনসু শৈথায়: ভেংনৌ সচই সংতা। সামা চুমথোঙ হাংতা। লাঙচল পুক্লিথোকতানা। যাবা খোলনাই তাক্লিঙই। অতোঁংডা পুনং পালতমাইতাপাক্কি, কুর্মাচং হিন্দাক লিতোঙনা। চীঙখৈ লৈনা পালতমকুম। বুলপী পুকনিঙ সুমপাতা। কাচেং নোংথাঙ কুপকুম। কুপফেং তাকুপলক্পাতা। আপোক্ থোইলা মালহৌ-পী। থাঙলেল হাইকুপ চেলপী। কাচেং নিংথৌ কনপী। আরাং নুঙকোনন্ সেলসমৈ চাবাং নাকমপোং। তাংচা নাবিল সং লিলহা তোলকোলপাপু। খাঙ য়েংনাপী। চকমোম খামপী মৈত্রেং মৈথাঙথৌপু মইতাংপী। নোংচুপ মৈলা পোলচেংঙমপী। নোংচুপ ফেনচা নোংহুমসা। লংমাই সনানা চিঙচাও সাপু সানাপী। তমপা লাইচম লৈমা। খেকমোই থালপী। তমপা পালপা ফাপী। রাংঙম কৈলেক্ তোংপী। খেকলোই মালপল থকতা। লাংকোই থোঙখুল নাইতাপী। আঙাঙপা হেললোই চঙপী। নোংসাতানা লৌকংপী। নোংচুতানা সাইচোংপী। যৌলা মাচেংকংপু। কংলৈ পুঙ্ ফানিক্ পী। চাইচোং মীসৌ লাংতা-পী। লেমপা কলঙ আরাং-



পলথৌ মাপাপোকপাতী॥ লাইহুইপাতী॥ তুংবাইনুনা হুইয়॥ পললেম মা ২ পোকপু চাতানা লাইহুইপাতী॥ য়াইসনা॥ চাতানা লাইহুইয়॥ পললেম্ মা ২ পোক্পু॥ সনা লীক্লাই য়েলপাতী॥ থোইনুনা সনা লীকলাই য়েলয় ॥৩॥ লাইয়েক লাইখোংচানু॥ পলথৌ মাপা পোকপু॥ লাইহুইপাতী॥ লৈবিঙমপীনা লাইহুইয়॥ পল্লেম্ মা ২ পোকপু চাতানা লাইহুইপাতী॥ হীবইমানা চাতানা লাইহুইয়॥ পল্লেম মা ২ পোক্পু॥ সনা লীক্লাই য়েলপাতী॥ মাহুলনুনা॥ সনা লীকলাই য়েলয়॥৪॥ লইনুং য়াপী য়াখুচানু॥ পলথৌ মাপাপোকপু লাইহুইপাতী॥ থেবেলোংপম্ চানুনা লাইহুইয়॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ চাতানা॥ লাইহুইপাতী॥ লৈফোলঙমপীনা॥ চাতানা লাইহুইয়॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ সনালীকলাই য়েলপাতী॥ তলথাংনুনা॥ সনা লীক্লাইয়েলয়॥ পাখংপা পোকয়॥৫॥ লাইফঙথৌকি বা হায়কে॥ লায়য়িংথৌ আপলপাকি॥ কংলা লাইফঙথৌতী॥ কাবিনে কাবানে॥ নোংতমপানে॥ আবাক আতমপা॥ বুকোংলেল ৫ মানে ॥. ॥ লইপাক সেমপা লাইফঙথৌতী॥ আমুবাচা॥ লইকারেমপা॥ নোংকারেমপা॥ সিলকাবেমপা॥ পিসিল্নু বায়েলপা॥ তওবেলখুপা॥ তওবেলহুলপা॥ বুরেল খুপা॥ বুবেল্হুলপা॥ নোংয়ায়চারী আেনপা॥ খোম্মা য়োংঙা॥ চাওরা মপান্থিপা॥ মালখোমতাওপা॥ ১৪ নে॥৬॥ লংমাইচীঙকি লাইফঙথৌ চীঙসাপাতী॥ য়াবানে॥ কোলখাং॥ লোক্লেন্॥ লাললেম॥ লোকতু খোম তু॥ পীরুকপীতাই॥ নেম্তা হাতা॥ য়ীকপলেল্॥ য়ীবাংলেল্॥ সাম্পা থাঙথোং॥ য়ীলোন্খাঙ॥ য়ীবাইবা॥ লায়য়িংথৌ মিংমারু মায়্মারু॥ নে॥ য়াবাতী লায়য়িংথৌনে॥ কোলখাংতী লাইরেম মানে॥ ১৭ নে॥৭॥ থংচীঙকি লাইফঙথৌতী॥ পোন্তে পোন্লাং॥ য়ীপুল্লেল্॥ য়ীতাইবেল॥ য়ীকাংলেল॥ নুঙচোংপা॥ নূঙকাপাক॥ নুঙকাচেং॥ লইকাচেং॥ নোংকারেঙ॥ বান্তওপা॥ বানঙৌপা॥ বালমুপা॥ চারিসেলপা॥ মাকুকুবোল॥ সারংরুং লইতাঙ॥ লাংচেং সেললোয়নাই॥ ১৭ নে॥৮॥ মারাচীঙকি লাইফঙথৌতী॥ নোইতা॥ সোইতা॥ সঙাইনিংসিং॥ ঙাইকপলাক্॥ থেপা॥ বোংশল পুঙসল॥ কাঙসল॥ চীবোংকামু॥ চীবোংলমহাই॥ চীবোংলমসল॥ পোংখু পোং

কোলফু লাইফু চানু

কোলফু লাইফু চানুগী পলথৌ মপা পোকপু চাদা লাইহুইথবদি-তুংবাইনুনা চাদা লাইহুইয়ে। মাগী পললেম মমা পোকপু চাদানা লাইহুইবদি য়াইস্নানা চাতানা লাইহুইয়ে। পললেম মমা পোকপু স্না লীকলাই য়েলবদি থোইনুগী স্না লীকলাইদগী য়েলনা পোকয়ে।

লাইয়েক লাইখোং চানু

লাইয়েক লাইখোং চানুগী পনথৌ মপা পোকপদি লৈবিঙমবীনা চাদা লাইহুনা পোকয়ে। মাগী পলেম মমা পোকপদি হিরৈমা কৌবীনা চাদা নাওদান লাইহুইদুনা পোকয়ে। পললেম মমা পোকপবু স্না লীকলাই য়েলবদি মহুলনুগী সনা লীকলাই নুংদা য়েলনা পোকয়ে।

লৈনুং য়াপী য়াখু চানু

লৈনুং য়াপীয়াখুচানুগী পনথৌ মপা পোকপদি থেরেলোংপম চানুনা চাদা লাইহুইনা পোকয়ে। মাগী পললেম মমা পোকপদি লৈফোলঙমবী কৌবীনা চাদ লাইহুইনা পোকয়ে। পললেম মমা পোকপবু স্না লীকলাই য়েলবদি তোলথাংনুগী স্না লীক্লাইনা য়েলয়ে- পাখংবা পোকয়ে।

অপালবগী লাইফঙথৌ

লাইফঙথৌগী বায়মবু খঙনবা হায়গে- লাইয়িংথৌ অপালবগী কংলা পুবা লাইফঙথৌদি- কবিনে কবানে নোংতমপনে। অবাক অতমবা। বুকোংলেল মখোয় মঙামা অসিনে।

লৈপাক শেমবা লাইফঙথৌ

লৈবাক শেমবা লাইফঙথৌদি- অমুবাচা, লৈকারেমবা, নোংকারেমবা, শিলকারেমবা, পিশিলনুবায়েলবা, তৌরেলখুপা, তৌরেলহুলবা, বুরেলখুবা, বুরেলহুলবা নোংয়াইচারীওনবা, খোমমায়োংঙা চাওরামাপানথিবা মালখোম তাওবা মখোয় তারামরি অসিনে।

লংমাইচীঙগী লাইফঙথৌ

লংমাই চীংগী লাইফঙথৌ চীঙশাবদি য়াবানে কোলখাং, লোকলেন, লাললেম, লোকতু খোমতু, পীরুক পীতাই, নেমতা হাতা, ঈকপলেল, ঈবাংলেল, শামবা থাঙথোং ঈলোনখাঙ, ঈবাইবা, লাইয়িংথৌ মিংমরু মাই মারুমচিংবশিংনে। য়াবাদি লাইয়িংথৌনে, কোলখাংদি লাইরেমমনে মখোয় ১৭ অসিনা নোংমাইচীঙগী লাইপুংথৌনে।


থাঙচীঙগী লাইফঙথৌ

থাংচীঙগী লাইফঙথৌদি- পোনতেকোনলাং ঈপুললেল্, ঈতাইলেল, ঈকাংলেল্, নুঙচোংবা, নুঙকাপাক্,নুঙকাচেং, লাইকচেং, নোংকারেঙ, বানতৌবা বানঙৌবা, বালমুবা, চারিসেলবা, মাকু কুয়োল, সারুংলৈতাঙ। লাংচেং শেললোইনাইনচিংবা মখোয় তারাভরেৎ অসিনে।

মরাচীঙগী লাইফঙথৌ

মারাচীঙগী লাইফঙথৌদি- নোইদা, শোইতা ঙাইচিংশিং। ঙাইকপলাক, থেবা, বোংশল, পুঙশল। কাঙসল, চীরোংকামু, চীয়োং লমহাই, চীরোং লমশল॥

পী। য়োইপু তোইপী কৌপী। তোইপী তংকা চানু। তওলা নোংতং লেংপী। তওচেং কামনা হুলনা চাকতাপী। কোয়ৌ নোংনা নালাপাসুং নাতাপী। মাললেম লৈমা সোললাপাসুং সোলতাপী। কোয়ৌ নোংপু লাইফল্পী। মাল্লেম লৈপু লাইয়েংপী। কবৌ নোংনা খঙতাপী। মাললেম লইনা বুতাপী। মানু য়াংলও তেলা লম্লাই ঙালপা চেক্কুম-পী। তম্পা আচাও পাইপুয়োন্পা। আসাং লমপু ফাপা চানু। তমপা হেক্ঙাই মিনুং আেল্। বাংকোল লাইকলা আতেং-পী। তুপী চীঙলাই লইমা। লাইরেল কাচেং ঙালপাচানু। তমপা হেকঙা মিনুং আেন। য়োইপু খোঙনিঙ চঙপী। তমপা মুমা লাং-পী। নাপল তাংসকতা-পী। আতু মিথাতা-পী। তমপা খোইযোম লাইলেমমা। হইনা থৌথিং ফাতা। য়াংফং কোল্য়োন্ তমতা-পী। য়োইপু পুকনিঙ্ চঙ নাবাচা। হেক্লম সংতোংমা। লইকাই হোনলোই চঙনা তোইতাও-পী। খুকা বা সমচেংনা তোইতাও-পী। চকপা লইখুচামতা মিয়েং-পী। তেক্কা তেক্পা মাথকতা। তেক্কা লাইচা য়ীফু-পী। নৌকা নৌপা মাথকতা কপলাক থৌতু নুঙথৌ নুঙনল্-পী। নুংনাং লেকায়ামপী। থৌতু নুঙমাই য়েনপী। চায়াং য়েননালেকনা। লাইচা য়ীকা য়ালনা সালতেং-পী। নাপাঙ বুতী সেকচুম য়ীনা সমসেং-পী। লাংপল চেংচাম ঙাফায়ীনা সমমাল-পী। লাংপল খোইজিক লাই। বাত্না সিলচৈ য়ীনা



লেলসাংপা॥ খুলমা॥ খুলচীঙ॥ চাবীপা॥ চাবীপী॥ খোম্লেল্ মইনাইপা॥ নুসাংপা॥ তোন্মইপা ২০ নে॥ ॥ কাংপা কাওখলকি লাইফঙথৌতী॥ ঙাংলেলচাওপা ঙাংলেসাংপা॥ ঋাংখুতেনপা॥ ঋাংখুসাংপা॥ কোক পাক্পা॥ লুঋাওপা॥ সিপু কাংচীকপা॥ ঙাংচেংলইতকপা॥ পোকপী॥ পালপী॥ খানু॥ ঙালনু॥ খানচাওপা॥ খালতোমপা॥ মনি॥ পাবইলংলা॥ লীকখুসু॥ ঋাপাতোম্মইপা॥ যীবোক্ যাবাইপা॥ পীথেৎপীমাঙ॥ ২০ নে॥ ॥ চাতানা লাইহুইপাতী॥ লইনুং য়াপীবোক্ মীবোক্কি॥ পালথৌ মাপাপোক্পু॥ লাইহুইপাতী॥ লইনুং য়াপীবোক্না লাইহুইয়ে॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ লাইহুইপাতী॥ লাইয়াবেলনা চাতানা॥ লাইহুইয়॥ পলথৌ মাপা পোকপু॥ সনালীকলাই য়েলপাতী॥ য়োংলইমা সায়ানু সললাইহলপীনা॥ সনা লীক্লাইহলপীনা॥ সনা লীক্লাই যেলয পাখংপানে॥ ॥ লাইস্রা হইবোঙলেলপাচানু॥ পলথৌ মাপাপোকপু॥ লাইহুইপাতী॥ লইনুং পীসানুনা লাইহুইয॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ চাতানা লাইহুইপাতী॥ ঙালপা য়ুচাখানা॥ লাইহুইয়॥ পল্লেম মা ২ পোকপু সনা লীকলাই য়েলপাতী॥ ঙালনুপি যাইনুনা॥ সনা লীক্লাইযেলয়্॥ খুইপোকয॥ ॥ নোংমোইনু পলথৌ মা ২ পোকপু॥ লাইহুইপাতী॥ নুঙমু নুঙঙৌ লইমা॥ সনা নুঙফালতোংসাফাপীনা॥ লাইহুইয়॥ পললেম মা ২ পোক্পু॥ লাইহুইপাতী॥ সিলপীবইমাতইতং নিংথৌ চানুনা॥ লাইহুইয়॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ সনা লীকলাইপাতী॥ চীঙঙুবইমা লোকখায়নিংথৌ চনুনা॥ সনা লীক লাইযেলয॥ তাওথিংমাঙ পোকয॥ ॥ হাওনুখু পলথৌ মাপাপোকপু॥ লাইহুইপাতী॥ খুলপী মানীকনুনা॥ লাইহুইয়॥ পাললেম মা ২ পোকপু॥ লাইহুইপাতী॥ সাচুও লাংমইপা চানুনা॥ লাইহুইয়ে॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ সনালীক্লাই যেলপাতী॥ হাওনুবইমা তলথাংনুনা॥ য়েলয়॥ খুইনিংঙোলপানে॥ ॥ পেংসীপানে ২ মাতী ১ হানে॥ ॥ লাইতোংখু পলথৌ মাপাপোকপু॥ লাইহুইপাতী॥ সলথোঙ পুঙপুলুপপাচানুনা॥ লাইহুইপামানে॥

পোংখু পোংলেল শাংবা, খুলমা খুলচাঙ, চাবীবা চাবীবী, খোমলেল মৈনাইবা, নুশাংপা, তোনমৈবনাচিংবা মথোয ২০ অসিনে।

কাংবা কাওখলগী লাইফঙথৌ কাংবা কাওখলগা লাইফঙথৌদি ঙাংলেল চাওবা, ঙাংলেশাংবা, ঋাংখুতেনবা, ঋাংখুশাংবা, কোক পাকপা, লুঋাওবা, শিপু কাংচাকপা, ঙাংচেংলৈতকপা, পোকপী, পালবী, খানু, ঙালনু, খানচাওবা, খালতোমবা, মনি, পাবৈলংলা, লীকখুসু, ঋাপাতোমমৈবা, ঈবোক্ঈশাইবা, পীথেংপীমাঙনাচিংবা ২০ অসিনে।

য়াপীবোক চানু চাদানা লাইহুইবকপদি লৈনুং যাপীবোবকি পলথৌ মপা পোকপু লাইহুইবদি লৈনুং য়াপীবোকনা- লাইহুইয়ে। পললেম মমা পোকপু লাইহুইবদি- লাইয়াবেলনা চাদাদুনা লাইহুইয়ে। পলথৌ মপাপোকপু- সনা লীকলাই যেলবদি - য়োংলৈমা সানানু সললাইহলবীনা স্রা লীকলাইযেলযে পাখংবনে।


লাইশ্রা চানু লাইশ্রা হৈবোঙলেলবা চানুগী - পলথৌ মপাবু পোকপনা লাইহুই চাদাবদি- লৈনুং পীশানুনা পোকতুনা লাইহুইবমমে। মমা পললেম ওইবীবু পোকতুনা চাদা লাইহুইবমবদি- ঙালবা য়ু চাখানা পোকতুনা চাদাইযে। পললেম মমা পোকপী সনা লীকলাইনা যেলবদি ঙালনুপীয়াইনুনা স্রা লীকলাই যেলযে। খুই পোকয়ে।

নোংমাইনু চানু নোংমোইনু- পলথৌ মপাবু পোকতুনা লাইহুই চাদাবদি নুঙমু নুঙঙৌ লৈমা সনা নুংফাল তোংশাফবীনা পোকতুনা লাইহুইবমযে। পললেম মমা ওইবীবু পোকতুনা চাদা লাইহুইবমবদি। শিলবীমৈমা লৈতং নিংথৌ চানুনা পোকতুনা চাদাইয়ে। পললেম মমা অপোকপী স্রা লীকলাইবদি চীঙঙুলৈমা লোক খাইনিংথৌ চনুনা স্রা লীকলাই য়েললয়ে। তাওথিংমাঙ পোকয়ে।

হাওনুখু চানু হাওনুখু পলথৌ মপাবু পোকতুনা লাইহুইনা চাদাবমবদি খুলবী মনিকনুনা পোকতুনা লাইহুইবময়ে। পললেম মমা ওইবীসু পোকতুনা চাদা লাইহুইবমবদি স্যাচুও লাংমৈবা চানুনা পোকতুনা চাদাইয়ে। পললেম মমা অপোকপী স্রা লীকলাই যেলবাও হাওনুলৈমা তলথাংনুনা য়েলয়ে। খুইনিংঙোলবনে। পেংশিবনে অনিমকতি অমতনে।

লাইতোংখু চানু লাইতোংখু পলথৌ মপাবু পোকতুনা লাইহুইনা চাদাবমবদি শলথোঙ পুঙপু লুপপাচানুনা পোকতুনা চাদা নাওদানা লাইহুইনা য়েললয়ে।

খাওইতে-পী। লংমাই সানা লাইহুই যানা হইহুই-পা। আলাই লাইমা নিংসা লই। সমখু লাইকা পেকনা তেনথৌ পী। সমচেং তোনাল খোইনা। সমতুক মাইংলোং তেল পা। তুমপা তাওচা সমখাইলেন। খুহালংথৌ হোম পাকপা চইনলামপু। সাবা তুলই খাইনা। খিং খিং তাওচা সমখাইবেনপু। লাইলক মাচিল মানাওনা। চেঙনা থৌতোন লম চীঙসোং মাতৈ মানাওনা। পাঙলই লংকুম লম কুমপী। ঋাংঙম সমচী বোইলম হুন। খিং খিং কাইথৌ মাসনসিপু। মাংচু ঙাংঙোই যোইমোংপা। লুনিঙ শুককুমপা। য়োইপু তাংচা লুমাঙ খাইপু চুনা পী। সমলাং নাকচে পাঙমানা। কালথা নামলেল মীকুম-পী। সমলাং নাকতৈ পাংমানা। নাকা মাঙসোক য়াকুম পী। তৈযন নাইরাল নাতৌকুম পা। কাওবেল লেল সলসিলনাকে কৌকুম পা সাবা লুফোঙ মইখোক চেককুম পী। সমলা তোলনা নাল পা। ওইখোং সিলথোক চৌ। মোমনু থিকথেল চোমফাল। নুলা খিং খিং মৌকৈ থোংপু। আমাঙ নইফা চানু। লৈমা আখোং আযাঙ ফাপা। খিংখিং চোমফালি। মেলনোঙ খুংনা বোলনা। সানা লাকা তাইগুল চলপাপু। খাওতপ নাওলাই হেন-পা। ঋাংঙম লাপাক লকসি-লম। চাইচা হইলাং চালনা। চোইনও সানা পুলকুম। তাওচীঙ মালই ফাপী। মুক্তা লিককোই থিলকুম। থিকলেল চাইচি তেন পা। খাকী লংনা কললী। কিয়াং লানা



পল্লেম মা ২ পোকপু॥ লাইহুইবপাতী॥ য়াইপীরেলনা লাইহুইয়॥ পললেম মা ২ পোকপু॥ সনালীকলাই যেলপাতী॥ ৱাঙনু বইমা খোংচোমফাবী॥ থোঙ্লেল্খলপী॥ চাপংনেন্পীনা॥ সনা লীক্লাইযেলয। খুইনিংঙোলপা পেংসীপা ১ মাতী॥ কাওখঙপা নাওখমপা সাপানে॥ ৪ মাতী ১ হানে॥ হর্লাচিল ২ নাপনে॥ আসীনে খঙঅো ॥ ॥ লাইবেল তুতৌপাতী[১]॥ যিংথিং তৌপা॥ চীবোং চীচাও॥ মাক্লং তওপা চীবোং চীপোঙ্॥ থৌপাল তওপা॥ চীবোংলমসল॥ চীবোং হাইনাই॥ যীবিল তওপা চীবেল লমসল॥ যীচীথী॥ যীবোংতওপা চীবোং চীংসাং॥ ৱাযসেল তওপা চীবোং চীয়াথী॥ লুৱাংযীতওপা॥ চীবোং চীয়াবাং॥ ক্বায়ী তওপা॥ চীবোং কালমু॥ তুবেল তওপা চীয়াবোং॥ তুতও ৱানে॥ ॥ লৈপাক মাইপাতী হামলেল লইকা সঙনোং যুনোং সানবকথাযবা খামুলতইপা॥ লাংনাবইপা॥ লৈসং ৱায়পা কোনতে খুবাইতাঙ্বা ৭ নে॥ ॥ নোংথৌ মাইপাতী[২]॥ হামলেললীপা॥ চাকৱা॥ পুথিয়া॥ চেঙ্পুবইপা॥ কবওলেম্পা॥ সোংলেলপু॥ চিবাইতাঙপা॥ ৭ নে॥ ॥ মাইপীবোলতী॥ খাযীপী॥ লাইযিপী॥ মাঙৱাযনু॥ তুংৱাইয়নু॥ সচীপী॥ লাংকক্পী॥ লাইস্রবা॥ খোংঙাইনু॥ কোনথৌসু॥ লৈৱায়নু॥ লাইনুসু॥ চীঙখৈনু॥ ১২ নে॥ ॥ লইপাককি আসৈপাবোলতী॥ হুম্লেঙ॥ লাইপাক্ৱাক॥ হইসকোংচি॥ কোংপায্ ৱাক্॥ লইকংৱা লাইকং লাংপা কাঙখু॥ তেংঙলেঙ্ৱাক॥ খানিংলেং॥ নোংতোঙৱা॥ য়াইবোং সীঙ্থিপা॥ সীঙসুৱাক্॥ লিক্সলাবাখংপা॥ লেবাখা॥ খাবোয শেমপা ৱাক॥ খাবাং থাং থাংপাৱাক॥ ৭ নে॥০॥ নোংথৌ আসৈপাতী॥ নোংখোং নোং॥ নোংপায়ৱাক॥ নাকপা নাক্ৱাক॥ চোংপা চোংপাযৱাক॥ কইপা ২ য় কাইনৌপা॥ নহাপা আপীশা॥ মোইবেংচামপা॥ মোইবেংচামপা ৱাক॥ থাকআসৈপা॥ মোইকাইথাপুবিবা॥ থাপাঙকতা সিপৱাক॥ নোংথৌ আসৈপাতী॥ ৭ নৈ॥ ॥ নোংথৌ আসৈপা ১তী॥ লইনুং কাংখুপা॥ তোকলেলচা॥ খানিং নুংতোংচা॥ য়াইথোংসিঙ থীপা॥ লেবা খাবোই সেমপা॥ ঙাঙ্নাবাচা তওসুপা॥ লেবাখোংচিঙৱাক॥ খাপা লাংথংচা ৭ মনে॥ ॥ ॥ লইপাক আসৈপা ১ তী॥ কাঙ্খু তোংচেংচা নোংখোং নোংলাওচা॥ নমপা নোংচেলচা॥ চোংপা ৱাক্লেলচা॥

পলেম মমা ওইবীবু পোকতুনা চাদা লাইহুইবদি য়াইপীবেলনা পোকতুনা চাদা লাইহুইয়ে। পললেম মমা অপোকপী স্না লীক যেলবগী মমিংদি ৱাঙনু লৈমা খোংজোমফবী থোঙলেল খলবী চাপংনেনবীনা স্না পীবুকনুংদগী পোকলম্নে। খুইনংঙোলবা, পেংশিবা অনিমদি কাওখঙবা, নাওখমবা শাবনে, মবিমকতি অমতনে। হর্লাচিন হর্লজিলননে। অসিনে খঙঅো।

তুতৌ তৌবা লাইবেল তুতৌবদি য়িংথিং তৌবদি চীবোং চীজাওবা। মাকলং তৌবা চীবোং চীপোঙবা। থৌবাল তৌবা চীবোং লমশল, চীবোং হাইনাই। ইবিল তৌবা চীবেল লমশল। ঈচীথী- ঈবোং তৌবা চীবোং চীংশাং। ৱাইশেল তৌবা - চীবোং চীয়াবী। লুৱাংঈ তৌবা- চীবোং চীয়াবাং। ক্বা-ঈ তৌবা- চীবোং কালমু। তুবেল তৌবা চীয়ারোং। তুতৌবাগী ৱানে।

লৈবাক মাইবা লৈবাক মাইবা - লৈবাক অমাইবদি হামলেল লৈবা শঙনোং য়ুনোং শাবকথাইবা খামুলতৈবা, লাংনাবৈবা লৈশংৱাইবা কোনতে খুবাইতাঙবা তবেৎ অসিনে।

নোংথৌ মাইবা নোংথৌ মাইবতি হামলেল লীবা, চাকৱা পুথিয়া, চেঙপুবৈবা, কবৌলেমবা, শোংলেলপু, চিবাইতাঙবা মখোয় তবেৎমক অসিনে।

মাইবী মখল মাইবীবোলদি- খায়ীপী, লাইয়িপী, মাঙৱাইনু তুংৱাইনু, শচীপী, লাংকক্পী, লাইশ্রা খোংৱাইনু কোনথৌসু, লৈৱাইনু, লাইনুসু, চীঙখৈনু, মখোয় তবানিথোই অসিদি মাইবীবোলনি।

লৈবাক অশৈবা লৈবাককি অশৈপাবোলদি - হুমলেঙ লৈপাকৱাক। হৈশকোংচি কোংপাইৱাক। লৈকংৱা লৈকং লাংবা কাঙখু তেংঙলেঙ ৱাক। খানিংলেং নোংতোঙ ৱাকা য়াইরোংশিঙথিবা শিঙসু -ৱাক। লিকলা পাখংবা লেবাখা খাবোইশেমবা ৱাক। খাবাংথাং থাংপা ৱাক। মখোয় মখল তবেৎ অসিদি লৈবাক অশৈবোলনি।

নোংথৌ অশৈবা নোংথৌ অশৈবাতী ঃ - নোংখোং নোং নোংপায় ৱাক, নাকপা নুবা ৱাক। চোংপা চোংপায় ৱাক। কৈপা কৈপাই কাইনৌবা। নহাপা পীশা। মোইবেংচামবা মোইবেংচামবা ৱাক। থাকক অশৈবা মোইকাই থাপুবিবা থাপাঙকতা শিব ৱাক। মখোয় মখল তবেৎ অসিদি নোংথৌ অশৈবা মখল তবেৎ কৌয়ে।

নোংথৌ অশৈবা অমা নোংথৌ অশৈবা অমদি লৈনুং কাংখুবা, তোকলেলচা। খানিং নুংতোংচা। য়াইথোংশিঙথীবা। লেবা খাবোই শেমবা। ঙাঙনবাচা তৌসুবা। লেবাখোংচিঙ ৱাক। খাবা লাংথংচা। মখল তবেৎমক অসিনে।

লৈবাক অশৈবা অমা লৈবাক অশৈবা অমদি কাঙখু তোংচেং - মচাদি নোংখোং নোংলাও-চা। নমবা নোংচেল-চাদি চোংবা চোংনদ শৈশক লৈথাবা ৱাকলেল-চা।

১। লাইবেল তুতৌপাতী: লাইবেল হায়বদি মতিক চাওবা হায়বনি, তু তৌবা হায়বদি ঈশিং চেলনবা তুবেললশিং তৌবা মতিক চাওবা অঙাম্শিং খঙনবা শীবা মমিংশিং হায়বনি।

২। নোংথৌ মাইপাতী:- নোংদোল মবোল ওইবা ওস্না মাইবাশিংগী মমং হায়বা তাকপনি। লাইপাককি অসৈ পাবোলতী - অশৈপবোল হায়বদি লেনা পাইদুনা ঈশৈ শকপা ওস্না মখলশিং তাকপনি।

যোম্পাকুম। আহেন পুকহপী। য়াদেন থাপা লিকবেল সিলকুম। সেলপী হৈঅোল থোক্কি। হৈলাঙ মাতা মালপীনা। মিংয়েং খুফম হোংতাপী। তমপা চীঙপাল মোইকাইথপপু। সাপল তায়াল হেকুম। মোইকাই ঙাওনা ঙেন পী। তমপা হেকঙাই মীনুংঅোন্। আহেন মিংচুপী। খুৎসা তানৌ পুকহু-পী। চালই লেংতোল যাল। মালল ও মীমাঙ তাকনা। লৈকাই হেললোই চঙ পী। নাতা খুলপাই যামনা। ঙালপা লৈতোঙ লেপ পী। লইবক সিলসু খুতিওতা। খোংপাল নাও লইতোঙ হাঙতানা। হিতেল চংলই খুতীঙপু সালতেং পী। পালপা লইতোঙ খুতাঙ মিযেং-পী। খোইমোম নাংাই লোইনা। চাইনা সোংকিনা-পী। চীঙ্ঙু নাতিসাংনা। সোংকাঙনা-পী। তমপা নাপল থোইনা পালয়ে। পালথোই-পী। নাঙ্ থোইনা ৱাংবে ৱাংঙমলোন। ৱাংঙম সকতালিঙই ৱাংঙম সকলক পী। তমপা থাতালিহুই। নাতোম তমপা হালনা

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

কাইপা লোইয়েলচা।। নাহাপা আপীসা।। মোইবেংচামপা।। ওাক্লেল্ থককি।। লাইবেল থককি।। সায়াঙ থাযনা হাযহৈপা।। তাওপাবীপা হুযচীনলীপা।। মানমযাঙপু।। সেলকোযতোপপা।। থাকক আসৈপা।। মোইকায থাবীপা।। লীকচীবীক্।। ।। ৭ নে ।। ।। লাযয়িংথৌ আসুপপা।। লাইবেম্মা আসুপপী।। নাপীঙ্ঙাপু ।। খুকমনা হায়কে।। নোংথৌ লইপাক্ ২ মানা ।। কাকুপনাঙঈকিৱানে।। লইপাক মামিংতী ফা কৌয্।। নোংথৌ মামিংতী।। কুঙ কৌয।। লায়য়িংথৌনা লইপাক নোংথৌ ২ মাকি মবকতা।। সনা কুৱাকোক কুমপাকি মনুংতা।। লৈঙইকিমামিংতী।। তিংথক কৌয়।। মাচুতী।। নামানেংকি মাচুনে।। লাইবেমমাকি মামিংতী।। কোন্তে মাবাংনু কৌয়।। ২ মানা য়োৎ পোকয়।। সনা কৱা পোকয।। লায়য়িংথৌনা।। মইবি মাতোলকুমনা।। ফমঙইকি মামিংতী।। মবায়ীতা কুপ্ কৌয।। লাইবেমমানা।। পীবীৎ কৌয়।। লইপাক্ হামৈমাবম।। পাক্পাতা।। লাযযিংথৌনা।। ফমঙইকি মামিংতী।। পেংসাবি কৌয়।। লাইবেমমাতী।। চাবিখোমপী কৌয়।। লায়যিংথৌকি মমিংতী।। সানাতীন্পুকতে কৌয।। মাচানিংথৌ ৪ পোকয়।। আহলপাকি মামিংতী।। তীনমুবেঙ কৌয়।। য়ায়্মাপাকি মামিংতী।। তিলকাওবেল কৌয।। য়াযমাপা ১ কি মামিংতী।। হিংতিল কৌয।। আতোলপাকি মামিং।। সনাতীন্ঙাঙ্ লীক কৌয়।। অহলপাতী।। থোঙঙাবেল্ ওাইখিয।। য়ায়্মাপানা।। নোংথৌ সবাবেল ওাইখিয়।। য়াযমাপা ১ কিপু।। লাইকি নিংথৌ আথোইপা ওাই।। ওাইবাপাকা।। সনাচীঙ মাতোলতা।।মামিং সনাচীঙ।। তাবেং তাকুপপা কৌয়।। খাবা কাখৎলাপাকা।। সেলকোয়্বেঙ্ কৌয।। ১ বক কাবাপাতা।। তীনলুবেল কৌয়।। ১বক কাবাপাকা।। মীৎ তাবেঙ্ তাকুপপা কৌয়।। থাতা ফমলাপাকা।। মামিং থাপুবেঙ কৌয়।। লায়য়িংথৌকি মামিংতী।। ঙাঙচীবীক্ কৌয।। নুমিৎতা।। ফমলাপাকা।। নুমীৎকি মামিংতী।। সংকোন্ নু কৌয্।। লায়্যিংথৌকি।। মামিংতী।। কুপত্রেঙ কৌয়।। নুমীৎকি মাখোয়তা।। চঙখিরে।। মীতোং ঙাঙ কৌয।। লাইবেমমাতী।। মিবেঙ্নু কৌয়।। লায়য়িংথৌনা।। মখাতা হলথাবকলে।। যোৎফুকুম্পাকি।। মানুং চঙলে।। মাচুতী।। য়ীকা।। হকা।। ২ মাকি মাচুনে।। তীলনাপা আতুনে।। মামিং য়ীতীন্লীকয়।। আতোলপাতী।। লাযয়িংথৌ ওাইহাললে।। লাযযিংথৌনা কাবে।। য়াহীপপা লাই

কাইবা লোইবেলচা নহাবা আপীশা। মোইবেংচামবা ওকলেলথককি লাইবেল থককি শায়াঙ থাইনা হায়হৈবা। তাওপাবীবা হুইচীনলীবা। মানমযাঙবু শেলকোইতোপপা। থাকক অশৈবা মোইকাই থাবীবা লীকচীবীক। মখোয মখল তবেৎ অসিনে।

লৈবাক নোংথৌগী স্না

লাইয়িংথৌ অসুপপা লাইনেমমা অসুপপী নখোয অনিবু খুবমনা হায়গে। নোংথৌ লৈবাক অনিমকনা কাকুপনাঙৈগী ৱানে। লৈবাক মহাক্কী মমিংদি ফা কৌয়ে। নোংথৌ মহাক্কী মমিংদি কুঙ হায়না কৌয়ে। লাইয়িংথৌনা লৈবাক নোংথৌ অনিমক্কী মবকতা স্না কাকোককুমবগী মনুংদা লৈঙৈগী মমিংদি। তিংথক হায়না কৌয়ে। মচুদি নমানেংগী মচুনে লাইবেমমা মহাক্কী মমিংদি কোনদে মবাংনু হায়না কৌয়ে। মখোয় অনিমকনা য়োৎ পোকয়ে। স্না লুপা পোকয়ে। লাইয়িংথৌনা মৈবি মাতোলগুম ওইনা ফমলিঙৈগী মমিংদি মবা ঈতা কুপ হায়না কৌয়ে। লাইবেমমগী মমিংনা পীবীৎ হায়না কৌয়ে। লৈবাক হামৈ মাবমমুক পাকপাদা। লাইয়িংথৌনা ফমঙৈগী মমিংদি- পেংশাবি হায়না কৌয়ে। লাইবেমমাগী মমিংনা চাবিখোমবী হায়না কৌয়ে। লাইয়িংথৌগী মমিংদি- সনাতীনপুকতে হায়না কৌয়ে। মচা নিংথৌ মবি পোকয়ে। অহল অদুগী মমিংদি তীংখুবেঙ কৌয়ে। য়াইমবগী মমিংদি তিলকাওবেল কৌয়ে। মথং য়াইমবা অমগী মমিংদি হিংতিল কৌয়ে। অতোলবগী মমিংদি সনাতীনঙাঙ লীক হায়না কৌয়ে। খাইগী অহলনা থোঙঙাবেল ওইখিয়ে মথং য়াইমবনা নোংথৌ সোবাবেল ওইখিয়ে। মথং য়াইমবা অমা অদুনা লাইগী নিংথৌ অথোইবা ওই। ওইববগা সনাচীঙ মতোলদা মামিং চানচীঙ তাবেং তাকুপা কৌয়ে। খবা কাখৎলবগা, শেলকোইবেং হায়না কৌয়ে। অমুবক কাববদি তীনলুবেল হায়না কৌয়ে। অমুবক কাববগা মিৎতবেঙ অকুপপা হায়না কৌয়ে, থাদা ফমলবগা মমিংদি থা-পুবেঙ কৌয়ে। লাইয়িংথৌগী মমিংদি ঙাঙচীবীক কৌয়ে। নুমিৎতা ফমলবগা নুমিৎতা লৈঙৈগী মমিংদি সংকোনু কৌয়ে। লাইনিংথৌকী মমিংতি কুপতবেঙ্ কৌয়ে। অমুক নুমিৎকি মখোয়দা চঙখিবে- চংলিঙৈগী মমিংদি মীতোংঙাঙ্ হায়না কৌয়ে। লাইবেমমাদি মিবেঙনু হায়না কৌয়ে। লাইয়িংথৌনা অমুক মখাদা হলথাবকলে যোৎকুমবগী মনুং চঙলে চংলিঙৈগী মচাদি ঈগা হুগা অনিমক তিলনবগী মচুনে। মচু অদু ওইঙৈগী মমিংদি জীতিল লীক কৌয়ে।

থাজক-পী। তমপা ৱাংঙমলোন্। কোলৌ অৱাংপাপু তেংথানা পী। তমপা ৱাংকা ৱাংপা মাথকতা। ৱাংচাক চানা। ৱাংফম ফম। ৱাং খুৎনেংনা পী। অঙাওপা মাঙতেজনা। আসংপা তুংকোলনাপী। পাংকল হকসাং ৱোইঙম যাতপী। পুর্নাস য়ীৱাল লৈপু। থাওা থেৎপী। ওাইনমপা খুৎতাসু। আথুমপা লইতোল তোংপী। আখাং কোবৌ নোংপু লোলপী। মালেম চিথেক ৪ মা। মইকে ৮ মা। সুংতাই ১৬ মা সিঙকাই ৬১ লোইমা। লইকোল নোংকোল ৭ মাতা। নালা মাল্লেম লিচংপী। মাতাল কোলৌ নোংফংপী। কোৱৌ নাতে য়াম। ৱাংপল নাওাল হকপী। যাঙপী খুফম যাম। কাইপী মুংসোল হকপী। খোংপাল লাইতোঙ খুঁওঙ। লৈবক সেলসু হাঙতানা। সৈমোলপী তমপা সানা নাখোঙ্খুল। খোঙ্পু লোল্ লোল্ য়ামপাপু। মালা খোঙখুল লিনা সৈথিচাবককে। য়োইপু তমপা ৱাংঙমলোল্। কোৱৌ আৱাংপী নঙপু। শাহাল নোং হায়াঁওই। যোইপু খোইমোম লাইবেমমা। লাই নামুং নামুংপী। তমপা আচিপী। মায়েংকিনা তেংথানাবকপী। কোলফম লইতকপী। মালফম লইসেংপী। মালেম সনা লইফমলেলপী। লইবোল লইমা লৈহিং কোলপী। লইসুক লইসোই য়ামপী। খমৱা যাংমোইনু। কোক্চা লইবেজনু। খোইনৌ হুমপু নাবেঙ সুপী। চিঙ্কু লাইমাই হুইনা। ভাইপঙ ঙমলোই সুপাকি। কুলপী পুকনিঙ সুমপাতা। খাৱী লাইয়ী যাংনা লেলফু লইচঙ মালাওাইপী। সেকানিঙ হাওসম সাকি। লৈফু খুংসপাতা নানমপী। লাইখাঙ হুমপুলেলকি। তোলতওা য়াইপী লিহৌনানা। নুংনাং কাওখঙ্ কোল। কোবৌ

কি॥ চীবকতা॥ সনা থমপাল পোকয॥ থমপা মানুংতা॥ আতোলপানা॥ ফমলাপাতী॥ তীনতাবেঙ তাকুপপা কৌয॥ যাহীপ্পাকি মাকোক্তা॥ ফমলাপাতী॥ পোংলেলপা কৌয॥ তাইপঙ্ লাযযিংথৌপু॥ লাই খৈপীক্না॥ লইপাক্ চিথেক ৪ মানা খুকমলাপাতা॥ সংতাবেঙ কৌয॥ কংলাকি মেলতা॥ হলচিলখিবাপাতি॥ নীককোযবেল কৌয॥ নমখাঙ ক্লাকোক্ কুমপাকি॥ মানুংতা॥ লৈবাপাতী॥ সংপুমলেল কৌয॥ হলখোক্লকলাপাতী॥ কিংতাবেঙ কৌয॥ যীমচাও লপযাল কাতা ফমলাপাতী॥ পুঙ মাযোন কৌয॥ কোনফুকুমপাকি মানুংতা॥ ফমলাপাতী॥ কোনলীক সং কৌয॥ তাইপঙ লায়নিংথৌকি মামিংসানা খৈবাপানে॥ লইসা পোকপাকি মামিংতী॥ হেবা মানিক কৌয়ে॥ নোংসা পোক্পা মামিংতী॥ কোযমাযুং কৌয়॥ হাযিং পোকপা মামিংতী॥ পিতুসং কৌয॥ খোই পোকপা মামিংতী খোইকবেঙ কৌয॥ কাঙ পোক্পা মামিংতী॥ কাঙ্কুক॥ লুথইবেল কৌয॥ কক্চেং মামিংতী॥ লীবিঙকমুচেং কৌয॥ চাঙ্পোকপা মামিংতী॥ লইতিলখোং কৌয ॥ ॥ সবাবেলনা॥ যীখোয মীআোইপা॥ আসী খৈপীক্পু॥ যীহুল লকঙইকি॥ মামিংতী॥ তাবং ২ কৌয়॥ লায্যিংথৌ থংচাঙনা মীৎলুতা॥ হাথাঙইকি॥ মামিং পীসাওতাও কৌয॥ অোযঅোইনা॥ অোন্থাপাতী॥ পীসানা কৌয॥ হকতা চঙাখিবাপাতী॥ পীসিল্খা কৌয॥ অোযসাবাপাতী॥ পীসানু কৌয॥ থংচীঙনা মীসেমঙই কৌপাতী॥ পীংঙা চীঙ হে হে হে হে হে হে হে কৌয॥ মামিংতী॥ হুংঙাঙ তাবংঙাঙ কৌয॥ মীঅোইবক্লাপাতী॥ নাওপীসং কৌয॥ মী মাপুঙ ফাবাপতাতী॥ কৌপাতী॥ নাওৱা খাক কৌয॥ মীমাসক থোকলাপাতা॥ নাওমু কৌয॥ মী মাসক ফাবাপাতা॥ কৌপাতী॥ হুংঙাঙলেল কৌয॥ নিংসা হোল্লাপাকা॥ যেযেং॥ আযেং॥ হুহুং॥ মুং মীহিং॥ মুমাবেং॥ যামাবেঙ্॥ চওঅহ কৌয়॥ মীনা তাইপঙ ফাওবাপাতা কৌপাতী॥ লাংপাচক কৌয॥ যুপাল থাতাবিপাকি॥ মাখৈতী॥ মামিং আসী কৌপানে॥ যুপাল থাতাবিঙইতী॥ মামিং থোলহৈতে॥ খঙঅো॥ ॥ লাইবেমমা লইবোনাকি ৱা হাযকে॥ লাইবেমমা॥ লইপাক্ লৈবোল ৭ মাকি॥ মাখাতা লৈপী॥ মাসম জোতানা॥ লইবোল ৭ মাতা॥ [illegible] কৌয॥ সনা ক্লাকোক কুমপ [illegible] কৌয॥ লাইবে

তাকত লাইযিংথৌগী মাথী অতোলবদি লাইযিংথৌ ওইহললে। অদুগা লাইযিংথৌদি মথলতা কাবে। অদুগা যাহিপপা লাইগী চাবকতা সনা থমবাল ওইনা পোকযে। থমবাল মনুংদা অতোলবা ফমলে ফমলিঙৈগী মমিংদি তীন তাবেং তাকুপপা হাযনা কৌয়ে। যাহিপগী মকোকতা ফমলবদি পোংলেলবা হাযনা কৌযে। তাইবঙপালবদা লাইনিংথৌবু লাইখিবাক্লা লৈবাক চিথেক ৮ মকতগী পুমনমক্লা খকমলবদা, মমিংদি সং তাবেঙ হাযনা কৌযে। কংলাগী মেলদা হলচিলখিবদি। মমিংদি নীককোযবেল হায়না কৌযে। নমখাং ক্লাকোককুমবগী মনুংদা লৈরবদি সংপুমলে হাযনা কৌযে। হলখোকলকলবদি মমিংদি কিংতাবেঙ হাযনা মমিং কৌযে। যুমচাওগী লপযাল কাদা ফমলবদি পুঙময়োন হাযনা কৌয়ে। কোলফুগুমবগী মনুংদা ফমলবদি কোললিক শং হায়না কৌযে। তাইবঙ লাইনিংথৌগী মমিংদি অসিনা খৈবদনে।


ফিন চাং পোকপা লৈশা পোকপগী মমিংদি। হেবা মনিক হাযনা কৌয়ে। নোংশা পোকপগী মমিংদি - কোই মযুং হাযনা কৌযে। হযিং পোকপগী মমিংদি পিতু সং হায়না কৌযে। খোই পোকপগী মমিংদি খোইকবেঙ হায়না কৌযে। কাঙ পোকপগী মমিংদি কাঙকুক লুথৈবেল হাযনা কৌযে। কক্চেঙগী মমিংদি লীবিঙকমুচেং হাযনা কৌয়ে। চাঙপোকপগী মমিংদি লৈতিলখোং হাযনা কৌয়ে।

মী শাক যাওবা লাই সোবাবেলনা ঐখোয় মীওইবা অসি খৈবীকপু ঈহুললকঙৈগী মমিংদি তাবং তাবং হায়না কৌযে। লাইয়িংথৌ থাংচীঙনা মিৎল্দা হাথাঙৈগী মমিংদি পীশাতাও হায়না কৌযে। ওই ওইনবনা, ওলথাবাবদি, পীশানা হাযনা কৌয়ে। হকচাংদা চঙখিববদি পীশিলখা হাযনা কৌয়ে। ওইশাবাবদি পীশানু হাযনা কৌয়ে। থাংচীঙনা মীশেমঙৈগী কৌবদি। পীংঙা চীঙ হে হে হে হে হে হে হে হায়না কৌয়ে। মমিং অমদি হুং ঙাঙ তাবং ঙাঙ্ হায়না কৌযে। মী ওইবকলবদি নাওপীসং হাযনা কৌয়ে। মী মপুঙ ফাববগা কৌবদি নাওৱা খাক হায়না কৌয়ে। মী মশক থোকলবতা নাওমু হায়না কৌযে। মী মশক ফাবদা কৌবদি হুংঙাঙলেল হাযনা কৌযে। নিংশা হোললবগা কৌবদি য়েয়েং অা য়েং। হ হুং মুং মীহিং, মুমবেঙ, য়ামবেঙ চৌ অ হ হাযনা কৌয়ে। মীনা তাইবঙ ফাওববদ কৌবদি লাংবাচক হায়না কৌয়ে। যুপাল থাদবিবগী মখৈদি মমিং অসি কৌবনে। মীনা যুপাল থাদবিঙৈদদি মমিং থোলহৈদে হাযবা খঙ-ও।

লাইবেমমা লৈরাং লৈরোল পুথী লাইবেমমা লৈবোনাকি ৱাপু হাযগে। লাইবেমমা লৈবাক লৈবোল তরেৎমককি মখাদা লৈবী মশমনা খোইপাকননা, লৈবোল তরেৎমকতা ফক ফাবাগুমনা লৈবী নহাক্লী নামংদি লৈতানশঙ্ হায়না কৌযে। সনা ক্লাকোককুমবগী মনুংদা

লাংখোই মা[illegible]পোলনা। নিংশী সাইলাঙ মাককুম। যাইপী মাতুপমানা। লি হুংশী। যোইপু নাঙাল মলাপানা। নালিক বুলথম লিকলা গুলকুমপানা। খোইমোম লাই। নামু পোং থাৱাই মাচৎ আলেপ। অপকমা পুমনামাকপু। চেংলও সকখোং খোইনা। হাইপঙ কাইচা লনথাইতালপী। চাঙুঙ লাই সিতাপাপু। পুকনিঙ নিঙসিংনান। তেকুপাং পালকল আোইপী। থামাই লইত্রুং লইবানুং। থমপাল পাপুকনুংতা। বুলপা নিতুসিং তাংথং নাইতানা। থামোই লাইমাং অোইনাপা। মুকমু লৈতোল তোংপী। লাংপল বাইলেল্ হীকুম তাংথং তাংথং নাইতাপী। হুমপু নাবেং সুপী। লইকল মাং[illegible]পী। নোংকি মাথং সিনপীকা। চিলতাই সমাচিলনা। যাসুমতাল লাইকোই মাইতালাংনা। থাবাই আংবোনাপা। বুমিৎ তাংসোই হুলকুম। আপোক [illegible] লাইগুই যেলপী। যোইপু লাইনানুং নামুংপী। মামোক ওংথালকপী। তমপা চেংলও সকনাইগা। খোইমোম লাই আপকমা। পুমনামাকি। নাঙাল মলাপানা। চেংলও সকখোং খোইলি পী।

লৈখাবোল পা ১৪, পানথোইবী তেংথালোল



কাইপা লোইবেলচা॥ নাহাপা আপীসা॥ মোইবেংচামপা॥ আেক্লেল্ থককি॥ লাইবেল থকক্কি॥ সায়াঙ খাযনা হায়হৈপা॥ তাওপাবীপা হুযচীনলীপা॥ মানময়াঙ্পু॥ সেলকোয়তোপপা॥ থাকক আসৈপা॥ মোইকায থাবীপা॥ লীকচীবীক্॥ ॥ ৭ নে ॥ ॥ লাযযিংথৌ আসুপপা॥ লাইবেম্মা আসুপপী॥ নাপীঙ্ভাপু॥ খুকমনা হায়কে॥ নোংথৌ লইপাক্ ২ মানা ॥ কাকুপনাঙইকিব্রানে॥ লইপাক মামিংতী ফা কৌয়্॥ নোংথৌ মামিংতী॥ কুঙ কৌয়॥ লায়য়িংথৌনা লইপাক নোংথৌ ২ মাকি মবকতা॥ সনা কুব্রাকোক কুমপাকি মনুংতা॥ লৈঙইকি মামিংতী॥ তিংথক কৌয়॥ মাচুতী॥ নামানেংকি মাচুনে॥ লাইরেমমাকি মামিংতী॥ কোন্তে মাবাংনু কৌয়॥ ২ মানা য়োৎ পোকয়॥ সনা ঋবা পোকয়॥ লায়য়িংথৌনা॥ মইবি মাতোলকুমনা॥ ফমঙইকি মামিংতী॥ মবায়ীতা কুপ্ কৌয়॥ লাইবেমমানা॥ পীবীৎ কৌয॥ লইপাক্ হামৈমাবম॥ পাক্পাতা॥ লায়য়িংথৌনা॥ ফমঙইকি মামিংতী॥ পেংসাবি কৌয়॥ লাইবেমমাতী॥ চাবিখোমপী কৌয়॥ লায়যিংথৌকি মমিংতী॥ সানাতীন্পুকতৈ কৌয়॥ মাচানিংথৌ ৪ পোকয॥ আহলপাকি মামিংতী॥ তীনমুবেঙ কৌয়॥ য়ায়্মাপাকি মামিংতী॥ তিলকাওবেল কৌয॥ য়ায়মাপা ১ কি মামিংতী॥ হিংতিল কৌয়॥ আতোলপাকি মামিং॥ সনাতীন্ভাঙ্ লীক কৌয়॥ অহল্পাতী॥ থোঙভাবেল্ আেইখিয়॥ য়ায়্মাপানা॥ নোংথৌ সবাবেল আেইখিয়॥ যায়মাপা ১ কিপু॥ লাইকি নিংথৌ আথোইপা আেই॥ আেইবাপাকা॥ সনাচীঙ মাতোলতা॥মামিং সনাচীঙ॥ তাবেং তাকুপপা কৌয়॥ খাবা কাখৎলাপাকা॥ সেলকোয়্বেঙ্ কৌয॥ ১ বক কাবাপাতা॥ তীনলুবেল কৌয॥ ১বক কাবাপাকা॥ মীৎ তাবেঙ্ তাকুপপা কৌয়॥ থাতা ফমলাপাকা॥ মামিং থাপুবেঙ কৌয়॥ লায়য়িংথৌকি মামিংতী॥ ঙাঙচীবীক্ কৌয॥ নুমিৎতা॥ ফমলাপাকা॥ নুমীৎকি মামিংতী॥ সংকোন্ নু কৌয়্॥ লায়্যিংথৌকি॥ মামিংতী॥ কুপত্রেঙ কৌয়॥ নুমীৎকি মাখোয়তা॥ চঙখিবে॥ মীতোং ঙাঙ কৌয়॥ লাইবেমমাতী॥ মিবেঙ্নু কৌয॥ লায়য়িংথৌনা॥ মথাতা হলথাবকলে॥ য়োংফুকুম্পাকি॥ মানুং চঙলে॥ মাচুতী॥ যীকা॥ হুকা॥ ২ মাকি মাচুনে॥ তীলনাপা আতুনে॥ মামিং য়ীতীন্লীকয়॥ আতোলপাতী॥ লায়য়িংথৌ আেইহাললে॥ লায়যিংথৌনা কাবে॥ য়াহীপপা লাই

কাইবা লোইবেলচা নহাবা আপীশা। মোইবেংচামবা ওকলেলথককি লাইবেল থককি শায়াঙ খাইনা হাযহৈবা। তাওপাবীবা হুইচীনলীবা। মানময়াঙবু শেলকোইতোপপা। থাকক অশৈবা মোইকাই থাবীবা লীকচাবীক। মখোয মখল তবেৎ অসিনে।

লৈবাক লোংলৌগী য়া

লাইয়িংথৌ অসুপপা - লাইবেমমা অসুপপী নখোয় অনিবু খুবমনা হায়গে। নোংথৌ লৈবাক অনিমকনা কাকুপনাঙৈগী ব্রানে। লৈবাক মহাক্কী মমিংদি ফা কৌয়ে। নোংথৌ মহাক্কী মমিংদি কুঙ হাযনা কৌয়ে। লাইয়িংথৌনা লৈবাক নোংথৌ অনিমক্কী মরকতা স্না কাকোককুমবগী মনুংদা লৈঙৈগী মমিংদি। তিংথক হায়না কৌয়ে। মচুদি নমানেংগী মচুনে লাইবেমমা মহাক্কী মমিংদি কোনদে মবাংনু হায়না কৌয়ে। মখোয় অনিমকনা যোৎ পোকয়ে। স্না লুপা পোকয়ে। লাইয়িংথৌনা মৈবি মাতোলগুম ওইনা ফমলিঙৈগী মমিংদি মবা ঈতা কুপ হায়না কৌয়ে। লাইবেমমগী মমিংনা পীবীৎ হায়না কৌয়ে। লৈবাক হামৈ মাবমমুক পাকপাদা। লাইয়িংথৌনা ফমঙৈগী মমিংদি- পেংশাবি হায়না কৌয়ে। লাইবেমমাগী মমিংনা চাবিখোমবী হায়না কৌয়ে। লাইয়িংথৌগী মমিংদি- সনাতীনপুকতৈ হায়না কৌয়ে। মচা নিংথৌ মবি পোকয়ে। অহল অদুগী মমিংদি তীংখুবেঙ কৌয়ে। য়াইমবগী মমিংদি তিলকাওবেল কৌয়ে। মথং য়াইমবা অমগী মমিংদি হিংতিল কৌয়ে। অতোলবগী মমিংদি সনাতীনঙাঙ লীক হায়না কৌয়ে। খ্বাইগী অহলনা থোঙভারেল ওইখিয়ে মথং য়াইমবনা নোংথৌ সোবাবেল ওইখিয়ে। মথং যাইমবা অমা অদুনা লাইগী নিংথৌ অথোইবা ওই। ওইবগা সনাচীঙ মতোলদা মামিং চানচীঙ তাবেং তাকুপা কৌয়ে। খবা কাখৎলবগা, শেলকোইবেং হায়না কৌয়ে। অমুবক কাববদি তীনলুবেল হায়না কৌয়ে। অমুবক কাববগা মিৎতবেঙ অকুপপা হায়না কৌয়ে, থাদা ফমলবগা মমিংদি থা-পুরেঙ কৌয়ে। লাইয়িংথৌগী মমিংদি ঙাঙচীবীক কৌয়ে। নুমিৎতা ফমলবগা নুমিৎতা লৈঙৈগী মমিংদি সংকোনু কৌয়ে। লাইনিংথৌকী মমিংতি কুপতবেঙ্ কৌয়ে। অমুক নুমিৎকি মখোয়দা চঙখিবে- চংলিঙৈগী মমিংদি মীতোংঙাঙ্ হায়না কৌয়ে। লাইবেমমদি মিবেঙনু হায়না কৌয়ে। লাইয়িংথৌনা অমুক মথাদা হলথাবকলে য়োৎকুমবগী মনুং চঙলে- চংলিঙৈগী মচুদি ঈগা হুগা অনিমক তিলনবগী মচুনে। মচু অদু ওইঙৈগী মমিংদি ঈতিল লীক কৌয়ে।

থাজক-পী। তমপা ব্রাংঙমলোন। কোসৌ অব্রাংপাপু তেংথানা পী। তমপ ব্রাংকা ব্রাংপা মাথকতা। ব্রাংচাক চানা। ব্রাংফম ফম। ব্রাং খুৎনেৎনা-পী। অঙাওপা মাঙহেলনা। অসিংপা তুংকোল্নাপী। পাংকল হকসাং ম্রোইঙম ফাতোপী। পুনসি যাত্রাঙ লৈপু। থাত্রা থেৎপী। আইনমপা খুৎতাস্। আথুমপা লইতোল তোংপী। আব্রাং কোবৌ নোংপু খোলপী। মালেম চিথেক ৪ মা। মাইকৈ ৮ মা। সুংতাই ১৬ মা সিঙকাই ৬১ থোইমা। লইকোল নোংলোঙ ৭ মাত্রা। নালা মাল্লেম পিংৎপী। মাতোল কোলৌ নোংফংপী। কোয়ৌ নাতে যাম। ব্রাংপল নাওল হকপী। যাঙপী খুফম্ যাম। ফাইপী মুংসোল হকপী। খোংপাল লাইহেংখু খ্বাইঙ। লৈবক সিলসু হাঙতানা। সৈআগপী তমপা সানা নাখোঙখুল। খোঙ্পু লোল্ লোল্ যামপাপু। মালা খোঙখুল লিনা সৈথিচাবককে। য়োইপু তমপা ব্রাংঙমলোল্। কোয়ৌ আব্রাংপী নঙপু। সাতাল নোং হাযাঙই। য়োইপু খোইমোম লাইবেমম। লাই নামুং নামুংপী। তমপা আচিংপী। মায়েংকিনা তেংথানাবকপী। কোলফম লইতকপী। মালফম লইসেংপী। মালেম সনা লইফমলেলপী। লংবোল লইমা লৈতিং কোলপী। লইসুক লইসোই যামপী। খমহা যাংমোইনু। কোক্চা লইবেলনু। খোইনৌ হুমপু নাবেঙ সুপী। চিঙ্খু লাইমাই হুইনা। তাইপঙ ওমলোই সুপাকি। বুলপী পুকনিঙ সুমপাতা। খায়া লাইযী যাৎনা লেজখু লইচচ মালাআইপী। সেকনিঙ হাওসম সাকি। লৈফু খুংসপাতা নানমপী। লাইখাঙ হুমপুলেলকি। তোলতও যাইপী লিহৌনানা। নুংনাং কাওখঙ কোল। কোয়ৌ

কি॥ চীবকতা॥ সনা থমপাল পোকয॥ থমপা মানুংতা॥ আতোলপানা॥ ফমলাপাতী॥ তীনতাবেঙ তাক্লপ্পা কৌয॥ য়াঙীপ্পাকি মাকোক্তা॥ ফমলাপাতী॥ পোংলেলপা কৌয়॥ তাইপঙ্ লাযযিংথৌপু॥ লাই খৈপাকনা॥ লইপাক্ চিথেক ৪ মানা খুকমলাপাতা॥ সংতাবেঙ কৌয॥ কংলাকি মেলতা॥ হলাচিলাখিবাপাত॥ নীক্কোযবেল কৌয॥ নমখাঙ ক্কাকোক্ কুমপাকি॥ মানুংতা॥ লৈবাপাতী॥ সংপুমলেল কৌয॥ হলথোকলকলাপাতী॥ কিংতাবেঙ কৌয॥ যীমচাও লপয়াল কাতা ফমলাপাতী॥ পুঙ মাযোন কৌয॥ কোন্ফ্রকুমপাকি মানুংতা॥ ফমলাপাতী॥ কোনলীক সং কৌয॥ তাইপঙ লাযানিংথৌকি মামিংসীনা খৈবাপানে॥ লইসা পোকপাকি মামিংতী॥ হেবা মানিক কৌয়ে॥ নোংসা পোক্পা মামিংতী॥ কোযমায়ুং কৌয়॥ হাযিং পোকপা মামিংতী॥ পিতুসং কৌয়॥ খোই পোকপা মামিংতী খোইকবেঙ কৌয॥ কাঙ পোক্পা মামিংতী॥ কাঙ্কুক॥ লুথইবেল কৌয॥ কক্চেং মামিংতী॥ লীবিঙকমুচেং কৌয॥ চাঙ্পোকপা মামিংতী॥ লইতিলখোং কৌয় ॥ ॥ সবাবেলনা॥ য়ীখোয মীআোইপা॥ আসী খৈপীক্পু॥ য়ীহুল লকঙইকি॥ মামিংতী॥ তাবং ২ কৌয॥ লায্যিংথৌ থংচাঙনা মীংলুতা॥ হাথাঙইকি॥ মামিং পীসাওতাও কৌয॥ খোযআোইনা॥ আোন্থাপাতী॥ পীসানা কৌয॥ হকতা চঙাখবাপাতী॥ পীসিলখা কৌয॥ আোযসাবাপাতী॥ পীসানু কৌয॥ থংচীঙনা মাসেমঙই কৌপাতী॥ পীংঙা চীঙ হে হে হে হে হে হে হে কৌয॥ মামিংতী॥ হুংঙাঙ তাবংঙাঙ কৌয॥ মীআোইবকলাপাতী॥ নাওপীসং কৌয॥ মী মাপুঙ ফাবাপতাতী॥ কৌপাতী॥ নাওব্রা খাক কৌয॥ মীমাসক থোকলাপাতী॥ নাওমু কৌয॥ মী মাসক ফাবাপাতা॥ কৌপাতী॥ হুংঙাঙলেল কৌয়॥ নিংসা হোল্লাপাকা॥ যেয়েং॥ আযেং॥ হুহুং॥ মুং মীহিং॥ মুমাবেং॥ যামাবেঙ্॥ চওঅহ কৌয॥ মীনা তাইপঙ ফাওবাপাতা কৌপাতী॥ লাংপাচক কৌয॥ য়ুপাল থাতাবিপাকি॥ মাখৈতী॥ মামিং আসী কৌপানে॥ য়ুপাল থাতাবিঙইতী॥ মামিং থোলহৈতে॥ খণ্ডমো॥ ॥ লাইবেমমা লইবোনকি বা হাযকে॥ লাইবেমমা॥ লইপাক্ লৈবোল ৭ মাকি॥ মাখাতা লৈপী॥ মাসম জোতানা॥ লইবোল ৭ মাতা॥ ফকফাকুমনা লৈপী নঙকি নামিংতী॥ লইতানসং কৌয॥ সনা ক্কাকোক কুমপা মানুংতা লৈঙইতী॥ লইতান থাকপী॥ সিললম কৌয॥ লাইবে

তাইবং লাইনিংথৌগী মচি

অতোলবাদ লাইযিংথৌ ওইহললে। অদুগা লাইযিংথৌদি মখলতা কাবে। অদুগা য়াতিপপা লাইগী চীবকতা সনা থমবাল ওইনা পোকয়ে। থমবাল মনুংদা অতোলবা ফমলে ফমালগী মমিংদি তীন হাবেং তাকুপপা হাযনা কৌয়ে। য়াতিপগী মকোকতা ফমলবাদ পোংলেলবা হাযনা কৌযে। তাইবঙপালবদা লাইনিংথৌবু লাইখিবাক্তা লৈবাক চিথেক ৪ মকতগী পুমনমক্তা খুকমলবদা, মমিংদি সং তাবেঙ হাযনা কৌয়ে। কংলাগী মেলদা হলাচিলখিববদি। মমিংদি নীককোযবেল হাযনা কৌয়ে। নমখাঙ ক্কাকোককুমবগী মনুংদা লৈববদি সংপুমলে হাযনা কৌয়ে। হলথোকলকলবদি মমিংদি কিংতাবেঙ হাযনা মমিং কৌযে। য়ুমচাওগী লপযাল কাদা ফমলবদি পুঙমযোন হাযনা কৌয়ে। কোলফুগুমবগী মনুংদা ফমলবদি কোললিক শং হাযনা কৌয়ে। তাইবঙ লাইনিংথৌগী মমিংদি অসিনা খৈববনে।

তিন তাং পোকপা

লৈশা পোকপগী মমিংদি। হেবা মনিক হায়না কৌয়ে। নোংশা পোকপগী মমিংদি - কোই মযুং হাযনা কৌযে। হমিং পোকপগী মমিংদি পিতু সং হায়না কৌযে। খোই পোকপগী মমিংদি খোইকবেঙ হায়না কৌযে। কাঙ পোকপগী মমিংদি কাঙকুক লুথৈবেল হায়না কৌয়ে। কক্চেঙগী মমিংদি লীবিঙকমুচেং হাযনা কৌয়ে। চাঙপোকপগী মমিংদি লৈতিলখোং হায়না কৌযে।

মী শাগা থাওবা লাই


সোবাবেলনা ঐখোয মীওইবা অসি খৈবীকপু ঈহুললকঙৈগী মমিংদি তাবং তাবং হায়না কৌযে। লাইযিংথৌ থাংচাওনা মিংলুদা হাথাঙৈগী মমিংদি পীশাতাও হায়না কৌয়ে। ওই ওইনবনা, ওলথাবাবদি, পীশানা হায়না কৌয়ে। হকচাংদা চঙখিববদি পীশিলখা হাযনা কৌয়ে। ওইশাবাবদি পীশানু হাযনা কৌয়ে। থাংচীঙনা মীশেমঙৈগী কৌবদি। পীংঙা চীঙ হে হে হে হে হে হে হে হায়না কৌযে। মমিং অমদি হুং ঙাঙ তাবং ঙাঙ্ হায়না কৌযে। মী ওইবকলবদি নাওপীসং হাযনা কৌযে। মী মপুঙ ফাববগা কৌবদি নাওব্রা খাক হাযনা কৌযে। মী মশক থোকলবতী নাওমু হায়না কৌযে। মী মশক ফাববদা কৌবদি হুংঙাঙলেল হায়না কৌয়ে। নিংশা হোললবগা কৌবদি যেয়েং আ য়েং। হ হুং মুং মীহিং, মুমবেঙ, য়ামবেঙ চৌ অ হ হাযনা কৌযে। মীনা তাইবঙ ফাওববদ কৌবদি লাংবাচক হায়না কৌয়ে। য়ুপাল থাদবিবগী মখৈদি মমিং অসি কৌবনে। মীনা য়ুপাল থাদবিঙৈদদি মমিং থোলহৈদে হাযবা খণ্ড ও।

লাইবেমমা লৈবাক নৈরাবা পুথী

লাইবেমমা লৈবোনকি ম্রাবু হায়গে। লাইবেমমা লৈবাক লৈবোল ৭বেংমকাক মখাদা লৈবী মশমনা খোইপাকনা, লৈবোল ৭বেংমকতা ফক ফাবাগুমনা লৈবী নতাক্তা নমিংদি লৈতানশঙ হাযনা কৌয়। সনা ক্কাকোককুমবগী মনুংদা

লাংখোই ... লৈপী ... যাইপী ... লি হুংপী। খোইপু নাঙাল অলাপানা। নালিক বুলথম লিকলা গুলকমপানা। খাইমোম লাই। নামু পোং থায়াই অচংক আলেপ। অপকমা পুমনামক্পু। চেংলও সকথো আোইনা। তাইপঙ খোইচা লনথোইতালপী। চাঙ্গু লাই সিতাপাপু। পুকনিঙ নিঙসিংনানা। তেঙপা পালকল আোইপা। থামোই লইঙ্ গুং লইকানুং। থমপাল পাপুকনংতা। বুলথা নিঙাসং ... থং লাইতানা। থামোই লাইমাং আোইনাপী। খুকনু লৈতোল তোংপী। লাংপল খোইজেল হাকুম তাংথং ... লাইতাপী। হুমপু নাবেং সুপী। লইকন মাথংজেংপী। নোংকি মাথং মিনপাস্য। চিং হাই লমচিকনা। মাসুনতাল লাইকোই মাইতালাংনা। থাবাই লাংবোন্নাপী। খুমিং তাংখোই হুলকুম। মাপোক চাংলা লাইহুই খোলপী। খোইপ লাইনামুং নামুংপী। মাখাংবি তেংথাঙকপী। তমপা চেংলও সকনাইতা। খোইমম লাই অপকমা। পমনামাক। নাঙাল আলাপানা। চেংলও সকথো আোইজ পী।

লৈখাবোল লা ১৪, পানথোইবী চেংথাবোল



মমা ২ পোকয॥ ১ তী নাবাইকোক্‌পীকৌয়-॥১ তী॥ তীনলীকোকপী কৌয়॥ মিবেক্‌নু কৌয়॥ লইমাবোল্‌কি মাকোক্‌নে॥ ॥ লার্যায়ংথৌনা[১]॥ মান্থমতাকি॥ হই মাককুম॥ কক্‌খাযঙঈকি মামিংতী॥ চেৎপা ঙালপা কৌয॥ চেৎপা ঙালপানা॥ চেৎপী ঙালপী পোকয॥ চেৎপী ঙালপীনা॥ লইনীঙকোইপা পোকয॥ লই নীঙ্‌কোইপানা॥ মীহিংলেল্‌সিতাপা পোকয॥ মীহিংলেল্‌না আঙাং পোকয॥ আঙাংনা॥ হুংঙাবেল পোকয়॥ হুংঙাবেলনা॥ তুমাহিং পোকএ॥ তুমাহিংনা ঙাঙতানৌ হিংলিংকৌথায॥ ফৌথী অোইনাপা ব্লানে॥ ॥ চীঙকি মামিং হায়কে॥ সনাচীঙ মামিংতী॥ ঙান্‌তবেঙ কৌয॥ নোংপোক্ সনা থিংক্রুচীঙতী॥ ব্লুম কাকুপতা কৌয়॥ মোঙপী চীঙতী॥ হ ব হ পাই কৌয়॥ চীঙখৈতী॥ সনা তমপাবাংব্রোম চীঙতাবেংপা কৌযে॥ লংমাই চীঙকি ব্লাখা পাৎতা॥ লৈপা॥ হালনাসাপা খুৎপূন চীঙতী॥ তাবং হব মুলপা কৌয॥ লংমাইচীঙতী॥ ব্রোমতাবং॥ চীঙনামুংতী॥ মম্‌নাতাকুপ চীঙ্‌লাংখাম কৌয॥ কৌপাবেল চীঙতী॥ পোংমাকল্লু চীঙ কৌয॥ থোঙ্‌ঙাক চীঙতী॥ সীবাকোংচীঙ কৌয়॥ পিসুম চীঙতী॥ লাইসুমলেল্ লাইখৈ চীঙ্ কৌয॥ হইপোক চীঙতী॥ মাকুপী চীঙলেল্ কৌয়॥ চীঙ্‌থাংতী॥ হা হুম হ ব্রোমত্ত লইখই কৌয॥ চীঙ মামিংনে খঙঅো॥ ॥ মাইপানা থিবেল চলপাকি ব্রা হাযকে॥ লইপাককি মাইপাতী॥ হামলেল্‌লইপা॥ সঙনোংযুনোং॥ সাবক খায়পা॥ খামুল তঈপা॥ লাংনা ব্রাযপা কোনতে খুবাইতাঙপা॥ ৭ মা আসীকা॥ নোংথৌ মাইপা॥ হামলেল্‌লীপা॥ চাকোব্রা॥ পুথীয়া॥ চেঙপুলইপা॥ কোবওলেমপা॥ সোংলেলপু॥ চীবাইতাঙপা॥ ৭ মা আসীকা॥ সৃপচীলতুনা॥ ১৪ মাকি॥ মথক্‌তা॥ তোংপাতী॥ খীকমলেল্ সানাইপা ব্লুকমলেল সানাইপা॥ নুংনাংলেল আপোঙ্‌পানে॥ ৩ মাপু॥ সুইন্যাতা॥ আঙাইবেলনা॥ পুখৎলকয়॥ মামিং ব্রোঁংসল তবং কৌয়॥ নোংহুমসঙতা লৈবে॥ আঙাক্‌পাতী॥ নোংসীৎ লমতী॥ সলথোঙনে॥ থাব্লাবেলনা ঙাকয়॥ লায়চীতী চেংঙানা ঙাকয়॥ মইবমতী যুচেংনা ঙাকয॥ লীকলমতা যুহান ঙাকয॥ ৪ মানা ঙাকয়॥ ঙাকলাপাকা॥ সুবইনীঙলইতোংপা॥ তলতুমলেল্ মইনাইপা কৌয়॥

লৈঙেগীদি- লৈতীন খাকপী শিললম হায়না কৌয়ে। লাইলেমমা অনি পোকয়ে। অমদি নলাইকোকপী হাযনা কৌযে। অমদি তীনলীকোকপী হাযনা কৌযে মিনেকনু হায়না কৌয়ে। লৈমাবোলগী মকোকনে।

লৈপাদি ওইগা গা

লাইযিংথৌনা মন্থমদগী হৈ মকখুম মতোল চোংনা ককখাইঙেগী মমিংদি চেৎপা ঙালবা হায়না কৌযে। চেৎপা ঙালবনা চেৎপী ঙালবী পোকযে। চেৎপী ঙালবীনা লৈনিঙ কোইবা পোকয়ে। লৈনিঙকোইবনা মীহিংলেল্ শিদবা পোকয়ে। মীহিংলেলনা - অঙাং পোকযে। অঙাংনা হুংঙাবেল পোকযে। হুংঙাবেলনা তুমহিং পোকযে। তুমহিংনা ঙাঙতানৌ হিংলিং কৌথয়ে। ফৌদি মক ওইনবা ব্লানে।


চাওমিং হাৎপা

চীঙগী মমিং হায়গে সনচীঙগী মমিংদি ঙানতুবেঙ হাযনা কৌযে। নোংপোক সনা থিংক্রুম চীঙদি ব্লুম কাকুপতাবং কৌয়ে। মোঙবী চীঙদি হ ব হ পাই কৌযে। চীঙখৈদি সনা তমপা লাংব্রোম চীঙ তাবেংবা কৌয়ে। লংমাই চীঙগী ব্লাখা পাৎতা লৈবা ইহাল হালনা শাবা খুৎপুন চীঙদি তাবং তব মুলবা হাযনা কৌযে, লংমাইচীঙদি ব্রোম তাবং কৌযে। চীঙ নামুংদি মমনা তাকুপ চীঙলাংখাম হাযনা কৌয়ে। কৌপাবেল চীঙদি পোং মাকল্লু চীঙ হায়না কৌযে। থোঙ্‌ঙাক চীঙ্‌দি শিবাকোংচীঙ হাযনা কৌয়ে। পিশুম চীঙদি- লাইশুমলেল লাইখৈ চীঙ কৌযে। হৈবোক চীঙদি মাকুবী চীঙলেল হায়না কৌয়ে। চীঙথাং চীঙদি হ হু হ ব্রোমতু লৈখৈ কৌয চীঙ মমিংনে খঙও।

মাইৎতা থিবেল চলনা

মাইবনা থিবেল চলবগী ব্রা হায়গে। লৈবাক্কী মাইবদি - হামলেল লৈবা, শঙনোং যুনোং, শাবক খাইবা, খামুল তৈবা, লংনা ব্রাইবা। কোনতে খুবাইতাঙবা, ৭ মা অসিগা নোংথৌ মাইবা, হামলেল লীবা চাকোব্রা, পুথীয়া চেঙপুলৈবা। কোবৌ লেমবা, শোংলেপু চীবাইতাঙবা তবেৎমক অসিগা পুনশিনদুনা মখল ১৪ মকী মথকতা তোংবদি- খীকমলেল শানাইবা, ব্লুকমলেল, শাইনাইবা, নুংনাংলেল অপোঙ্‌বনে, অহুমকপু অহাংবদা লৈবা অঙাইবেলনা পুখৎলকয়ে - মমিংদি ব্রোঁ সল তবং হাযনা কৌযে। নোংহুমশঙদা লৈবে। অঙাক্‌পদি নোংশিৎ লমদি শলথোঙনে, থব্রাবেলনা ঙাকয়ে, লাইচি লমদি চেংঙানা ঙাকযে, মৈবম লমদি - যুচেংনা ঙাকযে, লীকলম মাইকৈ লমদি যুহানা ঙাকয়ে মখোয মবিমকনা মাইকৈ চুথেক ঙাকলবগা সুবৈনঙ লৈতোংবা, তলতুমলেল মৈনাইবা হাযনা কৌয়ে।

১। লাযযিংথৌ : লাইযিংথৌবু হোংবদি অসুম্না শৈপদুনা হেংযে ত হৌ হে-হৌ হে-হৌ॥ হোঙনেম লো হোঙনেম লো॥ হোঙনেম সে হোঙনেম সে॥ লমলেল মতা হোঙনেমপা॥ মতাই-মতা হোঙনেমপা॥ কংপল মোনত হোঙনেমপা॥ পুমসাংযানতা হোঙনেমপা॥ খোইযমথৌপু লাইযিংথৌপু॥ লাইবেল মাইনা নানোং-মাইনা॥ লিকলাইবেলনা নিংথৌ লম্মন॥ লোই চার্মাক তী থাকাওত্তানা॥ লাঙহৈকি তী কুমকাওতানা॥ খোইযমপৃকা লাইবম পুকা॥সঙকাই সঙলেলাকতি॥ তংমাইথিনপা অহুম-মাকা॥ খার্পীকি-তী যোমলোই-হৌনা॥ অসৈকি তী থোংফাং লংনা॥ কৌপা-কানা লাকথোঙকানা॥ চিঙঙু ব্রাইনা লোংপান-ব্রাইনা॥ থাংগাকি তী খোংজবোংপা মাসুম-মাঙ॥ সব্রা ব্রাইবৌপাম পামলনাসুম॥ ব্রানপী তেংথা সুম তেংনামান্দপী কৌথা-সুমা তোমপা লিকলাই সৈখুম সুম॥ হুয়েল কি তী লাঙ্গর্নাকি তা॥ পালপা কৈতেকল্লাপতৈ খাকা থা॥ সাংব্রান থাইবতাঙতী থককা থোল॥ হাওনু তোমসোললেনকি তী মামঙ পাকুপ তা লুবা হৌনা॥ পাখংকি-তী যোমতাং সাংনা॥ সেম্নমৌহৈকি-তী



লইবংলেললনা॥ তাখৎলকযে॥ ৭ মককি লৈপাকর্তী॥ নোংহুমসঙনে॥ ৭ পু ১ হা অোইনা॥ সূপচীললাপাতী॥ ঙাঙতকম হিংচী কৌযে॥ লইপাককি কৌবোঙতী॥ লইতংলেললনা॥ লইতাং সাংপা॥ নোংথৌকি কৌবোঙতী॥ নোংতংলেংলনা॥ নোংতংসাং কৌয॥ কৌবোঙ ২ মাকি মাবকতা হুইঅোইনা॥ ফোললাং তুপাকুম ফমপাতী॥ ঙাঙ্তুবেঙ কৌনা ফমলে॥ মানা ফমলাপাকা॥ লইপাক্ নোংথৌ॥ নুমীৎ থা পুমনামাপু॥ মাবা চৎলে॥ থীবেল চলপা ব্রাতী আসীনে॥ ॥ নোংকৌ[1] থানাপাকি ব্রা হায়কে॥ হ হুম হ হুম॥ ত হুম্ হুম্॥ ত হুম॥ হুম হুম হুম হুম॥ থুচীবীক॥ তীচীকবীক॥ লইপাক্ মাবোল ৭॥ নোংথৌ মাবোল ৭॥ নৃঙ মাবোল ৭॥ য়ীসিং মাবেল ৭॥ সুঙনলয়॥ খোযতৌপী খোইতওপা॥ ব্রালসৌপী॥ ব্রালসৌপা॥ কোনসৌবেল নঙ সৌখলকঅো॥ খোমহুকনে॥ নঙহাংঅ॥ মাললেম লইপু লুমপী॥ লুম্খৎলকঅো॥ কোনও নোংপু খোলপীপা॥ খোলখৎলকঅ॥ কুকক্ কুকক্ কুকক॥ খু খুখৎলকঅ॥ নোংসীৎ নঙতী॥ নামই নানা কাঙ্কুনো॥ না ২ হুমকুনো॥ নাগীন্ নানুং তওকুনো॥ নানুং নাইবকঅো॥ নাপিতোললক্অো॥ আহুইপী নঙ হুইবকঅো॥ চীঙলাংলেল চীংখৎলকঅো॥ আবংপা নঙ লংখৎলকঅ॥ মী মানীক্অো॥ নোংপোক নঙপু॥ খোলখৎলকঅো॥ খোয়তওপী খোয়তওপা॥ লাযযিংথৌ॥ মাখাতাফমপা॥ মীতোমলেঙ॥ লেঙখৎলকঅ॥ লাইয়িংথৌ মি হা আ॥ হাখৎলকঅো॥ ব্রাআসীতী॥ কাপো কোনাতা যীঅ॥ খাবী খুতেংতা॥ যীসিং হাপতুনা তীঙঅো॥ যুসিলফম মাপাতা ফুমঅো॥ নোং চুপনে॥ চুতাবাপাতী॥ খাবীনা ককচেং মাখুলতা হইচীলতুনা সোলঅো॥ নোংচুপানে॥ চুতাবাপাতী॥ লইপাকপু॥ আকপা খুতুপ ১তওঅো॥ নাকোক্ থিলচিলনা শোলঅ॥ চুপানে ॥ ॥ চীঙখৈকি ব্রাপু হাযকে॥ নোংপোক ২ লেললনা॥ হে লাইবেল সীতাপা॥ নঙতী॥ লাওতা লাইবেল সিতাপানা॥ চঙখিবাপাকা॥ মাপীঙ্ঙানা॥ লইপাক নোংথৌ॥ খুফম চেৎনাবা॥ ব্রা হাযনাবে॥ নঙতী যীফমতা॥ লৈবওঅো॥ হায়না॥ কমপোংপুৎঅ॥ সিলনাবে॥ লাযযিংথৌ নোংপোকনা॥ হওবকঙইকি॥ মামিংতাঁ॥ সংমা তোংমপা কৌয়॥ কমবোংপাৎতা॥ লাইবেলসিতাপানা॥ লমখল অোইনা॥ লৈবওঙইকি॥ মামিংতী॥ তোঙ

লৈবংলেললনা অমুক তাখৎলকয়ে মখোয় ৭ মককি লৈবাকতি নোংহুম শঙনে, তবেৎপু অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা সুপচিলাবদি মদুগী মামংদি ঙাঙ্তকম হিংচি হাযনা কৌযে। লৈবাককি কৌবোঙদি লৈতংলেললনা-লৈতাং শাংবা। নোংথৌগী কৌবোঙদি নোং তংলেললনা- নোংতংশাং হায়না কৌযে। কৌবোঙ অনিমগী মবকতা হুই ওইনা ফোললাং ওইনা তুশিনবগুমনা ফমবদি ঙাঙতুবেঙ হায়না কৌনা ফমলে। মগাকনা ফমলবগা লৈবাক নোংথৌ- নুমিৎ থা পুম্নমকসু মফম মবা চেৎলে। থীবেল চলবা কৌবগী ব্রাদ অসিনে [1] নোং কৌথাবগী ব্রাবু হাযগে।

হ হুম, হ হুম, হ হুম হ হুম,

নোং লাওলোল হুম হুম হুম হুম। লৈপাকচীলিক নোংথৌচিকলিক।

লৈবাক মবোল তবেৎ, নোংথৌ মবোল তবেৎ।

নৃঙ মবোল তবেৎ, ঈশিং মবোল তবেৎসুঙ নলয।

খোইতৌবী, খোইতৌবা ব্রালশৌবী ব্রালশৌবা।

কোনশৌবেল নঙ শৌখৎলক-ও। খোমহুকঅো নঙ হাং ও।

মালেম লৈবু লুমবী, লুমখৎলক ও

কোবৌ নোংবু খোলথীবা খোলখৎলক-ও।

কুকক কুকক কুবক্ খু খুখৎলক ও।

নুংশিৎ নমৈ- ননা কাঙগনো নাশিৎ ননুং হৌগনো ননুং হৌনা নাইবক ও।

নপীতোল শিহুবক ও, অহুইবী নঙ হুইবক-ও।

চীঙলাংলেল চীংখৎলক ও, অবংবা নঙ লংখৎলক-ও।

মী মনিক-ও, নোংপোক নঙবু খোলখৎলক-ও।

খোইতৌবী খোয়তৌবা, লাইয়িংথৌ মখাতা ফমবা।

মীতোমলেঙ্ লেঙ্খৎলক-ও, লাইয়িংথৌ মীহা হাখৎলক ও।


ব্রা অসিদি কবো কোনাদা যীও। খাবী খুতেংদা ঈশিং হাপতুনা তীঙ-ও। যুশিলফম মপাতা ফুম-ও নোং চুবনে, চুদববদি খাবীনা ককচেং মখুলদা হৈজিলদুনা শোল-ও। নোং চুবনে মদুদাগু চুদববদি লৈবাকপু খুদুপ ১ মা লুনা তৌ-ও। নাকোক যৌনা থিলচিলনা শোল-ও চুবানে- (নৎত্রগা মাইবা মাইবী চংনা লাওবা শোলবাবু তৌনে)।

চীঙখৈগী ব্রাবোল চীঙখৈগী ব্রাবু হাযগে- নোংপোক পোকলেল পোকপনা হে লাইবেলশিদবা নঙদি লাও-ও। লাইবেল শিদবনা চংখিববগা মপীঙঙা অনিনা লৈবাক নোংথৌ খুফম চেৎনবা ব্রা হায়নবে। নঙদিখুমফমদা লৈহৌ ও হাযনা, কমপোংপুৎতা শিননবে। লাইয়িংথৌ নোংপোকনা হৌবকঙৈগী মমিংদি শংমা তোংমপা হায়না কৌয়ে। কমপোংপাৎতা- লাইবেলশিদবনা লমখল ওইনা লৈবিঙৈগী মমিংদি

১। নোংকৌ : নোং তান্দ্রবদা লাইযিংথৌ লইবমমানু বুকমজদুনা মাইবা মাইবানা নোং লাওবগী চৎনবী লৈ। লাওবগী মবোল অমাদ : শলথোং ব্রাকু নোং। তীঙনা লৈংফাল নোং। খাংনাং তাখেন খুঙম নোং অংবাঙ খাংযৈ-নাং। খা হি নাংলেৎ নোং। ঙালবা নোংচাই নোং। খোংনাং মযাং খুঙম নোং। কৌবা কৌনু নোং। ইলৈং ইখম নেং। কোইবেং খুঙম নোং তোলনেম তোলতৌ নোং নুঙশাং খোংনাং নোং। চকপা তাংখুল খুঙম নোং। চংলাই তাংলাই নোং তাইংকাং তাযাং নোং। শেলবী কপো খুনঙম নোং। যাবই লেমতৈ নোং॥ পাথোক পুথোক নোং॥ লোকখা হাওখা নোং॥ হাওখা চাইবেল-নোং॥ শামলোই লংমাই-নোং॥ লংমাই নুঙখোং নুঙনাই নোং॥ নঙপু চু অো ঈশিং ও চাও ও॥ ব্রাহী মুনু কৌজেং হাবৌ চানা মকোঙ থাকনা শিঙালিংয মযা ফাকনা শিঙলিযে॥

নোংলাওবোল

লংমাই নিংথৌ চানু॥ লৈমা কোনসংনু সাফাপী॥ থারাকি হী নুবা সংপুচুনপা॥ মপাবী চেকাই মকাবাপা লালসিং সুক॥ লাংপলাক তা ব্রুযু সুক॥ সর্মাকি হী কুহি সুক॥ সুকন্যাক হী তোন-তাঙপা-তা॥ সাবিক-থাংনা শিং শিং থাংনা॥ সুকতোলকি হী লাংমৈতাং-থাংনা॥ পামেল ব্রাইনা খাঙপ পাইনা॥ সুকনিং কাঙনা মোইতোল-কাংনা॥ লাইমেম যনা কুংখাদ গুনা॥ চেঙ চা তাপনা মাইতৌ



সংপুম আপুমপা কৌয়॥ লাইনামুংপাতী॥ মোঙপী চীঙতা॥ খললা লৈবে॥ মামিংতী॥ তোংকোয়বেল তেহিংতে কৌয॥ লাইবেম্মাতী॥ হিংনুকোয়নু কৌয়॥ রাপা চীঙতাসুঙ॥ লমখল আইনাবে॥ মামিংতী তোংসাবেঙ কৌয়॥ লাযযিংথৌ নোংপোক ২ লেললা॥ চীঙথৈতা লাইসোলতী॥ তোমমা লইচিলচা॥ তোম্মা তাংখুবোয়পা কৌয়॥ মাখা ঙাকপাতী॥ লইসাতাও॥ নোংসাতাও কৌয॥ খুনেৎতী॥ মাবাচীঙনে॥ মামিংতী॥ আকপী সানোয় কৌয়॥ তীন্নামুংপানা॥ পললাংখোক আইনায॥ কোয়না ঙাক্য়॥ মবা মানীক কৌয॥ লাই নামুংপানা॥ নোংথৌ সবাবেললা॥ থাকখল আইনায়॥ মামিংতী সনাচাংতোল্লেঙপা কৌয়॥ চাংঙা নিংথৌ পাৎঙাই চাংনিং আপুমপা কৌয॥ কৌপাবেললা মায়্য়োক্ আইনায়॥ নুঙ্কোযবেল্ মীৎসনা॥ মিৎয়েংসেল আইয়॥ লংমাই চীঙনা॥ নমখাঙ আইয়॥ মাপুসীৎপা সীৎকোয়বেল কৌয॥ মাপাওতাও ৫ মাকি॥ নিংথৌতী॥ লায়য়িংথৌ তোংসংপুম কৌয় ॥ ॥ লাযযিংথৌ আপালপানা॥ কাসা আইবক্ঙইকিরানে॥ মামিং লায়যিংথৌ কৌয়॥ রাখাপাৎতা লৈপা হাল্না সাপা॥ চীঙকি মামিংতী॥ তাবংহবমুলপা কৌয়॥ চীঙ আতুকি মাখাতা নোংপাক্ সিতাপাকা॥ লাইবেলসিতাপাকা ২মা তীলনাঙইকি মামিং তুমমিল হিংঙাঙ্তুমপা মীহিংচী কৌয॥ লইখাতা লৈঙইকি রানে॥ চীঙঙাকি মাতৌলতা ফমলাপাতী॥ তিলনপ মানীক কৌয়॥ চীঙ্ আতুতী॥ লংমাইচীঙ্ আহালপানে॥ কমপোংপুৎতা লৈবাপাক॥ লিলি লইহিং নপ তীন্তাবি মীহিংচী কৌয়॥ লাইবেম্মাতী॥ মীহিংকোম নুপী কৌয়॥ চুঙতী ঙাঙ্কুপ কৌয়॥ থাঙতী কৃপফেৎ কৌয়॥ চীঙথৈতা কুমায্ হিং॥ কুহিং চী কৌয়॥ নুঙঙৌতীন্॥ যাঙৌপাকি॥ মাথক ফমপানে॥ নোংহ্ম সঙ লৈঙইতী॥ নোংপোক ২ লেলকা॥ লাইবেল সিতাপাকা ২মা তিলনায়॥ তুমা হিং॥ ঙাঙ্তুম্ হিং চী॥ সংতানৌ হিং মীহিং চী কৌয়॥ থাঙতী॥ কুপতাবংপা কুপ ফেৎ মিযান থাঙনে॥ লইপাক সেমকে॥ হলথোক্লকঙইকি মামিং॥ রোং লইমা হিং কৌয়॥ থাঙতী॥ সীৎকুপ ফেৎফীবাক থাঙ॥ খুৎসৃতী॥ চীবংলেল ঙাঙচিপা কৌয়॥ নোংহ্ম সঙ্কি রানে॥ ফুবা মানুং


তোঙশংপুম অপুমবা হায়না কৌয়ে। লাইনামুংবদি মোঙবী চীঙদা খললা লৈবে লৌবঙেগী মমিংদি তোঙ্কোইবেল তেহিং তে হায়না কৌয়ে। লাইবেমমদি হিংনু কোইনু হায়না কৌয়ে। রাবা চীঙতাসু লমখল ওইনবে, মমিংদি তোংশাবেঙ হায়না কৌয়ে। লাইয়িংথৌ নোংপোক পোকলেললা চীঙথৈদা লাইশোলবদি তোমমা লৈচিল-চা তোম্মা তাংখুবোইবা হায়না কৌযে। মখা ঙাকপদি নৈশাতাওনে। নোংশাতাও হাযনা কৌয়ে। খুনেৎতি মাবাচীঙনে মমিংদি- ওকপী শানোয় হায়না কৌয়ে। তীন নামুংবনা পললাংখোক ওইনয়ে কোয়না ঙাকয়ে হায়বগী মবা মনিক হায়না কৌয়ে। লাই নামুংবনা নোংথৌ সবাবেলবু থাক্কল্ আইনা খলনৈয়ে। খললিঙেগী মমিংতি সনা চাংতোল লেংবা চাংঙা নিংথৌ পাৎঙাই চাংনিং আপুমবা হায়না কৌয়ে। কৌববেললা। মাইয়োক ওইনৈয়ে। নুঙকোইবেল মীৎসনা মিৎয়েংশেল ওইয়ে। লংমাইচীঙনা নমখাঙ ওইয়ে। মাবু শিৎপা শিৎকোইবেল হায়না কৌয়ে। মপাতাও মমাননবা মঙামক্কী নিংথৌদি লাইয়িংথৌ তোংশংপুম হায়না কৌয়ে।

লাইয়িংথৌ অপালবনা কাশা অপোকপা ওইবা

লাইয়িংথৌ অপালবনা - লাই কশা অপোকপা ওইনকঙেগী রানে- মমিংদি লাইয়িংথৌ হায়না কৌয়ে। রাখা পাৎতা লৈবা হাললা শাবা- চীঙগী মমিংদি তবং হব মুলবা হায়না কৌয়ে। চীঙ অদুগী মখাদা নোংপোকশিদবগা, লাইবেলশিদবগা অনিনা তীননঙেগী মমিংদি তুমমিল হিং ঙাঙতুমবা মীহিং চী হায়না কৌয়ে। লৈখাদা লৈঙেগী রানে। চীঙঙাগী মতোলদা ফমঙেগী মমিংদি তিল নপ মানিক হায়না কৌয়ে। চীঙ অদুদি লংমাইচীঙ অহানবনে। কমপোংপুৎকী মফমদা লৈববগা মমিংদি লি লি লৈহিং নপ তীনতারি মীহিংচী হায়না কৌয়ে। লাইবেমমাগী মমিংনা মীহিং কোমনুবী হায়না কৌয়ে। চুঙদি ঙাঙ্ কুপ হায়না কৌয়ে, থাঙদি কুপ-ফেৎ হায়না কৌয়ে। চীংথৈদা লৈববদি মমিংদি কুমাই হিং কুহিংচি হায়না কৌয়ে। নুঙঙৌতীন যাঙৌবগী মথকতা ফমবনে। নোংহ্ম শঙতা লৈঙেদি নোংপোক পোকলেলগা লাইবেলশিদবগা অনি তিলনৈয়ে- তুমহিং ঙাঙতুমহিংচী সংতানৌ হিং মীহিং চী হায়না কৌয়ে। থাঙদি কুপ তবংবা কুপফেৎ মিয়ান থাঙনে। লৈবাক শেমকে হায়না হলথোকতুনা থোকলকঙেগী মমিংদি রোং লৈমহিং হায়না কৌয়ে। থাঙদি শিৎকুপ ফেৎ ফিবাক থাঙ কৌয়ে। খুৎসু থাঙদি- চীবংলেল ঙাঙচিবা হায়না কৌয়ে। নোংহ্ম শঙগী রানে। ফুবা

তাললা॥ পাম্বেলকি-তী থৈথিং-লাতা॥ তললকি-তী থৈঙা-লাতা॥ উমু-লাতা তাংমা-লাতা॥ হৈতৌকি-তী মংখা-লাতা॥ হয়েলকি-তী লাললিকি-তী॥ হৌনু-নুপু পালতোই-নুপু॥ সাফাপীপু ফানা-লাতা কানম-লাতা॥ লোইমোম ফৌ তী তুংতা মীল॥ তবা চেঙ-তী মাঙতা-মীল-না য়ামপী-তাললা মাইঙৌ-তাললা খোইয়ম-থৌপু হোঙনেমপা॥ লায়িংথৌপু হোঙনেমপা॥ সঙলেলকি-তী চেংমাইথনপা অহমমানা॥ খোইযমকি তী লাইবম-সিননা॥ লাইবেল-যাইনা নানোং যাইনা॥ পোইবৈ-হৌনা খুল-চা হৌনা॥ তায়ম-হৌনা নাইচা-হৌনা॥ খোইয়ম-থৌপু হোঙনেমপা॥ লাইরিং-থৌপু হোঙনেমপা॥ লাইয়িং থৌপু হোঙনেমপা॥ চবা লেমনা চেঙপাল লেমনা॥ লোইমোই লেমনা ফৌপাল লেমনা॥ সিঙলেল লেমনা নৈপাল লেমনা॥ চিঙ্কুকি-তী মাবল-কুপু খোইমোমকি-তী মাথৌচালপু পোইবৈন পুপা খুলচাওনা পুপা॥ রাংঙমনা-পুপা খুলহোঙনা-পুপা॥ লাইবেল যাইনা নানোং-যাইতী॥ লিকলাইবেল-তী নোংথৌবেল-তী॥ খোইমোম-খাতা সনা খাতা॥ যোইপু-পীকা মৈতৈ লৈমা-কা॥ চিঙঙু রাইনা খোংপাল রাইনা॥ কোথৌ লেমনা, লকসা লেমনা॥ রাকমা লেমনা পাও-ফা লেমনা॥ নোইনাই তোকনা ঙমতম তোকনাপা-তা॥ চিঙঙু-চাল নাইনা থৌচাল-না॥ লাইবেল-যাইতা নানোং যাইতা॥ মাযু-লৈপু হোংনেম লৈপু॥ লৈপুল-সিপু মীরাল-লৈপু॥ কুবু-কুনা কুমীবমম্পু- কোলপু কোলনা কোনসিনবীযু॥ কোলবু কোলনা কোর্নাসনলকে॥

লাইনিংথৌ অতোঙলোল




তা লৈঙইতী।। লইপোংঙাঙচি কৌয়।। কংলা নমলোলতা লৈবাপাতী।। সিতা নৌহিং।। মীহিংচি কৌয়।। চীবকতা ফমলাপাতী।। ঙাঙহিং ঙাঙতাবৈবা কৌয।। ব্রোযতী।। মিহিংমানুয়ীয়া কৌয।। থাঙতী।। মীপুল মিঙাংচি হিং কৌয।। মেলতা ফমলাপাতী।। মিতোং মানীক্ কৌয।। আয়ত্তী।। তে তে হিং নপ কৌয।। মাপা থাঙতী।। কোংযীপাতী যেংতা সুয।। চীবংলেল কিংনাইপাতী ব্রোযতাসুয্।। মীংমাক মিয়েংসেলনা।। মায়য়োক্ আইয়।। মাচী চীতোলতা তোংলাপাতী।। মীতোং তাবংপা কৌয।। আযতী তা ২ নু কৌয।। থাঙতী মীপুলতী ফকথোক্ থাঙ কৌয।। খুংশুতী চীকিং মানিক্ কৌয।। ব্লুযুং মাতোলতা।। ফমলাপাতী।। ঙাঙ্চি হিং কৌয়।। ব্রোয়তী সংকোয়নু মানীক্ কৌয।। কেক্রু পালতা[১] ফমলাপাতী।। হাককানীক মিহিং চী কৌয়।। চীঙকোলতা ফমলাপাতী।। লাইবেল কোংচীপানা।। ঙাঙ তাবংহুক ঙাঙহিং কৌয।। চুঙতী।। ঙাঙ্তুম কুপ কৌয।। থাঙতী।। কুপ ফেৎ কৌয়।। যীমথইাক।। ফুবা মানুংতা।। ফমলাপাতী।। নুঙমানীকনু।। ঙাঙচীবীক কৌয।। থাতা ফমলাপাতী।। মীহিংলেল কৌয়।। আযতা লইনুংখিব কৌয।। নুমীৎতা ফমলাপাতী।। ঙাঙতুবেঙ মিহিংচি কৌয়।। ব্রা আসীতী।। খাকেম্পাপু।। লায়যিংথৌ কৌনাপা ব্রানে।। ৹।। কাবলকি ব্রা হায়কে।। ব্রাসোই যীবাংফমতা।। লাই খৈপীকনা।। কাবল ৪ তা।। লায়য়িংথৌ ৪ মানা।। লইপাক নোংথৌ।। তুনা ফমঙইকি ব্রানে।। চিবা ১ তী।। লায়যিংথৌ কোংচিবেলনা।। লইকিংলে কিংনাইপা কৌনা।। ফময।। আঙাক্পাতী।। কোংতিংলেলনে।। চিবা ১ তা।। লাযাযংথৌ আপালপানা।। আয়য়েৎ।। হায়ফাতাপা।। পেংপা সানোয়না।। হিংকাবী তৎ কৌয।। কৌনা ফমনে।। আঙাকপাতী।। যৌঙাইপানে।। চিবা ১ তা।। নোংথৌ সবাবেলনা।। সনা থমপাল মাতোলতা।। ফমপা আচিপানা।। সাব্রাং।। নোংফুবেল্ কিং খিং কিং নাইপা কৌনা ফময়ে।। ৪ মকনা।। ফমলাপাকা।। গুরুকা আপানবাকা ২ মাকতী।। ব্লুযুং মায়তা লইপাক নোংথৌ।। তুপাকি মাতোলতা।। নুংলাংলেল আপোকপা কৌনা ফময্।। লায়বেল য়াঙপী খুতোলপাল্।। য়ুমচাও।। কংলা তুপা।। লাইতী লেমখোং লাইনে।। খুতোলনা।। খুবাই খুলফম য়ৌখিপানে।। মখোয়না ঙায়েলনে।। হকচাংতী।। য়ুমচাওনে।। থাবাকতী।। কংলা চৎলমনে।। চীবকতী।। ফমতোংফমনে।। মেলতী লুতোলনে।। মামিংতী।। নু

মনুংদা লৈঙৈদি লৈপোংঙাঙচি হাযনা কৌযে, কংলা নমলোলদা লৈবর্বদি সিতানৌহিং, মীহিংচি হাযনা কৌযে। চীবকতা ফমলবদি ঙাঙহিং ঙাঙ তাবৈবা হাযনা কৌযে। ওইদি মিহিং মানু ঈযা হায়না কৌয়ে। থাঙদি মীপুল মিঙাঙ চি হিং হাযনা কৌযে। মেলদা ফমলবদি মিতোং মনিক হাযনা কৌযে। ওইদি- তে তে হিংনপ কৌযে। মপা থাঙদি কোংযীবদি য়েংতা শুইযে। চীবংলেল কিংনাইবদি, ওইতা খুংশু ওইয়ে। মীং মক মিয়েংশেলনা মাইযোক ওইয়ে। মচী চীতোলদা তোংলবদি মীতোং তাবংবা হাযনা কৌযে। ওইদি তাতানু হায়না কৌযে- থাংদি মীপুলতী, ফকথোক থাঙ হাযনা কৌযে। খুংশুদি চীকিং মনিক হায়না কৌয়ে। ব্লুযুং মতোলদা ফমলবদি ঙাঙচি হিং হাযনা কৌয়ে, ওইদি শংকোনু মনীক কৌয়ে, কেক্রুপালদা ফমলবদি হাককানীক মীহিং চী হায়না কৌযে চীঙকোলদা ফমলবদি - লাইবেল কোংচীবনা মমিং ঙাঙ তবং হুক ঙাঙ হিং হাযনা কৌয়ে। চুঙদি ঙাঙতুম কুপ হায়না কৌয়ে। থাঙদি কুপ ফেৎ হায়না কৌয়ে। যুমথৈগী ফুবা মনুংদা ফমলবদি মমিং নুঙ মনিক নু ঙাঙচীরিক হায়না কৌয়ে। থাদা ফমলবদি মমিং মীহিংলেল হাযনা কৌযে-ওইগীদি লৈনুং খিবি কৌয়ে- নুমিৎতা ফমলবদি মমিং ঙাঙতুবেঙ মিহিংচি হায়না কৌয়ে- ব্রা অসিদি খাগেমবু লাইয়িংথৌ কৌনবা ব্রানে।০।

কাবল মবিদা লাইমিংথৌনা লৈতা ব্রা

কাবলগী ব্রা হায়গে উশোই ঈবাংফমদা লাইখিবীকনা কাবল মবিদা লাইয়িংথৌ মবিনা লৈবাক নোংথৌ তুনা ফমগৈগী ব্রানে, চিবা অমদি লাইয়িংথৌ কোংচিবেলনা লৈকিংলে কিংনাইবা হাযনা কৌনা ফময়ে। অঙাকপদি কোংতিংলেলনে। চিবা ১ তা লাইয়িংথৌ অপালবনা, ওই য়েৎ হায়ফদবা পেংবা শানোইনা হিংকবি তৎ কৌয়ে। মমিংসি কৌনা ফমলে। অঙাকপদি যৌঙাইবনে চিবা অমদা নোংথৌ সোবাবেলনা, সনা থমবাল মাতোলদা ফমবা অচিবনা শাব্রাং নোংফুবেল কিং খিং কিং নাইবা কৌনা ফময়ে। মবিমকনা ফমলগা, গুরুগা অপানবগা অনিমকতি উযুং ময়াদা লৈবাক নোংথৌ - তুবগী মতোলদা, নুংলাংলেল আপোকপা কৌনা ফময়ে। লাইবেল য়াঙবী খুদোলপাল য়ুমজাও কংলা তুবা লাইদি লেমখোং লাইনে। খুদোলনা খুবাই খুলফম যৌখিবনে, মখোয়না ঙায়েলনে। হকচাংদি য়ুমজাওনে, থবাকতি কংলা চৎলমনে চিবকতি। ফম তোংফমনে মেলাদ লুতোলনে। মমিংনা

১। কক্রু পাল (কেক্রু পাং): কৌনাকনা কেক্রু পানতা ফমলিঙইতা।। মাখুংনা।। ব্লুফুপ লওতানা।। কই সাবে।। মামিংতি।। আসিসাবা কৌয়ে।। ২ মাকি মামিংতী লৈফুল কৌয়ে।। আতুকা।। সাচি ব্রানে।। মাকু ব্রানে।। সাপেংনা কই নঙতী নোংথৌ মাপোঙ কোযলু-আো।। হায়তানা সিখিযে।। লাইয়িংথৌনা হায়বে।। মাকু-আো।। যীখোয় ৩ মাতী মঙ লীনাসে।। অফাপা মঙলাবাসুঙ ফানসে।। ফংতাপা মঙলাবাসুঙ ফংতাসে।। যীখোয ঙমনা তিপতনা মঙ ঙমনসে।। সাপেংনা।। মাকুতা মঙ লিয়।। মাকুনা।। অসিপ মঙলাপতী ফংতে হায়তানা।। লাইপঙপালপা মাপুতা।। হায়নে।। নানাই সাপংপু সিবা মঙযে।। হায়না ফংলে।। লাইযিংথৌনা তে মাকু আো।। আতুনিকিতী।। মঙচানাকুনাসে।। সিবা মঙ লাপাপু।। সিকুনুসে।। আফাবা মঙপাসুঙ ফায়।। ফংতাপা মঙপাসুঙ ফাসে হায়তানা চুনাকময়ে মাতুকি চিঙখোঙ চুমপা কেক্রু পাল (কেক্রু পাং) কৌযে। কইনা খুংলাসে।। কইনঙতী।। কনমনযে।। হায়তানা।। খুংমাঙ য়েংতা।। যাথিলচইনা।। যাইসিলতানা।। মাখোঙ সেকহালযে।। অতুকা।। ক্রুপিতপানা।। হায়য়ে।। কই নঙসুঙ।। সাপেং নঙসুঙ মাকু নঙসুঙ।। নঙখোয ৩ না।। সাসুপাকি।। কুমাসঙ সুঙবাপাকা।। মাফম অসিতাসিতা।। অসি হেল্পনা সিলাপাতী।। লইপাক নঙকি ফংতাপা আয়ঙইনে কইসুঙ।। মাকুসুঙ সাপেঙসুঙ মাখোয ৩ মানা।। পোকপা মফমতী কেক্রু পালনে খঙআো।।



ঙকোয়পীতা॥ লৈপা পাং আতুনে॥ মানাতোনতী॥ খাপুঙ লাইপুঙ॥ য়ুফোঙ পাং পুঙ কাইফম ২ মানে॥ নাকোঙ্ মায়েংতী॥ সাবমথোঙকি নুপীথোঙ্কা ২ মানে॥ খায়াংতী লুচামফমনে॥ নাখাওতী আয়াঙ সীঙ্থাফমনে॥ নাতোল ১ তী॥ খোংসঙনে॥ নিংথেম কৌনাপা আতুনে॥ আতুপু নোংথৌ মাতোল্ কৌয়॥ খাত্তাঙ্সুঙ্॥ মাহাক আতুনে॥ মায়াতী॥ লুরাং নোংহুমফমনে॥ মাবৈনা নোংম্ইকাপ্পা লোয়সঙকি॥ পাং আতুনে॥ লৈতোল্না॥ কাঙ্পোকপীনে॥ খুমাঙ ১ না॥ কোন্লোয় লইমা য়ৌপানে॥ খুমাঙ ১না চাওপীবিপুঙ য়ৌপানে॥ মাসমনা সমতোল্পাল কৌনাবিয়॥ মচী ৯ পালয়॥ ৫ তী গুরুনে॥ ফোয়থোক্লে ১ তী ফুংকা অোইনায়॥ ১ তী য়ীমপীবেল্ য়ীহয অোইনায়॥ ১ তী চীরঙ্লেল্ ঙাঙচি কৌয়॥ আতূতী গুরুকি॥ খুৎসূ অোইন থায়॥ ১ তী রাংকোল্ লাম্না লৈয়॥ ১ তী লাংসঙতা॥ লামনা লৈপানে॥ খঙঅো ॥০॥ মইহৌরোলকি॥ রা হায়কে॥ লইখারোলতী॥ লইফুরেল চানুনা॥ পোংথাঙ্ পোংহলনে॥ চীলফুরেন্ লইচীক ঙালপীনা॥ নোংতম্লেল্ আখুপা॥ লইথম্লে চানুনা॥ নোংতম আহলপানে॥ চীৎনু লাইমানা॥ কুকমলেল্ মইনাইতাপানে॥ হাইনু লইমানা॥ কুরুমলেল্ মইনাইপানে॥ পিসিলনুনা॥ নিংথৌ হইরোঙলেল লোঙচুমপা॥ পিয়াইনুনা॥ নিংথৌ হইরোঙঙাঙ থাঙাঙলেলপা॥ মানাওতী॥ পোইবইতোল খোংফাং আতোলপানে॥ মামিংতী॥ তাঙখোঙ্তেক কৌয়॥ মাচনতী লাইম্রা মইতেরইমানে॥০॥ লাইরেললোল্তী॥ তীন্লিরেল॥ লাইয়ীরেল॥ খায়ীরেল॥ লিলতাওরেল॥ তাওরোয়্নাইনে॥ য়িখৈ নিংথৌসুঙ মানে॥ নুমিৎ[1] লোয়নাপা সুঙ মানে॥ লমথমপাসুঙ্ মানে॥ লায়য়িংথৌনা নেৎনা তোংনারিপাতী॥ মানা অোইপানে॥ সাঙায় সেলসুঙ মানে ॥০॥ লাইবেললোল পীনাইতাপাতী॥ লইকক্ লইয়াবেলনা॥ লৈসংলেল্ আসংপানে॥ লইতঙ্লেল্ চানুনা॥ লাইতোংলেল্ আতোংপানে॥ লইফুরেল চানুনা॥ লাইরেল লিলতাংসাংপানে॥ কোনফু লাইফু চানুনা॥ কোন্সৌরেলনে॥ লায়য়েক্ লাইখোং চানুনা॥ কুপতাবেঙনে॥ সেলতারেঙনে॥ ২ মা পোকয়॥ কুপতারেঙ্না আঙোম পোকয়॥ সেলতাবেঙনা নিংথেম পোক্য়॥ পীংরীংনু আরৈ আহমনু॥ মায়রেঙ্হওপা চানু॥ নোংতা নোংখললেল্পীনা ॥ লইনুং য়াখুপী চানু॥ চাখানুবোল পীরোল্

নুঙকোইবীদা লৈবা পাং অদুনে। মনাতোনদি খাপুঙ লাইপুঙ, উফোঙ পাং পুঙকাইফম অনিমনে। নাকোঙ ময়েংদি শারমথোঙগী নুপীথোঙগা অনিমকনে। খায়াংতী-লুচামফমনে, নখাঙদি অয়াঙ শিঙথাফমনে, নাতোল অমদি খোংশঙনে। নিংথেম কৌনবা মফমদি অদুনে। অদুবু নোংথৌ মতোল হায়না কৌয়ে। খাতাঙসু মহাক অদুনে, মায়দি লুরাং নোংহুমফমনে। মবৈনা নোংমৈকাপপা লোইশঙগী পাং অদুনে। লৈতোলনা কাঙপোকপীনে, খুমাঙ অমনা কোনলোই লৈমা য়ৌবনে। খুৎমাঙ অমনা চাওপীবি পুঙ য়ৌবনে- মশমনা শমাতোলপাল কৌনবিয়ে, মচী মাপল পালয়ে, মঙাদি গুরুনে, ফোইদোকলে অমদি ফুঙ্গা ওইনৈয়ে অমদি য়ুমবীরেল য়ুমহল উরেপ ওইনৈয়ে। অমদি চীবঙলেল ঙাঙচি হায়না কৌয়ে। অদুদি গুরুগী খুৎসু ওইনৈয়ে। অমদি রাংগোলতা লামনা লৈয়ে। অমদি লাংশঙদা লামনা লৈবনে খঙ-ও।

মৈহৌরোল লুরাং লৈখারোল

মৈহৌরোলগী রা হায়গে- লৈখারোলদি লৈফুরেল চনুনা-পোংথাঙ পোংহলনে। চীলফুরোল লৈচিক ঙালবীনা- নোংতমলেল অখুবা লৈথমলে চানুনা নোংতম অহলপানে। চীৎনু লৈমনা কুরুমলেল মৈনাইদবনে। হাইনু লৈমনা কুরুমলেল মৈনাইবানে। পিশিলনুনা- নিংথৌ হৈরোঙলেল লোঙচুমবা। পিয়াইনুনা নিংথৌ হৈরোঙঙাঙ থাঙাঙলেলবা মনাওদি পোইবৈতোল খোংফাং আতোলবনে মমিংদি তাঙখোকতেক হায়না কৌয়ে॥ মচনদি লাইম্রা মৈতৈলেমানে।

লাইরেললোল (শিংলৌজ)


লাইরেললোলদি তীনলিরেল, লাইয়ীরেল, খায়ীরেল লিলতাওরেল, তাওরোইনাইনে। য়িখৈ নিংথৌসুঙ মানে। নুমিৎ লোয়নবসু মানে। লমথমবাসু মানে। লাইয়িংথৌনা নেৎনা তোংনরিবদি মহাক মশানা ওইবনে, শাঙাই শেলসু মাহাকনে।

লাইরেললোল পীনাইথবা

লাইরেললোল পীনাইতাবদি লৈকক্ লৈয়ারেলনা লৈশংলেল অশংবনে। লৈতঙলেল চানুনা লাইতোংলেল অতোংবনে লৈফুবেল চানুনা লাইরেল লিলতাংশাংবনে। কোনফু চানুনা- কোনশৌরেলনে। লাইয়েক্ লাইখোং চানুনা- কুপতারেঙনে, শেলতারেঙনে অনিমা পোকয়ে। কুপতাবেংনা অঙোম পোকয়ে। শেলতাবেঙনা নিংথেম পোকয়ে। পীংরিংনু, অবৈঅহমনু, মাইরেঙহৌবা চানু নিংঙোলনা, নোংদা নোংখললেলবী, লৈনুং য়াখুপী চানু, চাখানুরোল

১। নুমিৎঃ- নুমিৎপু য়ু কৌয়ে ॥ নুমিৎপু অসুম্না শৈথায়- নোংপাল লুরাং নিংথৌ পুলসিপানা॥ নোংপালসাকৎচীঙতা॥ য়াওরও সাতোকপা॥ তোক্‌মু মইসাংপাপু॥ সারেলসা পূম ৩ কংনা॥ পুলসী লৈনিপানে। তোকপা কৌবা সাতী॥ হপু॥ কৌপানে॥ হা হা হা তোক্পা ৩ কংলাপানে॥ হোঙনেমপা॥ লুরাং পুলসীয়ীরা লৈপু চাহই ১০০ পুলসীপা॥ ১৫কি পালতমকুমবীঅো॥ হা নুমিৎ নঙ তোকলাপাতী॥ নোংপোকনে অইসুঙ॥ থোক্লে থোকলে॥ নামিংতী॥ মীতোংঙাঙ্ কৌপানে॥ নাপুলসী মায়মতা পুলসীকে॥ নুমিৎ নঙয়ুংলাপাতী॥ সয়ারেলনে॥ নঙতী॥ ঙাললে॥ অইসুঙ ঙায়ে ঙায়ে॥ নামিংতী॥ পোংলেল তুথাপা কৌবা নঙকী নাঙালনা সানা আয়াপা নাপুলসী মায়মতা চাহই ১০০ পুলসীকে॥ ১৫ পালকনতা পীনাঅো॥ নুমিৎ তায়াপাতী॥ থোঙঙায়েননে॥ মীরুমলেল তুথাপা॥ নঙনা॥ সীকাতাপা॥ নাকাতাপা সাতা লানতা নোংমৈতা তেল থাঙতা॥ সীকাতাপা লাংফমঅো॥ খুমথাবীখেঅো॥

নুমিৎ লাবালোন



পী।। য়ীমচাও বইমা অোইপী।। লইমা ৩ অোইপী।। নিংথৌ ৩ আ অোইনাপাল্ নাপী।। লইনুনুং য়াইপীবোকনা।। নোংতা লাইবেল পাখংপা নিংথেম্বানে ।। ।। আঙোম্বানে।। লাইয়েক লাইখোৎ চানুনা।। কুপতাবেঙনে।। খাক্পানিংথৌ চানুনা।। পুরৈরোমপা।। চীঙবাং থককি।। পুবৈবোমপানে ।।৲ ।। লৈসাংথেম ব্রাতী।। লিবী লৈমানা।। খুম ২ নিংথৌ।। খুম্ ২ লইমানা ব্রালনে।। সিলপীবইমা লইতাং নিংথৌ চানু।। নিংথৌ কাংপা কাঙখল্নে।। লইমা তাবিনুনা।। থাবোংনে।। হাইনুরইমানা।। লমলেক্সাংনা হাওঅোইপানে।। চীঙ্তা কানা পাম য়ানপাক।। নূঙঙৌ য়ীমথংপাকা।। ২ মা পোকয়।। লমলেকসাং হাও অোইখিয়।। নুঙঙৌ য়ীমথংপানা।। লইসাংথেম অোইখিয় ।। ।। মোইবাং ব্রাতী।। লইফুবেলচানুনা।। য়ুচেংনে।। লইচীকলেল্ চানুনা।। য়ুকৌবেলনে।। লইথমলেল চানুনা।। সনা খিংখিংলাংপানে।। লইনুং য়ুপুবোয় চানুনা।। হেপু কংচিক্পা।। ঙাংচেং লইতকপানে।। ২ মানে।। লইনুং য়ুপুবোই চানুনা।। ব্রুবেলহলপা।। ব্রুবেলখুপানে।। লইনুং য়ুচাখাচনুনা।। ঙাংসাপীনা।। ঙাংহুলথোকনে।। থোকচোমনে ।।৲।। মোইবাংথেম্ব্রাতী ।।লইনুং য়ুচানুঙাংসাপীনা।। ঙাংনীঙসিংনে ।। ৲।। খাপাতী।। লইপীবেলনা।। তওবেলখানে।। লইখোমলেলনা।। তওবেল্না।। তওতিংতও।। লৈবাং নিংথৌ চানুনা তওখাবেল।। লইথম্লেল্ চানুনা।। তওতিংতও।। খাপা লইরেলনে।। লৈসংলেল্নে।।' ।। ঙালপাতী।। লইচীক নিংথৌ চানুনা।। ঙালপা লইচীক ২ লিপানে ।। ৲।। নিংথৌ কাংপা কাঙখলনা।। লইমাতারিনুনে।। ১ বক্ হাথাপাতী।। কোঙকোইনে।। তেমানে।। য়াংমানে।। তেসবোংনা।। ব্রুবেলখুপানে।। ব্রুবেল হলপানে।। য়ীবেমনে।। খাপীনে।। লংপানে।। ৯ মাক পোকয়।। কোঙকোইনা পোং পোকয়।। তেমানা।। মইতৈ মালপী পোকয়।। য়াংমানা।। মায়াং পোকয়।। তেসারোংনে।। তাখেল পোকয়।। ব্রুরেল খুবানা।। কুসু পাতাল পোকয়।। ব্রুবেলহলপানা।। মোইরাংথোকচোম পোকয়।। য়ীবেমনা তুমি পাসা পোকয় খাপীনা খাকিকা।। চাইবেলকা পোকয়।। লংবানা।। লাংতেকা মোইবাংকা পোকযে ।। ৲।। ব্রা আসীতী।। পাখংবাকি[১]।। মামাঙ।। চুকনে।। চাকতী।। কুকুকপী পালে।। ফিতী চীঙপাথীতা পালয়।। থু

পীবোলবী, য়ুমজাওলৈমা ওইবী, লৈমা অহুমলক ওইবী, নিংথৌ অহুম ওইনা পাননবী লৈনুং য়াইপীবোকনা নোংদা লাইবেল পাখংবা পোকযে নিংথেম হৌবক ব্রানে।

অঙোম লোল থৌরা — অঙোম ব্রানে- লাইয়েক লাইখোৎ চানুনা কুপতাবেঙনে। খাকপানিংথৌ চানুনা- পুবৈবোমবা চীঙব্রাং থককি পুবৈবোমবনে।


লৈশাংথেম লোল থৌরা — লৈশাংথেম ব্রাদি - লিবী লৈমনা - খুম খুম নিংথৌ- । খুম খুম লৈমনা ব্রালনে। শিলপীলৈমা লৈতং নিংথৌ চানুনা-নিংথৌ কাংবা কাঙখলনে। লৈমা তাবিনুনা-থারোং। হাইনু লৈমনা- লমলেকশাং হাও ওইবা চীঙদা কানা পাম য়ানবগা, নুঙঙৌ য়ুমথংবগা অনিমা পোকয়ে। লমলেকশাংদি হাও ওইখিয়ে। নুঙঙৌ য়ুমথংবনা লৈশাংথেম ওইখিয়ে।

মোইরাং লোল থৌরা — মোইরাং ব্রাদি- লৈফুবেল চানুনা য়ুচেং। লৈচীকলেল চানুনা য়ুকৌরেল। লৈথমলেল চানুনা সনা খিং খিং লাংবা পোকয়ে। লৈনুং য়ুপুবোই চানুনা হেপু কাংচিকপা, ঙাংচেং লৈতকপানে অনিমক পোকয়ে। লৈনুং য়ুপুবোই চানুনা উবেলহলবগা উবেলখুবা পোকয়ে। লৈনুং য়ুচাখা চানু ঙাংশাবীনা- ঙাংহুলথোকনে- থোকচোম চাদা ওইখি। মোইরাংথেম ব্রাদি লৈনুং য়ুচাখা চানু ঙাংশাবীনা ঙাংনিঙশিংনে।

খাবা লোল থৌরা — খাবাদি লৈপীরেলনা তৌবেলখা।। লৈখোমলেল তৌবেলনা- তৌতিংতৌ। লৈরাং নিংথৌচানুনা তৌখাবেল। লৈথমলেল চানু নিংঙোলনা তৌতিংতৌ, খাবা লৈবেলনে লৈশংলেলনে। ঙালবদি লৈচীক নিংথৌ-চানু নিংঙোলনা - ঙালবা লৈচিক চিকলিবা পোকয়ে।

নিংথৌ কাংবা লোল — নিংথৌ-কাংবা কাঙখলনা লৈমাতাবিনুনে অমুবক পোকথা হাথবদি কোঙকোইনে, তেমানে, য়াংমানে, তেশারোংনে, উবেলখুপা, উবেলহলবা, য়ীবেমনে, খাবীনে, লংবানে, মপলমক অসি পোকয়ে। কোঙকোইনা পোং পোকয়ে। তেমনা- মৈতৈ মালবী পোকয়ে, য়াংমনা ময়াং পোকয়ে। তেশাবোংনা তাখেল পোকয়ে। উবেল খুবনা - কুসুপতাল পোকয়ে। উবেলহলবনা মোইবাং থোকচোম পোকয়ে। য়ীবেমনা তুমি পশা পোকয়ে খাবীনা খাকিগা চাইবেলগা পোকয়ে। লংবনা লাংতেগা মোইবাংগা অনিমক পোকয়ে। ব্রা অসিদি পাখংবগী মমাংদা হান্না লৈবগ্পা চুককিনে। চাক অসিতি কুকুকবীদা লৈদুনা পাললে। ফিদি চীঙবাথীদা পালয়ে,

পাখঙবা ঃ- পাখঙবানা ফমবাল কাবা মফমদি সঙলাংমৈনে, ফম্বাল কাবাদা ফিজেৎ লৈতেগী মরমদা অসুম্না পী- সঙলাংমৈ কৌবাতি।। পাখংপকী লৈসাবকা ২ মাক ফিজেৎ লৈথোমফমনে।। ফিজেৎ অহালবা মফমনে।। লৈসু থোকনে।। নিঙখমচাবি, ফিবেল লুসেং লোললৈ সমচি লেংখাক, ফিলেললে।। ফুরিবৎ কোনখা।। ফিয়াই নিঙখম ফিসেং ৩ মাতী।। পাখংপাকিনে।।- লাইসাবনা শেংপাতী লৈবেল লৈজাল কুমসঙ ফানিক।। কাব্রং খাওরোন, ফৈসা লেংখাঙ, ফুরিবং সাইচোনপা।। ফিলেল কানিক।। খাবোন ফানিক কব্রং কানক কব্রং খাঅোন।। সমাচিন নাসি, খুৎসি নাসি।। খানিক কানিক।। সাবোঙ লমখাং খাঙফম অহালবদি খোংলি নাওলিনা হৌনালকয়ে।। ফিসেং অসিখেপীক সেংনবা মাফমনে।। ফিসেং অসি তমনা মোয়মিং লৈচুয়ে।। অয়েক অখোং তমনা সায়ে।। অতুকি সঙলাংমৈ কৌয়ে।। পাখংপানা ফমপা কানবা মফমনে মমিংতী মীখোমলেল কৌয়ে।। ওইতী মীহিংলেঙ কৌয়ে।। নিংথৌ ওইপানা ফমপাল কাবা মফমনে- মেন ফমপাল তোংপকী মরমদা অসুম্না থেংনৈ সাকৈ সলাই ৭



মত্তী থুম্পীতা পালয়॥ সানা সায়ানতা॥ ঙাতী ঙায়ানতা॥ পালয॥ সীঙপোৎ লাপোৎতী মাথানা হোইপা চৎয়ে॥ মিবোল আসীনে॥ মাখোয আতুনা হওখিবাপাকা॥ মী লাই মাবক আোইঙইকি ব্রানে ॥ ॥ চুক ১ বর্কাকি॥ নিংথৌবেলতী নিংথৌ কাংপা॥ লইমা কাঙখল॥ নিংথৌতাবি॥ লইমা তাননু ॥ ॥ ১ বককিতী॥ কোঙকোইনে॥ তেমা॥ যাংমা॥ তেসাবোৎ॥ ব্রুবেল খুপা॥ ব্রুবেলহলপা॥ য়ীবেম খাপী॥ লংপা॥ ৯ মা পোকয়॥ আসীনে॥ কোঙকোইনা পোংপোক্য়॥ তেমামনা॥ মইতৈমালপী পোক্য়॥ য়াংমানা॥ মাযাং পোকয়॥ তেসাবোৎনা তাখেল পোকয়॥ ব্রুবেলখুপানা॥ কুসু পাতান পোকয়॥ ব্রুবেল হলপানা॥ মোইবাং থেকচোমপোকয়॥ য়ীবেমনা তুমিপাসা পোকয়॥ খাপীনা॥ খাকিকা॥ চাইবেলকা পোকয়॥ লংপানা॥ লাংতেকা॥ মোইবাংকা পোকয॥ আসীতী মাবোল ১ বকতা পোকয় ॥ ॥ পাসাকি নিংথৌবেলতী॥ লহোন্লোং আসীতী লাইনে॥ তীমুল পোক্লত॥ অমকৎ॥ সাবিললেম॥ সাচাহা॥ নোংলোললেপ্॥ ৭ মা আসীনে॥৮॥ পাথানকি নিংথৌবোলতী॥ কক্লাসা॥ পবলসা॥ সাকপ্তোল সেতসা॥ সিলসো॥ তেতসা॥ সাব্রুৎসা॥ ৭ মা আসীনে॥৮॥ হৌচিকতী॥ লাইস্রা হেনলোয ৭ মানা॥ সললাই ৭ আোইনা॥ খায়থোকপাকি ব্রা হাযকে॥ লইকক্ লইযাবেল চানুনা॥ লাইস্রানে॥ পাখংপা কোলয়॥ নিংথেম[১] পোকয॥ লাইয়ীপীতী॥ মাহুলনুনে॥ নোংলুম খোলয়॥ আঙোম পোকয়॥ লাফুপীতী॥ লইমানুনে॥ হামেঙখোলয়॥ খুয়োলথেম পোকয়॥ মাঙব্রাযপীতী॥ তলথাংনুনে॥ সামুকোলয়॥ খুমল পোকয॥ তুংব্রায়পীতী॥ থোইনুনে॥ য়ীবোই কোলয লুব্রাং পোকয়॥ সচীপীতী॥ চীৎনুনে॥ সচী খোলয॥ মোইবাং পোকয়॥ লাংকপপীতী॥ থেবেবোংপম চানুনে॥ কৈ খোলয়॥ ঙালপা পোকয় ॥ ॥ লইকক্ লইয়াবেল চানুকা॥ মাহুলনুকা তলথাংনুক॥ লইপাক য়েংপা থাতাকুমখিয়॥ থেবেলোং পম চানুনা॥ মোইবাংতা কুমখিয়॥ চীৎনুকা॥ মাহুল্নুকা লাফুতা কুমখিয॥ লাইস্রকা॥ মবৈনুকা॥

থুমদি থুমবীদা পালয়ে। শানা শাযানদা, ঙাদি ঙাযানদা, ওইনা পালয়ে। শিঙপোৎ লাপোৎতা মথানা হোইপা চংযে। মীবোল আসিনে, মীবোল মখোয অসিনা হৌখিববগা, মী লাই মাবক ওইংগৈ ব্রানে।

চ চংগী পুং চাক চক অমুবর্কাকি নিংথৌবেলদি নিংথৌ কাংবা লৈমা কাঙখল, নিংথৌ তাবি লৈমা তাননুনে।

শমুচেংকপা চাদা অমুবর্কাত কোঙকোইনে তেমা য়াংমা তেশাবোৎ, উবেল খুবা, উবেলহলবা, য়ীবেম খাবি, লংবা মাপলমা পোকয়ে অসিনে। কোঙকোইনা পোং পোকয়ে। তেমানা মৈতৈমালবী পোকয়ে। য়াংমানা ময়াং পোকয়ে। তেশাবোৎনা তাখেন পোকয়ে। উবেল খুবনা কুসু পতান পোকয়ে উবেল হলবনা মোইবাং থোকচোম পোকয়ে। য়ীবেমনা তুমিপাশা পোকয়ে। খাপীনা- খাকিগা চাইবেলগা পোকযে। লংবনা লাংতেগা মোইবাংগা পোকয়ে অসিদি মবোল অমুবক পোকয়ে।

পাশা নিংথৌ পাশাগী নিংথৌবেলদি লহোল-লোং অসিদি লাইনে। তীমুল পোকলত, অমকৎ, শাবিললেম, শাচাহা নোংলোললেপ মখোয তরেৎমক অসিনে।

পাথান নিংথৌ খোংলুপ পাথানগী নিংথৌবেলদি কক্লাসা, পবলশা, শাকপতোল, শেতশা, শিলশো, তেতশা, শকউংশা, মখোয় তরেৎ অসিনে।

লাইরেম্বী ওচেংবী চাদা হৌজিকতি লাইশ্রা হেনলোই ৭ মানা শল্লাই তরেৎ ওইনা খাইদোকপগী ব্রাবু হায়গে। লৈকক্ লৈযাবেল চানুনা, লাইশ্রানে, পাখংববু কোলয়ে পানৈয়ে। নিংথেম পোকযে। লাইয়ীবীদি মহুমনুনে নোংলুম কোলয়ে- অঙোম পোকয়ে। লাফুবীদি - লৈমানুনে হামেঙ কোলয়ে খুয়োলথেম পোকয়ে। মাঙব্রাইবীদি তলথাংনুনে শামু কোলয়ে খুমল সলাই পোকয়ে। তুংব্রাইবীদ থোইনুনে- ঈবোই কোলয়ে- লুব্রাংপোকয়ে। শচীবীদি- চীৎনু লৈমানে, শাজি কোলয়ে- মোইবাং পোকয়ে। লাংকপপীদি থেবেলোংপম চানু লৈমনা কৈ কোলয়ে। ঙালবা সলাই পোকয়ে। লৈকক্ লৈয়াবেল চানুগা মহুমনুগা তোলথাংনুগা লৈবাক য়েংবা থাদা কুমখিয়ে। থেবেলোংপম নিংঙোল চনুনা মোইবাংদা কুমখিয়ে। চীৎনু লৈমগা মাহুমনু লৈমগা লাফুদা কুমখিয়ে। লাইশ্রগা

নিংথেম (নিংথৌচা) : নিংথৌচানা পুনকপা থৌতী। তোননিংথৌ লিনফুনে। থাবোনে লৈবোং ৬ মানে। থা ১২ মানে। নুমিৎ চৈরোন ৭ মানে আসথৈপীপু। মহাক মাথাননা। তীননা মযাই কোযবেন থকতা সুপনা তীননা ময়থুংফমনে। লেঙতাপা। মানিক অথোয়পানে। মাকি থৌপু শাকৈ ৬ মানা পুতানা মাঙোনতা থৌখলনাবিপানে। অপিথৈপীকনা নাপু যোমপা ও। মাক মাতীক মাঙন মাসানুঙ সকৈ ৬ মাতা চঙনা লৈপানে মযাই কোযবেন থকি মাই নিংথৌনে ১তা কৌপাতা মানে। মাইসিতপা ১ না মঙোনতা লৈপানে ময়ম অতু থানা ময় ৮ চুপানে। মযাই অতুতী তমপানে খঙঙো॥

মার্কাক॥ নাওফম নাওয়োম ২ মক্পু মাফম আতুতা লইপানে॥ আর্তুকিসু মেনখোম মাইখোম কৌপানে॥ আতু লাইপাকি মেন কৌযে॥ হাইনা মাঙাং কুকনা॥ লুব্রাং কুকতা॥ তাকপীথাপাতা॥ আতুনা লুব্রাং কুকনা॥ মেলপু লুনা থৌখললে॥ আতুনা লুব্রাং কুকাকি মামিংপু॥ সেনখোঙ॥ কোই কৌযে॥ ফিসেৎতী মাইমু তোমসোন॥ ফিঙাং ফৈচোম॥ লোললৈ॥ লেংখাঙতোন॥ লাইবেমমাকি॥ ফিসেৎতী॥ ফৈচাবেং খাঙ॥ থৌচোন ফুলিং॥ যাবোং ফানেক॥ সাবোং নমথাং আসিনে॥ লাইহাক ফমপালতী॥ আসিনা লোইবে॥ খঙঙো॥ হৌাকতী॥ নাওথিঙখোং ফমপালপু হাইকে॥ নাওথিঙখোংতা॥ লুব্রাং কুকনা লাইকি- ফমপাল ব্রাপু তাকপীযে॥ ফিসেৎতী ফিঙাং ফৈচোম॥ লৈবেল লুথক॥ ফীয়াই নিঙখম॥ ফিবেল ফুনিং॥ লেললৈ॥ কোঙখা ফুনিং॥ মীননা ফিলংতোম॥ লুব্রাং কুকনা॥ মৈতীংঙু

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

২ মানা হলকংলককতুনা॥ পাখংপা॥ আঙোম্[১]॥ খুয়োলথেম্ ॥ খাপাঙালপা॥ খুমল॥ লুরাং॥ লইসাংথেম॥ সাবাংথেম॥ হাওবোক॥ হাওবোক কোনথৌ॥ মালতীঙমবা॥ লেবাংথোংনাং॥ থাঙভাঙ্ কমপোং॥ লোকখু লোকহল॥ হইবেম্ খুলচাল॥ লোকখা হাওখা॥ সললাই ৭ মা খাযথোকলকপা মাফমতা॥ মংলেল মানুং নোংপোক॥ পাংপাবমতা লৈপানে॥ মাইপাবোল ৭ মাসুঙ॥ হেনলোয় ৭ মানা॥ খায়থোক্‌পা মাফমসুঙ আসীনে ॥ ॥ চুক ১ বর্কাক নিংথৌবোল্‌তা॥ সাকক্‌পা॥ রালকাপা॥ কক্‌সুপা তোলকোনপা॥ পীতীং কৌই। লামপাচা॥ নিংথৌ চলতাপাতী॥ আতোময়োয়বেলপা॥ লাইবেলপা॥ কোইবেমপা॥ ॥ সললাইতী॥ নিংথৌ মায়াংচাওপা মাচা তাঙকুক মাপাকা॥ ২ মাতী॥ পাখংপাকি ॥ য়ীনে ॥ লোকখা হাওখাতী চকপানে॥ আবোংনে॥ য়োযমোংপানা॥ লোয় চলপাতা॥ নিংথেম পাচা য়িলখিপানে ॥ আঙোমনে ॥ লংমাইথেমনে॥ হিতামনে॥ লুরাংরোচমনে॥ রাংখেমনে॥ য়ী ১ তানে॥ নিংঙোলপমনে॥ লাইতোলচমনে॥ কম্নামনে॥ আকোয়চমনে॥ নুঙসাংখোনাংনে॥ লমপুয়নে॥ কাসোমনে॥ আবোংনে॥০॥ আঙা ২ কি য়ীতী॥ থোকচোমনে॥ সোয়পমনে॥ লইমাচমনে॥ সিতাপমনে॥ আবোংনা মুংনাপানে ॥ সাবাংথেম লৈসাংথেম॥ মোইবাংথেম॥ কোন্‌থৌচম॥ লোকতোলপম॥ মোবীযাকি সাকৈতী॥ ঙালপা খুমুচম॥ সোংপু হাওখা ১ হানে॥+॥ খুমল॥ হিচম সললাম ॥ ॥ হইবেম খুনচাল॥ কমপোং লোকখু॥ কক্‌লা হেমচেং॥ লামপী সলসেল॥ মাখান্ থংখান্॥ ১ হানে॥০॥ লুরাংনা॥ সাবাং লৈসাংথেমপু॥ য়ীকিতামক নামুংপানে ॥ নিংথেমলোলতী ॥ॐ॥ লইনুং য়াপীবোকনা॥ নোংতালাইবে পাখংপা॥ লাইসানা হইবোঙ নিংথৌ চানুনা॥ খুইয়োয়তোম্‌পোক্॥ নোংমোইনুনা তাওথিঙ্‌মাঙ॥ হাওনুখুনা॥ খুইনিংঙোলবা ॥ ॥ আঙোমরাতী॥ নোংখলয়াংবা॥ নোংখলসাংপা॥ চীঙ্‌খল য়াঙ্‌বা চীঙখলসাংবা॥ ৪ মাতী পীনাইতে॥ খাক্‌পা

মবৈনুগা অনিমনা হলগংলকতুনা পাখংবা, আঙোম খুযোলথেম, খাবা ঙালবা, খুমল, লুরাং লৈশাংথেম শাবাংথেম হাওবোক, হাওবোককোনথৌ মালতীঙ মবা, লেবাখোংনাং থাঙভাঙ কমপোং, লোকখু লোকহন, হৈবেম-খুলচান। লোকখা হাওখা। শললাই ৭ মা খাইদোকলকপা মফমদি মংলেল মনুং নোংপোক পাংবা লমদা লৈবনে। মাইবাবোল ৩৫েৎ মাবু, হেনলোই তবেৎমা খাইদোকপা মফমসু মফম অসিনে।

শাকক্‌পগী চাদা মতুং চুক চক অমবকাকি নিংথৌবোলদি - শাকক্‌পা রালকক্‌পা, কক্‌সুবা, তোলকোনবা, পীতীংকোই, লমপাচা, নিংথৌ চলতাবদি- অতোম য়োইবেলবা লাইবেলবা, কোইবেমবানি।

মোইরাং পাখংবগী ঈ শললাই অমদি নিংথৌ মযাংচাওবা মচা তাঙকুকমপাগা অনিমকতি পাখংবগী ঈনে মোইবাংদা হাথবনি।

লোকখা হাওখা চংখিংবা লোকখা হাওখাদি চকপনে, অবোংনে য়োইমোংবনা লোইচলবদা - নিংথৌজা শললাইদা ইলাখবনে।

অঙোম অবোং অঙোমনে, লংমাইথেমনে, হিতামনে, লুরোংচমনে রাংখেমনে, মগোই অসিদি ঈ অমৎতনে। নিংঙোলবমনে লাইতোলচমনে, কাম্নামনে, অকোইচমনে, নুঙনাংখোংনাংনে লমপুইনে, কাশোমনে অবোংনে।

অঙাঙাগী চাদা অঙাঙাগী ঈদি থোকচোমনে শোইপমনে লৈমচমনে। শিতাপমনে। অবোংনা মুংনাপনে।

শবাং লৈশাংথেমগা মুংনবা শাবাংথেম লৈশাংথেম, মোইবাংথেম, কোনথৌচম, লোকতোলপম। মোবীয়াগী শাগৈদি - ঙালবা খুমুচম, শোংপু হাওখাগা অমাহানে। অমৎতানে। খুমন, হিচম সললাম, লুরাং ইনলি।

হৈবেম খুলজানগা মুংনবা হৈবেম খুলজান, কমবোং লোকখু, কক্‌লা হেমজেং, লামবী শলশেল, মখাল থংগান, অমগুনে।

লুরাংগা মুংনবা লুরাংনা- শাবাং লৈশাংথেমবু ঈশাঁদমক মুংনবনে।

নিংথৌজা লোল নিংথেম লোলদি লৈনুং য়াপীবোকনা, নোংতা লাইবেল পাখংবা, লাইসনা হৈবোঙ নিংথৌ চনুনা খুইয়োইতোমপোক। নোংমোইনুনা তাওথিংমাঙ। হাওনুখুনা খুইনিংঙোলবা পোকয়ে।

১। অঙোম : অঙোমনা পুবকপা থৌতা লায়সম লায়েঙৌ তানপা মুংয়াং নাহা সাৰৈ থেমপা য়াপুবাং - খেবাংপা। পুকয়ু লায়যু চামু চাঙৌ, চাকহোং য়ুহোঙপা। থিকপাম থাপানপা অতোঙ অচাঙপা মিংবং মায়বংপা অকুপ অবংপা। পাবৈ থাঙথোঙপা লৈবোন থানসাপা সুমাঙ লান চাযপা ঙক্কো লুথংপা পোবোঙ থোপাথনপা অসি থৈপিকনে খঙও। সলাই মাশন লাং ১২৩/১২৪

নাওথিংখোংতা॥ ফমবাল রাতাকপীমপাতী॥ নিংতৌ পোংপা ১০মাক্‌না॥ খোং ৩ মাককি॥ য়ীরালতুনা॥ নোংহুমসঙতা॥ য়ীকইযে॥ বুনিংথৌকি ফালতা ফম অো॥ রাংকি পুতেংত য়াকুঅো॥ মাইপানা য়ীবলাইসোল সোলঅো॥ সঙলাংমৈত্রা নুমিং ৫নি লইবিঙতা॥ ত্রেযপা পোংতা॥ লাইবেল লাকপা॥ য়ীমিং লোই হনচাপা॥ ২ মাকনা থাঙফালযে॥ নোংমা ঙমপাক যুম কুমযে॥ চুপসাযে॥ পোংয়াওতী॥ ফকলোং ১॥ ফিতা ১॥ পানতেং ১ ॥ খোঙখুমফি ১॥ লুখুমফি ১॥ ফিখুম ১ ফিথা ১॥ চেঙ চেঙকোক ২॥ সেল ১॥ কেগাম ৫০॥ যেকম ৫০॥ খুম ৫০॥ পুচাম খোঙনাইপা ৫॥ চাইথেললি ১০॥ চাফু ৬॥ ভাংখা ৩॥ গৌতাংপোং ১॥ হইমাং॥ সিং॥ কাপোকলাইতং ১॥ হইবি মানা সিংচু॥ মাইবাতা লাইঅোংবিঅো॥ নোংমা য়ীবম ৭ য়ীরালনা॥ য়াকইদে॥ পোংয়াঙতী চাফু

নিংথৌ চানুনা॥ নিংথৌ তাবিনে॥ তাবিনা॥ সলথোঙ মাচা॥ হুযমুবইমা রোঙনাতুনা॥ নুঙঙৌ য়ীমথংপা পোকয়॥ নুঙঙৌ য়ীমথংপাতী॥ লইসাংথেম অোইখিয॥ তাবিতী॥ পাখঙ য়োয়্বেলপাকি॥ মাচা লৈমা কাঙখলপু॥ অোকনাতুনা॥ মাথকতা কাখিতুনা॥ পুবাংকা॥ পুবৈবোমপাকা ২মা পোক্য়॥ খাক্পা নিংথৌ চানুনা॥ নিংথৌ তাবিনে॥ লইমা কাঙখলনা পুবৈবোমপানে॥ পীথেৎ লৈমা লইহৌ নিংথৌ চানুনা॥ খাংহলপা॥ খাংহল য়ায়্মাপা॥ খমনুং য়ীরায়থংবা॥ ৩মা পোকয়॥ খাংহল অহলপানা লংমাইথেম পোকয়॥ খংহল য়াইমাপানা॥ হীতাম পোক্য়॥ আতোল্পানা॥ ফমপাল তোংয়॥ হাওনীঙ্সংখোমপোমপীনা॥ হংকেন লোংনা থাপানে॥ লুরোংচম[১] পোকয়॥ লইহৌ নিংথৌ চানুনা॥ সীঙমীৎ য়োয়্বেলপানে॥ লইহৌ নিংথৌচানুনা॥ হাওখোমসং॥ লইহৌ নিংথৌ চানুনা॥ তোনতও॥ লইহৌচানুনা হোংতৈ॥ খুলতাপা॥০॥ লুরোংচমলোলতী॥ হাওনীঙসংখোমপোমপীনা॥ হংকেন লোংনা থাপানে॥ ঙালনুনা খুৎসা॥ ঙানুনা সীঙনং ঙানুনা লওনং ॥ ॥ কোঙপম লোলতী॥ আঙোম্তাকি॥ খায়খিপানে॥ য়ুয়েল্লইমা থংকোংসুনা॥ আতাকোঙ্য়ামপা॥ থিংপাফাপীনা॥ লোইনেন্পা॥ মাইপাফাপীনা॥ সীকোংলালথাপা॥ কায়্বং পাসুনা॥ আসুমকাতেংপা ॥০॥ ফালতেক্লোলতী লীকলাপীচা নোংতংনুপু॥ সবাবেলনা তোংপায়্॥ ফাল পোকয়॥ লুরাং পুলসীপাকি মাতু॥ হাওসীযাঙপু যাঙপাচানুনা॥ মাচা অোইনা য়োকচয॥ মালতোলমতী॥ থোংনাং অোইখিয়॥ লীক্লাপীচানা খোই॥ খালচৌসুনা ফালনে॥ খালচৌসুনা খোইপু মিংনাপা॥ খোইনে॥ লাইয়েঙখুপীনা॥ তাকনে॥ লাইয়েক হলপীনা কাইমু॥ য়াইথিঙখোলপা চানুনা ফৌমীৎ থোনপা॥ থীমোই চানুনা কাঙমুচা॥ তোলপীসুনা॥ সেঙলাইপা॥ চেংলই চানুনা॥ নিংথৌ য়ুকাংপা॥ পোকপীবইমা লাইয়েঙ্খুপীনা॥ খাবোই আহোঙপা॥১॥ লেবা খোংনাংলোলতী॥ লীক্লাপীচানা॥ খোইতোম মালতোম পোকয়॥ খোইতী ফালতে

অঙোমলোলগী পুকোক অঙোম-রাদি নোংখলযাংবা, নোংখলশাংবা চাঁখনয়াঙবা চাঁঙখলশাংনা মখোই মবিমকতি পীনাইদে। খাকপা নিংথৌ চানুনা নিংথৌ তাবি পোকয়ে। তাবদা শলথোঙ পুনেমবা চানু হুইমুলৈমা ওঙনদুনা নুঙঙৌ যুমথংবা পোকযে। নুঙঙৌ যুমথংবাদ লৈশাংথেমগী চাদা নাওদা শমথবা ওইখিযে। তাবিদি পাখঙ য়োইবেলবগী মচা লৈমা কাঙখলবু ওকনদুনা মথকতা কাখিদুনা-পুবাংগা পুবৈবোমবগা অনিমা পোকযে। খাকপা নিংথৌচানুনা নিংথৌ তাবিনে। লৈমা কাঙখলনা পুবৈবোমবানে। পীথেৎ লৈমা লৈহৌ নিংথৌচানুনা খাংহলবা, খাংহল য়াইমবা খমনুং ইরাইথংবা অহুমা পোকয়ে। খাংহল অহলবনা লংমাইথেম পোকয়ে। খংহল য়াইমাবনা হীতাম পোকয়ে। অতোলবনা ফমপাল তোংযে। হাওনীঙ শংখোমপোমপীনা হংকেন লোংনা থাবানে লুরাংচম পোকয়ে। লৈহৌনিংথৌ চানুনা শিঙমিৎ য়োইবেলবনে। লৈহৌ নিংথৌ চানুনা হাওখোমশং, লৈহৌ নিংথৌ চানুনা তোনতৌ লৈহৌ চানুনা হোংতৈ খুলতাবা ॥

লুরোংচম লোল লুরোংচমলোলদি হাওনীঙ শংখোমপোমপীনা॥ হংকেনলোংনা থাবনে, ঙালনুনা খুৎশা। ঙানুনা শিঙনং ঙানুনা লৌনং।


কোঙপম লোল কোঙপম লোলদি অঙোমদগী খাইখিবনে। উযেললৈমা থংকোংসুনা-অতাকোঙয়ামবা, থিংপাফাবীনা লোইনেনবা। মাইপাফাবীনা-শিকোংলালথাবা। কাইবংবসুনা অসুমকাতোংবা।

ফালতেক লোল ফালতেক লোলদি লিকলাপীচা নোংতংনু সাবাবেলনা তোংপায। ফাল পোকয়ে। লুরাং পুলসিবগী মতু হাওশিয়াঙপুয়াঙপা চানুনা মচা ওইনা য়োকচয়ে। মালতোলমদি থোংনাং ওইখিয়ে। লীকলাপীচানা খোই, খালচৌসুনা ফালনে। খালচৌসুনা খোইপু মিংনাবা। খোইনে। লাইয়েঙখুবীনা- তাকনে। লাইয়েক হলবীনা-কাইমু। য়াইথিঙখোলবা চানুনা ফৌমিৎ থোনবা। থীমোইচানুনা কাঙমুচা। তোলপীসুনা শেঙলাইবা। চেংলৈ চানুনা নিংথৌ য়ুকাংবা। পোকপীলৈমা লাইযেঙ খুবীনা খাবোই অহোঙবা। মখোয়শিং অসি শমথবময়ে।

লুবাং ঃ- লুবাংনা পুবকপা থৌতি লুবা নোংহুমপানে। নোংলৈপুঙ কাপানে। লংমাইচীঙ য়ীনিপানে য়ীবাংপানে। চীঙকাপানে ঃ বুতল রাতলপানে। খোঙহাম মাইতাপানে। অসেং অরুপানে অকেম অনন্পানে। মিকোন হিংহোনপানে। মচি ময়া পানপাসুঙ মকোক মাকতোংপাসুঙ নুমিৎসুঙ থাসুঙ থারানপীচাকচুঙ কোকপানসুঙ পুঙ থেন কাপাসুঙ। তাংবন ওইবসু মানা ওইপানে নেংনা তোংনাবিপাসুঙ মানে সুবি হেনলিপানে। নিঙথি নুংঙাইপানে অসিনে খঙ-জো।

সলাই মশিন ১২২-১২৩

১॥ ফিরোই ১॥ হইকক ৫॥ পানা ৭॥ কোলয়াইপু ৭॥ সেপ ১৪॥ আসি থানা য়ীবালয়ে॥ নোংমা মাপাম কুমতুনা॥ য়ীপুরাংথে॥ পোৎযাওতী॥ ফকলোং ১॥ ফিতা ১॥ ফর্মফি ১॥ ফিবাক ২॥ যোং খুনেৎ ২॥ মেল ১৪॥ লাফোই লাফাং ২॥ হই মানম নাইপা॥ হইকক লাকক॥ কামাতোল চোংপা ৭॥ মানা ৭॥ লৈসং ২॥ চেঙ লাইতং ১॥ থুম ৫॥ কর্মাধ ২॥ শি ৭॥ চামু ৪॥ ঙাংখা ৩॥ থাককক ১॥ বুটিরা ৫॥ মাইপাতা তাঙঅোকপীয়ে॥ নোংমা সবাং লৈসাংথেমতা॥ কুমচুনা যাঅোংথীলসে॥ থাঙ হাইবময়ে॥ সনাথোঙ মামাঙতা॥ চীনফুবময়ে॥ পোৎযাওতী॥ চীনফুনাপা॥ নাই ১॥ চেংলৈপমনা সাপা॥ খুচাম খোঙনাইপা ৫বাফু ১॥ য়ীবাঙফু ২॥ চাফু ৩॥ ফকলোং ১॥ ফিতা ১॥ হামেং খোঙকাল ১॥ সাথুমফি ১॥ য়ীমচাওতা॥ সাবি থোকপাতা॥ য়াওপা পোৎয়াওতী॥ পুখম ১॥ গ্না পুপা॥ খুচাম খোঙনাইপা ২॥ আতুকা সঙলাংমৈতা॥ ফি সেৎলে॥ নিংতৌকি ফিসেৎতী॥ লাইকথক চাবি নিংখম॥ ফিবেল ফুবিৎ॥ ১তী লেলফি॥ হাইনিংখম॥ কোলখা ফুবিৎ॥য়ীননাফি॥ সেংতোম॥ ফিহাই



ক অোইখিবে॥ লীকলা পীচানোংতংনুনা॥ মালতোম্নে॥ তিংবোঙ্ নিংথৌ চানুনা॥ খ্বাংনে॥ যায়্পীলৈমানা ২॥ তমপোং লুব্রাংমা ২ সাপীনা॥ লেবা॥ ঙালনুনা॥ খোংনাং॥ খোংনাংনা॥ নুংসাংখোংনাং লমপুই॥ কাসোম॥ ৩বা লাইসল॥ অোইখিযে॥ ঙালনুনা॥ মনসমকোলখু॥ ঙালনুনা॥ ব্রাসা॥ চাঙাল ঙালনুনা॥ হাওবোংখুয়ুম সেলহোংপা॥-+॥ থোক্চোম্ লোলতী॥ লইফুবেল চানুনা॥ য়ুচেং॥ লইচীকলে চানুনা॥ যুকৌবেল॥ লইথমলেল চানুনা॥ খিংখিং লাংপা॥ লইনুংযুপুবোয্ চানুনা॥ হেপু কচীক্পা॥ ঙাংচেং লইতক্পানে॥ লইনুং য়ুনাওবোয চানুনা॥ বুবেলহলপা॥ লইনুং য়ুচাখা চানু॥ ঙাংসাপীনা॥ ঙাংছুলথোক॥ ঙালনুনা ঙাংসা॥ ঙানুনা কৌপাবেল আঙা ২॥ লইমা লাইবোঙ্লেল্পীনা॥ খোয়নাই যীমথংপা॥ খমপী লওখাচানুনা॥ পুমিংনাপা॥ খামপীমায়নৌ চানুনা॥ খোইনাই খুলতাপা॥ ॥ বুবোক্ লোলতী॥ বুবোক্নে॥ নোংসানে॥ ॥ লোক্খাবোলতী॥ লোকখাহাওখানে॥ আহৌ॥ আহৌঙা॥ আহৌবোং॥ থৌপু॥ থোপ্সেল॥ ঙাসেল॥ পূসাবী॥ লমতং॥ য়েন্লোয় নিংথৌপা॥ চক্পানে॥ ॥ কাপূন কাবই আসীনে ॥ ॥ তেংলইলোলতী॥ তেংলইমুংচা॥ হাওবামুংচা॥ মুং ২ চা হাওবলকাপপা॥ হাওব॥ তেক্তাপা॥ তোইতাপা॥ পালমাতোমপা ॥ ॥ মালতীঙ্ লোলতী॥ মালতীঙ তীঙনা॥ লৈফোলনে ॥৮॥ থাব্রাবোলতী॥ থাব্রান॥ কোয়্মাকোয্মা॥ তীল্চেং॥ তালচেং॥ থোপসেল॥ ঙাসেল॥ থোংথোক্॥ ফুবাম॥ তানথোঙ্ খুংমানাও॥ × ॥ লইসাংথেম লোলতী ॥×॥ কতি লাইবেমপানে॥ কনা নুঙ্কাবেংপানে॥ নোংতমসাংপাকা॥ খাক্পাকা পোক্য়॥ খাকপাকি মামিংতী॥ তানাতাবৈপা কৌয॥ মামাতী সুমলৈমানা পোকয়॥ খাকপাতী খুয়োলথেম অোইখিয॥ মাঙব্রাযপীনা হাহা পোকয়ে॥ লইবীপীনা॥ কোংঙা পোকয়ে॥ নুংমু নুংঙৌ লৈমা॥ সানা নুংফালতোংফাবীনা॥ পাথং য়োয়্বেলপা পোকযে॥ মাতু সেলপী লৈমা॥ লৈতং নিংথৌ চানুনা॥ নিংথৌ কাঙ্পা লৈমা কাঙ্খল্॥ ফমপালচানে॥ সমতাঙনুনে॥ যুমোইনু

লেব্রা খোংনাং লোল লেবা খোংনাংলোলতী-লীকলাপীচানা খোইতোম, মালতোম অনিমা পোকয়ে। খোইদি ফালতেক ওইখিযে। লীকলাপীচা নোংতংনুনা মালতোমনে। তিংবোঙ নিংথৌচানুনা খ্বাংনে। যাইবীলৈমনা তমপোং। লুব্রাং মামাসাপীনা লেবা। ঙালনুনা - খোংনাং। খোংনাংনা নুংশাংখোংনাং লমপুই, কাসোম, তবালাইসল ওইখিযে। ঙালনুনা মনসমকোলখু। ঙালনুনা ব্রাশা। চাঙাল ঙালনুনা। হাওবোংখুয়ুম সেলহোংবা।

থোকচোম লোল থোকচোম লোলদি লৈফুবেল চনুনা-য়ুচেং। লৈচীকলে চানুনা- যুকৌবেল। লৈথমলেল চানুনা- খিংখিং লাংবা। লৈনুং য়ুপুবোইচানুনা হেপু কচীকপা॥ ঙাংজেং লৈতকপনে। লৈনুং য়ুনাওবোই চানুনা- বুবেলহলবা। লৈনুং য়ুচাখাচানু ঙাংশাবীনা - ঙাংছুলথোক। ঙালনুনা ঙাংসা। ঙানুনা কৌবাবেল অঙাঙা। লৈমা লাইবোংলেনবীনা খোইনাই ইমথংবা। খমপী লৌখাচানুনা- পুমিংনবা। খামবীমাইনৌ চানুনা খোইনাই খুলতাবা পোকযে।

বুবোকলোল "বুবোকলোলতী বুবোকনে নোংশানে"।

লোকখা হাওখা লোল লোকখা লোলদি লোকখা হাওখানে। অহৌ অহৌঙা, অহৌবোং, থৌপু থোপশেল, ঙাসেল, পুশাবি লমতং, য়েনলোই নিংথৌবা, মখোয়দি চকপানে কাপুন্ কাবে অসিনে।

তেংলৈ লোল তেংলৈলোল - তেংলৈলোলগী চাদদি তেংলৈমুংচা হাওবামুংচা। মুংমুংচা, হাওবলকাপপা, হাওবা, তেকতাবা। তোইতাবা। পালমাতোমবা অসিদগী মখোয় অসি শমথখিয়ে।


মালতীঙলোল মালতীঙলোলদি মালতীঙ তীঙনা লৈফোললে।০।

থাব্রা লোল থাব্রালোলদি- থাব্রানে, কোইমাকোইমা, তীলজেং, তালজেং, থোপশেল, ঙাশেল, থোংথোক্ ফুবাম, তানথোঙ্ খুংমনাওদগী শমথখিয়ে।

লৈশাংথেম লোল লৈশাংথেম লোলদি কতিলাইবেমবনে কনা নুঙকাবেংবনে, নোংতমশাংবগা, খাকপগা অহুমক পোকযে। খাকপগী মমিংদি তানতাবৈবা হায়না কৌয়ে। মমাদি সুমলৈমনা পোকয়ে। খাকপদি খুয়োলথেম যুমনাক ওইখিযে। মঙব্রাইবীনা হাহা পোকযে লৈবিবী লৈমনা কোংঙা পোকযে। নুংমু নুংঙৌ লৈমা সনানুংফাল তোংফাবীনা পাখংয়োইবেলবা পোকযে মতু শেলবী লৈমা লৈতংনিংথৌ চানুনা- নিংথৌ কাংবা, লৈমা কাঙখল, ফমপালচা সমতাঙ নুনে,

লৈশাংথেম লোন : (শাবাং লৈশাংথেম লোন) লৈশাংথেম (শাবাং লৈশাংথেম)না পুবকপা থৌতী অয়াঙ লমথোকপানে। হয়বম চেনপানে, লমচেনপানে, সাতান শালতানপানে সাকি থীনে, উচেকনে, সকোননে, নোংসিংনে নুমিৎনে, পানে, থাব্রানপীচাকনে, মৈনে, য়াসিংনে, লৈচিলনে লমতন সননে, সাঙায়সননে অসিনে খংও॥ সম্রাই মশিন লমাই ১২২

নিংখম॥ লোলৈ॥ লইপাক্ লইমাকি ফিসেৎতী॥ লাবেল লৈচাও॥ কুমসঙ্ফানেক কাব্রং কানক॥ কাব্রং খাওঅোল॥ থাপাক্ ঙকথোম্॥ খুতোন্ খুতাং॥ সমমা হুতুংথাং॥ ১তী ফৈচুবেংখাঙ॥ ফুবিৎ সাচোন্পা॥ ফিবেল কানক॥ থাবেন্ ফানেক॥ সানো নমথাং॥ খোংলি খাংফম॥ আসি সেংয়ে॥ য়োংশমখাং॥ য়োইবেলনা॥ মেলখোম্॥ যাইখোম পুইয়ে॥ মাইপানা॥ লাইকল থাঙ পুইযে॥ চোং খলপা হনচাপানা॥ চোংখলযে॥ নোংথোলপানা॥ চকথাঙ ফালযে॥ পুম্ব্রলপানা॥ ফমবাল থাঙ পুইয়ে॥ য়াঙ্খংবমনা॥ লাললাওয়ে॥ পেংয়াওতী॥ তা ১॥ ফিমু খাব্রোন্॥ পুঙক্রাইচমনা॥ লালহোইয়ে॥ পেংয়াওতী॥ য়োংকি চৈসু ১॥ ফিমু খাংঅোন ১॥৩॥ মাইনিনাতৌপা॥ সিনতী॥ তানথোঙ খোংখুম ২॥ পাথোম পাবাক্॥ কর্মাব॥ খোইচু লৈখাম॥ ফালতোল॥ তা থাকাতাপা॥ পাংয়াওতী॥



নে॥ নিপা ৩ নুপী ৩॥ ৬ মক্ অসি পোকয়্॥ পাখংযোয়বেলপাকা॥ থাবোং লোয়্বেলপাকা॥ ২ মক্পোকয॥ লিবি লৈমানা॥ খুম্ ২ হাহা॥ খুম লৈমানা॥ রালনে॥ হুয্মু লৈমানা নুংঙৌ যীমথংবা॥ লমলেক্সাংনা॥ হাওআইপাতী॥ চীঙ্তাকানা॥ পামযালপা॥ মানাও আতোলপা থেংকোইপাইপা॥ ৩ মক পোকয॥ লমলেকসাঙ্না হাও আইপাতী॥ কাপুই আইখিয॥ তোলপা থেংকোইপাতী॥ হাওবোক কোলথৌ আইখিয়ে॥ নুঙঙৌ যীমথংপাতী॥ লইসাংথেম আইয়॥ হুয়্মুবইমানা নুঙঙৌ যীমথংপা॥ মাঙাং নিংথৌ চানুনা॥ যুচীকৃলাই॥ মাঙাং চানুনা॥ য়ুকাংকও॥ নোংমোইনুনা॥ সবাতোল॥ মাঙাংনিংথৌ চানুনা॥ সবাপুক্ তাঙ॥ মাঙাং চানুনা॥ সাবাঙানই॥ মাঙাংচানুনা॥ খোংচি নুঙলাইপা॥ য়াওবৈপা চানুনা॥ নাওফং আহলপা॥ নাওফং আতোলপাকা ২ মা পোকয॥ নাওফং আহলপাতী॥ চেংলইপম আইখিয॥ নাওফং আতোল্পাতী॥ নিংথৌ ফমপাল আইয়॥ পেনুনা থাঙ্য়ী তাওপুঙ খোংতওপা॥ লারায মালসাবীক্না লমলোইপা॥ মাতুতী॥ তোইপীবইমা লুরাং খুলথিপাচানুনা॥ পাঙথং আহলপা॥ যুনাওবোয য়ায়মাপা॥ কামু আতোলপা ৩ মা পোকয॥ সাবাংথেম লোলতী॥ তোযপীবইমানা কামু আতোলপা॥ য়াওবৈপা চানুনা॥ চেপকাং ॥ ॥ মোবিযা ফমপালচা লোল্তী॥ পাখঙয়োইবেলপা॥ মাতু সিলপীবইমা॥ লইতংনিংথৌ চানুনা॥ মোবীযা ফমপালচা॥ মাঙাং নিংথৌ চানুনা॥ খোয্পা॥ পোইথাঙ॥ ঙানুনা॥ ঙাংচেং॥ মাঙাং চানুনা॥ লইথাঙ্॥ মাঙাং চানুনা॥ ঙাংচৌ॥ খাপাবোলনা খোয্নায্॥ রায্কোং নিংথৌচানুনা কাঙপু॥ খাপাবোলনা॥ পুমিংনাপা॥ কাংপা ॥ ॥ মোইবাংথেম` লোলতী॥ চেনপী ঙাল্পীনা॥ চেন্পাঙালবা॥ চেনপী ঙালপীনা॥ লইনিংকোইবা॥ মিহিংলেল্নে॥ আঙাংনা॥ আঙাংনে॥ হুংঙাবেলনে॥ হুংঙাবেলনা॥ তুমাবিংপা॥ ঙায়তালৈ তানৌহিংলি॥ লৈনুং য়ুচাখা চানুনা॥ ঙাংসাপীনা॥ ঙাংনিংসিং॥☼॥ লইনুং ঙাংসাপীনা॥ ঙাংনিংসীং॥ ঙানুনা ফাংফাঙ॥ ঙানুনা॥ সুনুচা॥ মাযাং লোযকেলবা॥ লাই

যুমোইনুনে, নিপা ৩ নুপী ৩ পুননা ৬ মকসি পোকযে। পাখং য়োইবেলবগা থাবোং লোইবেলবগা অনিমক পোকযে। লিলি লৈমানা - খুমখুম হাহা। খুমখুম লৈমানা রালনে। হুইমু লৈমনা নুংঙৌ যুমথংবা, লমলেকশাংনা হাওওইর্বদি চীঙদা কানা পামযালবা, মানাও

হাওবোক কোলথৌ লোল

অতোলবা থেংকোইবা, মখোয় অহুমমক পোকযে। লমলেকশাংনা হাও ওইর্বদি কাপুই ওইনা ওইখিযে। অতোলবা থেংকোইবাদ হাওবোক কোনথৌ ওইখিযে। নুঙঙৌ যুমথংর্বদি। লৈশাংথেম ওইযে। হুইমুবৈমানা নুঙথৌ যুমথংবা মঙাংনিংথৌ চানুনা - যুচীক লাই। মঙাং চানুনা- যুকাংকৌ। নোংমোইনুনা- সবাতোল। মঙাংনিংথৌ চানুনা- শবাপুকতাঙ। মঙাং চানুনা শাবাঙানৈ। মঙাং চানুনা খোংজি নুঙলাইবা॥ য়াওবৈবা চানুনা নাওফং অহলবা নাওফং অতোলবগা ২ মা পোকযে। নাওফং অহলবদি চেংলৈফম ওইখিযে। নাওফং অতোলবদি নিংথৌ ফমলাল ওইযে। খোংচি নুঙলাইবনা অমুক পেনু পাননদুনা থাঙয়ী তাওপুঙ খোংতৌবা, লারায মালশাবীকনা লমলোইবা, মতুদি তোইবীলৈমা লুরাং খুলথিবা চানুনা- পাঙথং অহলবা, যুনাওবোই য়াইমবা, কামু অতোলবা অহুমমা পোকযে। শাবাংথেম লোলদি তোইবী লৈমনা কামু অতোলবা। যাওবৈবা চানুনা চেপকাং অসিনে।

মোবিয়া[1] ফমপালচা লোল

মোবিযা ফমপালচা লোলদি- পাখঙ যোইবেলবা মতুশিলবী লৈমা লৈতংনিংথৌ চানুনা মোবিয়াফমবালচা। মঙাংনিংথৌ চানুনা খোইবা পোইথাং। ঙানুনা -ঙাংজেং। মঙাং চানুনা লৈথাঙ। মঙাং চানুনা - ঙাংচৌ। খাপাবোলনা- খোইনাই। রাইকোং নিংথৌচানু কাঙপু খাপাবোলনা পুমিংনবা। কাংবা। পোকযে।

মোইবাংথেম লোল

মোইবাংথেম লোলদি চেনবী ঙালবীনা। চেলপা ঙালবা। চেলবী ঙালবীনা লৈনিংকোইবা মিহিংলেল, অঙঙানে। অঙঙানা হুংঙাবেলনে। হুংঙাবেলনা- তুমাবিংবা পোকযে, ঙাইতালৈতানৌহিংলিং লৈনুং যুচাখাচা চনু নিংঙোলনা ঙাংশাবী কৌবিনা ঙাংনিংশিং।

১। মোইবাং :- মোইবাংনা পুবকপা থৌতি যীপু লংকা সাবাযপা, নুমিৎ তোংলঙ লাংপা, কুবেক তায়কোং লাংপা, লৈসা পুঙকোই পুংতোংলাংপা ফকথোম মাইথোংলাংপা। খোংচি মাইংরাক লাংপা হিবি লংসুং লাংপা লৈকোয় থানসাপা, খুংতীন লানতীনপা হিব খোংসং লৈব নোংমী হিবি লংসুং লাকয়েন কিসি তায়নবিপা খৈপীকন প্রাস শঙতো। সন্নাই মসিন ১২৪

খুলম ১॥ স্না লুপা কংযে য়াচীক খুময়ীসাখুম হাপযে॥ লৈংব॥ পীংবমপম॥ ঙমনা পেকংযে॥ যেলংএহলপানা॥ মইপুল ফালযে॥ মাযেংপমনা॥ ফিমু খাওআন মোনতনা॥ সাযাকক॥ খোইঙালফিতা ১॥ লিকলাইপাবেং ১॥ সিংখাইতলযে॥ সিংখামনা সিংখাইয়ে॥ পোংযাওই॥ থাঙ ১॥ তোইপাচমনা॥ থাবাওচী খোংতুনা॥ কাসা পাওজকযে॥ আপৈপানা॥ নিংথৌ লইমা ২ মার্কাক॥ মিংকংযে॥ নিংথৌ লইমা ২ মাকনা॥ থোঙ্ঙাবেলতা॥ লাইনপা ১॥ নুপী ১ কংযে॥ আসেপানা পাহাইকে॥ আতুকা যীমচাওচঙযে॥ খুলতৌশাকি॥ মাখুংতা নেংযে॥ নুপীক মাখুংহ॥ লইমানা নংযে॥ লপলেলকাতা ফময়ে॥ স্নালযআক্ সকযে॥ ফিরোই ১ হইকৃকপানা॥ স্না লুপা॥ থাওমৈ॥ থুমনামা॥ যীমচাওতা নুমিৎ ৫নি লৈয়ে॥ আশিং তোলযে॥ মাইপানা পোংনিং সোলংয॥ তাংআংলাংয॥

ফি মোইকাংপীনা ॥ যীন্নাং ফৈতেলবা ব্লুবা খুলতাপানে ॥ ॥ কোনথৌচম লোলতী ॥ হুইমু বইমানা ॥ লোকপা ॥ নুঙঙৌ যীমথংপা ॥ থাবইলোক্তোলপা ॥ ৩ মা পোকয ॥ হুইমুবইমানা লোকপা ॥ মাঙাং নিংথৌ চানুনা নোংলোল্ ॥ মাঙাং চানুনা লেমপা ॥ মাঙাংচানুনা থাযাল ॥ মাঙাং চানুনা হাওবোক ॥ মাঙাং চানুনা ॥ মইসাং ॥ মাঙাং চানুনা ॥ য়ুকোনপা ॥ মাঙাং চানুনা য়ুনান্পা ॥ মাঙাংচানুনা ॥ নান্পা ॥ সাফাপানে ॥৯॥ লোকতোলপম লোলতী ॥ হুযমুবইমানা ॥ লোকতোল আতোলপা ॥ মাঙাংচানুনা থিংবা ॥ মাঙাং চানুনা লোক্চা ॥ থাবই নিংথৌ চানুনা ॥ চামোইপা ॥ লেমলই নিংথৌ চানুনা ॥ ঙামোইবা ॥ খেন্তে নিংথৌ চানুনা ॥ মোইচা ॥ চেকলাই নিংথৌ চানুনা ॥ তোলথাঙ ॥ ঙালনুনা ॥ লোলনিংথৌ ॥ য়াংলও খলপীনা ॥ লোক্তোলপা ॥ কোলপী চালাইতোংয়ী ফেলপীনা ॥ খানীংথৌ সাফাপানে ॥১০॥ খুয়োলথেম লোলতী ॥ সুমলইমানা ॥ থাকপা নিংথৌ যোযবেলপা ॥ নিংথৌ মোইপীবই মাচানুনা ॥ মাহুলনুনা ॥ ব্রাইব্রাকোল্ লোইবেমপা ॥ তিংকোই নিংথৌ চানুনা ॥ নম্পুযাঙ ॥ মেললৈনিংথৌ চানুনা ॥ খুযোললেমপা ॥ + ॥ ঙালপাবোল খায়খৎপাতী ॥ চীলফুবোন লইচীক ঙালপীনা ॥ নোংতমলেল আখুপা ॥ লইথমলেল চানুনা ॥ নোংতম্হলপা ॥ চীংনুবইমানা ॥ কুকমলেল মইনাইতাপা ॥ হাইনু লইমানা ॥ কুকমলেল্ মইনাইপানে ॥ ফাইপীবেল চানুনা ॥ ব্রোংথাঙ ॥ লইনুংঙাল্পীনা ॥ পোংহল ॥ পীসিলনুনা ॥ হইবোঙলেল্লোঙচুমপা ॥ পীসিলখোমপীনা ॥ হৈবোংঙাং ॥ থাঙাঙলেলনা ॥ পীসিল্নুনা থাব্রাবেল ॥ পোইবইতোলনে ॥ পোইবইতোলতী ॥ খুমল লুব্রাং আইখিয ॥ পীযানুনা ॥ থাব্রাবেল ॥ লৈচীকলেল চানুনা ॥ ঙালপা লইচীক ২ লিপানে ॥ লইথমলেল চানুনা ॥ লইথম ২ লিপানে ॥ লৈনুং যুখা ॥ চানুনা ॥ ঙালপা য়ুচাখানে ॥ লইনুং য়ুপুবোয় চানুনা ॥ ঙাল্পা যুপুবোয়নে ॥ পুবোয়লেমনুসুনা ॥ খমচীঙকোল হায হইপানে ॥ মাঙাং নিংথৌ চানুনা ॥ হলফাপানে ॥ মাঙাং চানুন ॥ তেমফাপানে ॥

ঙাংনিংশিং চাদা লৈনুং ঙাংশাবীনা ঙাংনিংশিং ঙানুনা ফাংফাং। ঙানুনা সনুচা, ময়াংলোইকেলবা, লৈমা ফিমোইকাংবীনা ইন্নাং ফৈত্তেলবা, উবা খুলতাবনো।

কোনথৌচম লোল কোনথৌচমলোলদি হুইমুলৈমনা লোকপা নুঙঙৌ যুমথংবা, থবৈলোকতোলবা অহুমমা পোকয়ে। হুইমুলৈমনা লোকপা। মঙাং নিংথৌ চানুনা নোংলোল মঙাংচানুনা- লেমবা। মঙাং চানুনা থয়াল। মঙাং চানুনা হাওবোক। মঙাং চানুনা মৈশাং। মঙাং চানুনা - য়ুকোনবা। মঙাং চানুনা য়ুনানবা। মঙাংচানুনা নানবা শাফাবনে।

লোকতোলবম লোল লোকতোলবম লোলদি হুইমু লৈমনা লোকতোল অতোলবা। মঙাং চানুনা- থিংবা। মঙাং চানুনা লোকচা। থবৈনিংথৌ চানুনা-চামোইবা। লেমলৈ (লৈহৌ) নিংথৌ চানুনা হামোইবা। খেনতে নিংথৌ চানুনা- মোইচা। চেকলাই নিংথৌ চানুনা- তোলথাঙ। ঙানুনা লোলনিংথৌ। য়াংলৌ খলবীনা লোকতোলবা। কোলনী চলাইতোংই ফেলবীনা - খানিংথৌ শাফাবনচিংবা শমথখকয়ে।

খুয়োলথেম লোল খুয়োলথেম লোলদি সুমলৈমানা থাকবা নিংথৌ য়োইখবলবা। নিংথৌ মোইবীলৈমা চানু মহুলনুনা- ব্রাইব্রাকোল লোইবেমবা। তিংকোই নিংথৌ চানুনা- নমপুয়াঙ। মেললৈনিংথৌ চানুনা খুয়োলথেমবা পোকতুনা শমথখকয়ে।

ঙালবাবোল খাইখৎবা ঙালবাবোল খাইখৎবদি - চিলফুবোন লৈচীক ঙালবী চনুনা নোংতমলেল অথুবা। লৈথমলেল চানু নিংঙোলনা নোংতমহলবা। চীংনুলৈমনা- কুকমলেল মৈনাইতাবা। হাইনু লৈমনা কুকমলেল মৈনাইনা। ফাইবীবেল চানু নিংঙোলনা - ব্রোংথাঙ। লৈনুংঙালবীনা- পোংহল। পীশিলনু চনুনা- হৈবোঙলেল লোঙচুমবা। পীশিলখোমবীনা হৈবোংঙাং থাঙাঙলেল। পীশিলনুনা থাব্রাবেল, পোইবৈতোল। পোইবৈতোলদি খুমল লুব্রাংগী পুকোক ওইখিয়ে। পীয়াইনুনা থাব্রাবেল। লৈচীকলেল চানু নিংঙোলনা- ঙালবা লৈচীক চিকল্লিবনে। লৈথমলেল চানু নিংঙোলনা লৈথম থমল্লিবা। লৈনুং য়ুখাচা চানুনা- ঙালবা য়ুচাখানে। লৈনুং য়ুপুবোই চানুনা - ঙালবা য়ুপুবোই পুবোইলেম নুসুনা খুমচীঙকোল হায়হৈবানে। মঙাংনিংথৌ চানুনা হলফাবা। মঙাং চানুনা -

ঙালবা :- ঙালবানা পুবকপা থৌঔী শৈরোন ফাওপা নোংলোন ফাওপা কোংপা লৈথোঙ ফাংপা, কংলা যীথোঙ ফাংপা, সাচিফু লৈখুন ফুনপা, মিবেন থাকাবকপা নুমিৎ পুঙ কাযবেন তোংপা, নোংতম নোংখাযপা, যাহৌ খমহৌবা অঙাল অপাপা নিত্থী পুংঙাইপা, মিংলঙ মাযবংপা, মাচু মামেশ অঙাঙ অহৌবা অসং অমুপা, হিকোক লোযযামপা, স্রা লুপা কোবি পিযাযায, কোঔ মাসি লেনকোন যায্কোন্ আসিপেলীকপু মানা বুংচন মেননাপান মেনাচন তাইচননাপানে অসনে খঙনো। সম্প্রাই মশিং লামাই ১২৩

আতুকা ॥ যীমচাও সুমাঙতা ॥ আবামপমনা ॥ যীনয় ॥ খাবা মাখাত্রা ॥ যীযাসেল যায়ে ॥ ঙাংখা যীবাংপু ॥ যীকমনাপা ঙাংখা ১ ॥ যীচুমফি ১ ॥ যেৎসাবি ১ ॥ মঙতা লুক ১ ॥ চেকপ ১ ॥ লোং ১ ॥ সুমচীং ১ ॥ ব্লুনিংথৌক ব্লুপাক ফাল ১। সিংপাৎ ১ ॥ আতুক ॥ মাইতা কুচাপা ॥ তেংকোং ১ ॥ থাককল্ ১ ॥ ফিথা ১ ॥ য়োংখাইচা ২ ॥ থিজপী ২ ॥ পুচাই ১ ॥ নোংহুমসঙক্রা ॥ আসা পমন। পোঙহাময়ে ॥ পোংযাওতা ॥ খোঙহামখেল ২ ॥ খোং হাইফি ২ ॥ ফিবোই ২ ॥ কুবেক ২ ॥ য়োৎসাবি ১ ॥ সুমচীং ১ ॥ লোং ১ ॥ মঙতালুক ১ ॥ যীচুমখি ১ ॥ ফিখুম ১ ॥ য়োংখিঙাল ২ ॥ খাইচা ২ ॥ খাল ১ ॥ যীলাংপুল ২ ॥ তোংখাঙ ১ ॥ নিংথেমনুাল ১ ॥ ফৈতা ১ ॥ নিংথৌসেলপা ১ ॥ খোঙহামপা নুমিৎতা ॥ কমলাকতুনা ॥ খোঙতৈফি আতুপু ॥ মইতা যীকযে ॥ আসিপুখৎপাতা ॥ নিংথৌবি পোংলোই যাওয়ে ॥ সিঙ্পোৎমা ॥ থুমপোৎ ১ ॥ সিনাইপানা ॥ লৈথোকয ॥ পোংযাওতা। লইথক লইখাসেল ॥ ২ ॥ মাইপাসঙ তমা ॥ মাইবি সঙ তমানা ॥ যীমচাও সুমাঙতে ঙাংথায়ে ॥ যাংকোক ১। ফি ১।০ ॥ থুম

মাঙাং চানুনা॥ লীলসেলহলপানে॥ মাঙাং চানুনা লিলরাইহলপানে॥ মাঙাং চানুনা খোয়পা॥ মাঙাং চানুনা॥ নোংখোয়বেল॥ মাঙাং চানুনা॥ নারাযহৈপা মাঙাং চানুনা॥ কাকরায্পা॥ মাঙাং চানুনা॥ যুবোয্ বাংনে॥ লুরাংপুলসীপানা॥ হাওপা॥ কাচেংরাহেঙ্পানা॥ রাহেঙপা॥ মাঙাং চানুনা॥ সীবাই কাংচানে॥ খামেললোক্পমচানুনা হৈপা ॥ ॥ খুমুচম লোল্তী॥ পীযাইনুনা থারাবেল॥ লইচীকনিংথৌ চানুনা লইচীক ২ লীপা॥ লইথম নিংথৌ চানুনা॥ লইথমনিংথৌ চানুনা॥ লইথম ২ লিপা॥ লইনুং যুচাখা চানুনা॥ যুচাখানে॥ লইনুং যুপুবোই চানুনা॥ যুপুবোয॥ পুবোয্ লেমনুসুনা॥ খমচীঙকোল্ হায়হৈপা॥ পুবোয্লেমনুসুনা॥ খুমুবোংনে॥ চীঙতোং নিংথৌ চানুনা তুবেল নামফাও মাচন লৈমা পুঙ্কাবাংপীনা পালপানে॥ থেবেবোংপম চানুনা॥ তোংহলনে। লুরাং খুলথিপা চানুনা॥ হাওপা॥ লুরাং চানুনা॥ হাওবম॥ লুরাংচানুনা॥ হাওপালালকানে॥ লুরাং চানুনা॥ সীঙমিৎ লাংমীৎচুমপা॥ আসীতী॥ খুমুকচমনে॥ ×॥ খাপা বোলতী॥ লইপীবেলনা॥ তওবে লখা॥ লইখোম্লেলনা॥ তওবেলখুপা॥ লৈবংলেলনা॥ তওবেলখা॥ লইথম নিংথৌচানুনা॥ তওতিংতও॥ লইবাই নিংথৌ চানুনা॥ তওতাংতও॥ মাহৌ নিংথৌ চানুনা॥ তবংনে॥ খাপীনা॥ খাপা লইবেল॥ লইবেল নিংথৌ চানুনা॥ লৈসংলেলনে॥ ।॥ লইচাক নিংথৌ চানুনা॥ লইচীক ২ লিপা॥ লইমথমলেল চানুনা॥ লইথম ২ লিপা॥ লইনুং যুচানুনা॥ যুচাখা॥ লইনুং যীপুবোয়না॥ খাপা যুপুবোয॥ লংমাইচানুনা তকমকোইপা॥ মাঙাং চানুনা॥ নোইনাইনিংথৌ॥ লংমাই চানুনা॥ ফালতোংপানে মাঙাং চানুনা লিললি॥ লংমাই চানুনা॥ মাহৌ নিংথৌনে॥ মাঙাং চানুনা॥ যুঙালপা॥ লংমাই চানুনা॥ তোংপা॥ খুমল[২] লুরাং কমপোং লোকখু লোকহল॥ খাবা ঙালবাতাকি খাইখিপানে॥+॥ খুমললোলতী চিলফুবোন্ লইচীক ঙালপীনা॥ নোংতমখুপা॥ লইথমলেল চানুনা॥ নোংতম হলপা॥ চীৎনুলইমানা কুকমলেল মইনাইতাপা॥ হাইনু লইমানা॥ কুকমলেল্ মইনাইপা॥ লইফুবেল চানুনা॥ তোংথাঙ্ লইনুংঙালপীনা॥ পোংহল॥ পীসিলনুনা॥ হইবোঙ্ লেল্লোঙ্চুমপা॥ পীশিল্খোমপীনা॥ হই

তেমফাবা। মঙাং চানুনা লীলশেলহলবা। মঙাংচানুনা-লিলরাইহলবা। মঙাংচানুনা-খোইবা। মঙাং চানুনা- নোংখোইবেল মঙাংচানুনা নরাইহৈবা। মঙাংচানুনা- কাকরাইবা। মঙাং চানুনা- যুবোইবাংনে, লুরাং পুলশিবনা হাওবা। কাজেঙরাহেঙপানা রাহেঙবা। মঙাংচানুনা শিলাইকাংচানে। খামেললোকপম চানুনা হৈবা- পোকতুনা চাদা শমথৈ।

খুমুচম লোল

খুমুচম লোলদি পীযাইনুনা থারাবেল লৈচিক নিংথৌচানুনা লৈচাক চিকলিবা। লৈথম নিংথৌ চানুনা- লৈথমথমলিবা। লৈনুং যুচাখা চানুনা যুচাখানে। লৈনুং যুপুবোই চানুনা- যুপুবোই। পুবোইলেমনুসুনা খমচীঙকোল হাযহৈবা। পুবোইলেমনুসুনা খুমুবোং। চীংতোংনিংথৌ চানুনা তুবেল নামফাও মচন লৈমা পুঙকাবাংবীনা পালবনে। থেবেলোংবম চানুনা তোংহললে। লুরাং খুলথিবা চানুনা হাওবা। লুরাংচানুনা- হাওবম। লুরাংচানুনা- হাওবা লালকানে। লুরাং চানুনা- শিঙমিৎ লাংমেৎচুমবা। মখোয আসিদি খুমুচমনে।

খাতো লোল

খাবাবোলদি লৈপীবেলনা তৌবেলখা। লৈখোমলেলনা- তৌবেলখুবা। লৈবংলেলনা- তৌবেলখা। লৈথম নিংথৌচানুনা - তৌতিংতৌ। লৈবাই নিংথৌ চানুনা তৌতাংতৌ মাহৌ নিংথৌ চানুনা তবংনে। খাবীনা খাবা লৈবেল। লৈবেল নিংথৌ চানুনা লৈশংলেলনে। চাদা শমথখি।

অমুকতি লৈচীকনিংথৌ চানুনা - লৈচাক চীকলিবা। লৈথমলেল চানুনা - লৈথম থমলিবা। লৈনুং যুচানুনা- যুচাখা। লৈনুং যীপুবোইনা খাবাযুপুবোই লংমাইচানুনা

ঙালবদগী খাইবা চাদা

তকমকোইবা। মঙাং চানুনা নোইনাইনিংথৌ। লাংমাইচানুনা- ফালতোংবনে। মঙাং চানুনা লিললি। লংমাই চানুনা মহৌনিংথৌ। মঙাং চানুনা যুঙালবা। লাংমাই চানুনা- তোংবা। খুমল লুরাং কমপোং লোকখু লোকহল- খাবা ঙালবদগী খাইখিবনে।

খুমল লৈখা লোল

খুমল লোলগী চাদাদি চিলফুবোল লৈচীকঙালবী নিংঙোল চানুনা নোংতমখুবা। লৈথমলেল নিংঙোল চানুনা নোংতমহলবা। চীৎনু লৈমা চনুনা কুকমলেল মৈনাইদবা। হাইনু লৈমনা কুকমলেল মৈনাইবা। লৈফুবেল চানু নিংঙোলনা তোংথাঙ। লৈনুংঙালবী চনু নিংঙোলনা পোংহন। পীশিলনুনা হৈবোঙলেল লোঙচুমবা। পীশিলখোমবীনা-

১। খাবা ঃ নুমিৎ তাবা মতুং থাচং পুঙ্গী মৈ যুথক ঙালবা পুঙ নিশান মাদি খাবা ঙালবান পুই।
তানীয় পুং লা ১, চিংবেল মৈবমলিবা

২। খুমল ঃ- খুমননা পুবকপা থৌদি, পেকক নোংচেংকা, পেনুঙ তায়পা রুসোয ইবাংপা, লৈকাবেং নোংকাবেং তায়পা নুমিৎ থালেঙ তায়পা, মৈ যীশিং লেঙতায়পা, নোংসিং যীসিং লেঙ তায়পা সাবেং ঙাবেন লেঙতায়পা, উচেক রায়া লেঙতায়পা তীনলেঙ কাঙলেঙ লেঙতায়পা। যীনুং সাইযাইমা নোংযাই সোয়পাত ভামাতা পুন ২ ফুনচিবিক কাপেবেঙ তায়পানে অসিনে খুঙঅো। সম্রাই মশিল ১২৪

৫॥৫॥ তাংঅোং থুমপোংমা নামা॥ রুম লাইন মাবতা॥ যেলমাতোক মাবোই ফাপা॥৯॥ মানাতা সানানায়ীল॥৯॥ লুপা নাযীল ৯॥ সানা খোঙ্চী ৯॥ লুপা খোঙসি ৯॥ কোনআইপু ১৮॥ হইকক ৯॥ পানা ৯॥ ফমপাললোইথাপাতা॥ মাইপাসঙ ৩ মাকনা॥ লইপাকাক॥ লাইপুমনামাকতা॥ খুতোল কংযে॥ কোলথা যাইথাযে॥ রাংপাবেল থোঙথিঙযে॥ যীরালযে॥ সলাথাঙ॥ যাথিঙযে॥ থঙচীঙ॥ যাংকাই নিংথৌ॥ কোনাং নিংথৌ॥ ককচাঙ নিংথৌ॥ চাঙথাং॥ কীপাক। আসিখেপীকতা॥ নিংথৌনা খুতোল কাইযে॥ থোঙঙাক থিঙযে॥ যীরালককযে॥ নোংলমপাকথৌতি॥ চনচাপা॥ ভিতা আয়েংপা॥ ৩ মাতা লোলচীযে॥ ফিবোই ৩॥ তাংখুলপা॥

লৈখাবোল লা ১৪, ফমবালপোল লা ২ ৪

বোঙ্ঙাঙ্ ॥ পীযাইনুনা ॥ পোইবৈতোল ॥ লইনাওতাপীনা ॥ সিঙপুঙ্ ॥ সলথোংপুনেমপা চানুনা ॥ আবোংপাকা ॥ পামিংকা ॥ ২ মা পোকয ॥ চিলফুবোল লৈতোংলেলনা ॥ তুমাহাপা ॥ ঙানুবোল থোংঙাইপা চানুনা ॥ লুংপা ॥ সলথোঙ পুনেমবা চানুনা ॥ পামিং ॥ হুয্বইমানা ॥ লুরাং খুলথীপা ॥ কওপাবোল নামোইনুনা ॥ লুরাংপুলসীপা ॥ ঙানুবোল থোংঙাইপা চানুনা নুঙথোঙ্ঙায়নে ॥ ॥ হে খুলমাপা ॥ লইমাপা আতোংপা ॥ আবোংপা ॥ কুপথল ২ ঙালতু তুকুমচাক ॥ অোঙলিপা ॥ থাচাকা মৈপীকা ॥ সিলালামকা ॥ থঙরাকা নোংলইকা ॥ রুবেন্কা ॥ চাবাকা ॥ অোইবিপা ॥ ঙাংঙোয় যোয্মোংপাপু ॥ তাইসীংকে ॥ যোইচীঙ্লেল্ তমহইবা ॥ তমপাক লোল্কোই লালকোই হৈবাকা ॥ সাবোং পুঙ্মায্কা ॥ লইকাই খুলতীল লাংপল ॥ পাথুপ্পামোংকা ॥ পাবই থাঙথোংকা ॥ তাওখঙ্পা ॥ মোংপা য়ুমলায্ কইবায্কা ॥ তমপীকা ॥ মসানৌ যোয্হৈতোল কোইনাপা ॥ সানৌ তাওথিংমাঙ অো ॥ নঙতী লীলরাই যীমাক ॥ ফাংলও লাইমাকোল ॥ মিবাপোংথোকলম ॥ লমলেন কোনপীবা ॥ ঔবি সামইথাং ॥ ৬ ॥ হাঙোই কোনথীঙ নুবাপী ॥ তী ॥ রাইকোইবম ॥ তাঙচা লিল্লা পাখংপাতী ॥ রাইচং লম ॥ লিলরাই যা মাকতা থৌনাঅো ॥ সানৌঅ ॥ নুঙপী খলকাই যামতাপানে ॥ তাম্না ফইতোয হক্তাপানে ॥ লিবেল কংসী নীক্তাপানে ॥ সানৌ নঙ থৌনাঅো ॥ লাইচা যীনুং হকতাপানে ॥ মেল্লাং তলপা থুয়াও ঙমচাও হুলতাপানে ॥ সংলও রুচীনা তেক ২ পাল ॥ য়েলখুবই রালসাপা ॥ রালকন্ আকনপা ॥ সুঙ ॥ তাঙকোং চইসৌতাপানে ॥ সংলও খুংখাঙতে ॥ নোইনু থমকবাইপানে ॥ সংলৌ খুংখাংতাপা লম ॥ সানৌ নঙ থৌনাঅো ॥ নাসাপী অইতী ॥ লমলোই কৌপা যীমাক ॥ চীঙপল ২ রাইক ॥ তুবেল্ লোক্চা মংচাযী ॥ সাবোল মংলোল যীতী ॥ নুঙপী মলকা য়াম্য় ॥ তামনা ফইতোয্ হকয ॥ লিবেল কংসী নীকয ॥ লাইচা লাইযীনুংহকয ॥ মেললাং তল্বা খুয়ৌ ঙমচৌহুলযে ॥ তেক্পী অোক্লাকোল্তা পালবা য়েলতী ॥ সংলৌ য়েন্থানম ॥ থাবাম্নাপাকপাসুঙ ॥

হৈবোঙঙাঙ। পীযাইনুনা পোইবৈতোল। লৈনাওতাবীনা শিঙদাপুঙ। শলথোঙপুনেমবা চানুনা আবোংবাগা, পামিংগা অনিমক পোকযে। চিলফুবোল লৈতোংলেলনা তুমহাবা। ঙানুবোল থোংঙাইবা চানুনা লুংবা। শলথোঙ পুনেমবা চানুনা পামিং। হুইমুলৈমানা - লুরাং খুলথিবা। কৌবাবোল নামোইনুনা লুরাং পুলসিবা। ঙানুবোল থোংঙাইবা চানুনা-নুঙথোঙঙাইনে।

হে খুলমাবা, লৈমাবা অতোংবা অবোংবা। কুপথল থক ঙালতু তুকুমচাগা-ওঙলিবা। থাচাগা মৈপীগা শিললামাগা, থারাগা নোংলৈগা, উবেনগা চাবাগা, ওইবিবা। ঙাংঙোই য়োইমোংবাবু তাইশিংকে, যোইচীঙলেল তমহৈবা, তমপাক লোলকোই। লালকোই হৈবগা শাবোং পুঙমাইগা, লৈকাই খুলতীল লাংপল পাথুপপা মোংবা য়ুমগা। পাবৈ থাঙথোংগা তাওখঙনা শাবা॥ মোংবা য়ুমলাই কৈবাইগা শাবা তমবীবা। মশানৌ

য়োইহোংবা তাওথিংমাং হেৎহেংলোন

য়োইহৈতোল কোইনবা শানৌ ইনাও তাওথিংমাঙ-ও। নঙদি লীলবাই ঈমক, ফাংলৌ লাইমাকোল মীবা পোংথোকলম। লমলেল কোনবীবা ঔবি শামৈথাং। হাঙোই কোনথীঙ নুবাবীদি রাইকোই লম। তাঙচা লিললা পাখংবদি রাইচং-লম লিলবাই ঈ মকদা ঈতেংবা থৌ ও। শানৌ-ও। নুঙবী খলকাই য়ামদাবনে। তামনা ফৈতোই হকতবনে। লিবেল কংশি নীকতবনে। শানৌ-নঙ থৌনা ও। লাইজা ঈনুং ঈচেন কনদব-নে। মেললাং তলবা হামেং খুযাও ঙমচাও হুলদব-নে। শংলৌ উচীনা তেক তেকপাল। য়েলখুলৈ রালশাবা, রালকন অকনবসু তাঙকোং চৈশৌদবনে। শংলৌ খুংখাঙদে। নোইনু থুমক্রাইবা নে। শংলৌ খুংখাংদবা-লম। শানৌ নঙ থৌনা ও। নশাবী ঐদি লমলোই কৌবু ঈমক। চীঙপল পলরাই মক। তুবেল লোকচা মংচা-ঈ। শাবোল মংলোন ঈদি নুঙবী মলগা, য়াময়ে। তামনা ফাইতোই হকয়ে। লিবেল কংশি-নীকযে। লাইজা ঈশিং ঈনুংহকয়ে। মেলনাং তনবা হামেং খুযৌ ঙমচৌগুম হুলযে। তেকপী ওকলা কোলদা পালবা য়েলদি। শংলৌ য়েল থানাম, থাবাম নাপাকপাসু।

১। ঙাংঙোই য়োযমোংপাঃ নোংমাইনু পলসৌ মাপাপোকপু লাইহুইপাতী নুংদু তুংমুলইমা সানা নুঙফাল তোংপীনা লাইহুই। পললেম মামাপোকপু লাইহুইপাতী সিঙপী লৈমা লৈতংনিংথী চানুনা লাইহুইয়ে পললেম মামাপোকপু সানা লীকলাই য়েলপাতী চীঙ লেমা খাপানিংলৌ চানুনা সানা লীকলাই য়েলযে য়োইমোংপা তাওথিংমাঙ য়োইহৈতোললে মখোয অনিমানে। য়োইমোংপাকী মতাংদা অসুম্না পাম্ব- য়োইমোংবানা তু তেংসি হায়নদুনা মনাউ অতোম্বা তাথিংমাংবু লিরাই ইম ইয়া ঈবিন তুবেন মকদগী হৌনাতু তেংথতনখি। ময়াম্বা য়োইমোংবদি অরাং কৌবু অসুপ্পদগী হৌদুনা তুবেল তেংথোখি। লাইবেঙ য়োইমোংবনা মোংপা তুথেংপদা মশানৌ য়োইহৈতোন তাউথি মা লিলরাই যিমকতা থীনাপাকা লমওকনবে লাইজা যীলমসু অনীলোঙএ লিলোং-ও থোননৈ এ। শানৌ মচিন মনাঙনা কাকয়েল মাঙমপাপু কংলৈ পুংফানায়ে। হাও যুম্নাক ১০০ থাব লোইবু লাইচনলাম্না। মকমদা গওনুপু হাওনুহল লোইতোংখু লোইতোংহলসুঙ পুমনাবকয়ে। চাতুম চাঙালক য়েনয়োমহক সাংলোংলাং মিলাং মিতোঙ হোঙনেকা তমনবে। শানৌ মচিন মনাঙনা শিংপোং , গক শাকনা তাইতাওহৌনা শিথিল পুথললসে। ৪লক কেকু লোংপী শানবে। মমাইবী সলথোং খাপু মাইনা চুপনা মাইফললমপাবে। মোংপা

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

তাঙকোৎ চইসৌয়॥ য়েন্লাং খুৎখাঙয়॥ নোইনু থুমক্রায়তে॥ সংলও নুংকনপা বমপু॥ নাসাপী অই থৌনাকে॥ মোংপা মাচন্ মোই থিংক্রাপীনা॥ খুমলোং নাথংলোননা॥ ব্লাংলই যুসিলখিয়॥ থৌবই ব্লাখায়েকনা ॥ থৌচেল লালচেলখিয়॥ পোল্ সাঙায়বাপানা॥ সীঙতুম লুবোয থেৎনা সিনাই মাইকাচঙখিয॥ লব্রায হাওয়ম মোই॥ চেক্লা মোইমায় কাঙনা॥ মাথা মোইমায তোপনা॥ ফিঙাঙ কিসিনা॥ চইরইফিপায়॥ বুবোক্ নমপুবানা॥ চইবই ফীতুং খাব্রোন্না ২॥ চামলও লাথাঙ সীঙখাঙ্খিয়॥ য়েনপী য়েনচাও খোং॥ চাওখোং সাবামপীচানা॥ খোংচিনাবেং হুৎনা॥ লাব্রায় হাফুবোন্ হাতাংসাংনা॥ হীবীআেই॥ হাওব্রোঙ খুনা লীসীয়॥ খোংপাল তওনাওখুনা॥ থালআেইয়্॥ থৌনীঙ্খুনা॥ খোংনীঙ্ চঙয়॥ থৌঙনুনা খোংতোললংয়॥ কাংতককনা ব্লুবাওয়॥ ব্লুথুমনা পুঙতোয্য়ে॥ থাকনা আসৈয়্॥ লাইবেল ঙাংঙোয যোয়মোংপাতী॥ তুবেল্ খুনীঙ খুযাথেক্॥ হুর্মচান্ হুময়াবোঙ্পু॥ তুতেং থাবক্য॥ হাওবৈ খানা পাংপাবমকি॥ সাবেং সমসাংপীচা॥ ঙাবেল কোক্পাকপী॥ ঙাচিং চিংলোয়নাই। ঙামাইনোংযেংপীচা॥ লেমলই মাসীঙ সুনা॥ লমতম খৎলকপাবু॥ সোইপোলনা॥ চীনকোয় সৌবা খেলঙামথ॥ সাবেং ঙাবেল পুমনামাতী॥ হলব্রাইখিবে॥ লাইবেল যোযমোংপানা॥ পোলপী ব্লাসোইপোল নঙতী॥ কাবি চীনকোয় সৌবাইমেলপানো॥ হাযনা॥ মাখোঙ মাসাথেকনা॥ ব্লাবক্খিয়॥ ঙাংঙোয় য়োয়মোংপাতী॥ সোয়বও খমলওকা॥ লুথুম লাংথাক্কা॥ তুরেল্ মুনম খোয়সোলকা॥ তমথাখিয় লাইবেল থাবই মাফাওথাখিয॥ লেমলই মাহুল থাখিয॥ য়োয়মোংপানা॥ মায়ীম যীমনক ১০০ তাপাতা ব্লাইথুংলে॥ হাওয়ীম মাবইমাপী॥ হাওসী পলথোঙখৈপী॥ খোয়তোম নুব্রাপী॥ থৌবই য়েৎমিংনাপী॥ তেৎনৌ তলথাংনুনা॥ মোংপা নাচী নানাওতী কাবিলোইপু লোইহায়কে॥ লাকপানো॥ কাকলেলপানা লাল্তাবি॥ কাকলেল মীঙমপা॥ নামু পোংচেলপানা॥ লালতাবি॥ মোমনু সুনা হাওতৈ কাঙফাতে॥ লংচাক যোয়বই হুলফাতে॥ নামপা তেমচীন্ লোন্ফাতে॥ সুমায় নুংলাংতে॥ কংলই

তাঙকোৎ চৈশৌযে। য়েললাং খুৎখাঙয়ে। নোইনু থুম থুমক্রাইদে। শংলৌ নুংকনবা লমবু। নশাবী ঐ থৌনাগে। মোংবা মচন মোই কেজবী থিংক্রাবীনা খুমলোং নাথংলোননা, ব্রাংলৈ যু যুহানখিযে। থৌবৈ ব্রাখবেকনা থৌচেল লালচেলখিযে। পোল শঙাই লাবনা-শিঙদুম লুবোই থেৎনা শিনাই মাইগা চঙখিযে। লব্রাই হাওযুম মোই। চেকলা মোইমাই কাঙনা মথা মোইমাই তোপনা, ফিঙাঙ কিশিনা চৈবৈ ফিপাইচা, উবোক নমপুবানা। চৈবৈ ফিতুং খাওননানা। চামলৌ লাথাঙ শিঙখাঙখিযে। য়েলবী যেলচাও-খোং। চাওখোং সাবামবী - চানা। খোংচি- নাবেংহুৎনা লব্রাই হাফুবোন হাতাংশাংনা - হীবী-ওই। হাওব্রোঙ খুনা লীশিয়ে। খোংপাল তৌনাও-খুনা। থাল-ওইয়ে। থৌনিঙ খুনা খোংনিংচঙয়ে। থৌঙনুনা খোমতোল-লংয়ে। কাংতরুকনা উবাওয়ে। উথুম চেক্লানা পুঙতোইয়ে। থাকনা অশৈয়ে। লাইবেল ঙাংঙোই য়োইমোংবদি তুবেল খুনীঙ খুয়াথেক, হুমচিন হুময়াবোঙবু, তুতেংথবকযে। হাওবৈ মাইকৈ খানা পাংবলমগী। শাবেং ঙা শমশাংবী-চা। ঙাবেল ঙা কোকপাকগী। ঙাচিং ঙা চিংলোইনাই, ঙামাই নোংয়েংবী-চা লেমলৈ ঙা মশিংসুনা, লমদম খৎলকপাবু শোইপোলনা, চীনকোই শৌবা মেলঙময়ে। শাবেং ঙাবেল ঙা পুমনামকদি। হলব্রাইখিবে। লাইবেল যোইমোংবনা, পোলবী ব্রা শোইবোল নঙদি কবি চীনকোই নব্রাহৈ শৌবাই মেলবনো। হাযনা মখোঙ মশাথেকনা ব্রাবকখিযে। ঙাংঙোই য়োইমোংবদি শোইবৌ খমলৌগা, লুথুম লাং থাকপগা। তুবেল মুনম খোইশোলগা, তমথাখিয়ে, লাইরেল থাবে মফাওথখিয়ে লেমলৈ ঙানা চোংখিয়ে। য়োইমোংবনা ময়ুম য়ুমনাক চামা তাবা মফমদা ব্রাইথুংলে। হাওয়ুম মবৈমবী, হাওশি পলথোঙখৈবী খোইদোম লুব্রাবী, থোইবৈ যেৎমিংনাবী, তেৎনৌ তলথাংনুনা, মোংবা নচিল ননাওদি কবি লোইবু লোইহানগে লাকখনো। কাকলেলবানা লালদাবি, কাকলেল মীঙমবা, নামু পোংজেলবনা লালদারি, মোমনু নুপীজা ফিশা সুনা হাওদৈ কাঙফাদে। লংচাক ওইবৈ হুলফদে, নামবা তেমজিন লোনফাদে সুমাঙ মপাল নুংলাংনদে। কংলৈ

যুমলেন কারেল ৩ সুপাতাওখঙপীবে(শাবে)। ঙঙোই য়োইমোংপাত মোংপা চীঙনুংহুত্তা চঙনা লাইরেল মতে হৈকুম শানথুপখিযে। লাইবেল য়োইমোংবাতা মোংবা যিমতাংশাংপু কাবেন ৯ সুনা তাওখঙলে। ফমযোই ফম ফলাংমৈ তোংলে। মমোম তমপাব্রাঙমলোনসুঙ মোংপা মাংশোক কাচাও যাবে। খাংসু লাকপা থুমক্রি খাওচাও য়ানপানা অসৈ ব্রাংপাবেলপু চেংক্লৌ মিৎথিৎলে ব্রাংঙম লুক থিংক্রি খাওচাও তানা লাবোং লাকা তৎ লাংনা যাখমলাকনা ঙাইথর্মখিযে। ব্রাকথা খোমপু মাইবোং-তা, তুংথাংনাপা অশৈ ব্রাংপাবেলবু লৈকাই তিমেল-তা ব্রাইপানা তিযেল মখুৎসুনা চৈবীবে। নিংথৌ পোংপা ১০ মা লৈমা ১০ মা কোনতে খুৎচুমমাই। মমোম তমবা ব্রাংঙমলোননা খুয়ুংচঙ্পুমনা লৈনা শিবোই ব্রাংপীবে কোবৌ খোংমালকতা। তুপী মতিঙ লাইবেন মতাং শমহৌবে। খাংসু নহা লাইবাবাতিমেল মখুৎসুতা মাথানা তৌওয়া নোংমর্নাল।


লাই লাইহুই লা ২, পাখংবা লাইহুই লা ১৬

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

য়াথোকতে॥ থুমনাওকুম চঙনা রায়॥ যেলনাওকুম চঙনাপুয়॥ মোংপা নাচীন্ নানাওপু॥ কাকলেলপানা হৈবাকনে হায়না পাওমেল ঙাময়ে॥ তৌয়ীঙ্গকিত্তী॥ কাক্লেল মীঙমপাত্তী কাতায়বম্ লালতাবিপানে॥ পাওহংলকয়॥ মোংপা চীঙমাহুৎতা॥ লালতাবিয॥ পাওখুম্‌খয॥ সানৌতৌয়ীকিত্তী তাওথিংমাঙঅ ॥ যীপাঙডা ফানা তৈপুসেমসে॥ ফনা তৈপু তৌসে মোংপা যীমকোয বাঙ কালতা কিসিবাঙ্গুপু॥ রাওম্‌পানো॥ যীনুং সোযযামতা॥ মোংপা চৎলম ফালসাং যিলনা॥ লালতাখিয॥ কাক্লেল্ মীঙমপা নামু পোংপা চীনকোযবাংনা চানা লইমাবক্না॥ লইফুবওবে॥ ঙাংঙোই যোযমোংপানা সানৌও॥ কাকলেল্ মীঙম্‌পা আসীপু নঙনা ফায়সু হাযকুনো॥ অইনা ফায হাযফাবোয॥ যীপীঙাঙ লাপা সাকন তুফাং লিংতাবিয়॥ পোঙ্সীন তুহাও হওতাবিয়॥ মযীম হাওয়ীম যীমনাক ১০০ তাবাবু লোইচলসে॥ রায়বা সেংচানাসে॥ হুয়েল লালচানাসে॥ খুমনও সৌনাসে॥ হাযখিয॥ আতোম্ আমেল লোই। হুইচু চুপখোঙকাল্ লোই। য়ারোন্ থৌতম্ লোই॥ পললীৎ থোঙলীৎ লোই॥ লইতও য়োংনা ফালথাঙ॥ লীকলা খাঙনা খল ২॥ তুলাই কুপসু লাইখুম্॥ সমচেৎ সময়াবোই॥ ফীপুন্ লংপুন্॥ খোক্‌য়োম তায়োম লোইপু লোইচল্‌নাক্‌য়॥ মামাইপা থীঙকনমাবিং মাই॥ সলথোঙ রাক্‌পুমাই॥ না ॥ হুইমু মানুংলও॥ য়েলমু মানুংলও॥ মেললাংতলপা মানাক্‌মেৎনা॥ সাতু মালতে লইনাফোয॥ সাবাও য়ুবাওকা॥ চীনফু মাযতাক। চুপসা মোইফেলকা॥ থীকসেং থাসেংকা তমনাবকয্॥ মাকমশী হাওনুখু হাওনুহল॥ লাইতোংগু লাইতোংহলনা॥ য়েন্‌য়োম খোমহাল্‌কা॥ সাচুঙ লাললঙকা॥ সিংপাক্ মায়্‌তইকা॥ চাতুম্ চাঙালকা॥ মেবামেল্‌তোংকা॥ হোঙনেৎ চাওনেৎকা॥ তমহৈপু লুমনাপা॥ কাকলে মীঙমপাপু॥ কাইনা হুলপা॥ মামাইপা আপক্‌মান॥ মঙফাওথাপাত্তী॥ থোঙলেল লমমাহল্‌পু॥ ফৈনা বামনাপাতে॥ রাতেমপা মইতেংঙু খারাল থাপাকা॥ হুয়েল লাললোইনাপা॥ নোংয়ায আরুপাক আতোল আবেমপা॥ রাঙতৈ যাঙপা॥ খোংঙাইপা সুপু কাইনা হুনপা কপো কিযাং ঙমকা থামুংফাপা॥ মাবোয় লোযনাবপাত্তী॥

মপাল যাথোকতে। থুমনাওগুম চঙনা রাই, য়েননাওগুম চঙনা পুইযে। মোংবা নচীন ননাওবু। কাকলেনবনা হৈনকানে হায়না পাওমেলঙমযে। তৌবগীদি কাকলেল মীঙমবদি কদাইলমদা লালদাবিবনো হাযনা পাওতংলকয়ে। মোংবা চাঙমাওৎতা লালদাবিযে। হাযনা পাওখুমখিযে। শানৌ ইনাও ইবুংঙো তাওথিংমাঙ ও। ইচিল ইনাও ফানবা হৈনবু শেমশে। থুনা হৈনবু তৌশে সে মোংব য়ুমকোই লাং কানদা কিশি লাংবু রাতমনা থাকসে, ঈনুং অহং শোইযামদা মোং চৎলম ফালশাং ইল্লনা লালদাখিয়ে। কক্‌লেল মীঙমবা নামু পোং মীওইবা চেনদুনা ফানা চাববু লৈমাবকনা লৈফুলৌবে। ঙাংঙোই যোইমোংবনা শানৌ-ইনাও-ও কাক্‌লেল মীঙমবা অসিবু নঙনা ফাইসু হায়গনো। ঐনা ফাই হাযনসু হায়বোইয়ে। ইচিল ইনাও ঐখোয় অনিদি খুৎকন পাঙ্গল শাকন তুফাং ওইনবা ঐখোয়গী মী লিংদবিয়ে। পোলবী তুহাও হৌদবিয়ে। ময়ুম হাওয়ুম য়ুমনাক চাম তাববু হননা লোইচলশে। রাইবা শেৎচানশে, হুয়েল লালচানশে। খুমু নৌশৌন সে হায়না হায়খিযে। অতোন অমেল লোই। হুইচুপ খোঙকাল- লোই। যাওন থৌতম লোই, পললিৎ থোঙলিৎ লোই। লৈতৌ য়োংনা ফালথাঙ, লিকলা খাঙনা খল খল। তুলাই কুপশু লাইখুম, সমচেৎ শময়া-লোই। ফিপুন লংপুম। খোকয়োম তায়োল লোইবু লোইচল নৈয়ে। মমাইবা থীঙকনমাবিং মাই। শলথোঙ রাকপু অমাইনা হুইমু মনুংলৌ, য়েলমু মনুং লৌ মেললাং তলবা হামেং মনাক মেৎনা, শাতু মালতে লৈনা-ফোই। শাবাও য়ুবাওকা। চিনফু মাইগাতানা চুকশা মোইফেলকা থীকশেং থাশেংগা তমনবকযে। মকমবী নুপী হাওনুখু হাওনুহল লাইতোংগু লইতোংহলনা, য়েনয়োম খোমহালগা, শাচুঙ লাললঙ্গা শিংপাক মাইতৈগা, চাদুম চঙালগা, মেবা মেলতোংগা, হোঙনেৎ চাওনেৎগা, তমহৈবু লুমনাবা ককলে মীঙমববু কাইনা হুলবা, মমাইবা অপকমানা মঙফাওথবদি, থোঙলেল লমমাহনবু ফৈনা লামনবদি রাতেমবা মৈদিংঙু লোইনাই খরালথবাগা হুয়েল লাললোইনবা নোংযাই অরুবাক অদোল অবেমপা, রাঙতৈয়াঙবা, খোং ঙাইবসু কাইনা হুলবা কবো কিয়াং ঙমবা থামুংফাবা। মলোই লোইনবদি

১। তাওথিংমাঙঃ- খুইনা নোংমোইনু পানদুনা যোইমোংবাগা তাওথিংমাঙগা অনিম পোকয়ে।। তাওথিংমাঙনা হাওনুখু পানদুনা মৌতে নিংতৌ ওটাখ॥ তাওথিংমাংগী মতাংদসু অসুম্না পাম্ল নয়ু মৈতেংগু যোইহৈতোল তাওথিংমাঙ অমা তৌনা কীয়ে॥ নয়ু মৈতেংগু যোইহৈতোল তাওথিংমাংতা॥ খোউমা লিবোলতোল॥ লিবেন যাইথমবোং ময়েং যেঙনাসু॥ মতোল তোমনা পুঙবা লকুমবনে॥ পোইরে সিংশীতোলনা তৌনা খুরখিলবনে॥ মৈতেংগু তাওথিঙমাঙ যোইহৈতোলতা॥ হাওবে লাইনা পাবনম॥ লিলবাই যীমকতা হৌনাপানে॥ লিবাই যীমক ফাংদও লাইমকোল লিলবাই খাবংপোক কাকলেল সিনামসাংকোল॥ মিবাংপাংথোকলম॥ শৌনাং সমৈখাং লমংলেল কোলাবনা লিলবাই যামক-তো কৌপাত্রী কতৌনোংকিনো॥ হয়ীঙেতাঙচা লিপলা পাখংবগা॥ মকমাব হুংগ্ধাই কোনথিঙ নুরাবিকা তৈথাং রাইচংহৈঙই॥ রাইনৈ চংনাতানা কোংলৌ লমখৈবতা হৈবাং নাপাকপা তাওচিঙ লোংচুমবা খমনুং সিতানুশি মইহৈখঙ॥ নাওরা চিনখু হই॥ পলমেম পীনাল হইবু॥ তাওচিঙ ওইচৈলগা হুতা॥ মথংলেন মথংলেল তাঙচা লিললা পাখংবনা॥ তাললোই মকমবী॥ হাংগ্ৰাই কোলথিঙনুনাবীবু রাআইখিয॥ মোমনু তাললোই যাকমবিঙো॥ যাংখাইনা কোংলও লমখৈপাপু॥ নথঙলেল এঙোলতা॥ কুমচিং ফাযেৎলি॥ পাখং নামবা সমপালথোং পাথাঙ তীলতোল লকক্রীনতে হায়না রাআইখিয॥ তাঙচা লিললা পাখংবনা তংঙোই কোলথিঙ নুরাবিপু॥ ফৈবা মতাল রাইনা যাওচনে॥ অহং নোংকাব্ লিবাই যামক তাংচা লিললা পাখংবা রাইচং লম॥ হংঙোই কোলাথিঙ নুরাবি॥ রাইকোইনমতো তৌনা কৌযে॥ ফাংলৌ লাইম কোলতো কৌবদি কতৌনোংকিনো॥ কৌপা অহাংঙনা কোংলৌ লমংগাক হাইঙেতা॥



খুলপী কাপাতিংচা ॥ কাকফৈচা ॥ লাইচা য়ীপুক খায়না ॥ য়ীমু ফীবাকসানা খানাপা ॥ কাপতীংপা ॥ য়াইথংপা ॥ আকন আয়াঙপা নঙপু ॥ তাইসীককে ॥ মাতাইমানেম থোকখিয ॥ ॥ নানোংযাইপু তাইসীককে লাইনিংথৌহলপা সনা হিহোলহলপা কমপো খাবমপাপু ॥ রাতেম্পা ॥ খাযথমপাক রাহলপা যীবোক অসুপাপু থোলখংপা চীঙসাং অরাংপাপু ॥ মানানেমনা ফোইথুপা সাপল কক্তওথকতা ॥ হিহোলপাপু খুমু নওসৌতাপা ॥ তওবাং তেকসোল্তানা ॥ য়োনপোং লিখাওতাপা ॥ লিল্লা হাইসেনতাপা ॥ লইচা য়ীপাক থক্তা ॥ লমচেনপাপু ॥ খুযা য়ীচোংতাপা ॥ সেলপী লইহেন্নাপা ॥ য়িংঙেল নোংফাইতাপা ॥ কাইবই য়েলমই সীং যেলহৌতাপা ॥ নাক্কমপী খোইমোম লাইবেম্মা ॥ তেৎনু তমনু বুসোঙলইমা লমলাং নিংথৌ চানু ॥ লীবী থাবাম্পাকুমপী ॥ লোক্যায তাম্পা তোংকুমপী চাংখবন্ আবন্পাতা ॥ লাইচা য়ীসোকপাপু ॥ য়ীবীংতাপীপু ॥ লুমনাপা ॥ মাপাবি আমুতোল লেবাপা ॥ লাই পাখং মঙাযবোযপু য়াহৌপা ॥ লাই কবা মাফেৎ লোয়পু থৌনেকপা ॥ সেল্লোয় লওথোংখোঙ ॥ চীঙলাংমইতা ॥ নুঙপী মানা হুংনা থৌনাপা ॥ খোইমোম লাইনুঙখিলপু তমহালপা ॥ পাবিনাপা ॥ মামাইনা থীঙলোং চাওবোংসু ॥ মা ২ লৈবোংসুচা মঙ্চুমপানা ॥ মঙফাও থাপাতী ॥ অইপু মালপী য়াঙতকপা ॥ কাওবেল চীকোনপানা ॥ তাইববো ॥ য়োৎচলনা সংকাইচলনা ॥ থাঙতাবইনা ॥ তাতাবইনা ॥ অইপু তাইবাবো ॥ কমপোং খাবমপাকতা ॥ বা ১ থাপীঅো ॥ লাইবম পাকতা বুমা লিংপীঅো ॥ সাপল বুয়িং রাযিং হওতাপাপু বুয়িং রায়িং সৌহালপীকে ॥ পলৌ হিমা লাল্মা থাতাপাপু হিমা লালমা থাপীকে ॥ হায্না ॥ মঙফাওবা ॥ মৈতিংঙু লোয়্না থারাল থাবা হুয়েল লাল্লোয়নাবা ॥ পলও হিথাবা ॥ লমলাং লমলোকপা ॥ নোংয়ায় হাওতা লাইপা ॥ আতোল্ হাওতা কোইপা ॥ আবোন্ লিকলম্পা ॥ য়াইথিঙ কওবোংসু ॥ নিংঙোল্ কোল্নুসুপু ॥ কাইনা হুলপা মৈতিংঙু সেলপী খাকেমপা ॥ হুয়েল লাল্লোয়পা ॥ কাবো ক্যাঙমপা ॥ চাওফা সুমচাইফাপা ॥ মাবোই লোইনাবিপা ॥ থোংনাং কান্লৈচা আচংবনা। ফই মাবিতাল্রাক্পা ॥ লম


হালনা রোইনম ফমবী ফুকা পৈয় ॥ লোললাংপাখংপানা লেমলই ঙাকা পৈয়ে ॥ কৌপা আঙাঙঙানা ॥ কোংলৌ লমখৈকে ॥ সাপল লমতাককে ॥ পানম চংথোক লক্পাতা ॥ তুপী যোইনোংজা নোংতা লাইবেল পাখংপাপু লমরোকনাবে ॥ হায়াঁঙই তুপীযোযনোংতাপু ॥ লইনুঙ লোলচা পাখংপঅো তৌনা কৌয়ে ॥ লৈনু লোলচা পাখংপা চীঙয়া যৌথিংপানা ॥ কৌপা আঙাঙঙাঅো ॥ কো"লৌ লমখৈকুনু ॥ সাপল লমতাককুনো ॥ রাইনৈ চংনা তাকুনো ॥ পানম কাবম হেকমায কাকে হাযপানো ॥ হইবাঙ রাইচং হৌকুনো ॥ হায়না তুপী মইনা কোলনা ॥ থৌখামঙাময ॥ আতুনোংকিপু ফাংলৌ লাইমাকোলঅো তৌনা কৌয় ॥ আরাং ফাংলৌ লাইমাকোল মীবা কোংথোকলম থাঁবি সামইথাং ॥ লমলেল কোনপীবা ॥ লিলবাই য়ীমাকতা থৌনাপা ॥ মঠতেংঙ্ত য়োযহৈতোল তাওথীঙমাংতি ॥ চোয়নৌসনা মিংঙ্গলকিপু চুনাপানে ॥

খুলপী কাব তিংচা কাকফৈচা ঈশিং লাইজা ঈপুক খাইনা ঈমু ফীয়াকশানা খানবা। কাবতিংবা য়াইথংবা অকন অযাঙবা নঙবু তাইশিককে মতাই মানেম থেকখিয়ে।

লাইনিংথৌ হলবা

ননোংযাইবু তাইশিককে লাইযিংথৌহলবা সনা হিহোলহলবা কবো খাবমববু রাতেমবা খাইবমপাক রাহলবা, ঈবোক অসুপপা থোলখংপা চীঙশাং অরাংববু মনাকনেমনা ফোইথুবা, শাবল কক্তৌথকতা হিহোলববু খুমু নৌশৌদবা তৌরাং তেকশোলদবা। যোনপোং লিখাওদবা। লিল্লা হাইশেনতবা, লাইজা ঈশিং ঈপাক মথকতা, লমজেনবাবু খুয়া ঈশিং ঈচোংতবা। শেলবী লৈহেননবা ইংঙেল নোংফাই চনদবা কাইবৈ য়েলমৈশিং য়েলহৌদবা। নকমবী খোইমোম লাইরেম্মা তেৎনু তমনু বুশোঙলৈমা লমলাংনিংথৌ চানু লিবীথবামপগুমবী লোকয়াই তমবা তোংগুমবী চাংখ্রন অবনবদা লাইজা ঈশিং ঈশোকপবু ঈবিংতাবীবু লুমনবা মপাবি অমুদোল লেবাবা লাই পাখং মঙাইবোইবু য়াহৌবা। লাই নুবা মফেৎ লোইবু থৌনেকপা, শেললোই লৌথোং খোঙ চীঙলাংমৈদা নুঙবী মনা হুংনা থৌনাবা খোইমোম লাই নুঙখিলবু তমহালববু পাবিনবা, মমাইবা থীঙলোং চাওবোংসু মমা লৈবোংসু-চা, মঙচুমবানা মঙফাওথনদি, ঐবু মালবী য়াঙতকপা কাওবেল চীকোলবনা তাইববো। য়োৎচলনা শংকাইচলনা থাঙতাবৈনা, তাতাবৈনা ঐবু তাইবাবো, কমবোং খাবমপাকতা বা অমা থাবী-ও। লাইবম পাকতা বু অমা লিংবী-ও। শাবল বুবিং বাবি হৌতাববু বুবিং বাবি হৌহনবীগে। পলৌ হিমা লাল অমা থাদববু, হি অমা লাল অমা থাবীগে। হায়না মঙফাওবা, মৈদিংঙু লোইনাই থরালথাবা হুয়েল লাললোইনবা পলৌ হিথাবা। লমলাং লমলোকপা। নোংয়াই হাওতা লাইবা, অদোল হাওতা কোইবা অবোন লিকলমবা যাইথিঙ্ কৌবোংসু। নিংঙোল কোলনুসুবু, কাইনা হুলবা মৈদিংঙু শেলবী খাগেমবা হুয়েল লাললোইনবা কবো কিযাংঙমবা, চাওফাসুমচাই ফাবা। মবোই লোইনবিবদি থোংনাং কানলৈচা আচঙবা ফৈমবিতাল রাকপা।

মৈহৌবোন, নিংথৌবোল লাইছুই লা ৬



য়াই সীঙকন পোংসুম য়ীকনা থৌনাপাপু॥ লোয়নাবিপা চীঙখোঙ পোইবইতোলনা॥ অকল আয়াঙ খন্না তানাবিঙই॥ আহালনা আকন্ আয়াঙ খিন্নাহালপা॥ নঙপু তাইসীককে মাতাইমা মাতাইথেক্খিয় ॥ ৷॥ লিলপাল য়োয্নাওহল॥ নাওহল আহ্লপা॥ হইবী লীসীঙ নেনপা॥ খোইচীঙচাইপা॥ থাঙরায্ মুচেংঙমপা॥ হইবী চাঙৌপুপা॥ কাইনা হুলপা॥ হইবেম খুন্চল ঙমপা॥ ঙালখা খোঙথীন্ চাইপা॥ আতোল ২ রাইপা॥ মাক্তু আতেংপা॥ খুলপী কাপ্ থাফেচাপু॥ সোংকিপা কাওরেল সল্যাঙথকতা॥ হেনমোইপাপু॥ কাইনা হুলপা॥ মাকমপী খুনতোং নাওসংচানুপু॥ লুমনাপা॥ মাপাবি আথীঙ কইহৌপা কইয়ৌপী॥ মুমতাবই ঙাঙ্তারই॥ চইথা তেলথাকা॥ নাফুৎ নাবেংকা॥ মীৎলং নাবংকা তমহালপাপু॥ পাবিনাপা নাওহল আহলপাপু। খাপা লাংথংচা কাপ রালওবেমপানা॥ খোম্লেল্ মঙফাওথাপাতী॥ বুরুপ লমমাহল লমলে পোংহইতা ঙানপচাচলরাই॥ খাঙলা য়ৌকম্রাই॥ ফুনান্ তেল্হৈপা॥ মাচীঙসাংপু থেংকোইপা॥ থোঙ্লেল রাংখৈবাক্পা॥ মাফাও সায়াইচেলপা॥ সাকাবম রাংখৈ লীকখুন্ পুঙপু॥ ফৈনাবামনা রাতেমপা॥ মইতেংঙু সেলপী খাকেমপা॥ হুয়েল লালোয়নাপাপু॥ কাপ মুয়োংঙমপা॥ থামুং ফাপা॥ মাবোয় লোয়নবিপা॥ হাওপাচেংপা॥ খম্লও লাইতোল॥ নোংয়ায় সাকু তৈবোংমল॥ নোংমলরাইকি। চীঙখম চাওপোক্কা॥ মুৎলও ঙাংলওকা॥ পুমনা চলনা লমলোকচাবিপা॥ সক্বু সাবুতাপা লোয়নাবিপা নঙপু॥ তাইসীককে॥ মাতাইমানেম থোকখিয় ॥১॥ খোইমোম খমলাংপা য়াংলওখলপা॥ মাকমপী খোইমোম লাইবেম্মা॥ সলথোঙ হুইমুবইমা॥ মাঙাংনিংথৌ চানু॥ লীককোল খাওচাওবোই॥ মোইপুঙ পোংতম লোই॥ পাসোৎ ফীরাক লোই॥ ক্না য়াচুবোইপু॥ লোইয়াপীপু॥ লুম্নাপা॥ মাপাবি নুঙপাকঙমপা॥ হামলৈফাবা॥ তীক ১ মা বিবা॥ ক্যা লালহাপা॥ সালফু ঙমপা॥ লময়ায্ য়ীমচঙ থৌপা কে কে মোইবাং সামপা পৌতোংনুচা ফাপা॥ পবও হিথাপা॥ কমপোংপা য়াকোৎ সিলহৈপা॥ ফাপা॥ পাবিনাপা মামাইপা॥ চাকআনা

লময়াই শিঙকন পোংসুম ঈকনা থৌনাববু লোইনবিবা চীঙখোঙ পোইবৈতোলনা অকল অয়াঙ খলনা তানবিঙে, অহলনা অকন অয়াঙ পোকনা পুথোকহালবা, নঙবু তাইশিককে মতাইমা, মতাই মনেমথেকখিয়ে।

লাইনিংথৌ লিলপাল য়োইনাওহল

লিলপাল য়োইনাওহল, নাওহল অহলবা। হৈবি লীশিঙনেনবা, খোইচীঙ চাইবা, থাঙরাই মুচেং ঙমবা। হৈবি চাঙৌপুবা। কাইনা হুলবা হৈবেম খুনচাল ঙমবা। ঙালখা খোঙথিন চাইবা অদোল তোলরাইবা মাকতু অতেংবা। খুলবী কাবো থাফৈচাবু। শোংকিবা, কাওবেল শলয়াঙথকতা। হেনমোইববু কাইনা হুলবা, মকমবী খুনদোং নাওশং চানুবু। লুমনবা মপাবি অথিঙ কৈহৌবা কৈয়ৌবী, মুমতাবৈ ঙাঙতাবৈ। চৈথা তেলথাগা। নাফুৎ নাবেংগা মিৎলং নাবংগা তমহালববু। পারিনবা নাওহল অহলবাবু। মমাইবা খাবা লাংথংচা, কবো রালৌবেমবনা- খোমলেল মঙ মঙফাওথবদি, বুরুপ লমমা-হল, লমলেন পোংহৈদা ঙানবা চাচলরাই। খাঙলা য়ৌকম রাই। ফুনাল তেলহৈবা মহাক্কী চীঙশাংবু থেংকোইবা। থোঙলেল রাংখৈবাকপা। মাফাও শায়াইচেলবা। শাকা-লম রাংখৈ লীকখুন পুঙবু ফৈনা লামনা রাতেমবা, মৈতেংঙু শেলবী খাগেমবা হুয়েল লাললোইনববু কাবো মুংয়োংঙমবা থামুং-ফাবা মবোই লোইনখিবা হাওপাচেংবা খমলৌ লাইতোল নোংয়াই শাকু তৈবোংমল নোংমলরাইগী চীঙখম চাওপোক্গা, মুৎলৌ ঙাংলৌগা, পুমনা চলনা লমলোকচবিবা, শকউ মাউদবা, লোইনখিবা নঙবু তাইশিককে মতাই মানেম থোকখিয়ে।৩।

লাইনিংথৌ খোইমোম খমলাংবা

খোইমোম খমলাংবা য়াংলৌখলবা, মকমবী খোইমোম লাইরেমমা, সলথোঙ হুইমুলৈমা, মঙাংনিংথৌ চানু লীককোল খাওচাওলোই, মোইপুঙ পোংতম লোই। পাশোং ফীরাক লোই ক্না য়াচু লোই, লোইয়াপীবু লুমনবা। মপাবি নুঙপাকঙমবা, হামলৈফাবা, তীক অমা লিবা। কিয়াং লালহাবা। সালফুঙমবা। লময়াই য়ুমচঙ থৌবা। কেগে মোইবাং শামনা পৌতোংনুচা ফাবা। পবৌ হিথাবা, কমপোংবা য়াকোৎশিলহৈবা ফাবা পাবিনবা মমাইবা

খোইমোম খমলাংপা ঃ- অসুম্না থেংনৈ-হয়ি হয়া হয়ুম লাহান্ নোংলাইগী নিংথৌনেল্ ২৩৯ সুবদা কংলা অতোঙ্পীতা নিংথৌ কক্সুপানা পাক্লে॥ নুংপাল্ তেক্ তেক্ থাংসাবনা অস্তে কাচেং য়োংয়েপা তেংনৌ য়োৎসুংপাপা থৌতু নুঙ্কাইপানা থোঙ্নাঙ্ মবৈপুঙ্ হেয়েল্ মিতমপানতা থেল্ ময়াই চীঙতোমপোক য়োইময়াই সানথুপ্লম্ সাবোন লাংফৈপুঙ্ রাইবা সাল্থুপ্ফম্ নাকানা সনা চীঙ্তোল্ থক্তাতি রাইবা স্যাথিববা সাথিদা হুয়েল লাঙ্গথিববা লানথি ঙমদনা মতোম্ খোঙ্নাঙ্ খুন্ফাওপা পোইবই তুংরোইনপা। শিচা কালিকা খুল্লৈমা থোঙ্নাঙ্ চানুপু খুনফং নাপাজো॥ পোইবই মীবৈপুঙ্ খমনু খুন্থোকফম্ য়াংলৌ খল্পাবম্তা, মকম্পী খোইমোম্ লাইবেম্মা॥ সন্থোং হুইমু লৈমা মঙাং নিংথৌ চনু তুংওইনবম্ পাজো॥ চীঙঙু নঙ্না থোঙ্নাং চানুপু খুল্ফংনপাজো॥ পোইরই মীবৈপুঙ্ খমনুং খুন্থোক্ফম্ য়াংলৌ খল্পাবমতা মকমপী খোইমোম্ লাইবেম্মা॥ সন্থোং হুইমু লৈমা মঙাং নিংথৌ চানু তুংরোইনাবম্পাজো॥ চীঙঙু নঙ্না থোঙ্নাঙ্ মবৈপুঙ্ য়োৎথিপু য়োৎফঙতে॥ নুঙপু থুম তুপপাকুম মতুপএ॥ তেংনৌবু চাকেম সাইপু খাযনা সাইএ॥ তাললোই তুথিপাথি তুফংএ॥৩॥ থোঙনাঙ্ তাল্লোয় লুমতিননাপা॥ অমা সাচকপপা অনি লাংচাকপপা অহুম কংথি মগ্নি কংনাউ ৫ নাউবা ভকক



মঙক্কাওথাপাতী॥ বুবীপোক খোংসা য়াল॥ ফাওবা মাঙ আচলপা॥ নোংতা লাইবেল পাখংপা॥ মাপুমিংনাপাআো॥ লাইসানা মাপেলমিংপু মিংনা পুঙ॥ খময়েং ঙায়েংখোং॥ কমপোং ফেৎমামাঙ॥ য়াংলও নাহা মাঙপু॥ ফৈনা বামনা॥ ব্রাতেমপা॥ মইতেংঙু কোঙয়ামপা॥ হুযেল লাললোইনাপা॥ যিংঙেল চাকুল্লোর্কাক॥ মায়াং মাইপা সমলোইপা॥ থিংকুবাপা ব্রাসকপা॥ আফেবাচা থাঙয়ান কনপা॥ লাক্কাসুমকাতাও॥ আবিং আবাংতাওপু॥ কাইনা হুলপা॥ মায়ামপা নিংথৌ ফাপা॥ মইতেংঙু সেলপী থাকেমপা॥ হুয়েল লাল্লোয়নাপা॥ কাবো ক্যাম ঙমপা॥ চাব্রাইবোং ফাপা॥ মাবোয় লোয়নাবিপাতী কমপোং লোয়বংখু॥ লোয়বংহল॥ সাংখু সাংহল নাও॥ আকোয আসাওপা॥ সক্রু সাব্রুতাপাপু॥ নঙপু তাইসীককে॥ মাতাইমানেম থোকখিয ॥ ॥ নুংপাল হোঙ্নেম লুব্রাং নিংথৌ পুল্সীপা॥ নুংপাল সাকৎ চীঙ্কি যোযঙনপা॥ লুব্রাং লাংহৈ থেলকি যোয়চলপা॥ চাবোল ৫ নের্নাচিলপা॥[১] সুবোল ৬ তালফংপা ॥ পাখং কুমচিং লাল্খোঙ ৫ নেন্চিলপা॥ নুবা কুমচিংলোল্খোঙ ৬ ব্রাযচিলপা॥ ফাতাবই নেনচিলপা॥ যামতাবই চাইচিলপা॥ হুইতক কাপাক্লৈ॥ চাহুই কাঙপাবৈ॥ কৌপা নুঙ্পু চীঙকি॥ তাঙলেমচাপু॥ কাইনা হুলপা॥ নুংপাল মাপাচা লুব্রাং মাযেল্লুনা॥ ব্রাকয়ই ফলফক লওতাবিঙই॥ মাবাং ব্রুকুহন্তাবিঙইতা ব্রাকয়ই ফালপক্ লওপা॥ হীয়াঙ্ নাফলথোংক্কা তমপীপা॥ লইকু য়ুচিলপা॥ লইবাই খমখাঙপা॥ তুবেল লাতাওপা॥ লইবাই হীকুম হীকাচাক্কা॥ তালফংপা॥ মাকমপী হাওকু রইমা॥ লমতাং নিংথৌ চানু॥ লমতংসেবলপনা পোক্পী॥ থীক্লে তলকাংনু॥ ঙালনুবোল্ থোংঙাইপাচানু॥ য়ীবেম তাইতন্লইমা॥ মোমনু চানু॥ খুৎযাইচেলপী॥ নোংখোংকাইপী॥ সেলপাপোক্পী॥ চীঙ্যায় ঙাল্নুথুমপী॥ সেকমুনাওসঙকাই॥ তানলোয়তুনা থোইপা॥ লুমলেল ১৮ লুমনাপা॥ মামাইপা কৌপা মীয়োমপানা॥ মঙফাওপাতী॥ লুব্রাং মাকুপী চীঙ॥ মোংপা য়ীমচাও মাল য়াঙলা হইতুপপোক্॥ সঙতীঙ্ লোল্ফৌচিঙ্বু॥ থেংকোইপা॥ চীঙখোঙ্ চুমপা কেক্রুপাল্॥ কাসাল সলকৎলম॥ মইতিংঙু ব্রুবা কোনথৌপা॥ লুথোইপুঙ্॥ চেংলই লমমাহ

চাকঅনা মঙফাওথবদি উবিপোক খোংশা য়াল ফাওবা মাঙ আচলবা, নোংদা লাইবেল পাখংবা মাপুমিংনাবা-ও লাইস্না মাপেলমিংবু মিংনা-পুঙ। খময়েং ঙাযেং খোং। কমবোং ফেৎমা মাঙ, যাংলৌ নহামাঙবু ফৈমা লাম্না ব্রাতেমবা, মৈতেংঙু কোঙয়ামবা, হুয়েল লাললোইনবা, ইংঙেল চাকুললোর্কাক, ময়াং মাইবা শমলোইবা, থিংকুধাবা ব্রাশকপা, অফেবা-চা থাঙয়ান কনবা, লাককাসুমকা তাও। আবিং অবাংতাওবু। কাইনা হুলবা, ময়ামবা নিংথৌ ফাবা, মৈতেংঙু শেলবী থাগেমবা হুয়েল লাললোইনবা। কবো কিয়াং ঙমবা, চাব্রাইবোংফাবা। মবোই লোইনবিবদি কমবোং লোইবংখু লোইবংহল, শাংখু শাংহলনাও, অকোয় অশাওবা, শকউ-শাউদবা নঙবু তাইশিককে মতাই মনেম থোকখিয়ে।


নুংবাল হোংনেম লুরাং নিংথৌ পুলশিবা

নুংবাল হোংনেম লুব্রাংনিংথৌ পুলশিবা নুংবাল শাকৎচীঙগী য়োইঙমবা, লুব্রাং লাংহৈথেলগী য়োইচলবা চাবোল মঙা নেমচিলবা সুবোল তাবক তালফংবা, পাখং কুমচিং লোলখোঙ ৫ নেনচিলবা নুবা কুমচিংলোলখোঙ তরুক ব্রাইচিলবা ফতা-লৈ নেনচিলবা যামতা-লৈ চাইচিলবা হুইতক কাবাক-লৈ। চাহুই কাঙবা-লৈ। কৌবা নুঙপু চীঙগী তাঙলেমচাবু। কাইনা হুলবা নুংবাল মপা-চা, লুব্রাং ময়েললুনা, ব্রাকয়ৈ ফলফক্ লৌদবিঙৈ। মবাং উকুহনদবিঙৈদা ব্রাকয়ৈ গি ফালপক লৌবা। হিয়াঙ নাপলথোংগা তানবা তমবীবা, লৈকু য়ুমচিলবা, লৈবাই খমখাঙবা। তুবেল লা-তাওবা। লৈবাই হিকুম হিকা চাকা তালফংবা, মকমবী হাওকু লৈমা, লমদাং নিংথৌ চানু, লমতোং শেরলবনা পোকচবী। থিকলে তলকাংনু ঙালনুবোল থোংঙাইবা চানু নিংঙোল ইবেম তাইতন লৈমা মোমনু চানু নিংঙোল খুৎয়াইচেলবী নোংখোং কাইবী, শেলপা পোকপী, চীঙয়াই ঙালনু থুমবী কৌবী, শেকমুনাওশঙকাই, তানলোই নুপী তুনা থোইবা লুমলেল নুপী তবানিপান পান্ননা লুমনাবা। মমাইবা কৌবা মীয়োমবনা মঙদম মঙফাওবদি, লুব্রাং মাকুবী চীঙদা মোংবা যুমচাও মালবগুম য়ুমশাবা, য়াঙলা হৈতুপপোক লমদা, শঙতীঙ লোলফৌ চীঙবু খোংকোইবা, চীঙখোঙ চুমবা কেকুরু কুরুপাল। কাসা সলকৎলম। মৈদিংঙু উবাকোনথৌবা লুথোই-পুঙ। চেংলৈ

১। চাবোল ৫- সুবোল ৬ : ঈচানে। থংপানে। চাবনে। চানোংনে। পাবিনে। মঙামা অসি চাবোলনে। সুবোলদি ঈসুনে। থংপাসুনে। সুবিনে। সুনোং। সুনোং য়াইনে। য়ীনোংযাইনে। ৬ মা অসিতী সুলোলনে। চাবোল সুবোল কৌবাতী ১১ মা অসিনে শঙঅো।

য়ীবাং লালচাইরোল

থৌচোং তবেৎ কাংক্রুক নিপান কংলাউ মাপন মাংব তবা লাইথি তবামাথোই পোইবৌ তবানিথোই হিথা তবাহুমদোই ব্রাংবা তবামবি তোকমু তবামঙা তোক্সোম্ তবাতরুক অবোই তবাতবেৎ অসাও তবানিপান্ কমপোং তবামাপন লোইবাংখু ২০ লোইবাংহন ২১ সাংখু ২২ সাংহননাউ ২৩ তাবি ২৪ অকং ২৫ ময়াংমাইপা ২৬ সমলোইপা ২৭ থিংকুবাকপা ২৮ ব্রাসোকপা ২৯ অফেবাচা ৩০ থাঙয়ান্কনপা ৩১ লোকক্কা ৩২ সুমকা তাওপা চীঙঙু নাইসাং খোইয়ুম নাহংথাউ নদাইবেম কুনথাবানিথোই মানা সমু খুৎতা পাইনা পোইবৈ নতোম খুলথিবকপা অো॥ থোংনাং নাহবোইপু হুযেন লালোইনারকপা তেৎনৌ য়োংথিবকপা লোইবী চীংসাং নাপোম অব্রাংপপু মানা নেৎনা লমহৌবকপাতি॥ তেৎনৌ য়োৎ ফংতাপাঅো॥ চীঙঙু নহিরোইনা কোংখাং চৌচিন্ চুম্, তেৎনৌ য়োংচিন হকপানা



লপু॥ ফৈনা বামনা বাতেমবা॥ মৈতিংঙু তেল্হৈপাপু॥ হুয়েল লাললোয়্নাপা॥ খুল্চাল নিলতু লিলপা॥তামারাকি হৌনাখিয়ে॥ লারায় পোল্পী খোক॥ থাকক য়োইথোংঙায়॥ হলপা কোনখুনাও॥ হলকোল থৌঙায়পাপু॥ কায়না হুলপা॥ মৈতেংঙু সেলপী খাকেমপা॥হু য়েল লাললোইনপা॥ কপো ক্যাং ঙমপা চারাই য়ীংফাপা মাবোয়্ মানাওতী॥ সাবা কৈফাকে॥ কৈ মঙ্নাপা॥ হুয়েল লাল্ফাকে॥ খোমলেল মঙনাপা॥ থিংপা কৈথৌমাই॥ খমপা কোলতে কোলথৌমাই॥ হওকুরেক নানমপা॥ লুরাং মাসেমতোং লাংরোন্পা॥ নুংপাল মায়ীম্নাক॥ লুরাং মাসায়্কোলপু॥ থৌনা চেনচিল য়াঙপা॥ লইথীন নোংথীন্ য়াঙ॥ হাওকু চারাইয়াঙ॥ অকন আয়াঙপা॥ সকবু সাবুতাপাপু লোইনাবিপা নঙপু॥ তাইসীক্কে॥ মাতাই মানেমথোকখিয় ॥ ॥৫॥ খোইমোম চাথাপা॥ লাংমইবেমপা মাকমপী লাইবেম্মা॥ লাইতোল লৈমা॥ সনাবেমপী॥ খুমল্ খাথারোই॥ লীকসং লীকঙাও লোই॥ ফীপোঙ্ চামিরোইপু॥ লোইয়ামপী চানুপু লুমনাবা॥ মামাইপা লাংমইআনা মঙফাওথাপাত্তী॥ লাললোই মাচীক্ সীখোম্মাতোল্॥ মারোয় মাংথংকোমপাচা॥ পাওরলপাত্তী তুচোংবাই॥ মাঙন হংলৈপাত্তী॥ তাহুল বাই॥ লংমাই চানু কাইবইমা॥ খুলথুংতাপী॥ লংনা নুঙ॥ চীঙঙু বইমা তকসোন্ পুঙ্পু ফৈনা রামনা বাতেমপা॥ মইতেংঙু তেলহৈপা॥ হুয়েল লাল্লোয়্নপা॥ তুসাং হিনাম্পা॥ হলপা নাওসেক্ য়াম্পা॥ হইরেম কাতাম্ ঙাতমপা খমলাং মাখিচামপা॥ লাংকোই সাকোন্ লোইপা॥ খুন্চাল লইখম লংফাপীপু॥ লিল্সুবোন্ লাকহিমোমপী॥ চইবই লীকলাং পালপাপু তুংথাংনপী॥ থেবে লোংপা মাচন খুনচাল লইমা খামলাংতাওপীপু॥ কাইনা হুলপা॥ তুসাং ঙাঙ্না পুঙতোয় তালফংপী মৈতেংঙু সেলপী খাকেমপা হুয়েল লাললোইনাপা॥ কাবো ক্যাং ঙমপা থামুং ফাপা॥ মাবোয় লোয়নাবিপাত্তী॥ কাপেপী কাপেপা॥ ঙানৌ থুমনৌচা পোইরই সীঙখাই ৬১ মাপু॥ সীঙনাং চোমচাওসু কাপাক য়েনতঙ হায়্পা॥ আকন আয়াঙপা॥ সকবু সাবুতাবিপাপু॥


লমমাহলবু। ফৈনা লামনা বাতেমবা। মৈদিংঙু তেলহৈববু হুয়েল লাললোইনবা। খুলচাল নিলদু লিলবা। তাম-রাগী হৌনখিয়ে। লৌরাই পোলবী খোক। থাকক যোইথোংঙাই। হলবা কোনখুনাও হলকোল থৌঙাইপাবু কায়না হুলবা মৈতেংঙু শেলবী খাগেমবা হুয়েল লাললোইনবা, কপো কিয়াঙ ঙমবা চারাই য়াঁংফাবা মাবোই মনাওদি, সবা কৈফাকে, কৈমঙনবা হুয়েল লালফাগে, খোমলেল মঙ মঙনবা। থিংবা কৈথৌমাই। খমবা কোলতে কোলথৌমাই। হৌকুবেক নামবা। লুরাং মশেম তোংলাংওনবা, নুংবাল মাগী ময়ুম নাক, লুরাং মশাইকোলবু। থৌনা চেনজিল য়াঙবা, লৈথিনা নোংথীন-য়াঙ হাওকু চারাই-য়াঙ। অকন অয়াঙবা, শকউ শাউভাববু লোইনরিবা নঙবু তাইশিককে, মতাই মানেম থোকখিয়ে।

খোইমোম চাথাবা

খোইমোম চাথাবা - লাংমৈরেমবা মকমবী লাইবেমমা, লাইতোল লৈমা সনাবেমবী খুমল খাথালোই। লীকসং লীকঙাও-লোই। ফিপোঙ চাম্মি-লোইবু লোইয়ামবী চানুবু লুমনবা। অমাইপা লাংমৈআনা মঙফাওথবদি, লাললোই মাচীক শিখোম মতোল, মাবোই মাংথং কোমবচা। পাওরলবদি তুচোং-বাই। মাঙন হংলৈবদি- তাহুল-বাই লংমাই চানু কাইলৈমা, খুলথুংদবী-লংনা নুঙ। চীঙঙু লৈমা তকশোন-পুঙবু ফৈনা লামনা বাতেমবা। মৈতেংঙু তেলহৈবা-হুয়েল লাললোইনবা। তুশাং হিনমবা। হলবা নাওশেক য়ামবা। হৈরেম কাদাম ঙাতামবা খমলাং মখিচামবা, লাংগোই শগোন লোইবা, খুনচাল লৈখম লংফাবী লিলসুরোল লাকহিমোমবী চৈরে লিকলাং পালববু তুংথাংনবী থেরেলোংবা মচল খুনচাল লৈমা খামলাংতাওবীবু কাইনা হুলবা তুশাং ঙাঙনা পুঙতোই তালফংবী মৈতেংঙু শেলবী খাগেমবা হুয়েল লাললোইনবা কাবো কিয়াং ঙমবা থামুং ফাবা। মরোই লোইনবিবদি কাপেপী কাপেবা, ঙানৌ থুমনৌ-চা পোইবৈ শিঙখাই হুমফুমাথোইমকপু শিঙনাং চোমচাওসু কপাক থাঙ য়েনতং হায়বু হায়বা, অকন অয়াঙবা,

---

মালেম লইকন থিনপাপু কতৌনোংকীনো॥ ভেংনৌ যোং পোক্লম্পা লমতাল্লকপাত্তি লোইপী চিরি তুংবোই নাতেননা মাকুপী চীঙপু হল্লান্লম ঙাক্রম্ চীঙ্সা তালফংনপাকী তাইবেল বুথাকোল ফায়েং নোংফাইকম তাওথোংখুলথিরম্ লাংকোন চীঙমইতম বুরিপোক্ খোঙ্সা মাল্ মাংলৌ নাহামাঙপু লমরোক্নারাপাকী॥ বুরিপোক খুলফাইনপা অো তৌনা কৌএ॥ মাকমপা খোইমোম লাইবেমমা সঙ্গোং হুইমু লৈমা মঙাং নিংথৌ চনুপু লমরোক্লয়ে। মসানৌ মোইপুং পোংতমলোই লিককোন খাওচাওলোই পসোং ফিবাকলোই॥ কা মাচু লোইপু লোইয়াপিডা॥ মপারী নুংপাক্ ঙম্পা হামলে ফাপা ভিমালিপাকী মাংলাল্ হাপা সোংপু সবাংঙমপা থোললাল ফাপা নুংমু খেবামপা লময়াই মুমচঙ্ থৌপা কেকে মোইরাং সাম্পা তোংনু সুকফাপা পোইবৈ হিথাপা কমপোংপায়া কোংসিনহৈপাপু ফাহনলৌপাকী ২মাপু কোলচিল্নুং তৌকোল্ তাক্ যোংপোক্পী ফাত্তিপী লাইমাকোল্পু থাঙ্কা কোনিং অো তৌনা কৌএ॥ কমপোং মাচা খায়কুম থাঙ্কা খুল তাখিএ॥০॥ সিচা কালিকা খুল্লৈমানা হৈনা নতুং মিন্কে তৌকুমলাক্কী॥ বুরিপোক্ খোঙ্সা মান্ যৌমায়াং অচন্পা নোংডা লাইরেল্ পাখংপাপু মিংপু মিংনাপুঙ্ মাপেন লাইত্রা মিংপু মিংনাপুঙ্ খম্য়েং ঙাইয়েংখোং খম্পাং কেংমা মাঙ্ মাংন্দী নাহামাঙ্পু তুংবোই নাতেনা হল্লাল্লম্ বুরিপোক খুলতাপা সেল্লোই চীঙসা নাক লংমাই নাপোম তেকপু মিতম্না খাবা সনথোং থোঙ্লেন্ বাংখৈ চোংখু কোংপা ঙাচৈথেল সৌতাল তাওপাপুং কৈরাও বুবাল্লম্ সেললোই



লোইনাবিপা নঙপু তাইসীককে॥ মাতাইমানেম থোকখিয ॥ ॥ হেপী থোঙলেল যাই কইবইমা॥ কাযবংপাসু॥ হুইযাই খলপী॥ লইচোন্ হাওতমপা॥ চানেম যুনেম্পা॥ খোঙক্রাং মেলতং লাক্পানা পোকপী॥ মাপাম লাংতে মইচেনঙই॥ খোইমোম লাইঅোইফাপী॥ মায়েঙনা নানমরাই॥ মাতোলনা লইপাযরাই॥ হইনাংনা পাওসোল রাই॥ মাপীনা আসৈ রাই॥ সুকমুনা লামথা রাই॥ থাবাম নোংসা রাই॥ মুপা পাৎ তাইথিংকোল॥ নীঙনাপাৎ নাওসেক্ কোল্॥ যেলপা পাৎ সাংতোলকোল॥ হুইয়াই চীঙবা বমপু॥ ফৈনা বামনা রাতেমপী॥ মইতেংঙু নাওথিঙখোংতা॥ ফাওযাযকা চেল্চিলপী॥ মইতেংঙু ॥ পো॥ পোইবও হিথাপা॥ তা॥ তাঙকোৎ চৈনা রোৎনা খোমহালপী॥ কৌপা কৌতাইবোই॥ হুইতাও মোলখা বোই॥ কোক্পু খোমপুবোই॥ সারুন হকাপ লোইপু॥ লোইয়াপী॥ মাবোয্ মানাওভী॥ আমুপী লইয়ীযাংপী॥ লইরীক্পী॥ সমলোইপী॥ থারাল লইফান্ লাইয়াংপী॥ সক্রু সারাতাপী॥ আকোয্ আসাওপী॥ লোযনাবিপী নঙপু তাইসীককে॥ মাতাই মানেম থেকখিয ॥ ॥ খোইযম লাযথৌ মুরানিংথৌ আতোলপা॥ মাকমপী খোযমোম লাইবেম্মা॥ চীলফুবো লাইতোংখু॥ মঙচুপীপু॥ লুমনাপা মাপাবি লইয়ান্খুনৌসীপা॥ খমনুং চাথংলাম্পা॥ চাফু চেপনাহইপাপু॥ রুবময়॥ নৈমুযেলথী মালপাপু॥ তুংহলনা ২ হললকয॥ লইনাসিবে॥ লইসীকা রুবাংকা॥ থোল্নাপাপু॥ পাবিনাপা॥ মামাইপা নোয়্যম যোয়থোংঙাইনা॥ মঙফাওথাপাভী॥ লমপাল গোইকমপাল॥ লইমোল চাকোইপাল॥ খোইচু লইমোলপাল॥ পীতিংকোই লামপীচা॥ রুবিংকোল॥ নিংথৌ সপাইপা॥ রুয়োক্ কোলপু॥ থেংকোইপা॥ খায়োংযালফম॥ নাইফা থানফম মাঙ্॥ লইচোন্ মাথান্ফম্॥ চকপা পুমসাইখোং॥ থোঙকাপাক লালচলরাই॥ রাঙনু বইমা মচিন্রোন খোং চেংলই॥ লমমাবকপু॥ ফৈনা বামনা রাতেমপা॥ মইতেংঙু খাকেম্পা হুয়েল লাললোযনাপা কবো ক্যাঙ ঙমপা খমচেপ লইমা॥ খমথাইফাপী খামাবল নিংথৌ চানু॥ হোথম লালমিংনাই॥ চীলফুবোন্ হাওবোক্সু॥ চালকেল মাবইমাপী॥ মুতু চানু সনা লাংমই

শকউ শাউর্দবিববু লোইনবিবা নঙবু তাইশিককে মতাই মনেম থোকখিযে।


হেপী থোঙলেল লাই

হেপী থোঙলেল-যাই, কৈনেমা, কাইবংনসু হুইযাই খলবী। লৈচোন হাওতমবা। চানেম যুনেমবা। খোঙক্রাং মেলতং লাকপনা পোকপী। মপাম লাংতে মৈচেনঙে। খোইমোম লাইওইফবী। মযেঙনা নানম-রাই, মতোলনা লৈপায রাই। হৈনাংনা পাওশোল-রাই। মাপীনা অশৈ-রাই, সুকমুনা লামথা রাই। থবাম নোংসা রাই, মুবা পাৎতাই থিংকোল নিঙনা-পাৎ, নাওশেক কোল। যেলবা পাৎসাংতোলকোল। হুইয়াই চীঙকা-লমবু ফৈনা লামনা রাতেমবী, মৈতেংঙু নাওথিঙখোংদা ফৌয়াইগা চেলচিলবী। মৈতেংঙু পোইবৌ হিথাবদা তাঙকোৎ চৈনা রোৎনা খোমহালবী কৌবা কৌতাই লোই। হুইতাও মোলকা লোই কোকপু খোমপু-লোই, শারুল হকাপ লোইনা লোইযাবী। মবোই মনাওদি অমুবী লৈয়ীযাংপী। লৈরিকপী- শমলোইবী। থারাল লৈফান লাইয়াংপী। শকউ শাউতাবী, অকোই অশাওবী। লোইনবিপী নঙবু তাইশিককে মতাই মনেম থৰ্কখিযে।

লাইনিংথৌ মুবা নিংথৌ

খোইযুম লাইযিংথৌ মুবা নিংথৌ অতোলবা। মাকমবী খোইমোম লাইবেমমা, চীলফুবোল লাইতোংখু মঙচুমবীবু লুমনবা মপানি লৈযানখুনৌসিবা খমনুং চাথংলামবা চাফুচেপনাহৈববু উনমযে। নৈমুযেলথী মালবাবু তুংহলননা হললকয়ে। লৈনশিবে। লৈশিকা উবাংগা থোলনববু পাবিনবা মমাইনা লোইয়ম য়োইথোংঙাইনা মঙফাওথবাদ লমবাল খোইকং পাল। লৈমোল চাকোই পাল খোইচু লৈমোল-পাল, পীতিংকোই লামবীচা রুবিং-কোল, নিংথৌ শপাইবা রুয়োক-কোলবু থেংকোইবা। খা য়োংয়াল-ফম। নাইফা থানফম-মাঙ। লৈচোন মথান-ফম। চকপা পুমশাই-খোং। থোঙকপাক্ লালচল-রাই। রাইনু লৈমা মচানওন খোং চেংলৈ লমমাবকপু ফৈনা লামনা রাতেমবা, মৈতেংঙু শেলবী খাগেমবা। হুয়েল লাললোইনবা, কবো কিয়াং ঙমবা। খমচেব লৈমা খমথাই ফাবী খামদল নিংথৌ চান। হোথম লালমিংনাই চীলফুবোল হাওবোকসু, চাককেল লৈমা মবৈমবা। মুতু চানু নিংথৌ সনা

লোইবেল = শঙ অমগী মমিং, (গুকনা ননাওতী থুংঙমলে লৈপাক মপু মানে লোইনা হায়নাবে অদুগী লোইবেল কৌয়ে)।
মাপীভুভানা = ময়াম্বা অনিমকনা।
লইকমলেল = পাখংবা লৈবাক পুহনঙৈগী মমিংনি।
নোংলুমলেল = পাখংবনা নোংথৌ পুবিঙৈগী মমিংনি।
মিযুংপায় = পাখংবানা নুমিৎ সুরিঙৈগী মমিংনি।
থাবুংপায় = পাখংবানা থা সুবিঙৈগী মমিংনি।
সুক মাক = পাখংবনা সুকমাই সুঙৈগী মমিংনি।
কোঙকোইরেল = পাখংবনা থৌবী কোঙকোই সুঙৈগী মমিংনি।
ভাঙকুপফেং = পাখংবনা চুঙ সুঙৈগী মমিংনি।

লামায় ৭৭

মিচুম মীবাক থাঙ কুপফেৎ হাইফীবাক থাঙ = পাখংবনা থাঙ সুঙৈগী মমিংনি।

তাবঙ = অহাঙবা।

মীতোংলেন মীমানীক তাবংপা = পাখংবাদা গুরুনা তরঙ পীবে, তবঙ ফংঙৈগী মমিংনি।

তুমমিল হিং মীহিংচি = গুরুনা পাখংবাবু চীঙকি নমলোলতা ঙাকপীঙৈগী মমিংনি।

তাওথাবকলে = ঈশিংনা চেলদুনা পুথরকলে।

লেমথোঙ = মফৈ।

তানথোঙ = ময়ুং।

কংলৈ ইথাবম = পাখংবগী থিদেলান।

পাখঙ য়োয়বেলপা = গুরুনা সজ য়োংমালবী ওইনা কুকম চীঙদগী তাওথবকলে, অতোলবা পাখংবনা ইপানে খঙতুনা পুখংলে অদুগী পাখঙ য়োইবেলপা কৌয়ে।

মাক = শাক।

লোইবেল খুলপীবোক = গুরুগী পোৎলোইবগী মরূ হুনথেয়ে অদুগী লোইবেল খুলবীরোক কৌয়ে।

পানা = চোথোকনা।

য়াওবওতাকি = ইশা ওইবদগী।

কেকক = কেকক কৌবা মহৈ পালবা উপাল অমা।

কাকফৈনা = ঈশিংদা হৈনবা ট পাম্বা তিল অমা।

সুকনা = খঙদবনা।

য়াংকোক = চেং খৈদোকনবা পয়ানা লোনদুনা শাবা অমা, মতিক মগুণ লৈতবা চনদবা।

নোংমৈ = মথং লাক্কদবা চষ্টী।

লামায় ৭৯

য়াংতাপা = মমাঙদ চংশিনবা তক্লা।

খোংসাংপী = লম সাংনা চৎকনবী।

হাইবওনা = খোমশিন লৌশিননা।

বায়বংখু = পোকপদা ঙাইবিবা, উবদা ঙাইবিবা।

নোয় নোই = জগোই শাবা।

মাবোই = মনাকতা লৈবা লোইনবশিং।

চোমআ = হেনদোকও, তেনদোকপা।

কুম = চষ্টী।

নুঙকা = থম্মোইনুংগী বা।

মীংতাবেঙ তাবেঙপা = লাইয়িংথৌশিংনা তিংথৌ চিনলিঙৈগী মমিংনি।

থ্রাংসানা লইয়োনলাং তানৌ

নোংতাবেঙপী = লাইবেম্মশিংনা লৈ লৈয়োনচিনলিঙৈগী মমিংনি।

তাবং সানা = লাইয়িংথৌনা ঈশিং লৈ চিললিঙৈগী মমিংনি।

সনা যোমনুপী = লাইবেম্মানা অমুবৈ চিনলিঙৈগী মমিংনি।

লাইতোংলেজ তবংঙাঙ = লাইয়িংথৌনা থিংকু তোংলিঙৈগী মমিংনি।

তুমমিল হিং মীহিংসং = লাইয়িংথৌনা পাখংলৈ চিনলিঙৈগী মমিংনি।

পিবিংনু = লাইবেমমনা উবিকশিবী চিনলিঙৈগী মমিংনি।

লামায় ৮১

হুই সনা মিমাহেন = লাইয়িংথৌনা লীশিংচায়বা লৈচিনলিঙৈগী মমিংনি।

খুযী মযি সবি = লাইবেমমানা অঙৌ লৈচিললিঙৈগী মমিংনি।

য়েনখী = য়েলবু থিজিনবা।

য়েপসে = হাপচনসি।

ঊীকখিয় = লৈবা চৎখিয়ে।

চাফাবোই = চাবা য়াদে।

খামম = খিংঙে চৎহনদেয়ে।

ককলা চিংতাবেঙপা = লাইয়িংথৌনা কাকলৈ চিললিঙৈগী মমিংনি।

আহুমনু = লাইবেমমা লুমথোনবী লৈচিনলিঙৈগী মমিংনি।

সারামানিক = লাইপাখংনা চুমলাং লৈচিনলিঙৈগী মমিংনি।

সংতাবেং তাবেংপী = লাইকবানা কোলদোললৈ চিললিঙৈগী মমিংনি।

মীমাহেন তাবংপা — লাইপাখংনা কোবী লৈ (নুংনা কোবি) চিনলিঙৈগী মামিংনে।

লামায় ৮৩

নুংনাং কবি = নুংনাং (নোংনাং) কোবি কৌবা উ পাম্বী মখল অমা।

পাওনীঙসিংঅো = পাও পুম্বা নিংশিবা-ও।

লওখিবো = পুখবো, ওইজখবো।

লুবে হেনলে = ফজবে নিংথিজবে।

নিকয় = পীবানবা হায়জকয়ে।

পীঅো = লৌজগে, ওইজগে।

ফুকখিবে = পুখিবা।

হুমাই শাতাবি = পাকর্তাব, ফনদাখি;

সেজকুপলেঙ = লাইয়িংথৌ লীক্লা লৌচিললিঙৈগী মমিংনি

তোলথাংনু কুপতাকেঙ তাবেঙ তাবেংপী — লাইবেম্মনা তুমিৎ লৌচিললিঙৈগী মমিংনি।

তালখিয় = ফংনা তোংনখিযে।

কওনা = ঈশিং হৈনবা পাম্বা অমা (কৌনা হায়নসু খঙনৈ)।

সেলত্রেং = লাইয়িংথৌনা লিক্লা লৌচিনলিঙৈগী মামং।

নুঙকোয়নু সং মানিক - লাইবেমমনা নোংলেসং চিললিঙৈগী মমিংনি।

মিমি তাবৈ নু। মি মি তাবৈচং, খিং খিং তাবৈচি চিং তে তে চিং তে তে নপনু - লাইয়িংথৌনা মীচিংলৈ শেমতুনা লাইবেম্মাতা পীঙৈগী মমিংনি। মি মি তারৈ চিং, খুই তে তেপা চিং তে তে নপনু লাইবৈমমানা লাইয়িংথৌদা লাংথাবে শেমদুনা পীঙৈগী মমিংনি।

লৈচীপুল তাবংচীবৈপা — লাইয়িংথৌনা ইংঙেললৈ চিললিঙৈগী মমিংনি।

সংখুপহিং থুপহিংনু হিংতাবেঙনু = লাইবেমমা খুয়েল লৈ চিললিঙৈগী মমিংনি।

পাওথংনয় = অরাই অখুম তৌনৈয়ে, হায়নৈয়ে।

লামায় ৮৭

নোংচেং কোযপা = নুমৎ তাবাফাওবা চৎপা।

হেকলওতে = থংগৌতে।

লাংলওতে — চিনখৌরে।
ইম্মা — ইমা।
ইপা — ইপা।
কৌপা — কৌব্রু।
হিংতেলজী = ঈশাং ঈকুমকর্মাদি।
খৌবুতেওত্তা — খুদাফম ওইবা যাবা নুংপাক।
ইমথই — শৈদাংবা য়ুম।
লাইকব্যা — লাইবেমবি।
হাদোকলকলাপাকা — পুখোকলকলনবা।
তাহ — কৌবা, লাওবা, খওহনবা।
যানাকেতা = ত্রিলনগেদা।

লামায ৮৯

সকনবে = ঈশৈ ওইনা শকনাবা।
মানলেম হৌখোক — লৈবাক শেমলকউর্গী।
মইহৌত্রইকি = লৈশেমলকউর্গী।
কোবও হৌওইকি — লাংদোল মবোল শাবকউর্গী।
মাইরাকি = মপাল শনদোকউর্গী।
নেংথংরাকি = নেংশিন মবমগী।
লৌথীপানা — নিংথাই চাওবানা, মবৈ ফংতবনা।
যাইশীহওবে — শাওবে।
মানুং হওবে = মখোয়দৌ শাওবে।
আযাব্রপু = অপুবাং।
থুবে — ফাবে।
লাংতা থুবে — লাংদা ফাবে।
রাকললে — যাদবে।
সবা — তু।
লইচিন — ঈশা পবা মনিন।

কাবারুকলে — চংবনা ঈশংনা ফমজিনা মপা বনা ওইবা মপুং।
লাইচল গাথে — কাংথোক থুবে।
থুকপা চওবে — চেনলে।
মানপল চওবে — কনানা চেনলে।

লামায ৯১

খেনচ = মতম চনলে।
খনচবা মই, হনচবে = মতম মানা ওইবা লৈবানা চৎকদুনা মতম মাংদা চাসুনা হৌরে।
থংক লাংক থংকবে — থাংবা খামবা মমাংদা পাইদ্রা মতম কৌবা মতাকতি কনানা থীরম লোই।
যাপ্পকেক — ইকশ্বাংগী লোয়নাইবশিং।
চানরেলোয় — হৈজিক হিংদুনা লৈরিবশিং।
নাকা যাকা — নাংগী এগী।
খোঙগী, লাই — চু ফ, লৈনইবা লাইনিংশা।
নাওবা অই চুনচাকে = অং ওইবা এনা নীনাহৌবা।
মাটি কেরু খংকতাবা — মাচ হৌনাব।
লমলেক চৎক থংমাংপা — লংফৈ লমচু চৎকনা চাকতা পোংথাদবা, লম চৎপা মটৌ ওইবানা।
অংখোইনাই — অহেনবাদি।
মীনৌ — চংবা, ইনখং নবা, চনাওনুপা (লশি)

লামায ৯৩

কুম — মতম, চহি।
চক — চঠা তা কন।
লমপু — লমই তাংখী, মপু।

তুপু = ঈশিং লমদা পানবা নিংথৌ, খুন নিংথৌ ঈশিংলমগী মপু।
সাইতা = শুবোল।
চাতুম পালপা — পুক পলনা চাবা য়াবা উচৈ পালফম।
লওফমতী = চানবা মচৈ মবোং থাফর্মাদি।
সাদৌপুঙ — চাক শৌগৎপা মফম মচৈ মবোং খোকথম।
সাসৌপুঙ = শা ফংফম।
পালপা নিংথৌ — নিংথৌ ওইবদি।

লামায ৯৫

লোইনবকপা — শকনবকপা।
খৈশকসুঙ — পুম্নমকসু।
ইসঞামপা — লৈবা ঙম্বা ওইবা।
নুবোল = নুপা ওইবাগী মথং মনাও।
লুমকোলপী = হাপোকপীগী লৈফম্মি।
লাইমপুঙ = য়াইপোকপীগী লৈফর্মান।
ইযাংখাং = হাইবেমানা লৈফর্মান।
সনাখোঙ মাচানতা — য়াইবেমা লৈ।
ইকুপী = আহং খোংপালদা লৈ।
বাংখৈ লমখোঙ = য়াইকুপী লৈ।
লুমকোলপী = যাইসনাগী লৈফর্মান।
লোকতাকতা = মঙরাইবী, তুংরাইবী লৈ।
চইবেলতা = লৌবঙমপীনা লৈ।
লুমকোলবীদা = চাংনুগা, লৈম্নাগা লৈ।
থোইনু, আবোলনু, থেবেকোংপা — লাইবেমমচিন রায়খৌদা লৈ।
মহল — সুমশঙদা লৈ।
মইবইনানা — চৈবাপ মখাদা লৈ।
ওলখাংনু — থাঙকমপাৎতা লৈ।

চীঙলাওবা = ১ খাবোয় বুপেং, ২ তীংশীং নাওশং খুশীং খুপাই, শাপেং-শাপাই, শামু লৈবাং, নুংক পাইবং, য়োংমু-য়োংশেল, শাফু-লাংথৈ, শাওম।
তমদা লাওবা = য়েলথাকক, ভানু কাংজা, হুয়-ওক শাকোল সল, শামু ইবোই, তোকপা হৌতোঙ।
ককতা লাওবা = রাহী, মুনু, হাওবৌ কক খাইচেং, শাপী, উচী, লিল, হঙোই, থিংকু, রায়খু।
নোংতা লাওবা = ককলেল মবাং খবং কাক মকু চবোই য়ামবী খুনু, লম্ভাং রাইনু।

লামায ৯৭

য়েলপা = শনদোকপা।
চানুনা = নিংঙোলনা।
পোকপা = চাদাবা, থেংনবা।
সেলজেঙ = নিংথৌজাগী অহৌবা।
থাকপা = খাবা
লাইয়েক লাইখোৎ চানু = পাখংবা পোকই, পাখংবনা পোকপা চাদবু নিংথৌজা হায়না খঙনৈ।
পুবৈরোমপা = পুবৈরোমবনা পোকপা চাদাবু অঙোম হায়না খঙনৈ।
খুম খুম = খুম খুমগী চাদাবু চেংলৈ হায়না খঙনৈ।
য়ুচেংলা = য়ুচেংগী চাদনা পুরাং শমথবকই।
চাওবা মপানথিপনা য়েলপা থোইনুনা পোকপা = পুরাংনি।
লিবিলৈমা — চেংলৈ সল্লাই শমথবম্মী।

লৈনুং হীপোকপী = অতিংকোকনা লৈনুং হীপোকপী পান্নে।
তুংরাইপী = থোইনুনে লুরাং সল্লাই চাদা শমথবম্মী।
যাইকুপী = অতিংকোকনা যাইকুপী পানে।

লামায ৯৯

থেবেলোংপম চনুনা — থেবেলোংপম চনুনা খাকপা পানদুনা ঙানবা শল্লাই শমথবম্মী।
চিলফুবোল = চেংলৈ নিংঙোল।
নোংযায় = খুমল।
সলথোঙ পুনেমবা চানু = মোইবাং চানু।
খাপাবোল = খাবাগী চাদা নাওদা।
কৈপাবেল = কৌব্রুগী চনু নিংঙোল।
অপোকলোল = শল্লাই শমথবা।
চৈংনু লৈমা = খুনচালগী চাদা শমথৈ।
লৈনুং = থরাবেলনা পালবা মফমান।
হইবোঙলেল চনুনা = হৈবেম চনু নিংঙোল।
লইথমলেল চানু = নোংতম হনবা পোকয়ে।
লইটাক লেল চানু = খুয়োনগী চাদা শমথাখি।

লামায় ১০১

নোংথৌ মাথকতা লৈবী = ঈবিংক ঈকোং শেংহৈ তমহৈবীগা লৈমা কাংখলগা অনিমনাদি নোংথৌ মথকতা লৈয়ে।
রোংথী = ঈশিং।
সানুপী = মৈ।
তাবংপালা = মোইবাং লাই অমসুং সলথোঙ লাইয়িংথৌ ওই।
মোইবাংলাই = মোইবাং লাইগা সলথোং লাইয়িংথৌগা মানৈ অমতান।
অহুইপানা = অহুইপনা লোয়নবাদ নোংশিৎনি।
তাওপা = হুই।
হুইবোলতী = হুয়গী মখলাদ।
হুই মখল = অকাইবা, কোইমায়ুং, ক্লাতোলবা, হুইমিৎতাঙ,হুইবাংকোই, লাংচেং খাঙনৌবা।
পাখংপকি হুযতী = কংলৈযেল লৈচীকপা তায়না কৌয়ে, লৈবাক মখোয খঙবা হুইনে।
পোইবোইতোলগী হুইতী = ঙানতুকবা হ কৌয়ে, চাক থাকনা পাঙ্গবা হুইনে।

লামায ১০৩

লাইযিংথৌ তাইপঙপালপা মাপু = নুঙকাও মাহাবাপা, তাওবীবোইনাইগা অনিমা পোকয়ে।
তাওপীবোইনাইনা = য়োয়হৈচেং, অতোংবা, অবেংবা, আকুপ অশংবা, অবাংবো পীকাইবা, অঙাইব, অগুইব, মোইবাং লাই (থাংজীঙ) পোকয়ে।
মোইবাংলাই = সলথোং লাইযিংথৌ পোকয়ে।
সলথোং লাইযিংথৌ = হুইমুলৈমা পোকপা লাইনি।
নিংথৌ তাবি = হুইমুলৈমানা তাবি পানদুনা নুঙভৌ ইমথংবা পোকয়ে।
নিংথৌ তাবি = তাবিনা নুঙভৌ ইমথংবা পোকলবা মতুংদা লৈমা কাঙখলগা পানদুনা নোংথৌদা কাখিদুনা পুবৈবোমবা পোকয়ে (নোংথৌ হায়বদি নোংমাইজিংবু অমসুং কৌব্রুবু অরাংবা মফমবু খঙনৈ)।
ফাইপী তেবা কৌঙইতী = কোকখোম, য়ুহা, লোকলেম লাললেম, লোকতু খোমতু খোমমা, য়োংঙা, কক্সা মালসা হেবু কংচীকপা ঙাংচেং লৈতকপনচিংবা পোকলম্মা লাইনি।

লামায ১০৫

লৈখাবেলনা = লৈবাক হোঙঙে।
লৈকক্লেলনা = লৈবাক চিকয়ে।
থৌবী লৈমা লৈচৌ — লৈবাক চাওয়ে।
পীশিলনু লৈফালবী = নোংপোকপাংনা চৎখিদুনা লৈবাক শনদোকখি।
ঙাংঙোই লৈযামবী = নোংচুপ মাইকৈ পাংনা চৎখিদুনা লৈবাক লৈবামখিয়ে।
লৈতীলপীনা = লৈবাক তিলশিললে।
লৈচীকপীনা = লৈবাক চীকয়ে ফায়ে।
লৈথমবী = লৈবাক থমজেয়ে।
লৈখোমতাওনা = লৈবাক তাওথোক পাকথোকহলয়ে।
মালখোমতওনা = ককনু মালনু কক্সা মালসায়ে।
মালশাবিকনা = য়ুমহৈ কৈথৌ তময়ে।
সিলচাবোয়নাইনা = শিল থবক তময়ে।
লাংতেমনু = লৈতেময়ে।
সুমসীনলোংনা = উয়েল য়্রায়েল শৌয়ে।
চোৎনু চাংনুনা = ফুশা রালসা তৌয়ে হৌদোকয়ে শায়ে।
কমপোং ফুবই রাললইমা — ফুথোং রালথোং (চফুদা থোংবা থাকাপ) তৌযে। শাংঈক মৈয়াঙসু তৌয়ে।
হাইনু লৈমা = লৌ উপা তময়ে।
লাযযিংথৌ তানৌ তাবেংপা চাবল পানা = য়াপোকয়ে।
যীনা = হকচাংগী শাদোংদ ঈনে। তুবু লমপু, ৭ লাইকাম, লাইমৈথোমপা, হুয়বিযা লাইহংচা, লাইমৈথালবা, শাপাইয়া খোংপাল লাইতীনখাক ৮ অসিনা ঈ পোকয়ে।

লামায ১০৭

চীঙলাই = চীঙদা লৈবা লাই খিং খিং খামসা।
মিযাও = হৌতোঙ।
তোকপা = মোক।
থাবানোংতাবেং = নোংশা।
আসীবা = কৈ।
লীকমাক = লিলতু।
লাইবেম্মা লিবি লৈমানা = খুম খুম পোকয়ে।
খুম খুম লৈমানা - খুম খুম নিংথৌ পাঙ্গাইবী খোংদ্রাইবী, নুমীৎ লুতুমহৈবী, থাবা লালতমহৈবী, মীংমাক মাইমাক, সাচীপী লুমথোমপা, মাবীকপী সমখোমবী ওয়থাঙ, য়েৎথাঙ, বুঙকহামশা, লিবি লৈফোং, লাফাং রাতাবৈসিলহৈপা, পুতাইব শিলহৈবা, মখোয়শিংসি পোকয়ে।
নুঙমু লৈমা য়া নুঙফালতোংবীনা = নিংথৌ কাংবা কাঙখল,

মনাওমবিয়াফমপালচা, মচল শমতাংলে, নোংমেইন্ পোকয়ে।
চীঙয়ু লৈমা খাকপা নিংথৌ চানুনা = থাবোং লোইরেল, লৈমা তাবি অহৃমক পোকয়ে।
তাবিনা – পুবাং পুবৈবোমবা পোকয়ে।
কোনসৌখেলনা লাইযেক লাইখোং চনু
মৈনাইপীনা = কুপতেংকা শেল্লতেবঙক পোকয়ে।
কুপত্রেঙনা = অঙোম পোকএ।
সেলতবেঙনা = নিংথেম পোকয়ে।
মাইবেঙহৌপা চানু নোংতা নোংখললেল লৈনুং য়াপীবোক য়াপী য়াইখু চানু চাখা নুবোল পীবোল যামপী লৈমা অহৃমলক সালআেনবী থীমচাও লৈমানা = অকুপ আবংবা পাখংপা, পোকএ, তাওবোইনাইনা তুপু ওইনা নুমিৎতা কাখিবে (নুমিৎতা কাখিবা হায়বদি মঙাংদা লৈখিবা হায়বনি।)
আতীংঙ – অহাংবা, আতীংঙাগী ফম্বীদি অম্বনে, অমম্বগী ৱাইথুংফমদি আতীংঙানে।

লামায় ১০৯

তুপু = তুপুগী মমিংতাঁ লিকলেং কৌয়ে।
পাখংবনা নুমিৎতা নোংলুম ওইনা লৈঙেগী মমিংদি = বোংসল তবং নোং সল ঙাঙ তবং নোং সল কৌয়ে।
অতিংঙাগী নুপী – লৈমা অহৃমলক ওইবী পানতুনা ৱায়চীকসীদা লৈবময়ে।
লৈমা অহৃমলক ওইবী – তানৌ নুঙতাবেঙপী কৌয়ে।
লইমা থমপ = পাখংবনা নোংথিলতা লিলকী মশক ওইনা লৈবিঙে।া মমিংনি।
মহিং সংহিংসং ঙাঙ = পাখংবনা অহিংদা মীগী মশক ওইনা লৈঙেগী মমিংনি।
তুপু = তুপুনা লমপু শাই শাঙেগী মমিংদি পুথীপা কৌয়ে, লীশিং চাইবা ওইনসু শাইয়ে।
লইনুং খিংখিং থীথীপা কাঙগী মাক = পাখংবগী মমিংনি।
থোঙঙাক লৈমা = নীঙয়েনু শিবাকোংতিনু ফামলনু কৌয়ে পাখংবগী মচননি।
ঙাংঙোইনু = মৈতারেঙ ঙাঙতাবেঙ কৌবদি পালথোইবীনে পাখংবগা পোকমীনবানে অঙোমগী মৌ য়ুমচাও লৈমা ওইখি।

লামায ১১১

পলথৌ – মপা।
মাপাপোকতী = মহাক্কী মপাবুপোকপতী
লাইহুইপাতী = চাদা নাওদানা পোকলমবাদি।
হুইয় = পোকয়ে।
চাতানা = মচা পোকনা।
পললেম = মমা।
মামা পোকপু = মমাবু পোকপদি।
সনা লীকলাইয়েলপাতী = শীবুকনুংদগী পোকচদুনা ফংজবাদি।
লাইহুইয় = মচানিপা পোকচবা ফংলবদি অঙাং নিপাদা লাইহুইয়ে হায়না খঙনৈ।
য়েলপা = মপা মমানা মচানিঙোল ফংজববদি নুপীদা ওইযগনা য়েনলে হায়না খঙনৈ।
অপালপাকি কংলা লাইফঙথৌ = কাখিনে, কাবানে, নোংতমপানে, অবাক অতম্বপা, য়ুকোংলেল মঙা অসিনে।
লইপাক সেমপা লাইফঙথৌ = লৈশেমবদা যাওবা মক ওইবা লাই মকোক ১৪ নি।

লামায় ১১৩

কাংপা কাঙখলকি লাইফঙথৌতী = কাংবা কাঙখল লাইবুংথৌদি ২০ নি লা: ১১৩ দা মমিং য়েংবীয়ু।
চাতানা লাইহুইপাতী = মচাশিং পোকতুনা শম্মথবমবাদি।
লৈনুং য়াপীবোক = য়োৎলৈমা সায়ানু সললাইহনবীগী মচানুপী।
লাইশ্রা = ঙালনু পিয়াইনুগী মচানুপীনি
য়োৎলইমা সায়ানু সললাইহলপী = পাখংবাগী মপাবু পোকপীনি।
হইবোঙলেলপা চানু = হৈরোম চানু নিংঙোলনি।
নোংমোইনু = চীঙঙুলৈমা লোকখায় নিংথৌগী মচানুপীনি।
হাওনুখু = হাওনুলৈমা তলখাংনুগী মচানি।

লামায় ১১৫

৪ মাতী ১ হানে = মাবিমকতি অমৎতনে।
হলচিল ২ নাপানে = হলজিল হলজিল হায়বা খঙনবনি।
তুতৌপাতী = ঈশিং খোংলম তৌবদি।
তুতও য়ানে = তুরেল ঈশিং মরম তৌবগী মরম খঙনবা তাকপনি।
নোংথৌ মাইবা = নোংদোল মরোল ঈবাৎনবা মাইবা (নোংদোল মরোল তাইমবা মাইবাদি মখল তবেৎনি)।
মাইপীবোলতী = মাইবী মখলদি।
লৈপাককি আসেপারোলতী = লৈবাক্কী ঈশেশকপা মখলশিংদি।
নোংথৌ-অসেপাতী = নোংদোলবু তাইদুনা লাওনা ঈশেশকপা ঙম্না ঈশে শকন পেনাখোংবা ঈশে শকপা।
লইপাক অসেপা = মালদেল লৈবাকপু লৈতাইদনা ঈশে শকপা ঙম্না ঈশেশকপা ঙম্না (পেনা শকপা)

লামায় ১১৭

নহাপা আপীসা = চাওবা মপুং ফাদ্রবা
থাকক অশৈবা = ঈশে শকনা পেনা খোংবা।
লাইয়িংথৌ অসুপপা = অনি শুদবা লাইগী নিংথৌ অথোইবা ওইবা।
লাইবেমমা আসুপপী = অনি শুদবী লাইগী লাইরেম্বী অথোইবী ওইবী।
নাপীঙাঙাপু = নখোয় অনিমকপু।
কাকুপনঙেগী = মথক মখা ওইঙেগী।
ফা = লৈবাক্কী মমিং।
কুণ্ড = নোংথক্কী মমিং।
তিংথক = লৈবাক নোংথৌ অনিমকি মরকতা সনা কাকোক কুমবগী মনুংদা লইয়িংথৌ লাইবেমমানা লৈবাগী মমিংনি।

মবায়ীতা কুপ = লাইয়িং থৌনা মৈবি মতোলকুমনা ফমঙৌগী মমিংনি।

পীরীং = লাইরেম্মনা মৈবি মতোলকুমনা ফমঙৌগী মমিংনি।

পেংসারি = লাইনিংথৌনা লৈপাক হামৈবম পাকপাদা ফমঙৌগী মমিংনি।

চীবিকখোমদী = লাইবেমমনা লৈপাক হামৈমরম পাকপদা ফমঙৌগী মমিংনি।

সানাতীনপুকতে = লাইনিংথৌগী মমিংনি মচা ৪ পোকএ ১ তীনখুবেং, ২ তিনকাওবেল, ৩ হিংতিল, ৪. সনা তীনঙাঙ লীক কৌয়ে, অহলনা থোঙঙাবেল ওইখি মথং নোংথৌ সোবাবেঙ্গ ওইখি, মথং লাইগী নিংথৌ ওইখি। অতোলবদি লাইনিংথৌ ওইহাললে।

অবেং অকুপপ = লাইগী নিংথৌ অথোইবগী মমিং।

থাপুরেঙ = লাইনিংথৌ অথোইবনা থাদা ফমলিঙৌগী মমিংনি ঙাঙচীরীকসু কৌয়ে।

সংকোননু = লাইগীনিংথৌ অথোইবা লাইনিংথৌনা নুমিৎতা ফমলিঙৌগী মমিংনি।

মীতোংঙাঙ = লাইনিংথৌনা নুমিৎকী মখোয়দা চংনা লৈরিঙৌগী মমিংনি।

মিবেঙনু = লাইরেমমনা নুমিৎকী মখোয়দা চংনা লৈবিঙৌগী মমিংনি।

লামায় ১১৯

তীন তারেং তাকুপপা = লাইনিংথৌ মচা অতোলবান' লাইনিংথৌ ওইহনদুনা সনা থমবাল মনুংদা ফমলিঙৌগী মমিংনি।

পোংলেলপা = অতোলবাবু লাইনিংথৌ ওইহনদুনা য়াহীপপশিংগী মকোকতা ফমলিঙৌগী মমিংনি।

সংতাবেঙ = তাইবং লাইনিংথৌবু লাইখিবীক্লা লৈবাক চিথেক মবিমনা খুৎমলবদা মহাক্কী মমিং ওইনা কৌখি।

নীককোয়বেল = কংলাগী হলচিলঙৌগী লাইনিংথৌগী মমিংনি।

সংপুমলেল = য়া কাককোক মনুংদা লৈঙৌগী লাইনিংথৌগী মমিংনি।

কিংতাবেঙ = কাককো মনুংদগী লাইনিংথৌনা হনথোবকঙৌগী মমিংনি।

পুঙ মায়োন = লাইনিংথৌনা লপযাল কাদা ফমঙৌগী মমিংনি।

কোনলীকসং = লাইনিংথৌনা কোনফুগুমগী মনুংদা ফমলিঙৌগী মমিংনি।

হেবামনিক = লৈশা পোকপাগী মমিংনি।

কোয়মায়ুং = নোংশা পোকপাগী মমিংনি।

পিতুসং = হয়িং পোকপগী মমিংনি।

খোইকবেঙ = খোইপোকপাগী মমিংনি।

কাঙকুক লথইরেল = কাঙ পোকপাগী মমিংনি।

লীবিঙক মুচেং = ককচেং।

লইতিলখোং = চাঁঙ পোকপাগী মমিংনি

তাবং তাবং = মীওই থৈবীকপু উহললকঙৌগী মমিংনি।

পীসাওতাও = থাংচাঙনা মীৎলুতা হাথাঙৌগী মমিংনি।

পীসানা = থাংচাঙনা ওইওইনা লৈঙৌগী মমিংনি।

পীংঙা চীঙ হে হে হে হে হে হে তে – থচীঙনা মী শেমঙৌগী মমিংনি।

নাওয়া থাক = মী মপুং ফাবগী মমিং।

আওমু = মী মাশক থোকলবগী মমিং খঙনৈ।

লাংপাচক = মীনা তাইপঙ ফাওবাপাতা কৌবা মিংনি। (য়ুপাল থাতাবিবাকি মখৈতী মামিং অসি কৌয়ে য়ুপাল থাতাবিঙৌতা মামিং থোলহৈতে)।

লইতীনসং = লৈমবেলনা লৈপাক লৈবোল ৭ কি মখাদা লৈবিঙৌগী মিংনি।

লামায় ১২১

চেৎপা ঙালপা = লাইনিংথৌনা মহুমদগী হৈ মাকগুম কফথাইঙৌগী মমিংনি।

ঙাংতুংবেঙ = সনাচাঙগী মমিং।

খুম কাকুপতা = সনা থিংকুম চাঙগী মামং।

হবহপাই = মোঙবী চাঙগী মমিং।

লংমাইচীঙ = রোমতারং চাঙনামু সমনা তাকুপ চাঙলাংখাম কৌয়ে।

পোংমারু চীঙ = কৌপাবেল চাঙগী মমিং।

সীবাকোংচীঙ = থোঙঙাক চাঙগী মমিং।

লাইসুমলেল লাইথৈ চীঙ = পিসুম চাঙ

মাকুপ চীঙলেল = হৈপোক চাঙ।

হ হুম হ মতুং লইথই – চাঙথাং।

লৈপাক মাইপাতি = লৈবাক পুবা মাইবা মখল ৭ নি।

নোংথৌ মাইপা = নোংথৌ তাইবা ঙম্বা মাইবা মখলদি ৭ নি।

নোংসীং লমতী – সলথোংনি।

লাইচা = কৌব্র চেংঙানা ঙাকয়ে।

মইবম = খা নোংপোক।

লীকলম – চিংখৈ য়ুহানা ঙাকয়ে।

লামায ১২৩

লৈপাককী কৌবোঙ = লৈবাক্কী চক।

নোংতংসা = নোংথৌগী কৌবোঙনি।

হুইঅোইনা = লেংশিনবা ওইনা ফানা।

থীবেল চলপা মবাচেংনবা তাকপা।

সৌখংলকঅো = য়াম্না পোকথোকলক-ও

লুমখংলকঅো – হৌখক ও।

নামই নানা কাঙকুনো = কলনা হাইনা হুমনা শিংকনো।

নানুং হওকুনো = শাওগনো।

নানুং নাইবকঅো = শিংনবক-ও।

থাবা = অযাকপা উটি।

চুতাবাপাতী – তাদববদি।

মাপাঙ্গুবানা – নপা ওইবানা।

সংমা তোংমপা - নোংপোক লাইনিংথৌ।

লমখল = লমবু পানবা নিংথৌ ওইবা।

লামায় ১২৫

হিংলুংকোযনু = লাইবেমমাগী মমিং।

আকপী সানোয় = মাবচাঙগী মমিং।

লাইয়িংথৌ = লাইয়িংথৌ অপাললপানা কাশা ওইবিঙৌগী মমিংনি।

তাবংহবমুলপা = য়াখাপাংতা লৈবা হালনা শাবা চাঙগী মমিং।

লংমাইচাঙ = কংলৈগী নোংপোক থংবদা লৈবা চাঙ অমগী মিং।

ঙাঙকুপ = পাইনাবা চুঙগী মমিংনি।

কুপফেৎ = খাংগী মমিংনি

কুপ তাবংপা মিয়ান থাঙ = নোংপোক পোকলেন্নগা লাইবেলসিতবকা অনিগী খুৎশু থাংনি।

সীংকুপ যেং ফীবাক থাঙ = লৈবাক শেমনবা থাঙনি।

লামায় ১২৭

সিতানৌহিং = লাইনিংথৌ অপানবনা কংলা নমলোলদা লৈরিঙেগী মিংনি।

মীপুল মিঙাঙচি হিং = অপানবা লাইনিংথৌনা পাইবা থাংগী মমিং।

মিতোং মানীঙ = অপানবানা কংলা মেলদা ফমঙৈগী মমিং।

চীবংলেল কিংনাইপা = অপানগী খুৎ ওইদা পাইবা থাংগী মমিং।

হাক কানীক মিহিংচী = অপালবনা কেক্রুপালদা ফমলিঙৈগী মিংনি।

নুঙ মানীকনু ঙাঙচীবীক = য়ুমথৈকী ফুবা মনুংতা ফমলিঙৈগী মিংনি।

মীহিংলেল = অপালবনা থাদা ফমলিঙৈগী মিংনি।

ঙাঙতুবেঙ মিহিংচি = অপালবনা নুমিৎতা ফমলিঙৈগী মমিংনি।

তুনা = তাইশিননা।

চিবা = মচি।

যৌঙইপা = অঙাকপনে।

নোংকুবেল কিংখিং কিংনাইপা = নোংথৌ সোবাবেলগী মমিংনে।

লামায় ১২৯

খাপুঙ লাইপুঙ, য়ুফোঙপাং পুঙকাইফম অনি = অপানবগী মনাতোল ওইনা খঙনৈ।

লুচামফম = অপানবগী খ্যাংনি।

খোংসঙ = অপানবনা নিংথেম কৌনবা মফমনে নোংথৌ মতোল কৌয়ে।

কাঙপোকপী = অপানবগী লৈতোলনে।

যীমপীবেল য়ীহম = য়ুমগী অহালবা উবেপ (যাত্রা)।

মইহৌবোলকি = হৌবকঙৈগী।

লইখাবোলতী = মনুংদা লৈবা, অচেৎপা ওইবদি।

চীলফুবেল = চেংলৈ চনু নিংঙোল।

লাইবেললোলতী = অপালবা নিংথৌচাগী চাদা নাওদাদি।

লাইবেললোলপীনাইতাপাতি = অপালবা নিংথৌচা মমা মশক খঙহৌদবগী চাদা নাওদাদি।

লৈফুবেল চনু =লৈশেমবা কাংবুগী চাদা।

লইনুং য়াখুপী চানু = লৈখা-অনেম্বা লমদা পানবা কাংলুপকী চাদা থাবাইবেলগী চনু নিঙোলনি।

লামায় ১৩১

য়ীমচাওবইম = য়ুমবুবেম্বী, নিংথৌগী লৈমা।

নোংদা লাইবেল পাখংপা = মীওইপোক ওইনা মীওইববা নিংথৌ ওইনা পানলম্বা পাখংবা কৌবা নিংথৌ।

অঙোমরানে = অঙোমগী চাদা নাওদা শমথবকঙৈগী খংনবা রাফমনি।

লৈসাংথেম রাতী = লৈসাংথেমগী চ্যদা নাওদা য়ুমদালোল খঙনবাদি।

মোইবাংরাতী = মোইরাংগী হৌবকলোল খঙনবদি।

মোইবাংথেম রাতী = মোইবাংথেমগী হৌবকলোল খঙনবদি।

খাপাতী = খাবাগী চাদাগী হৌবকলোল খঙনবদি ।

ঙালপাতী = ঙালপা সল্লাইগী খঙনবা।

রা অসীতী = রাবমশিংদি।

চুকনে = মরোল অমগী মতমনে।

লামায় ১৩৩

থুমপীতা পালয় = থুমহি ওইনা শিজিন্নেয়ে।

সানাসায়ানতা = শা মরাং কাইবা।

ঙাতী ঙায়ানতা = ঙা মরাং কাইনা ফংয়ে।

সীঙপোং লাপোংতী মাথান হোইনা চংয়ে = শীঙপোং, লা নচিংবদী মবাং কাই পংলৈ লৈয়ে হেক্তা লাম্বাদা ফংঙে।

মীবোল = মতম অমগী মীশিং।

হওখিবাপাকা = লোইখিববগা।

হেনলোয় = অহেনবী অথোইবী।

থায়থোকপাকি = তোঙঙাল তোঙঙাহনখিবগী।

হামেঙ কোলয় = হামেঙ কৌবা শাগা লোইনৈয়ে।

সামু কোলয় = শামু কৌবা শাগা লোইনৈয়ে।

য়ীরোই কোলয় = ইবোই কৌবা শাগা লোইনৈয়ে।

সাচী খোলয় = শাজিগা লোইনৈয়ে।

কৈ খোলয় =কৈ কৌবা শাগা লোইনৈয়ে।

সললাই = কাংলুপ।

মংলেম = নিংথৌ ওইবা লৈবাক্কী অচংবশিংগী পোংলোইফম।

পাংপাবমতা = মাইকৈ লোমদা।

মাইপারোল = মাইবা মখলশিং।

নিংথৌরোলতী = নিংথৌপানখিবাশিংদি।

পাখংপাকি য়ীনে = পাখংবনা পোকলম্বনি।

লোকখা হাওখতী = চকপগী কাংখুনে আরোংননে।

নিংথেমপাচা য়িলখিপানে = নিংথেমচা লোলদা চংখিবনে।

য়ী ১ তানে = পু অমাখকগী চাদা নাওদা সমথরকপনে।

অবোংনে = চকপগী চাদানে।

মুংনাপনে = লৌনহৈদখনে।

ঙালপা খুমুকচম সোংপু হাওখা ১ হানে = ঙালপা খুমুকচমদি সোংপু কাংবুগী শাকৈগা মসেল অমৎতনি।

হৈবম খুনচাল, কমপোং লোকখু, ককলা হেমচেং লামপী মাথাল = থংকান কাংবুগা অমৎতনে।

লামায় ১৩৭

নুঙতৌ য়ীমথংপা = নিংথৌ তাবিনা সলথোঙমচা হুইমলৈমা পানদুনা পোকপা মচানি সবাংথেম সল্লাই শমথবকই।

লৈমা কাংখল = পাখং য়োইরেলপগী মচানুপীনি।

পুরাংবম, পুরৈবোমপা = তারিনা পাখং য়োইরেলপগী মচা লৈমা কাঙখল পানদুনা পোকপা মচানুপানি।

ফমপাল তোংয় = নিংথৌ ওইয়ে ফমবালদা ফময়ে।

লুরোংচম লোলতী = লোংজমগী যুমদাবা চাদা শমথবকপদি।

ফজতেক লোলতী = খাইথাখিবা শাগে যুমদাবদি।

মাচু = যুমপানবী নুপী।

থোংনাং = ময়াং তখেল।

ফজনে = পীবানে।

খোইনে = হৌবকফম ওইবা পু অহলনে।

লেয়া খোংনাংলোল = লেয়া খোংনাংলোল হায়বদি লীকলা পীচা নোংতমনুনা খোইতোম, মালতোম পোকয়ে মখোয়গী চাদাগী শমথরকপানা মখোয়গী পুকোক ওইয়ে চাদাদি খাংনে লেবা খোংনাং, কাসোম নচিংবা শমথৈ।

লামায় ১৩৯

ঙালনুনা = ঙালবা চনু নিংঙোলনা।

থোকচোমলোলতী = থোকচোম যুমনাক্কী যুমদালোলদি।

বুরোক লোলতী = উরোক সললাইগী চাদা নাওদা যুমদাবদি।

লোকখাবোলতী = লোকখা হাওখানে, অচৌ, অহৌঙা, অহৌবোং, থৌপু ঙারেল পুসারী লমতং থোপসেল য়েনলোয় নিংথৌপা মখোইশিং অসি চকপানে।

তেংলইলোলতী = তেংলৈ কৌবা চাদা নাওদা-মখোইগী চাদাদি তেংলৈমুংচা হাওরামুংচা, মুংমুংচা অসিনচিংবা। মালতীঙ লোল মালতীঙতীঙ ঙা লৈফোলনচিংবা মহাক্কী চাদা নাওদা।

থাব্রাবোল = থাব্রারোলগী চাদা নাওদাদি থাব্রান কোয়মাকোয়মা তীলচেং তালচেংনচিংবা।

লইসাংথেমলোল = সল্লাই অমগী মমিংনি চেংলৈদগী শমথবনি।

তানাতারৈপা = খাকপাগী মমিং অমনি

লামায় ১৪১

কাপুই তোইখিয় = কাপুই হায়বা কাংলুপ ওইখিবদি লমলেকসাং মমা হুইমুলৈমাগী চাদানি।

থেংকোইবা = থেংকোইবগী চাদানা হাওয়োক কোলথৌ ওইখি।

নুঙতৌ য়ীমথংবাতী = নুংঙৌয়ুমথংবাগী চাদানা লৈশাংথেমলোল শমথহৌই সল্লাই ওইনা লেপখি।

নাওফং অহলপা = নাওফং অহলপগী চাদাদি চেংলৈ ওইখি।

মোবিয়া ফমপালচা লোল = মোবিয়াফমপালচাগী চাদা অহানবদি, মপা পাখঙয়োইবেলবনা শিলবীলৈমা লৈতংনিংথৌ চনু পানদুনা মোবিয়া ফম পালচা পোকতুনা মথং মথং শমথবকতুনা নিংথৌ কাংবানচিংবা পোকতুনা শমথবমমী কাংমুংদা পাললে।

মোইরাংথেম লোলতী = মোইবাংথেমগী চাদা নাওদা শমথবকপদি।

লামায় ১৪৩

কোনথৌচম লোলতী = কোন্থৌজমগী অহানবা চাদা নাওদা সমথবকপদি।

লোকতোলপম লোলতী = লোকতোলবমগী চাদাদি হুইমু লৈমদগী শমথৈ।

খুয়োলথেম লোলতী = খুয়োলথেমগী চাদা নাওদাদি।

ঙালপাবোল খায়খংপাতী = ঙালবাগী য়েক সল্লাই চাদা নাওদা শমথবগী মবমদি।

পোইবৈতোল = পোইরৈতোলগী চাদা নাওদা খুমল অমসুং লুবাং সল্লাই শমথখি।

লামায় ১৪৫

খুমুচম লোলতী = খুমুচমগী চাদা নাওদাদি।

খাপাবোলতী = খাবাগী চাদা নাওদাবমবদি তৌবেখা, তৌবেজখুপা তৌতিংথৌ অসিনচিংবা।

খুমল, লুয়াং কমপোং লোকখু লোহল = মখোইশিং অসি খাবা ঙালবাতগী খাইখিপানে।

খুমললোলতি = খুমল সল্লাইগী চাদাদি।

লামায় ১৪৭

ঙানুরোল = ঙালবা য়েক শল্লাইগী চনু নিংঙোল।

কওপাবোল = কৌব্রুদা পানবা কৌবা অঙাঙঙাগী চাদা নিংঙোল।

তোঙলিপা = লৈবিবা।

তাওখঙপা = শেমবা শাবা হৈবা।

মোংপা = য়ুম।

কোইনপা = শেম শানা লৈবিবা।

মিবাপোংথোকলম = মীওইবশিংনা লাকনফম।

লমলেন = লমদম অথোইবা।

রাইকোইবম = লৈবমবা মফম।

তাঙচা = লিল।

রাইচংলম = চংনা থোকনা লৈবা মফম

থৌনাতো = থবক পাংথোক-ও, থবক শু-ও।

ফইতোয় = মতা নাইনা শেমবা মফম লম।

সানৌ = ইনাও, লোইনবী চঠা ইখাথাবা ইখাথাবী।

লাইচা = ঈশিং।

মেললাং তলপা = হামেং।

চইসৌতাপানে = শৌ-লাং লৈতবানে।

লোইনু = থুম।

নসাবী = নয়াম্বা, লোইনবা নুপা।

কৌপা য়ীমাক = কৌব্রু ঈশিংগী হৌবকফম।

লাইচা লাইয়ী নুংহকয় = ঈশিংগী ঈবে য়াম্না কললে।

ঙমচৌহলয়ে = চোংনা চোংনা লৈয়ে।

তোকলাকোলতা = ওককোল অচৌবদা

য়েলতী = চাবা য়াবা পোঙতা।

লামায় ১৪৯

য়েনলাং = য়েনপ্পাং।

লোইনু = চানবা থুম।

সংলও = য়েনপ্পাং।

অই = ঐ।

মোংপা = য়ুম।

রাংলই = য়ু।

থৌবই = থবক্কী।

থৌচেল = থবক্কী পাও হায়বা।
সীওতুম লুবোয় থেংনা = কোক্কী শম পুনশিনলবা মতুংদা তাবকতনবা থিংজনদুনা থমনবা শমফানবা মচিনতুমবা অমা।
চেকলা = লমলক্কী উচেক।
বুবোক = পাংতা হৈনবা অঙৌবা মখল অমগী উচেক।
চইবই = ফি।
চামলাও = লা।
য়েনপী = মপুং ফাবাবা য়েন।
য়েনচাও = অচৌবা শাপী ফাবা য়েন।
খোংতোললংয় = মতোল ইথং থংয়ে।
বুথুমনা = উথুম কৌবা উচেক মখল অমা।
পুঙতোয়য়ে = পুং য়ৈয়ে।
আসৈয় = ঈশৈ শকয়ে।
তুতেং থবকয় = তুবেল ঈশিং ঈরম তেংথাবকয়ে।
হাওবৈ = মাইকৈ।
ঙাবেল = ঙায়েল কৌবা ঙা মখল অমা।
লেমলই = ঙা।
হলব্রাইখিবে = অমুক হলদুনা চৎখরে।
পোলপী = য়ুমদা য়োকপা উচেক।
চীনকোয় = মব্রাহৈ।
লুথুম = লু থুম্বা।
থাবই = মখা।
মাবইমাপী = য়ুমবুবেম্বী।
নুম্রাপী = মব্রা লৈত্রবী।
তেংনৌ = য়েৎ।
নামুপোংচেলপানা = মী চেলবনা।

মোমনু সুনা হাঁওতে কাঙফতে = নুপী ওইবীনা ফী শাফদে।

লামায ১৫১

থুমনাওকুম = থুম থাকপগুম।
য়েলনাওকুম = য়েলনাও মচাগুম।
চঙনাপুয = হিঙনা ফানা চেলনা পুখিয়ে।
হৈবাকনে = চেলনা পুখিবগনে।
তৌয়ীকিতী = তৌবগীদি।
কাতায়বম = কবম্বা মফম লমদা।
পাওহংলকয় = বাহংলকয়ে।
য়ীপীঙঙ = ঐখোয় অনি, ইচিন ইনাও।
থুনা হৈপু তৌসে = লাং থাকসে।
য়ীমকোয় বাঙ = য়ুমবু কোইশিনদুনা থাকপা লাং।
য়ীনুং সোয়য়ামতা = অহিং অমদা।
চংলম ফালসাংয়িলনা = চংনবকপা মতুং ইলদুনা
নামু পোংপা = মীওইবা।
ঙাংঙোই = মোইরাং লমগী শকক অমা।
মীঙমপা = মীবু ঙম্বা।
সাকন তুফাং লিংতাবিয় = মতিক চানা খুৎকন পাংগলদবিয়ে।
লোইচলসে = খুদুম চলখিসে।
রায়বা = শা।
হয়েল = লাল।
লোই = খাথাবা পোৎ পীবাবা কাংলুপ।
মানুংলাও = শাদোং লৌবা।
মেললাংতলপা = হামেং।
চীনফু মায়তাক = চীন খা শেংদোকপা।
থীকসেং থাসেংক = ঈরু মাইথা হকচাং শেংদোকপা।

মকমপী = নুপী লোইনবী।
কাইনা হলপা = লাকচনা ঙম্বা।
রাতেমপা = রায়েনবা।
নোংয়ায় = খুমল।
রাঙলৈ = অয়াকপা য়ু মখল।
কবো = অম্রা।
মাবোয় = লোইনবা।

লামায় ১৫৩

লাইচা য়ীপুক খায়না = ঈশিং লালখোক্না।
কাপতীংপা = তিনফা কাকফে।
য়াইথংপা = থৌদা ঙম্বা
অয়াঙপা = থৌদাবা।
তাইসীককে = তাইনজসে।
নানোংয়াই = নঙশিং।
রাতেমপা = রায়েলবা।
য়ীবোক = ঈশিং চেনদুনা লৈবা মফম।
মানানেমনা কোইথুপা = লাইনা কাঙমবা।
খুমু = নৌ।
তওবাং = ফক।
লাইচা য়ীপাক থকতা = অচৌবা ঈশিং ইমাই মথকতা।
খুয়া য়ীচোংতাবা = খোংগী খুয়াদা ঈশিং চোংতবা।
নোংফাইতাপা = নোংফেল চংদবা।
য়ীসোকপাপু = ঈশিং শোকপাবু।
লুমনাপা = য়ুমদিননবা, লোইনবা।
মাপাবি = মচানিপা।
মঙায়বোয়পু = লোইনবা মমালনবশিংবু।
লাইকবা = লাইবেম্বী।
সেললোয় = নোংমাইজিংদা লৈবা মীশিং।
খোইমোম = লাইবেম্মা।

অইপু = ঐবু
কাওরেল = শল অথোইবা, সজলাবা অথোইবা।
সৌহালপীকে = য়েলনিং চেংহনবীগে।
থোংনাং = তখেল, মম্বাং।

লামায় ১৫৫

থৌনাপাপু = থবক শুমবু।
অকল অয়াঙ = অকল অথৌ,
আহালনা = চহী য়ামবনা, ইথকথোংবনা।
হুইরেম খুলচল = কাংলু অমাগী মমিং।
আতেংপা = অবোইবা, ফজবা।
সোংকিপা = কীবা।
হেনমোইপাপু = লৈতেংববু।
আহলপাপু = মথকথোংববু।
খোমলেল = মং।
সাকাবম = শাবম, শা-লানফম।
ফৈনায়ামনা = শমনা য়ৌবকনা।
নোংমলব্রাইকি = শিখিবা মবমগী।
সকবু = মশক উবা।
সাবুতালা = মশক উবা ফংদবা।
কায়াচু রোইপু = ক্বা চাবদা ময়া চুনা ঙালবাবু।
ফাপা = খুদুমদা লৈবা।
মামাইপা = মাইবা ওইবা।

লামায় ১৫৭

মাপুমিংনাপাজো = মপুপোক্কা মমিং মানাপা-ও।
মাপেল মিংপু মিংনা = মপেলথৌগা মমিং মান্নানা মিংকৌবা।
রাতেমপা = রায়েল থৌদা তৌবা।

হুয়েন লানলোয়নপা = লানদাগুেদা লোইনবা।
মারোয়লোয়নারিপাতী = মহাক্কা লোইনদুনা লৈরিবদি।
সকল্প সাবুতাপাপু = মশক মশা উদববু।
চাবোল = ইচাদগী শমথবা চাদা চারোলদি ৫নি। সুরোল ইশুবোমদগী শমথবা চাদা শুরোলনা ৬ নি।
য়ায়চিলপা = হিংদুনা লৈবা।
নুংপাল = লুয়াং শল্লাই।
য়াকয়ই = হি।
ঙালনুবোল = ঙালবা সল্লাইগী চনুনিংঙোল।
তানদোয়তুনা = মতু নুপী ওইবীনা।
মঙফাওপাতী = মংদমবাদি।
লুয়াং মাকুপী চীঙ = কাংচুপ চীঙগী অবিবা মমিং।
মোংপা য়ীমচাও = অচৌবা য়ুমশা।
সঙতীঙ = অশাংবা য়ুম।

লামায় ১৫৯

কৈনাবামনা য়াতেমবা = মফম অদু য়ৌনা য়ায়েল থৌদাবা।
খুলচাল = কাংলুপ অমগী মমিং।
মাবোয় মানাওতী = মহাক্কী খোঙলোইদি।
কৈফাকে = কৈবু ফাগে।
খোমলেল = মং।
নুংপাল = লুয়াং।
মাসায়কোলপু = মহাক্কী মফমপু।
লাংময়ইবেমপা = লাংমৈ মতু থেংপা।
খাথারোই = খাথংবা মাইকৈবোমদা ফমবা অঙাম্বাশিং।
তাহুলয়াই = তা হুলনবাদা পানবা মফম
লংনা = খাইনবা থাদোকখিবা।
তুসাং = ঈশিং ঈরম।
কাইনা হুলপী = লাকচনা ঙন্নী।
সীঙখাই = নুমিৎ মশিং।
য়েনতঙ = থাঙ অমগী মমিং।

লামায় ১৬১

আসৈ য়াই = ঈশৈ শকপা মফম।
সুকমুনা = মচা মশুনা।
নাওসেক = চাবা য়াবা তীন মখল অমা।
পোইবও = মৈতৈনা তাবা মফম।
চীলফুবোল = চেংলৈ নিংঙোল চানু।
মঙচুপীপু = মঙদা পী উবাবু তাইবংদা চানবীবু।
লুমনাপা = নিপা নুপী ওইনা লোইনরিবা।
খমনুং = অশি লৈবাক।
খোইচু = খোইচু কৌবা মৈখু ওইনা থাদুনা লাইগী থৌবমদা শিজিন্নবা পাম্বী মখল অমা।
য়ুবিংকোল = উয়োকফম।
নাইফা = মীনাই ওইনবা ফাবা।
চকপা = কাংলুপ অমগী মামিং।
খামাবল = কাংলুপ অমগী মমিং।
লালমিংনাই = লালতৌবদা মমিং লৈনা মিংচংলবা।

লামায় ১৬৩

লাললোইনবা = লালচংপদা লোইনবা।
মাবোয় = খোংলোই।
মাঙয়ায়পা = মংদা উবা।
তুংয়ায়পা = তুংদা চংপাগুম্না শহমনবা।
তায়শিংকে = হায়জগে।
চীঙমাপা = চীঙশেমবা।
য়াকানপা = হয়াওনা য়ৌবকনবা।
পোংপৈনবা = মীয়াম তিনবা।
য়ায়েল থৌতা = লৈবাক্কী থবক পাংথোক্লবা থৌদাখোল।
য়ারক থৌপাও তমলিপা = চৈবাক পীবা লাকপা ঙমলিবা।
চীতেং = মচি পালবা।
চীবেল = ফজনা হৌবা মচি।
য়াবেল = ময়া।
পানপা = কৈ।
কৈবেল = অচৌবা কৈ।
তাওচীঙ = হৈ।
থৌতমপা = মথৌ পীবা।
চাচাক = চাননবা চাক।
চাহাওতী = চাক ওইনা চানবা ফৌ মখল অমগী চাক অমুবা চাহাও হায়না খঙনবা।
মবাসী = মুবসী কৌবা মফৌ মতু পানবা মখল অমা।
পানপানো = লৈবনো।
লওখননুংতা = লৌবুকতা।
লওবী = লৌপাম্নবগীদমক ঈশিং ফানবা শেম্না পনলি।
খোংপাল চামলও = পাংখোকলা।
মাহই = পাম্বী মক।
চীঙফৌ = চীঙদা হৈনবা ফৌ মখল।
তমফৌ = তমদা চানবা ফৌ মখল।
কাতায়তা = মফম ওইবদা।
চকমোম = মৈ।
খামবী = মৈ।
হাওনা = মনম চেলবা চীঙদা হৌগনবা পাম্বী মখল অমা।
মাপাবী = মহাক্কী মচানিপা।

লামায় ১৬৫

সালথুপ = লোংনা লৈফম।
সাকম্য়াই = শা হাংপা মফম।
য়ানথোং য়াই = থোং থাকফম।
তাওচীঙ হইকল য়াই = হৈ ঙাকনা থম্না মফম।
হইসঙ য়াই = হৈ মাংদনবা ঙাক শেলনা শংবা মফম।
নিংঙোল = য়ুমবানম্রিবী নুপী।
নাই = মীনাই, মনাই ওইবা।
পাওথেমচীঙ = য়া য়ানাবা হায়বা চীঙগী মফম, থেমনা য়াহাইখিবা চীঙ।
থাঙয়ায় = অয়াং মাইকৈ।
খাপী লেংনাও মোমপী = মাইপী চংবী নৌবীবী।
মরমখৈ = মহাক্কী লমদম।
লমমাইলপু = লৈবা কুইদ্রিবা লমবু।
প্রুম = কাংলুপ অমগী মিং।
ফাপা = চংহনদবা, খুদুমচলবা করি তৌবা ঙমহনদবা।
হইয়োমসা = কোইশিনদুনা থম্না, য়েকনবা মবোল নাইনা কোইশিনবা।
সাবাও = শা ওইবাশিংদা লাওবা।
লাললাওবা = লাল তৌনবাদা লাওবগী খোজেল।
লাইচা য়ীথাপা = কুমদমবা।
য়ীঙৌচাংচিংবা = তুবেল ঈশিং ঈচেল নাইহনবা।

থৌতু = নুং।
সোংলেল লালথাপাপু = অকলবা লালদা ওন্সা।
মাখুবোল = মহৌশাগী ওইবা শকওং।
লাংকোই = শাগোল।
মোইসায়া = য়ুমদা য়োকপা য়াবা শগোল অঙৌবা।

লামায় ১৬৭

চীঙসেম মালসেমবা = চীঙজাও শেম শাবা লাই।
কবও = কোবৌ।
রাংবল = অরাংবা নোংদোল।
রুতালিসিল হৈবাজো = উদা শকউ শা উদা লোৎপা ওন্সা।
থাবা = থাগা লোইনবা থরালশীচাক।
নোংথোলপাতী = নিংথৌগী মনাই ওইবা ফমথৌ অমাগী মামিং।
মাবমতী = মাগী লমদমদি।
কৌপা = কৌব্রুগী চীঙ।
চেংলইপম = চেংলৈ শল্লাইগী য়ুম্লাক
য়েলপা = চাদা শনদোকপা।
চেংলই লুরাং য়ীপু = চেংলৈ অমসুং লুরাং অনিমকতগী চেনথবকপা ঈশিং।
খুৎহৈপাতী = মখুৎ মশা শেমবা শাবা হৈবা শিনমীদি।
কমপোং = কাংলুপ অমগী মিং।
য়ীবাৎ লাঙপাতি = লাইথৌ তৌবদী।
হাওকপ চীঙসাং = লাঙ্গোলগী মমিং অমা।
খুমলচা = খুমল শল্লাইগী মচা।
লমপাল = খুল লম অমগী মমিং।

লামায় ১৬৯

নাইখুতী = মনাই ওইবা কুইদ্রিবা।
আবামবমনা য়েলবা = অবামবম শল্লাইদা পোকপা।
লোর্লোয় = কংলৈগী নোংচুপথংবদা লৈবা লম লাইবেল শক্তিকতগী ইথেংবন ফাওবা।
খ্বাই খোংমাবি = খ্বাই পানাগী লমদা চেনবা ঈশিং মথম।
পোকপা = শন্দোকপা চাদাবা।
য়াওবও = শা।
যাইসাখুলতী = কংলৈগী পানা মনুংদগী অমগী মমিং।
নাকপপাতী = নিংথৌগী ফমথৌ মনাই অমগী মমিং পানাগী শককনি।
লাইবেলতী = মতিকলৈবদি।
চামলও লাথাকোল = লা হেকনবা শেম শাদুনা থমলবা লফু থাফম।
আহললুপতী = কংলৈ পানা মনুংদগী অমগী মামিং।
সুকুনু = শুকসু কৌবা লম অমগী মমিং।
হিসাপা = হি শাবা হৈবা।
পুমলেল = পুমলেল কৌবা পাংকী মমিং।

লামায ১৭১

হিয়াংলোই = নিংথৌগী ফমথৌগী মমিং।
মৈতেংঙু = মৈতৈ নিংথৌ।
আঙৌ পামপানা = অঙোম নিংথৌনা।
আহৈপা = অপাল অবং হৈবাগী থবকতা খুৎলোইবা।
খাখোং লাইখোং = কংলৈগী কোনুংদা খা-অরাংনচিংবদা তোঙান তোঙালনা চেনবা খোংগী মমিংশিং।
য়ীমীওলোয়তী = নিংথৌ ফমথৌ অমগী মমিং।
সিনাইপাতী = মখুৎ মশা শেঙ্বা শাবা হৈবদি।
রাংখৈ = কংলৈগী লম অমগী মমিং।
নুঙখোং নুঙনাওপীকা = লংমাইচীঙদা ফংবা নোং চুনাবগীদমক ইবাং থৌনিবা নুং মথল অমগী মমিং।
খুবায় = কংলৈগী লম অমগী মমিং।
পুম্রলপাতী = মৈতৈ নিংথৌগী ফমথৌ অমগী মমিং।
আঙৌপা = অঙোম।
মইতেংঙুনা পোকপা = মৈতৈ নিংথৌগী মচানিপা ওইবা।
হইক্রোলতী = মৈতৈ নিংথৌ ফমথৌ অমগী মমিং।

লামায় ১৭৩

চোঙখলপতী = কংলৈ নিংথৌগী চোং পায়বা ফমথৌ অমগী মমিং।
নাইফাতী = মীনাই পানবা নিংথৌগী ফমথৌ অমগী মমিং।
মাইপাতী = মাইবদি।
ফওকৌপাকি = ফৌগীদমক থৌনিবা, ফৌগী লাইবেম্মা থৌনিবা।
লাইবেমমা = লাউ নুপী।
সোলনা = হায়না।
খুৎশু = খুৎনা পাইদুনা শিজিন্নবা পোৎ চৈ।
চাতোইকিতামক = তোপন চাক থোঙনবগীদমক।
চাপাল ফুখোংয় = লাইগী কৎনবা চাক থোংনবা চকুদা চাক থোংয়ে।
ঙানোয় = ঙা মথল অমগী মমিং।
ঙাতোং হাপয় = ঙা অমা থোংলবগা মদুগী মতুং ইনবা অতোপ্পা ঙা থোংনবা অমা হাপপা।
খোইচুনা = খোইচু কৌবা লাইগীদমক শিজিন্নবা পাম্বী মথল অমা।
লাবোল = লা মরোল লোলবা।
খুতেংতা = খুদেং কৌবা য়ুমগী শিজিন্নবা পোৎশক অমগী মমিং।
মাঙসোকতা = য়ুমগী ফমমেলগী মমাং।
লাইসোল = লাইগীদমক হায়জবা রারোল রাহৈ।
সোললো = হায়না থিয়ো।
রোংহৈ = ইপা ইমাগী মশক ওইবা মৈ ঈশিং নুংশিৎ।
কে = হাংবা।
কংলই = মৈতৈ নিংথৌনা পুবা লম।
তাওতং = নুংশিৎ।
রাংঙম = নিংথৌচা।
ফুয়না = পোকপা ।
তুপুনা = ঈশিংগী মপুনা।
লমপু = লমগী মপু।

লামায় ১৭৫

তাওপা পুঙনে = শেঙ্বা লমনে।
চকশিং য়ামপা পুঙ = চহী মতম চক মশিং য়াম্না য়ামলবা লম।
লইকম = লৈবাক তাথোকপা শন্দোকপা।
থোঙপাল খাইনা = মফম চানা যৌনা।

অমপাক লাইকি = লৈতেং মানবা লমদমগী লাইগী ওইবা।
লমহৌরকঅো = লম অদুগী লাকপা হৌরক-ও।
লিহৌরকঅো = থিববা হৌরকও।
লইমা ফমপু = নুপীশিংগী ফমফমবু।
লইহৌবকঅো = লৈশেম্বা হৌবকও।
নোংমা ফমপু = নোংদোলগী মফমবু।
লওবু = লৌ উফমবু, মত্তা চাবা পাম্বী থাফম লমবু।
তুবেল চাওপু = ঈশিং চেলফম ঈরম অচৌববু।
লইফনপীকা = লাইপাক পাকথোকনবা শেম্বীগা।
তিংথী = নাপী মখল অমা।
ককচেং = তিল মখল অমগী মমিং।
খোইচেং = খোই কৌবা তিল।
য়ীমুলাবাকা = পাৎ অচৌবগা
য়ীতৌলাবাকা = তুরেল অচৌবগা।

লামায় ১৭৭

কৈরেল = ফৌ হাপনবা শাবা অচৌবা যুমশা।
য়ুমিৎলোলকা = উগী মমীৎ য়াম্না লোংনা পালবা।
বুতং লোলকা = বা উতং কৌবনা মমীৎ য়াম্না লোংদুনা হৌবা।
চাকসঙলাপাকা = চাক থোংফম চাক চাফম অচৌবগা।
কইমাবাপাকা = কোৎ ফৌকৈ অচৌবা শাবাগা।
সোয়খোঙলাপাকা = শুবোল য়ামনা ফংবগা।
থাবাক = মহৈ।
নুমিৎলাপাকা = নুমিৎনা তবং তবং থোকপা।
থাপী লাপাকা = নুমিৎনা ঙালনা থোকপা
তুয়াচাওপু = তুরেল পাৎনা ঈশিং থমকপা।
ফেলমথকতা = পীবিবকতা মতমদা।
চুপলেল = অবেপপা উয়ুং।
য়ীমুবাপাকা = পাৎকী ঈশিং অচৌবগা।
য়ীতৌবাপাকা = তুবেল ঈশিং অচৌবকা।
ফেলখৎথে = পীবিবকয়ে।
য়াবা = ঈশিং
লোকতু = লোকলমদগী চেহ্নবকপা ঈশিং।
ফেলমাথকতা = পীবিবকপগী মথকতা।
লীথীং = অশাংবা মপোপ চাওবা লী মখল অমা।
লিবেল = অশাংবা য়াম্না কনবা লী মখল অমা।
য়াইবী = অশাংবা অপীকপা য়াম্না উইবা মখলগী লী মখল অমা।
বামং = বা য়াম্না হৌবা মফম।
বুমং = উ মখল য়াম্না হৌবা মফম।
লীবা = য়াম্না উইবা বা মখল অমগী মমিং।
বুয়েং = বা মখল অমাগী মমিং।
বুতং = বা মখল অমগী মমিং।
বুই = বা মখল অমাগী মমিং।
বুনাল = বা মখল অমাগী মমিং।
খোকবা = বা মখল অমগী মমিং।
লাইবা = বা মখল অমগী মমিং।

লামায় ১৭৯

মৌপী থৌতম = অপাবা মখলগী বা।
য়ায়ফৌ = ফৌয়াই ফৌথোক লৈবা ফৌ।
মলাসি = ফৌ মতু মনিংদা পালবা ফৌ মখল।
ফৌকাক = ফৌ মখল অমা।
ফৌবেল = ফৌ মখল অমা ফৌনিংথৌনি হাঁয়না লৌই।
চাঁঙফৌ = চাঁঙদা হৈনবা ফৌ।
তমফৌ = তমদা থাগদবা ফৌ।
খোইতীঙ = থাও থোকপা চাবা য়াবা অমা।
থাপী = থাপী কৌবা চাবা য়াবা অমা।
মায়াংপা = মবোই ওইনা চানবা।
চানম = মউ নেমবা মরোই।
হাঙাঙ = মগ্রা অঙাঙবা মখল অমা।
ঙাপী = মপুং ফাবা ঙা অচৌবা।
সারেং = ঙা মখল অমগী মিং।
গ্রাবেল কোকপাক = অচৌবা ঙা মখল অমগী মমিং।
নোইনু থুমলৈমা = থুমগী লাইবেম্বী।
লেমলই = ঙা।
য়োককাপানো = পীঙা পীথক শেম্বী শাবীনা ঙাকপীগদবনো।
অইয়োককে = শেম্বী শাবীনা কলগে।
য়োকঙমপাতী = শেম্বী শাবীবা ঙমবাদি।
আপোকলোল = চাদা নাওদাগী বাবোল।

লামায ১৮১

নুঙঙৌ = অঙৌবা মচুগী নুঙ।
চাইইচারোংনা = মবোং চুমনা পাঙবা মহৈ।
কইবেল = চানা থকনবা অমসুং মক মবাংনাচিংবা থমনবা শাবা যুমশাং যুম।
চংপী = লফু মখল অমগী মমিং।
পোংহন = মী অচংবা।
ফেনতং ফেনকি = তারকওঙগী, লংথবকওঙগী।
চীঙতং = চীঙগী।
মিবেল = ইমী অথোইবা।
খোমলেল = মং।
থিচাবাপাতী = খঙনবা হোৎনবদি।
সায = পোকয়ে খঙনা উবে।
হায়মিংনাপীনা = হায়না মমিং কৌবীনা।
ফৈবোয়চম = ফৈবোয়চম কৌবা য়ুমনাক, হৌজকতি য়ুমনাক ওইনা খঙনম্রে।
তাইবঙ = মীওইবা।
তায়পঙথায় = লাইয়িংথৌ।
ফওকৈ খোলপু = ফৌ নহাকপু কৌবগী খোলজেলবু।

লামায় ১৮৩

য়াইতাই খোলবু = য়াইগা মশক ওইবীবীবু তাইনা হায়জবগী খোলবু।
অঅোঙলাকলো = তারীদুনা লাকপী-ও লৈবীক লাও ও।
থায়ী = ফৌ।
ফৌমিয়ামঅো = ফৌগী মমিং য়াম্না-ও।
মাহয়বোয = ইমৌনুপী, মহাক্কা লোয়নবশিং।
অহোঙবী = য়াম্বী।
লোইমোম = ফৌ।
অঙৌবী = অয়াম্বী।
চীঙখোঙ = মনাও অঙোলবা ওইবা।
খুলফাওলকওইতা = খুলথোকলকঔতো
হইনা = মতুং।

সানা লাংচেং মমৈরাইবকপী = মতুং ইন্দুনা লাকপী।

মৈবা তাওপাতা = মৈ মৈবা চিংবদা।

তাংথাপী = লৈকপী।

হোঙনাঙমতে = নুংঙাইনা লোইনবীবা ঙমদে।

লৈতকপাতা = লৈবাক পুবা লৈশেমবা, খুদম খঙনবা, লৈবাক শিংপা নানবা।

খুলনুং = মীতাবা লম।

কোনলাং নাসিনাপীকা = মনাদা লৈতেং ওইনা সনা শিবীগা।

লেমলই = ঙা

নোইনু থুমঅোইপীক = থুম মবেন্মা লাইবেম্বীগা।

তাংথকে = লৈকগে।

য়ীলতাখিপাতা = য়ৌনবা চৎখিবদা।

লায়চা = ঈশিং।

য়ীমু মাবাংহৌ = ঈশিং ঈপোম হৌনা চেনলমলবগী।

মেনাংতলবা = খ্বমেং।

খুয়াও ঙমচাও হুলপাকি = কলনা হুলনা চেললবা ।

লাইচা য়ীবাল ঙমত্রাপাকি = ঈশিং ঈরালবা ঙমদ্রবগী।

অোনতেপী = হনলকপী।

লাংলেল কোংযাং = মবোই চুমবা ফজবা ব্রা।

লামায ১৮৫

লুম্নাংসুত্তা – লুবাংশিং শুবোনতাবা

কাংকোই পুঙ তোংপাতা = কাংকোইপুঙ লমদা লৈবা পালবদা।

কইচিং কইযাংতোংপাতা = কৈচিং কৈয়াং কৌবা মফমদা খুলপুনা লৈবা।

কমপোং = কাংলুপ অমগী মমিংনি লুব্রাংগী সল্লাইদগী খাইথখিবনি।

লোযয়া কাংপামুং তোংপা = চাঙয়া লোয়য়া কাংমুং কৌবা মফমদা খুলপুনা পালবা।

লোকপা ফওরোই চীঙ = লোকপা ফৌওই চীঙ কৌবা মফম।

লামায ১৮৭

লইমা = নুপী

হাওবইমা = য়ুমবুবেলবী।

কে কে = মোইবাংনা পানবা শকক অমা।

পোযতিংচম = য়ুমনাক অমগী মিং।

নিংঙোলপী = নুপী নিংঙোল ওইবী।

হইবাঙ খুৎতাসু = হৈ খুৎতা পাইনা।

খাবী তমকা হালনা = অয়াকপা য়ু হালনা।

কাচেং থাঙসাপা = থাঙশাবা হৈবা।

তেংনৌ = য়োং।

চীঙলাংমইতা – চাঙগী মমৈ তাবা অবোইবদা।

তোংপানা = পালবনা, লৈবনা।

ককচেং নীঙথওখোল = ককচেংনা ওমবাগী মখোল।

রাহী চীবাওখোলপু = রাহীনা খোংবগী মখোলবু।

নাচুংলমতাপী = কবিসু থৌশাদাবী।

সবিক নিংথাংনপনা = শবিক তুংদা শিবানা।

কমবী মইকাখু = লৈবাকনা শাবা কমবী কৌবদা মৈ হাপতুনা থাবা।

মুপল চইবোঙ = উপল কৌবা উনা শাবা ফৌ য়েবদা শিজিন্নবা মতোনদা লোংবা চৈবোঙ হায়না খঙনবা অমা।

ফালনা = পাইনা।

কুম = মতম চহী।

লামায় ১৮৯

কোঙয়াঙ = চৈস্তু ওইবা য়াবা মতা চাবা রা।

মচইসুনা = মহাক্কী খুৎপাই ওইনবা চৈস্তু।

খোয়না = নাপী।

নাবোলনুংতা – নাপী মবকতা।

লাংচেং = অয়েৎ অপন।

চেকলা = লমলক্কী উচেক।

পামেল = উপাল।

মুহইচানা = উদা পানবা উগী মহৈ।

হুপলেলনা পুমমইবোন = হুপ কৌবা নাপী মখল অমনা য়োমনা থানা হৌজিনবা।

হইককনা = হৈকক্ কৌবা ঈশিংদা হৌবা চাবা য়াবা অমনা।

থংচিং কেপাক হওপা কুমপু = ঈশিংদা হৌবা তিংখং পানবা চাবসু য়াবা পাম্বী অদুনা মকা ফলনা হৌবা চহী।

কুমপী মালোং = চহী কুমদমবা মতমগা লোইননা চুথবকপা নোং।

কুমনোং তমপু তমলি = অনৌবা কুম লাকলে হায়নবু খঙনবা খঙহনলিয়ে।

কাসা = অপোকপা লাই।

ফেলপীঅো = পীথবীবক-ও।

য়ারা = ঈশিং।

তানাফেলপীঅ = থুংনা খঙনা পীবী-ও।

ফৌকু = ফৌ পীবীয়া।

চাকুমাপী = চানবা অচা অথক ওইবশিংবু পীনবীরিবী।

ললকু = শেল পীনবীবীবী।

চীতোলকুনো = নুংশি মীয়েংবীদবা তৌবীগনো।

নাফৌ = নহাক্কী ফৌ।

নাহই = নহাক্কী হৈবাং

মাপু তৈনা সেমপাঅো = পুমনমকপু শেমবী পোকপীপা-ও।

লামায় ১৯১

তানাখলবা = মফম অদু য়ৌনা পুবা।

নাবোয়পালপু = নহাক্কী লোয়নবশিংনা পুবা লৈববু।

নাফৌ নাঙালপালপু = নহাক্ত থাবা ফৌপাল য়াম্না ফবা ফৌ ফববু।

নাহই = পীনবা নহাক্কী মহৈ মরোং।

হে = কৌবা।

সংলৌ = য়েঙ্খাং।

থোলখৎপাপু = হাপখৎপপু।

মাতেমপা = মায়েল থৌদাপাংবা।

পলমক = পলগী হৌবকফম অহৌবা।

লইমায়ায় = অথোইবা শেম শাবা লম।

থাঙঙা = য়ুম।

লইপাক মাপা = নিংথৌ ওইবা।

তৈনাসেমলককঅ = য়াম্না শেম্বী শাবীরকও।

শেললোয় = নোংমাইজি চাঙদা লৈবা কাংলুপ।

লংমাই তাবঙচীঙ = লংমাইচীঙ কৌবা য়াম্না য়াংবা চীঙ।

তানা খলপা = য়ৌনা পুবা।

সুকনাতিলয় = পুম্নমক্না লৈররে।

তুপু = ঈশিং লমগী নিংথৌ।

য়েলনাও = য়েল মচা।

হুপনা = পুম্নমক্লা।

রাংলই = য়ু।

লাপোং = লা মপোং অমা।

সীঙপোং = শীং মপোং অমা।

নাহা নুপী = অঙাং নুপী।

চাকয়েল = চাক চানবা হাল্লা হৌবা।

হলপা = অহল।

লুকথংতাবাপাকি = চাক চাকলুক চাকহাপ চাকথুংদরবগী।

লুকথেকতাবাপাকি = চাক চলুক চাবা ফংদববগী।

লিলকাম = অশাও মৈশা, লাইথুং।

লামায় ১৯৩

লইকি = লৈবাক্কী।

নোংকি = অতিয়া নোংদোলগী।

মালপী = ষণ।

থীক মাবাকনা = শনদোক্লা চাইথাবকপা মবকতা, খিকনা চাইথরকপা মতমদা।

পোকমাবকপোকপাতী = তাইবং মীওইবা ওইনা পোকপাতি।

তোইপী তংকাচানু = পানথোইবী।

পুইতিংরাকনা = শাহৌফাবী

লাইকোকলে = লাইয়েং তিনয়েং লৈতবে।

য়াবানাপুপাচীঙ = ঈশিংদা তাওবা চীঙ।

মাহৌ ফাইপোকচীঙ = নোংমাইচীঙ্।

পোংথৌ = মী লুচিংবা।

য়ীয়াথংনে = থৌদাখোলনে।

অইতী = ঐদি।

থাপী = মাইবী।

সোললমতে = নিংশিদবা তৌবমদে।

হায়গুনো = ঙাংগনো।

মীরোল মাসুঙ = মী কাংলুপ অদুনসু।

ফংলমতে = ফংবা ঙমলমদে।

হইকু = হৈ চানবা পীবীবকপা।

থৌবমতে = থুংলকলমদে, লাকলমদে।

মামীয়ামপাপু = শকলোন য়াম্ববু।

মানাই য়ামপা = মহাক্কী লোইনবা নাই য়াম্বা।

মাসল = মহাক্কী ষলমোক।

মাহুই = মহাক্কী হুই।

মায়েল য়ামপু = মহাক্কী য়েল য়াম্না লৈবাবু।

ফাওপীকানে = পীনবীগনে।

য়াবা কোলখাং লাই = ঈশিং পুবা লাই।

লামায় ১৯৫

মীংয়েংনাপীকুনো = অখাবা মীংয়েং য়েংবীগনো।

আবাইতী = হনজিনলকপতি কুবীবদি।

পাবীপুবী = ইপা মবি ইপু মবি।

মেলতুম মেলচীললমকে = অরাং অপা অসোই অঙাম মেলখং ঙাকপীবমগে।

তাইতুম তাইচিললকয় = ফনবা-য়ানবা পুম্নমক হোৎনবময়ে।

য়ীয়াচাওতী = সমুদ্রদি, ঈশিং অচৌবদি, তমলেন চাওবদি।

মইতৈ = মৈতৈ।

মাবমথৈ = মহাক্কী লম মফম।

য়ীমু মাসেল থাফংনাপা = পাংকী ঈশিং অমগা অমগা শমনবা।

থাইবোয় মাসেল = খাবোই কৌবা শা কাংলুপ।

নাবোল সীঙলোন = নাপী শিংলক।

মাহিথেলতী = মহাক্কী হিদেল তাফমদি।

নঙতেমপীঅ = নঙনা রায়েলবী ও।

পায়না রাইপু = ফংনা ফমবু।

তাঙচা = কোক।

নুবা তাঙচা = নুপী ওইবীগী কোক।

সমলাং চোইকেলনাপী = চোইনা কেলবা শর্মাশিং।

লামায় ১৯৭

লাকা তেলমইবাক = তেলজেপী তেলনিং চেৎনা পাইনা।

রায়বা সেংকম থোংনা = শাথেংনবা নিপাথোকপ ফীবেপ শেমদুনা লেপ্লা শাথেংননবা ফীভম শেমবা।

লেমলই - ঙা।

য়ীবানফম = ঈশিং লানফম।

থাবই = খা থংবা মাইকৈ।

সাবেং খমচাওরাই = শারেং কৌবা ঙা ফাফম।

পেঙপা = পেঙবা কৌবা ঙা মখল অমা।

লেমলই ঙাকোল = ঙা লৈফম।

লেমলই ঙাবাকোলতৈপা = অচৌবা ঙাশিংনা লৈফম তিনফম।

লইমা য়ীবানফম = নুপিনা ঈশিং ঈবালফম ওইবা।

লেমলই ঙাবেলকোল = ঙাবেল কৌবা ঙনা লৈফম।

থাঙঙা = য়ুম।

থৌতু = নুঙ।

নানুং নাইকুনো = শাওগনো।

কৌপা যীবোঙ মাবমথৈ - কৌব্রুদগী চেলথবকপা ঈশিংগী মবম্মশি" লৈফম।

সলথৌ যাঙপা = শল হোইবদা যাম্না থুনা ফু চৈদুনা হোইবা, শল পোকতবা, শল য়ামদবা।

পোংথৌ য়াঙপা = লমন খুম্নবগীদমক মী হেকতা থাবা, মী পোকতবা, মী য়ামদবা।

লোকলাং তিললাং লাইপু = লোকখু কংখু নপতিন চোবা পুবা লাই।

তানা খলয় = থৌনা পুই যে।

লামায ১৯৯

রাকয়ই = হি।

হিকাবম = হি থাংফম।

খোংচোমপা = লম য়াম্না চৎকনবনা।

লীকলা = ঈশিং।

তাকতা - কংবা।

নোংচু = নোংনা চুথাবা।

হেমচেং - লম অমগী মমিং।

মবেম = হাও।

চকপা = কাংলুপ অমগী মিং।

খোংচোমফাপীচা = সু নোমবা কনবী মীচং মীংথোক ফবা।

পীসুম কনপা = মনুং কনবা। (রাংপবেল)

খোংফাও চাওপা = শঙ্খম থৌশাং চাওবা।

লেমলই ঙাথোঙ লোনপা = ঙাগী মপু ওইবা।

কাওবেল = অপোইবা শল লাবা।

তেকপী ওক।

পোংথোঙ খিংপা = মীওইবগী অশিংথোং খিংবা, মী চংঙনদবা।

য়িমু হংচই লোনপাত = কুমগী ঈশিং ঈথাবা-ও।
নানুং নাইকুনো = শাওগনো।
নপীতোলকুনো = শাওবীগনো।
থাপী খোমাতোলনে = মাইবী অনৌবীনে।
সোজমতে = নত্তিকপু শৈথাবমদে।
মামী য়ামাপাপু = শকওং যামবাবু।
নমীৎ থিংকানে = মীৎনা য়েংবদা ওক্কনে, পেনগনি।
ফাওপীকানো = খণ্ডহনবীকানো।
লেমলইলও = ঙা ফাফম ঙায়োকফম।
ঙাকৌফমপু = ঙা চংনবা শেমবা মফম।
য়ীপু = ইপা পোকপা।

লামায় ২০১

নোংখৌ = নোংদোল।
কোলখাং = ঈশিং।
য়ীপীলইমা - নুপী লুচিংবী য়োকচাবী।
লোইমোম = ফৌ।
লেমলই ঙাসিংকোল = ঙা শোইদনা ফাবা মফম।
নুমীৎ পাওলামই = নুমিৎ থোকপাগী মৈশা ফংবা।
কবওনা = নোংদোলনা।
থীওলও = হনলকপা।
ঙাংঙোয় য়োয়মোংপা = মৈদিংঙু খুয়োইতোমপোক্লা নোংবাললোল চনু নোংমোইনু অহোংবী পানদুনা য়োয়মোংবগা তাওথিংমাংগা পোকয়ে।
মিকৌবম = থাব্রাই মীকোল হৌবকফম।
হইকক = ঈশিংদা হৈনবা চাবা য়াবা মহৈ পানবা পাম্বী মখল অমা।

বইমা = লৈমা, য়ুম্বুবেম্বী।

লামায় ২০৩

লাযকপা = হকনা কৌনবা লাই।
থোইনা = হেলনা।
যাওবও = শা।
চীঙতোমপোক = তোঙালনা লৈবা চীঙ।
হইবাঙ নানৌ-চীঙপু = হৈ মবাং কাইনা হৌবা চীঙবু, হৈবাঙ নানৌ চীঙ হায়না কৌবা চীঙগী মফমবু।
কুবেকচই = তুপ্পা য়ানবা থেনবা চৈ।
য়ীথিং = ঈথিং কৌবা লমগী মিং।
লোকতাক = মোইবাং লমদা লৈবা অচৌবা পাৎ অমা।

লামায় ২০৫

লেমলই ঙাচাপুঙ = ঙা ঙৎতনা ফাদুনা মফমদুদাগী চানবা মফম।
সলকুপী = শল পীনাহৈবী।
লোইমোম ফওআইপী = ফৌওইবী লাইবেম্মা।
কুমচামথেল = কুমগী লাকথেল তাইফম।
নাওহিবান = হিনাও শাদুনা হিবালবীবা মফম।
মোংবা = য়ুম।
তাওচা — কোক।
বুয়ামপোকপু = উ যাম্না হৌবা মফমবু।
বুচিবা = মতোল য়াম পুংবা মনা য়োমনা পানবা অহৌবা বা, উচিবা কৌবা খুল।
নাওরা — অঙাং।
ব্রাথসেল = লম অমগী মিং।

লামায় ২০৭

হইপোক = চীঙ অমগী মমিং।

য়ীবোঙ = ঈশিং ফাংনা চেনবা মফম।
নোং য়ায় = খুমল।
খোয়য়োয় = খাবা চনু নিংঙোল ওইবী।
নীঙথিপী = মীৎচুনা ফজবী।
য়ীনচিংখোং = ঈনচিংনবা খোংলম।
পানপা = কৈ।
চানু = নিংঙোল।
খুমল সাংপা চনু = খুমল শল্লাইগী চাদা চনু নিংঙোল ওইবী।
লওখৈতোল = লৌচিন মতোল।
লওকুচাপু = লৌগী শিনফম ওইদুনা লৈবগী মচাবু।
খুনঙময় = খুলবু মখাদা লৈহললে।
নোংযায় = খুমল।
কাইপী = শাওম।
সামোকবও = শলনা লৌউবা লৌ।
বাংলৈ = য়ু।
চেঙপৈপু = চেঙ পৈখিবা মফম।
চাবৈ = ফী।
খুলকুম পুঙ = খুল কুম্বাদা য়ৌরমবা মফম।

লামায় ২০৯

লাললোই = লালমী।
খোংলেল হেমতও য়ায়নে = অখোইবা খোং তৌদুনা লৈবা মফমনে।
লাললোই চীঙঙাবেঙ = চীঙঙা চীঙ (চীঙঙা চীঙবু লালমীনা লাল লুমফমনি হায়না তাকপনি)।
লোইমোম অঙল লও = অঙল ফৌ ফৌবোক।
লাইচা মাহিথেলপু - ঈশিং হিদেল মহাক্কী কুমনফম, মহাক্কী হিদেল তাফম।

য়ীবাং = ঈশিং অশোম ব্রাংমা।
চীঙঙু = মতিক চাওবা লাই।
নোংখৌ মাইপা হলপা = নোংদোল তাইবা ওন্না মাইবা মকোক।
চেংলই লমমাহলপু = খুরাই অহোংকৈ।
থাওব্রায় = অব্রাং লম।

লামায় ২১১

থাপী খোমতোলনে = মাইবী ওইবা নৌরিবী।
থাপী অইপু = মাইবী ঐবু।
সোললম লাওলমতে = হায়রম খণ্ডহনলমতে।
মিবোল পোংলোলম = খোঙলোই মীরোল অমা।
অোঙলোন = প্রতোপ্পা মরোল অমা।
হইকু = মহৈ মরোং।
মমিয়ামপপু = শক্লোল য়াম্ববু।
মামী থীংকানে = শকলোল য়াম্না উগনিয়ে।
মাহই = মমৌ।
মায়েল = লোইনবা।
য়াবা = বাহায়, খোঞ্জেল।
কাসা = অপোকপা লাই।
য়ীপুংখোককুমপাপু = অতৎ অখম লৈতনা ঈশিং ঈফুৎ থোরকপগুমববু।
তাইতুম তাইচিললকয় = অশোয় অঙাম লৈতনধা খোমজিন তাশিনলকয়ে।
নাতু = নবুং নৌপ্পা
হংচেং কোলকো = পুক্তি নুংশাংনা মবাং কাইনপা পাফনবা কোলবু কোনশিনবিও।

—০—

অহিংসা বাড়ি